মহাকবি অগ্ণাংহন

মহাকবি অঙাংহল

(অহানবা ভোলুম)

সম্পাদক

এলাংবম দীনমনি

টি, রাই, এস, কে, পব্লিকেসন

শামুরৌ কৈথেল— ৭৯৫ ০০৮

ইম্ফাল, মণিপুর

মহাকবি অঙাংহল (অহানবা ভোলুম)
মহাকবি অঙাংহলগী চহি ১০৫ শুবা মপোক
কুমওন পালনগা মরি লৈননা ফোংবা,
জুলাই ২৮, ১৯৯৭



তুংগী য়াইফনবা শেম্বা কাংলুপ
শামুরৌ কৈথেন— ৭৯৫০০৮
ইম্ফাল, মণিপুর।

অহানবা খুৎনম ১৯৯৭

কোপী মশিং — ৫০০

মমল লুপা :—৮০,

মখুম দিজাইন তৌবা— মোর্দন স্ক্রীন প্রিন্টিং, শামুরৌ।
নমফম — সুচেতা প্রিন্টিং বার্ক্স, মোইরাংখোম লোক্লাওবুং, ইম্ফাল।

ফোঙবগী রারোল

মহাকবি অঙাংহলগী ১০০ শুবা মপোক কুমওল পালন 'ময়াই লম্বী ইন্টিগ্রেতেদ দিভপলমেন্ট ওর্গানাইজেসন, শামুরোঁনা অহানবা খোঙথাং অমা ওইনা ইং ১৯৯২ গী জুলাই ২৮/২৯ মুমিৎ নিনি চুপ্পা মহাকবিগী পোক্কফম লমদম শামুরোদা লমদম অসিদা সাহিত্যগী অমদি মহাকবিগী মঙাল পীবিরমই। মসিগীদমক সংস্থান অসিবু থাগৎফম খোকই।

অমুক মথা তারকপা ওইনা তুংগী যাইফনবা শেম্বা কাঙলুপ, শামুরোঁনা ইং ১৯৯৪গী জুলাই ২৮/২৯দগী হৌদুনা চহিগী লেপ্পুনা ঙসিফাওবদা "মহাকবি অঙাংহলগী ১০২ শুবা, ১০৩ শুবা, ১০৪ শুবা চহিগী মপোক কুমওল পালন পাঙথোকখরে। থৌরমশিং অসিগা মরি লৈননা চহি খুদিংগী মহাকবি অঙাংহলনা ইবিরম্বা লাইরিকশিংগী মরমদা নৈনবা সেমিনার অমমম্সু পাঙথোকই। হায়রিবা সেমিনারশিং অসিগী পেপরশিং পুন্না খোমজিল্লগা অমুক নৌনা রারেং খরা হাপচিল্লগা "মহাকবি অঙাংহল" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি অহানবা ভোলুম ওইনা পুথোকচরি।

লাইরিক অসি ১৯৯৬গী আগষ্ট থাদগী নম্নবা থৌরাং তৌজরগা ১৯৯৬ কী দিসেম্বর থাদা পুথোক্নবা যাম্না কন্না হোৎনখি। অদু খুদোং চাদবা খরা থেংনবদগী ঙমখিদরে। অদুম ওইনমক যাম্না মুংঙাইরিবা অমদি ১৯৯৭ গী জুলাই ২৮, মহাকবিগী ১০৫ শুবা মপোক কুমওল পালনগা মরী লৈননা পুথোকপা ঙম্বসিনি।

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারেং ইবিরকপা সমালোচক পুন্নমকী মকমদা তৌবিমল খঙবা উৎচরি লোয়ননা থাগৎচরি । নোংরিবা সংস্থান অসিগী থৌরম থুদিং অমদি থৌদোক থুদিংদা লমজীং পাউতাক কয়া-পীবিবগী মথক্তা লাইরিক অসি পুথোক্নবা লাক্নবদা থৌনা হাপ্পিরকপা, মহাকবিগী মচা ইবুংঙো, পাবুঙ রোমনি সিংহগী তৌবিমল মতম পুম্বদা নীংশিংজরি । 'সুচেত্তা প্রিন্টিং ৱার্কস, মোইরাংখোম, ইম্ফালগী প্রোপ্রা-ইটরনা, পাংবিবা মতেং থাগৎনীংঙাইহনি । সমপাদককী থৌদাং লৌবিবা ওঝা এলাংবম দীনমনিগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎচরি ।

অহানবা ওইনা পুথোক্লিবা লাইরিক অসিগী মতাংদা ৱাবিখিবা অমদি ৱামিন্নখিবা সংস্থানগী অহল লমন মরূপ মপাং ইচল-ইচে পুন্নমকপু হোৎনরুবগী মহে ফংলে হায়বগী সুংঙাইবা ফোঙদোকচবগা লোয়ননা থাগৎচরি । অকক্নবা মতমদা পুথোক্নবা লাক্নবদা বানানগী মতাংদা ওন্নবা য়াওথরে । মসিগীদমক সুংঙাইজদে । মথংগী খুৎনমদা চুমথোকচগনি ।

শামুরৌ

জুলাই ২৮, ১৯৯৭

এল, সি, সুরজিৎকুমার

প্রেসিডেন্ট

ৱাহৌদোক

তাইবঙ লৈচং হায়বছু ওইবা তাই ; মহাকবি অঙাংহলনা হিংলিংদে গতমদদি পেনাদা, লীলা-পালা অমদি লাইহিরিক লাইতুদা থরদুনা যাঙ্গা চোংজে হায়বগী য়াথল মতেক অমা মতৌখিবা নত্তনা মাগী মরমদা অচুক হাক্লা খঙনীংলমদবা য়াই। লৈখিল্রবা চহুংদস্থ কনা শাংলা, মরক্কি মরক্তা মতাং-মতাংগী ওইনা পল্লবা নীংশিংনবা নত্তনা থোইনা পুক্কিং চঙনরমদবনু য়াই। নক্লা তিল্লহৌবা, মুম্বা খঙহৌবা অমদি শাংনা লোখনহৌবা কয়ানন্দু, খঙনীংবা অমনীনা হংলুয়গা থয়া মতাকপিরিম্বা নত্তনা, থোইনা মথা তানা কোঙদোকপিরমদরে। হৌজিক্তি অয়াম্বী লৈশিল্লত্তরে লৈরম্মী, চংলম্মী উগৌই হায়বা য়াফম থরা নত্তনা হকচীনবা মরী-মখোঙ অমদি নীক-য়েং পাক শম্না তাকপিনবা লৈশিল্লক্কবে। মতাং অসিরাইদতা, হৌজিক্তা খঙদবা য়াত্রবনি হায়বগী পান্দম অমগা লোয়ননা থিবা হৌরক্লি। তাইবঙ্গবা লৈচংনি হায়বা য়ারোই। লৈত্রবতদা লৈবগী য়াথল খনওকপসি হৌম-শানি। লৈরম্মী খঙলকপসি লৈরকখিগদবগী খুদম্নি অঙাংহল লৈখিগানি— শামুরৌশিংদা, পেমা শকপা-শকপা মফমদা, মোইরাং কংলৈরোমনা। মীনীবা নিনবা মতাংদা নত্ত মত্রগসু জহেরাশিং লৈবা-লৈবা জমশিংদা। হায়গী অহৈঙেগী ঈ তোংগী অঙাংহল অহু লৈবু লৈরম্ববনু লৈবু লৈরমত্রবনু মহাকবি অঙাংহলদি লৈতবা অমদি কৈহলদা লাক্নবনি। লৈরমদবা অঙাংহলশিং থিবা অমদি থিদোকপা তাবনি। থিদোকনবা লাক্লবেল অমনি লাইরিক অসি। সাহিত্যাদদি অন্নৈল তৌরি জয়থুং অমত্তু ওইনে।

ষ্টেট লেভেল কমিটি অমনা ১৯৯২, জুলাই ২৮ দগী হৌদুনা চহী অমা চুপা মখল মথেলগী থৌরম পাঙথোক্লুনা মহাকবি অঙাংহলগী চান্মা ভবা মপোক কুমওন পালন তৌখি। মণিপুরগী মফুং অমদি মপান্দা তোঙান তোঙানবা সংস্থানশিংনস্মু পালন তৌনখি। অহানবা হুমীৎ (১৯৯২, জুলাই ২৮) অসিমক্তদা মহাকবিগী পোক্লফম শামুরৌদস্মু ময়াই লম্বী ইন্টিগ্রেটেড ডিভলভমেণ্ট ওর্গেনাইজেশন'না কুমওন অসি পালন তৌখি। মসিগী মথা তারকপা ওইনা নৌনা লিংখৎপা 'তুংগী য়াইফনবা লেম্বা কাঙলুপ, শামুরৌ'না ১৯৯৪ দগী হৌদুনা জুলাই ২৮ খুদিংগী মহাকবিগী মপোক কুমওন পাঙথোকপা হৌখি। ঙসি ফাওবা চথরি। লুপ অসিনা তৌখিবা পালনশিংদা থৌরমগী মরূওইবা শরুক ওইনা মহাকবিগী পুন্সি অমসুং সাহিত্যগা মরী লৈননা সেমিনার কয়া অমদি সিম্পোজিয়ম কয়া শীনখি। থিজিনবা অমদি নৈনবনা মপুঙ ওইবা থৌরম অসিদা শরুকয়বা থরায় য়াওবা কয়ানা চে ময়াম পুথোক্লখি। ডেলিগেট ময়াম্না নৈনখি। য়াহং কয়া হংনখি; ময়েকশেংদবা কয়া শেংদোক্লখি লোয়ননা নৌনা খঙলকপা য়াফম কয়া অমস্মু পুথোক্লরকখি। অয়াম্বা মত্তাংদা ময়ামগী ওইবা লাইথাই তান্নখি। তাবা ঙম্নখিদবা কয়া অমস্মু য়াহং ওইনা লৈহৌবা তাখি। ওইবা য়াবা কয়াগী য়ুমফমস্মু শেম্নখিবা শোয়দ্রনি। পূম্নমক বুদ্ধি-লৌশিংগী ওইবা ঙাক্তনি। থন্নখিবা নৈনখিবা ময়াম অহনা সভাগী মফুং অমদি মপান্দা মহাকবি অমদি মাগী সাহিত্যগী মরমদা থঙনীংবা অমদি অমুক মথা তাম্না নৈননীংবগী ইথিল কয়ামুক [illegible]খি মহুগী ফল ময়ামগী মফুংদা মচা অমা ওইনা ঙসিগী লাইরিক [illegible]কপনি হায়ফম থোকই; মরমদি মসি অপাননা পুথোক্লখিবা নৈন[illegible]অমদি নৈনবদা য়াওবা অখণ্ড-অহৈশিংনা মতম মতমগী মতাং-মত্তাংগী [illegible] ইহনা ফোঙদোকপিরকপা য়াথলশিং অহনা পূনশিল্লগা শাগৎপনি। মোৎ [illegible]য়াথল পূম্নমক অসি মমল লৈবা অমদি মশাগী ওইবা ([illegible]ইবা) ঙাক্তনি। থঙজিনবা অমদি নৈনবা য়াবা ঙাক্তনি।

মহাকবিগী মরমদা থিজিনগদবা অদুগা নৈমগদবা য়ায়া য়াংলি। হৌবদা ঙাইরি হায়বা য়ারি। থিরুবদা ফংলকপা খরদগ্ন অওনবা লাকপা য়ারি। চপ-চপ চাবা রেকোর্ডমক্তি লৈত্তবনা লোয়নমা খঙহৌবা উন্নহৌবা কয়া নীংশিং-নীংশিংনরগা তাকপিন্নকপা ওইনা তৌবা মফম-মতাং খরদদি খেন্নবা কয়া থেংনবা তাবকই। অঙাংহুলনা অঙাং ওইরিঙৈদা লেনখিবা পুন্সিগী শরুক নীংথিনা ফংনত্রি মহে মশিং তম্বা করম্বা চষ্টীদা কদাইদা তৌখি; মথং মথং করি করি স্কুলদা কয়া কয়া কুইনা লৈখি অদুগা অরোইবদা কদাই য়ৌখি? শামুরৌদগী করম্বা মতাংদা করিগী কমদৌনা ইমফালদা লাকখি? অসিনচিংবসি হংনবিবা অদুগা মোং খরা-খরা খেন্নরিবা রাফম ওইনা লৈরি। রাফমশিং মচা মচা ওইনা তৌবদি মাল্লি। অদুবু পুন্সিগী লমদাংনি চপ চপ চাবদি খঙবা চুম্মী। সাহিত্যাকারগী পুন্সিদি মহাক্কী সাহিত্যগা চেৎলবা মরী লৈনৈ। অশেংবা থৌদোক-রাথোক খঙবনা কবিগী মশকশিং খঙনবা লারুবদা অচৌবা পাম্বে ওইগনি। থিখিবা তাবনি।

অঙাংহুলনা পাখং ফারকপগী পুন্সি কদাইদা লেনখি কমদৌনা করি তৌহুনা লৈখি? মথোক কারকপগী পুন্সিগা তুংদা শেম্মকদবা সাহিত্যগী রাখল মালঙগা মরী লৈনদবা যাবোই—চেৎলবা মরী লৈবা তাবনি। খরগী মোৎতা অঙাংহুল চষ্টী তরাতরেং-তরানিপাল শুরকপা ফাওবা শামুরৌদা লৈখি। খরনা থাজবিবনা পুংকক চাউবকপদগী ইম্ফালদা অদুম লৈরে। মরক্কী খরনা থাজবিবনা মহাক্কীদি শামুরৌসু ইম্ফালসু মযুমনি; অনীমক্তা লেল্লমগনি। মোৎশিং অসি খুথাংদা ফংবা রাফমদা যুমফম ওইবা ওইনা লৈ। তাং-দাংবা খঙদোকপা চুম্মী।

অমনা অমুক, অঙাংহুল লায়রবা ইমুংদা পোকখিবা লায়রবা মীওই অমা ওইখি হায়বসি মীওই খরনা য়াদ্রি। শামুরৌদা লৈরম্বা অপোকপা তুম্র সিংহ মচীল্লাক চাবা মীওইনি কবিবু নাওকোনখিবা মমা অনীবু

পোকপা কোঞ্জেংবমগী ইমুংসু লৌশীং মতিক হানা লৈবনি। থবক তৌববা মতুংদসু ইমুং ফজনা পুবা মচ-মশু নীংথিনা শেম্বা ঙমখিরা থাক্কী মীওই ওইনা লৈবনি হায়না থাজনবি খবনদি নংনা লেনখি হায়বি। করম্বনা অশেংবনো থিজিনবা তাবি।

মহাকবিগী সাহিত্যগী মতাংসু মন্থ মঙাই, থিবা থিজিনবা তবনি। থম্বিরম্লিবা মচলশিং অসি মীয়েং কযামরম্মদগী নৈনবা তাবনি। নৈনরি। সাহিত্য নৈনবগীদি লোইবা নাইবোই। থাকনা অমদি নৈনকবা খুদিংগী অনৌবা থাকম অনৌবা লমথং অমদি অনৌবা অহৌবা মথং মথং অচুম্বক হুকথেংনগনি। মহাকবিগী কাব্যশিং. হৌজিক্সা চানখৎলক্লি; মহাক্কী উপন্যাসশিং লীলাশিং অনৌবা মাযওন পুখক্লি, মহাক্কী রাবেংনা অনৌবা মহাও পীবা হৌবক্লি পীতুনয়া লৈখিগনি। মহাক্কী শৈরেং-শিংদা অনৌ অনৌবা অর্থ কযা পুথোক্লবরি। অনৌবা মনিপুরীদা অহানবা ওইনা মহকাব্য খুদোন তৌবিবম্বগী মথক্তা অনৌবা মতমগী, মশাগী মতমগী চেতনা (কনসসনেস) ফোঙদাকপদা খুৎমাবা অমসুনি হায়নসু থাজনবা হৌরক্লি' মতম অহুম হোদ্রোং উবা (ত্রি কাল দ্রষ্টা) অমা ওইবগী লৈখোন্দা পূক্লিং চঙবসু য়াওনরক্লি। শম্পৎনা মহাকবিবু তোঙান তোঙানবা মীৎয়েংদগী মশক খঙনবা লাক্লরি। কবিদি লৈবাক্কী মশাগী লননি। ইশাগী লন্দি লুনা তৌফম অমদি খৌহনফম থোকপনি।

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা নৈন রাবেংশিং অসিদা মহাকবিগী পুন্সিগী লমদাং, মহাক্কী সমাজগী শরুক, মহাক্কী সাহিত্যগী মমল অমদি মহাক্কী য়াখল্লোন নৈনবি। নৈনবনি। হজবা থিবনি। সাহিত্য কলাদদি মসিনা মরোইরে হায়বা চৈথল অমা [illegible] তৌনদে অহুমদি ওইরবদা ইবি-রকপশিংগী রাফমশিং অসিদি মশানা মশাগী তাংকক তাংকক্কী ওইনা [illegible] কাজিরবা ভাক্তনি হায়না লৌবদা কায়দ্রবনি। [illegible] তাবা মীৎয়েং [illegible] থিবদা মতেং শোয়দনা ওইনরগনি।

এলাংবম নীলমনি

হিরম লামাই

১ | মহাকবি হিজম অঙাংহল সিংহগী
—পোক্রকম শামুরৌ বি., জয়ন্তকুমার শর্ম্মা— ১ —৬

২ | পেনাগী সংস্কৃতি অমসুং মহাকবি অঙাংহল
- ড', কৃর্ত্তি. ৭ — ১১

৩ | শামুরৌ পুরারী নৈনরকপদা মহাকবি অঙাংহল
—দয়ানন্দ মোইরাংথেম. ১২ — ২৬

৪ | অনৌবা মনিপুরী শৈরেংগী অরি অনৌ অনীগী
—লংদাংদা অঙাংহল-থাংজম ইবোবীশক ২৭ — ৩৭

৫ | মহাকবি অঙাংহলনা খম্বা থোইবী শৈরেং
—এলাংবম নীলকান্ত ৩৮ —৪৪

৬ | খম্বা-থোইবী শৈরেংদা সমাজগী সমস্যা
—টি, এচ —তোম্বী সিংহ ৪৫ — ৫৩

৭ | খন্দ কাব্য অমা ওইনা শিঙেঙলইন্দু
—অরিবম কুমার শর্ম্মা ৫৪ —৬০

৮ | শিঙেঙল ইন্দুগী ইমেজরী
—থাংজম ইরোপীশক ৬১ —৮৫

৯ | শিঙেঙল ইন্দুদা উৎলিবা মুংশিবগী মশক
—নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ ৮৬ — ১০০

১০ | শিঙেঙল ইন্দুদা মনিপুরী সমাজগী মমি
—এলাংবম দীনমান ১০১—১০৭

১১ | শিঙেঙল ইন্দুগী মালুগ্রাম
—এন কুঞ্জমোহোন ১০৮ —১১২

১২। খম্বা-থোইবী শৈরেং অমসুং শিঙেঙল ইন্দুদা
মহাকবি অঙাংহলনা শিজিন্নরিবা লোন
—ডাঃ এস, তোম্বা ১১৩ — ১২১

১৩। সুংশিবগী অনৌবা শক্লোল অমা "জহেরা"
---অরিবম কুমার ১২২ -- ১২৭

১৪। অঙাংহলগী রাখলগী মমি অমা --জহেরাগী শক্তম
—ডাঃ নহাকপম অরুনা দেবী ১২৮ — ১৩৫

১৫। য়াইথিং কোন্নুদা সুংশিবগী মশক
—ডাঃ পোলেম নবচন্দ্রা ১৩৬ — ১৪২

১৬। অঙাংহলগী খম্বাল -রারেং অমা ওইনা
—লাইশ্রম শদানন্দ সিংহ ১৪৩ — ১৫৩

১৭। অঙাংহলগী দ্রামাগী খুৎই অমসুং মকোংদোক
□লমাবম গোজেন্দ্রো সিংহ ১৫৪ — ১৬৭

১৮। অঙাংহল অমদি খম্ব-থোইবী শৈরেং : মীৎয়েং অমা
—দেবরাজ ১৬৮ — ১৭৭

১৯। খম্ব-থোইবী শৈরেংদা উৎখিবা প্রকৃতি, জীব অমসুং
মীওইবগা লৈনবা মরী — লৈমপোকপম দামোদর ১৭৮ — ১৮৮

২০। ফাগি পুবা করেক্তর : "খম্বা থোইবী-শৈরেং"
আই আর বাবু সিংহ ১৮৯ — ১৯২

২১। মহাকবি অঙাংহলনা হায়রম্বা ১৯৩ — ১৯৯

২২। অইবশিংগী য়াম্না শম্বা শক্তাক রারোল ২০০ -- ২০৮

২৩। ইন্দেক্স

মহাকবি হিজম অঙাংহল সিংহগী
পোকক্ষম শামুরো

— বি, জয়ন্তকুমার শৰ্ম্মা

লমদম অসি ইংনা চীক্লা নীংথিজবা শামুরো কৌবা থুলওহনি; মহৌশা কৌবী লাইরেম্বীনা, ফজবা শক্লোন উত্নুনা চীক্লা-লেমা খাতা-রিবী কথি ক্রমনাগী টহৌকম, পেনা চৈজৌং খোঙ্হোক্লা মতম অমা শৈনিল্লম হৈবোক লংথবাল চীংশাংনা অরাং হারম ঙাক্লম, লোক্তাক ইশা ম্যাপ্রলনা মোইরাং লাইজী তুম্ম-লম, অশংবা কৌ-লৌবুক্লা কোক্লনা শন্না লৈশ্রিবা মফম অসিদা কবিগী পোক্লোই লাইবক কবা রাংলেন্দা লাইবক কবা মপারী অমা, মহৌশা লাইবেম্বীগী শীওম্ংদগী।

পোকথি-লমদম অসিমক্তদা ইং কুমজা ১৮৯২ দা মহাকবি হিজম অঙাংহল সিংহ, ইখাল তুরেলগী ইরায়থম নোংচুপ তোর্বান্দনি। শামুরো লাকপা ইবুথৌ পাখংবগী মশাইগোন্দা, শুক্ল উমং শাইজিন্দা মহৌশা লাইরেম্বীগী নাউওম্ংদা চাউরকখিবা কবিনি। চীংদা-মান্দা লোক্ত-তাইদা ঙাওজখিবা রার্ডসয়াথকুম, উর্জয়নী ভময়াদা শাম্বজখিবা কালিদাসক্লুম, রেসেম্ন থুংওদা মাওমখিবা হার্ডিওম, অঙাংহল [illegible]ইরিজা কোৱখি মী চীক্লবা তোর্বান্দা, অশ্কলা উমং, মামংদা [illegible]বা শংলবা লৌবুক লমহ্যাঙদা অহুপা কবিগুমদম্ব লোক্ত[illegible]থাঙবান্দা, হৈবোক চীজোন্দা ৳

তোর্ব্বানগা হেক শন্নবা মনীংথংবা শরক্তা লৈবা পাক চাউরবা ইংখোলনি ; মমাঙদনা, তুরেললোম থংবা নাকন্দা লৈরি ইবুধৌ শামুরৌ লাকপা পাখংবগী খুভম উজ্জাউ উ'রন্তুনা কুপশিনবা শৃঙ্গবা উমং, শামুরৌ বাজার মনাক্তনি ; উমং অমদি ইংখোল অনী তোর্ব্বানগী লম্বী অমত্তনা থল্লি ; অশোমথংবা রাংমদনা লৈরি পাওন খুঞ্জাও ; লীতান থোং অমনা তোর্ব্বান কাগুপ অনী লাম্ছোক লানশীন তৌনবা য়াহল্লী। ইংখোল অতু হৌজিক্তি অ'তোপ্পা মীনা লৈগ্রে ; নাল্লি, ফজে, য়েংবা মুংঙাই অতুবু তোর্ব্বানগী অশংকপা উমংদুদি হৌজিকস্তু চীন্না শঙ্কা অতুমক লৈরি ; বাজারগী মীনিন-মীশা তাদে মফমতু। তোর্ব্বানগী অচিকপতুবু তেংবাংবগুম খা প'ংনা চেন্থ'র পুকতপ্লবী ইশান-তুং লগী মোং হাদ্রবী ইচেলনা

কবিগী পৃথিবী খুঙ্গঙ অসিনি, অসিদা লোইনা লৈরে চীং পাং ; তুরেল, লৌবুক-লমহাং, মৈতৈ খুল, পাংঙল খুল, মালুগ্রাম কবিগী সংসারদি পীকগ্রবা খুঙ্গঙ অসিনি, অতুনা পোকখি কবিগী কল্পনাদগী জহেরা, কুপ্তো, খম্বা, থোইবী, থম্বাল, শিঙেঙল ইন্দু মথং মথং ওইনা।

'পেনা শেম্মীডৌদা শামুরৌ য়োই' হায়দুনা মৈতৈ অহল-লমনশিংনা প্রমান তৌনরম্মীবা মফম অমস্তুনি। শামুবৌ পেনা সংস্কৃতিগী য়াম্না চাউরবা মফমনি। লমদম অসিদা মী হেক খুন্দারকতৌদগী পেনাগী সংসকৃতি অসি হৌরক্তুনা অসুম অসুম চত্থরকপসিনা চহি খুদিংগী কালেনগী হুমি পানবদগী হৌরদুনা মুমিং কযানি চুপ্পা অহিং খুদিং পেনা শক্তুনা ঙোইরাং কংলৈরোনগী শায়োন কয়াগী রারী তাম্নরম্বদুমক্কা, মহাকবি [illegible]গী পুক্কিংদা খম্বা থোইবী শৈরেং ইনিংবগী প্রেম্মা ইহৌরকখি।

[illegible]ল অতুগী ময়াম ওইরম্মা লৈবা ঈশিংরা থকোক্ত তৌবা পুম্রি মচাই [illegible]জে, নাপীগা অমর্ত্তা হৌদবা মথে ঈশিংনা লংই। হায়নৈ

অঙনবা মতমদা থম্বাল ফজনা শাংলম্বা পুথ্রিনি, চৌজিক্তি অমত্তা হৌখিদ্রে, খওদে য়েংবিনবা লৈতহুনবু ভৌরব্রা! অঙাংহলনা পুথ্রি অসিগী মপান্দা লেপ্লুনা থম্বাল য়েংখি, অতুগা মত্তুং হুংনা উথি থম্বালগী পুন্সি শেমগংখি তাইবঙ মীগী চৌবা-লোইবা, পোকপা শিবা লাইবা পুন্সিগুম। তাশেং-নমক 'থম্বাল' কনাগুম্বী নুজা অমগী শকম লৌনা নহা ওইরিবৈ, মথোক কারকঙৈগী হৃবাও মথোই কাজব, লোইশিন্নকপগী অরাবা পাউদম, তমজরম্মী মীওইবদা—কবিগী অঙকপা ফংবা কল্পনাদা লেম্না মাঙখিদে ঈষায়দা শাংপী লৈরাং থম্বালগী পাউদম মতয় য়ানখি, তাবিনবা লৈখি লাইবক চাউবী শীংঙেনতুগী রাকং।

লোক্তাক মপান্দা লেপ্লগা নীংশিংখিবর থম্বা থোইবী হাওবা কোম্নু, নত্রগা পেনা শৈরোলদা অতিং মীংশেল থাজহুনা তাখিবরা কংলৈরোলগী পুরারী অম্বক নীংখিনা শেম্নখদি 'থম্বা থোইবী শৈরেং'বু লিরি শিংপা নাশিংনা হৈনম লৈনম পুথুনা মফম থুদিং য়েন্নকপগুম থম্বা থোইবী মুংঙোল রারীবু ছন্দগী শেঙ্গাদা হাপ্লুনা পোইবৈ য়ুমথোঙ শীন্না য়েন্নম্মী। কবিনা থম্বা থোইবী মহাকাব্যবু পোইবৈ চাদা-নাত্তদাদা শিন্নবিরম্বা অশৈবা মহাকপু কৌনখি মীয়াম্না মুংশিনা 'মহাকবি'।

কবিশিংদি ১রৈনাক মকাতিবু মুংশি। চীংতম লোইজীং লোয়রাবু থওজবা মরোন্দা শৈথাতুনা শকচরম্বা কবিনি। মমাংলোনবু চাওখংনবা কলম্না খুংলাই ওইহুনা কল্পনাগী লৌবুক্তা তাওগা থৌদাং পাওলম্বা কবিনি করম্না মরৈবাক মুংশিদা হাংসিগে। লৈবু পবায পালহনবা লৈবু রা ভাওহনবা লৈচীল লোংফাই, পাং তুরেলবু অহিংবা লীব ওলহনবা ওম্বা ববিবু থওশিন্নদনা লৈথোকদবা থুম্নাই সিনা। নীংতম লালহৌগী থোক্কে খুংমাবা, কবিনি. স্বদেশ ভক্তিবু মীপুম খুদিং য়েন্নম্বা কবিনি, মকাভিজী অরাং অপা য়েংশিন্দুনা চাওখং খোঙথাংদা চঙশিন্নবা পাউতাক লমরাম্বা কবিনি, সংসারগী লৈতা-কাইরগী রাথল কাওথোকহন্দুনা মীওইববু মুংশি

লুখংতোলনা থন্নবা মঙলানগী লমদমদা পুনবা হোৎনখিবা কবিনি, পীক্লবা রাখলগী ঐগী মীগী নাইনতুনা মশেল লুংশিদনা লৈরবদা লুংশি-চায় য়াইজ খীতুনা থম্মোই থম্মোই থুদিং এক্টাগী লৈবাং লেপ্পাৎ তমহনবা কবিনি; মরৈবাকপু করিগুম্বা সর্ত অমত্তা যাওদনা লুংশিজখিবা কবিনি, মাতৃ-প্রেমগী অশেংবা প্রেমী থিবা তাররবদি মহু কবিনি। কবিনা মহাক্কী লুংঙাইরবা সংসার অমদা ঐখোয় পুম্নমকপু পুত্না চৎলি, লুংশিবা প্রেমগী ঈরীক্তা থম্মোই থাদং চোৎহনজি। কবিদি অঙাওবনি মশাগী ওইজবা থিদবা, মীওইবগী য়াইফনবত্তা থনবা। অহুনা, থিখি অহুভৈ রার্ড সরার্থনা চীংয়া-তময়া, থুজং থুনথা, লোইয়া লমদোন কোয়তুনা মীওইবগী শান্তি প্রকৃতিগী মশাহগোন্দা।

মহাকবি হিজম অঙাংহল স্বদেশ ভক্তনি, মহাত্মা গান্ধীগী স্বদেশী আন্দোলনদা পুক্নিং লুপচবা কবিনি; কবিগী স্বদেশ প্রেমগী মক্তবা ইচেল 'মৈতৈরং' শৈরেংদা উবা ফংই।

মমাবু লুংশিবা থঙজবা
মরৈবাকপু নৌংত্রবা
মচা মনাও য়েংদরবা
কৈদৌনি পৃথি লনবা
তুংগী কৈমু উদবনি
জিব'ই রাবা থঙদবনি
ঈশ্বাদা ভক্তি লৈতবনি
পাপকী মপৈনা তাররবনি।

মহাকবিদি মনিপুরদা স্বদেশী আন্দোলনগী লমজিং মৈরা পায়বা মীওই কৈমগী অথোইবা মপারীনি; ঈমাবু লুংশিমা উৎপদি, ঈমাগী মীচেৎ জোলোয় হেজংনরদি ইরমগী পোখোক শিজিন্নবতনা তমগনি, মমাগী ঈচেৎনায়দা।

লাইয় খাউবু থয়বা
লাইয় নমু হাঙদনবা
পলেম খুৎকী লংবো ফি
কোংলাস চৈরৈ লংহংফি
য়াঙ-পাদবী হমাগী
উৎসি ললুন সনাথুৎকী
উৎসি মিংচৎ হচনশিংগী
করিদা য়াৎপগে ঐখোয়গী।

শেল-থুমগী কীবম ফয়বক্তদা লৈবাক অমা চাওখৎলি ; শেন-থুমগী কীবম ফগৎহনগে হায়রবদি লৈবাক অচুদা ফংজবা পোখোক শীজিন্নবা অমদি মতুং ময়াং কাহনবা হোৎনবগী ওইগনি ; মীয়মদা শেল চংথিগদবা মীয়মগী জন্মবা মেছিন্না শুংবা পোখোক শীজিন্নবনা ওইরোই হায়বসি মহাকবিগী অশেংবা খাজবনি ; 'লশিং' হায়বা কাবগী শৈরেং অচুদস্তু ঈশৈবাক্তা থোকচবা মৈতৈ ঐখোয়গী লশিংবু শীংজেল লৈরাং কোলোয়না তেংথারম্মী।

চৌংদাই পথুম্লি
মেম্বো ফিংথো
মুলায়রক্তা ওঙবী লৈ।

হায়না কবিনা লশিংবু চৌংগী শামদা তৌবী লৈ হায়না শৈথানরম্মী।

মহাকবি অঙাংহলদি মাতৃ প্রেমগী অশেংবা ঈনা শিংলিদা চেনাথবা, য়াঙাংদা-শাঙাঙদা য়াথনা-লীচন্না, ঙাংথোক-ইথোয়কপদা চপ-চাবা স্বদেশী অমনি ; মৈতৈরংগী কুবীং-কৈজোম থাদগী বক্রবন্ধী কোট অমা নত্তনা মপুঙ্জিদা অঙ্গ-অচেনগী মীৎ থকপা পোং-চৈ শীজিন্নবিবা তাদে।

অসিগুম্বা মমা লৈবাকপু ওস্যোয য়াওনা মুংশিজিন্নবিবা, মমাগী নমিংচং কোলোয় শঙ্খা' 'খম্বা থোইবী শৈরেং' মহাকাব্যা লোয়ন্নিমা লৈবাক্তা

'মহাকবি' মিংজৌনখ্রবা লাইপোক ওইবা অশেংবা অসিদা ঙসিগী মীয়োলনা কবিগী ইকাই খুম্নবা উৎলোইদ্রগে ? মাগী নীংশিং শঙলেন শাদুনা কবিগী মচবু সাহিত্য অমদি কলা-সংস্কৃতিগী অশংবা মফম অমা ওইহল্লোইদ্রগে ? মসিনি সমাজ অসিনা মহাকবিদা তোঙ্লিবা লম্মন মহাকবিগী পোক্নফম শাম্নরোমক্তদা মহাক্না পাথং পুংকক ফাবকপা মতম কাওবা লৈরম্বা ইংখোল থম্বাল হৌরম্বা পুখ্রি অতুমক সাহিত্যিক অমদি ঐতিহাসিক ওইবা পুখ্রিনি মপাল অঙ্কদা মহাকবিগী মুর্তি শাদুনা পুখ্রিরোমদা মায ওনশিল্লগা খিল্লবদি কাউনররোই কবিনা থম্বালদা য়েংলম্ব মীংয়ংদা অতুগা খুঙ্গং অসিমক্তদা অনকপা মফম চাবা অমদা মহাকবি অঙাংহল ভবন শাদুনা লাইব্রেরী, ওদি-ভরিয়ম ১দি পুন্ত, ঈশৈ, জগোই পেনাগা তম্নফম শঙনচিংবা শাদুনা মহাক-বিদা শ্রদ্ধা ভক্তি উৎচবা ঙম্বগী পুক্নিংগী থৌনা অতুবু করম্বা মতমদা লাকবা ? পৃথিবীগী চাওখৎ-চাওখৎলবা জাতিশিংনা মাগী মাগী লমদা পোকখিবা অচৌবা কবিগী স্মৃতি মন্দির শাদুনা মচেং সমাজগী কাম্নবা থবক্তো মরম চানা শিজিন্নৈ ; থাগৎপা হৈবা, শীংথাবা বনবা বাংলা সমাজনা ঙসি সাহিত্যদা থাক য়াংলিবসি লাইপোক ওইবা কবি, মহাকবি, বিশ্ব কবিশিংদুদা ইকাই-খুম্নবা, তৌবিমল খঙবা উৎচবদগীনি। কৈদি কৈলনি, পাম্ভা খোংবান্দা হৌরবম্লু পুখ্রিদবু হৌরবস্তু থম্বালদি থম্বাকনি ; ঐখোয়গী থম্বালদি পাম্ভা হৌরম্মী, পাকা-শিরি চনবা অক্সাবা পুখ্রিগী নীক নীক লাউরবা ঈশিংদা হৌরমদে তাযহুনা মীরায়নরিনবা ?

ইরৈবাক্কী মীয়ম কৈম্না মীরাযম্ভসি . মীবৈবাকী ডাজিয়া, ডেকোদিলদা পুক্নিং লূপচরবস্ত্র ; কৈনম তোঙানবনি কৈশক তোঙানবনি, থাংজীং চীঙ্কোলদা শাংপী হৈ, লোক্তাক মপাল নীংশিং কৈ কৈনম তারক্রবস্ত্র কৈশক উরুক্রবস্ত মসীংক্তা শোনবদা নীংশিংলকই থমং খোংগী ইচীন চীংঙ [illegible]জীংগী হরাউপুঙ, মোইরাং খোয়া কংলেন থাদোই মাগী জগোয় [illegible]ক-মৈতৈগী ওইবা কলা সংস্কৃতি।

পেনাগী সংস্কৃতি অমসুং মহাকবি অঙাংহল

ডাঃ এম কীর্ত্তি সিংহ

ঙারেং অসিদা মৈতৈ লৈপাকনা মালেমদা মশক থোক্লা পেনাগী খুদোল তৌরকপা অমসুং মণিপুরী সাহিত্যগী লময়ানবা মহাকবি হিজম অঙাংহলনা পেনাগী শৈশক শৈদা অসি মুংলরোক্নদবা মঙংদা খন্না থোইবী শৈরেং পুথোক্লম্বা হায়বত্থু পল্লীংই। ভারতকী প্রধান মন্ত্রী ওইরম্বা মোরাজি দেশাইনা মণিপুরদা লাকপা মতমদা পেনা শকপনা পেনা খোংবা শৈশক শৈদা তাবদা পুক্নিং শুমহৎখি। মৈতৈনা কয়ামুক পেনা নৈনরম্বা হায়বত্থু পাউরৌনবদা পেনামুক লাই হায়বসিনা উৎলি। পাওরো ঙাম্নী ওইনা পাথংবগী মতিক মগুন শৈথাবদ পেনা শেম্নক্নিদা শামুরো য়েৌই হায়নরিবনি। লাইহতিন থুরম্বা অমসুং জগোই খুথেক উৎপদা তানচানা খোংবায়ু হায়নরি। পেনাগী মমিং মথা অমসুং মহুদা চঙবা শকক কয়ামুক্না বাহৈ রাত্তা মরাং কাযবসিনা মসি চাওখৎলম্বগী খুদম উৎলি। পেনা অসি অশৈবশিংনা চৌম্বাং য়েনা শক-শোনবদগী মমৈদা মন্নেকনা ইথোরকপগী খুদম ফংলে। পেনাগী মৈহৌরাল কোবা পুয়াদা পেনাগী শক্কক মশৈনা উৎপা ফুংগী অর্থ. মওং অসি ওইরক্লবা শেমগৎলকপা শঙলিংবা শঙলাকপা, ঙজুবা অনত্তং হিদংগী ফম শেমগৎলকপা, থেংনৈ। পুরিবা লাইসি লাইনিংথৌ সনামহিনি, অত্তুম্না খঙনৈ। ... নৈমরেনগী মখক্নি হায়না লৌনৈ। পেনা মথন, শৈশক কয়ামুক লৈরে। অহানবনি অশৈবনা ঈশৈদমক শক্লগা চৈয়জিংবগা থবক্তমক তৌরম্বত্থু ... লৈবাকসিগী অথঙ অহোশং মরী লীলাবা, মরাং লাংবাখা অমসুং বাকম

পম্বোং অশৈবনা ঈশৈশু শকপা অমসুং পেনাশু খোংবা হৌদোকই। মরোল শেমখিবা খজা কয়ামুক লৈখরে। পাম্বোইবী খোঙুন, থিরেম অমসুং ক্রেথোঙ লমাকনা পেনা মরেল শেমখিবা পল্লি।

উমং লাই হরাওবদা লমকমগী ওইনা অমসুং লৈবাক মিংথৌগী ওইনা কংলাদা পেনা কলচর য়োকখংলকখি। লোইলমশিং, চীংমীশিংদসু মথোয়গী লোন্দা লংমরি তাঁংহুনা মখোন শেমগংলকপা উরি। পেনাবু কবুইনা লাং অমসুং ভাংখুলনা তিং তৈলাং খোনখি।

ভারতকী মকমশিং অমসুং মালেমগী মকম কয়াদসু মরীতিংবা অগোই ঈশৈগী খুংলাই শিজিন্নবদি উদবা তৌরোই। বীনা অমসুং রবাব ঙসি হিন্দুগী যুগ অমসুং মুসলিমশিংনা পানবদা কল্লা লৌজিন্নখি। Herbert A Popley না মাগী মমিং চংলবা The music of India গী লমাই ১১৫ দা ইরি "An officer in the Indain army told me of a similar instrument with only one string that he had come across at Manipur on the Assam Frontier which was played wih a bow It was called pena The name reminds one of the ancient Finakas the stringed instrument of Seba......"

পেনা মৈতৈগী লায়নীঙ লাইশোন ঈনাংতা থাদোক্নবা য়াদ্রে। মাইবীনা লাই তোংহুনা কম্ব চোংবা ফনবা অহরকপদা পেনাগী চৈজিংনা মশাদা তকপাবদা লায়গী ফিভমদা হাঞ্জনলকই খল্লি। মৈতৈনা দুর্গাপুজাগা লাও পুবর কাকথাত্রাগা লৈবাক মিংথৌনা লক্থোকপদা পেনা খোংবা য়াউদবা য়াদে। পেনা অসি হৌজিক কাংলবা মুমীনা মরাম থমাঙদা খোংবা অমসুং ঈশৈ শক শোনবসু তৌনখি। চংনলোন অহু পানখোকপা ওন্নরি। মহারাজ চন্দ্রকীর্তিনা তিন্না চংলদা পেনা

চৎপদা পেনা শকপনা মোইরাং কংলৈরোন খোগন তৌবা অমসুং অশৈবশিংনা মোইরাং কংলৈরোন শেনহুনা শৈশক পুখোকখিবদগী পেনাগী সংস্কৃতি মপুং মথৈ ফারকখি খোংজোম লানগী মতমদা লৈবাক কাংখোং চাইবদগী চুরাচান্দগী মতমদা অওকপা কংবা মশক থোকলকখি। পেনা শকপা ওঝানা খম্বা থোইবীগী শৈশক্তা লৈশাবী অমসুং পাথংগী পুক্সিং শুমহৎখি। চহিগী মমুংদা লৈকাই খুঙংদা চাকচা হৈজানবদা পেনানা খম্বা থোইবীগী মুংশি মুংওনগী বারী শরুবা শোনহদা ৭৭ অমদগী তাদব, চৎনরকলে। মমিং লৈবা ওঝা অচু নিংথৌনা মনা মথিন খামেন চৎপা পীবিহুনা পুক্সিং থোগৎলে। পেনা শৈশক্তা নন্তুনা খোংজোম পর্ব শকপগী মথেন, ছাপকৎলক্লে। মণিপুরগী সাহিত্যদা মোইরাংনা পীবা থুদোক্নী অবজোবশিং অচৌবা অধ্যায় ওইরক্লে। মণিপুরগী কলচরদা খম্বা থোইবীগী লীলা থাদোক্লবা য়াদ্রে। খম্বা অমসুং থোইবীবু নোংপোক নিংথৌ অমসুং পান্থোইবী নত্রগা শিব দুর্গাগী শাযোন ওইনা লীলা শান্নবনি হায়বা চৎনবিসি মণিপুরদা নন্তুনা মৈতৈ তাবা মফম কয়াদা পাম্মা লৌরকলে। Dr. Suniti Kumar Chatterji না অসুম্না হায়বিবি—"In a way it was a sort of a National Epic of local importance among the Meiteis—just like the Rajput and Maratha ballads in Rajasthan and Maharastra and stories like those of Sohni and Mohiwal and Puran Bhagat in Punjab and Lorik and Chanda in Hindustan and Bihar and the stories of Lausen of Behula and Lakhindar and of Kalketu and Phullora in Bengal .."

মৈতৈনা পামজবা অমসুং থোৎপা লৌবনা থনলবা মতম পুম্বদা কঙ্খবনা হিললবা বারী অসি হদসন সাহেবনা মাগী The Meiteis দা ইংরেজী দা হন্দোক্নুনা কোওলনই। কোর্বেক অফংনা অমদগী লৌহুনা ছাপচিনখিবনি

ছাপাইরে। ব্রজগোবিন্দনা চৈতন্যবস্থ ছাপাদা ফোঙখি। নলিনি কুমার অমলন্যু বঙ্গালীদা অঙনবা মতমদা ফোঙত্রে। হৌজিক্কি হিন্দী লোন্দা ফঙাঙু ফোঙনরে।

পেনাগী শৈশক শৈদাদা Blank verse ওইনা মহাকবি অঙাংহল সিংহনা খম্বা থোইবী শৈরেং অসি পরেং ৩৪০০০ দা ইরম্বা অমসুং শৈখিত্রবা মতুংদা লাইরিক ওইনা পুথোরকপসি মণিপুরগী সাহিত্যগী মুংপা লাইত্রবা থোদোকনি কবি অসি Sir Walter Scott কা চাংদমনৈ মৈতৈ বৈষ্ণব, বৈষ্ণব তত্ত্ব অবতার অমসুং লাংওন্দা থাজবা অমসুং মাগী ওজা ওইহুনা মচাক গীখিবা চুংথাম মনিক সিংহ দা শ্রদ্ধা ভক্তি লৈবা মণিপুরগী তোপতোপ্পা মীশক অমনি। মহাকবি অসি অনৌব। মহৈমশিং য়াম্ন ফংখিবা, মণিপুরগী রাংমদা য়াম্না থোবলুবা অমসুং মতম সিগী খুদোংচাবা টিভি, রেদিযো অমসুং মতমসিগী পোংথোক কয়াসি থেংনখিবা নত্তে। লৈবাক নিংথৌ অমসুং ওজাগুরুদা ব্যাবহার মতিকচানা থমজবা অমসুং মানা ওনজবা খুদোল খরা তৌরিবসি লাইগী থৌজালননি খঙবা মীনি। কবিনা লাউরম্বা রাগে পরেং—"We come nearest to the Great when we are in humility" অহু মশক শেংনা উংপা মীওইনি।

মহাকবি অসিনা লাইরিক মখল কয়া সাহিত্যদা খুদোল তৌরম্ববস্ত লোম্বা নাইত্রবা মিংচৎ উরোং শিনলম্বা খ্বাইনা যোবা ওমদবসি অরিবা শৈশক শৈদা পান্দুনা খম্বা থোইবী শৈরেং ইরম্বসিনি। হৌজিক্কী সাইকোলোজিনা মীগী শক্তম শাগৎপদা অঙাং ওইনা মমাগী পুক্নুংদা জৈরিতৈ থা খরা চঙশিল্লকপদা হৌরে হায়বসি মহাকবিনা পেনাগী কলচমদা মাই পাকখিবগা চান্নে। শামুরৌ পুরিবা ইবুথৌ অসি পেনা থৌখিবা থামবা যাদবা লাইনি। মহাকবি অঙাংহলগী মমা চাউবিতোন

পেনা তাবদা থরাই লুপচবীনি। ময়াদগী শরুম শাগৎপদা চঙবা কয়া মুক লৌশনলকপনি। কবিনা কলম থারকপসিদা থৌইনশিন কয়া য়াওই। নহানমুক্কী কর্ম্মফল অমসুং মাঙথিগদৌবা কলচয় অমা হিংগৎহনবা থৌইনশিন কয়া লাইরিকসিদা ময়েক শেংনা উরি।

ঐঙোন্দদি মহাকবি অঙাংহল ফিজন্নকম ওইবা মৈতৈ কৈথোকনি। মশাগী সংস্কৃতিদা লুপচবা মশাগী ওইবদু মাঙহন্দবা মীশকনি। মতম-দুদা ওইরক্লীবা রাজনীতিগী যাওন অমসুং হোংলকপা মশক খঙজিল্লবস্ম মৈতৈ ঈনাং অমসুং লেজরগদু মাঙদনবা হোৎনখিবা মী৹ওইনি। হৌজিক-সিমক লমদমসিগী লাইবক যাম্না থীবা হাম্না কৈজরম্বা পুম্বা মাঙহনবা ওইরকলে। পুম্নমক মমলবা হিংবগী মমন লৈরক্রবা মৈতৈ সনা লৈবাকনি মহাকবিগী পুন্সি মানা ইতুনা থমলম্বা নৈনবা অমসুং খোইদোকহেন্দোক্লা পেনাগী শৈশক শৈদাবু মাঙহন্দনা সাহিত্যগী মহাকাব্য ওইনা পুথোক্লম্বা অমসুং মৈতৈ ঈনাংকী মশক ওইনা চোংথোক্লম্বা মীওইশিংনা ঐখোয়বু মিং পাঙহনগনি। তাইবং মপুনা ঐখোয়দা মহাকবিবু কাউহনদে। মোইরাং কংলৈবোন অমসুং পেনা নৌহনবা লৈরি। মঙোন্দা ঈকাই খুম্নবা উৎচরি।

শামুরৌ পুরারী নৈনরকপদা মহাকবি অঙাংহল

দয়ানন্দ মোইনাংথেম

শামুরৌ হন্ফাল তুংবল হনম্নুং নমুল তুরেল অনীগী মরক্তা থাগা রাংগা শাংনা তাবা হন্ফাল সচরদগী থা পাংনা কিঃ মিঃ ১৩ চৎলগা লৈ। মাগী লোম্নবা খুলশিংদি অরাংদা তংশল্লস্থম, হিযাংথাং, খাদা নাওরেম চাপ্রৌ, রাঙ্গোই, নোংপাক্ত হাওবৈবী পাণ্ডেন; নোংচুপ্তা ইরোম মৈজ্রাউ অসিনি।

শামুরৌ কৌথিবগী রারী অসি অখং-অহৈ, পেনা শকপা, অরিবা লাইরিক লাইশু কয়াদগী থেম্নবা কয়ামরুম ফংই

সরাংথেম বরমনি সিংহ-না ইবা 'লম্মৌংলোন' দা শামুরৌ (লামায় ১২০) কৌথিবগী রারী অহুম্না তাকখি—"লিংবাই নোংমাবগী থালৈ লৌ নিনথদা সনাই হাওবা যাঙ্গাই লিতোম্না চানবা শা লাগুই, তালোই থানিং যাংদৈনুনা থক্তংগা যু লাংথুনা পুরকই। পুরকপা চাকয়োম অমগা অমগা হাওব তারে। মতাংশিদা মথংলেন মমান মচা হাওবা য়াঙ্গাই [illegible] লিতোম্না লাংলকপা শানা হাওবা রাংলে মুনা মৌরে। অতুবু [illegible] ইকাইগদবগী শকতপ্তদি য়ুনা রাংলে শানা মৌরে হায়বীমু [illegible] রবিরহুনা শানা মৌরে হায়না চিহ্নাং থৈনা হাংনথিবগী শামুরৌ কৌথি।"

অঙোম্পা য়ারী শিংবুল অমদনা লমদম অসিগী অহল-লমম্না নীন-বদা—"লমদম অসিদা থুমন নিংথৌগী (মরাং ইশাংলদা পানবা, শামুরৌ মতম অহুগী থুমন শলাইগী বাটন্দরী মক্ষুংদা নৈথা লম অমনি) শামুশিং থম্মী। শামুশিং অসিনা চানবা শক্তিকী লৌকম নৈরম্ভ হায়রুনা লমদম অসিবু শামুলৌ হায়বদগী থৈথবক্তুনা শামুরৌ হায়না খঙনখি।

তোঙানবা য়ারী অমদনা পেনা শকপা ওঝাশিংগী মতকী মতুংইন্না অসুম্না হায়রি—"মীতৈ লৈবাক্তা মতম খরা নিংথৌ পাম্দতুনা লৈরবদা পাখংবনা খাংজিংগী মশাইগোন্দো থুপতুনা লৈখ। মীতৈ লৈবাক্তা নিংথৌ পাম্মনা লৈবা যাদে হায়রুনা ভাইবং মপু অতিয়া শিদবনা মঙাকপু (পাখংববু) কংলাদা কৌথংতুনা নিংথৌ ওইনমবা হাংতুনা মৌইক্লাং তুরেল হুঙংনা চেনবা তুরেলগী অসুম কাকপদা খোর্জাক মচিন য়ৌনা অসুম লাক-খিযে। তুরেল মরিন্দা অসুম লফুগী পোংদা লাকখি। অমাইবা অমাইবাদি যাওখিদে। পাখংববু তুরেল অচৌবা চরিন্দা পেনানা নাওথোং তুনা পুখৎ-লকখিযে। অসুম পুখৎলকপনা ইরোং হায়না খঙনরিবা মফম অসি যৌরকপদা পেনাগী শক্তিং তংখরে। পেনাগী শক্তিং শেম্নৌডেদা পাখংবদি লমদম অসি (শামুরৌ) যৌখিরম্রে। লমদম অসি য়ৌরগা মথা তানা লেংউ যাত্রবদা চিংঙ্ শিদবা লাক্লনা পাখংবগা মথোয় অনী শমু (হকচাং) মায়োক্ক-তুনা অহিং চুপ্পা কংলাদা চৎনবা য়া ক্লাংনখি। ইবুধৌ পাখংবনা মথা তানা চৎসি হায়বা য়াদবদগী চিংঙ্ শিদবগা শমু-হকচাং লৌ তৌনখিবা মফমদি হায়তুনা লমদম অসিবু শমুলৌ (শামুরৌ) হায়না খঙনখি। মসিদগী মফম অসিবু পাখংবনা (শামুরৌ লাকপনা) পেনা শেম্লিডেদা শামুরৌ থুংলকখিবনি হায়তুনা চিঙ্খ্যাং যৈনা—"পেনা শেম্লিডেদা শামুরৌ য়ৌই" হায়বা পাউরৌ অসি চৎমরকই। পেনাগী অশৈবশিংনা অহুম্না অমুক নৈথারী—"অতিয়া শিদবা মপুনা কংলাদা নিংথৌ ওইপদবদি খংতম্রে, অহু শাকাওবা কুলক্ক কুংজানবা মখাই ইকুং কুমাইতবা অহুম উখি। লাইরারা খুংগক কুংজাব্দসি অমম্না কোকনল উনাই লৈথিদে অহুমু

ইশং খঙহৌদনা কৌব্রু চিংদোন্দা লাইয়াম হরাউ ভয়াম শান্নরম্বা উবদা ইবুঙ্গো লোকফেং তৌরকখি। সুংগুক সুংজানবা কোকখি অমসুং হরাওবা উৎলকখি হাযমা মসিদগী পেন্নবা হায়রুনা ইহান হানবা ওইনা মীতৈগী উমং লাই পেঙ্গানা হরাউবস্ত হৌদোকখি।

মৈনম্রিংথাই ওইবা রাকম খরদি অহানবদা ভোগেশ্বরমা সমপাদক ওইবা সুমিং কান্না হাযবা শৃঙ্খাংগী রাহৌদোকী বোমান নম্বর (vi) ডা কে, খিরেন, সেক্রেটরী ইউ, এন, এনা অসুম্না পারী—'অহুম সুমিংনা মোইরাং লমদগী কংলাংরোমদা কারকপা এতমদা পেনাগী মখোক অহুমা তোংজিবা পোংগী লক্ মথক্তা শ্রম-শাহুনা লাকপনা শামুরৌ যৌই হায়রুনা পেনা শেম্নিংঙদা শামুরৌ যৌই হাংবা প্রগান ওজি থোকখিবনি। অনিশুবদা সুমিং কান্না পুগাগ মাম্নবা মশক খরদি ঈয়েক শল্লাই অমসুং সুমিং থাপান লাইরিক্কী লমায ১৩।১৪ দা অ[illegible] তাক্লি "নশানৌ সুমিংসনা থোমতোন অভোম্বনা চেনখিহুন মোইবাংগী লোইরেল লোক্তা লাইগী চহি চাম লোং-তুনা লৈখি। চহি চান্না চামা শুরক্লবদা থাংজিংনা থংখোংতুনা লাইপুংথৌ লাইরুম্বাদা ভগোই শাহুনা থেমহুনা পুথংলকই, মতম অহুদা য়াংগোই কারোংদা পেনা তেংখল তুখ্রে। মহু শেম্নিংঙদা পাথংবদি শামুরৌ যৌখ্রে। পাথংবমা শামুরৌদগী কৌক্রদা লোত্তুমা লৈখি।

অহুমশুবদা রাকম অনী অজিপা চিংথ শিদবমা পাথংবযু কংলাদা কৌথংলকপগী মতাংগা শাম্নবা থরা কই। অহুম সুমিং কান্না পুয়াদা [illegible] খোমদোনবু পুথংলকপদা শামুরৌদা পন্নম্বগী রাকমদি থেংনদে [illegible] শল্লাই অমসুং সুমিং থাপান লাইরিক্কদি মনা থোমতোন [illegible] পন্নম্বগী রাকম য়াওরি। অহুগা অমনা অনা থোমিতোনবু ([illegible]) কংলাদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুন্না [illegible] ([illegible])

অহুম ওইনরক লাইরিক অমী অসিদা শামুরৌ থোনবগী নরমদি নৈময়রগদে। ময়াদসি নেমকুবা মতুংদা ওদি কাওবদা লমদম অসিগী লাই হরাওবগী শকম অদি য়েংলুরবাদ অইবা ওইনা নৈত্রবসু পেনা শরুপশিন্না হায়দ্রা রাকম অদিনা চুদিরনা হেল্লি।

শামুরৌ লাকপা পাথংবা অরিবা উমংলাইশিংগী মতুংদা অমনি। মীতৈগী তোঙান-তোঙানবা মফমগী উমংলাই অযাম্বগী হরাউবদগী তোঙালি। মীতৈগী উমংলাই অযাম্বনা হরাউনরিবসি হ্যাংমেন ইভোলু-সন্দা মপুং ওইবগুম তৌই। অদুগা শামুরৌ লাকপা পাথংবা হরাউ-গীন হ্যামেন ইভোলুসনগী ময়াঙ লাইরোন ওইনা তৌবনি। পেনানা লাইরোন শকপনি। তোঙ্গক মোইবাং কংলেরোন শকুনা হরাউরিবাসদি লাইগী থৌরম লোইরবা মতুংদা গুংঙাহনবগী কোম্ম হাপচিনবনি। হবুধৌ পাথংবা হরাউবদা ইকৌথংপা, লাইবৌলা থাবা য়াওদে। অমাইবা অমাইবী য়াওদে অদুম্না অতৈ লাই হরাওবদগী তোঙালি।

শামুরৌ অসি মশাগী ওইবা তোঙানবা কলচর অমা অদুম লৈজরকই। লমদম অসিদা থুংশেমগী ওইবা থৌদোক রাথোক লুহোংবা নাচুং-নরোং, যুমশা-কৈশাগী যাত্রা হুনবা অসিনাচংবা কয়াসি কাংনবা যাদে। শম্মা হায়রবদা শিব-নাবগী নুঙুন নোংদ থোদোক অমদগী য়েম্মা থোকপা যাদে। থুলগী থৌদোকী মুমিংকী থুংপাই পাইবা অমা থুলনা খল্লী মঙোন্দ থৌদোক রাথোকী ঙুমিং কনবা (লেপ্পা) চংনৈ। থুংপাই পাংরিবা অসিন থুল অসিদা কনাগীদা-কদায়দা করি থোক্লি-বগে হাংবা থঙবা ঙমড শম্মা হাযরবদা অচৌবা ইমুং অমঙুম্মা য়াম্মা লিংজেল মান্নবা নমাংতৈদগী চংনরকই। লমদম অসিদা লাই অহুম অমসু ইরাংনরি, খ্বাই নিংথৌ, লৈতাং নিংথৌ অমদি লৈমরেল পাম্বোইবীনি লৈমরেল পাংথোইবী চহিগী চাক্রোং কংপগী চহিগী শজিবু চৈরাওবিয়ৈদা লাইচা অকবা য়েংলগা পাংথোকই। অদুগা

ইলাক্তাং নিংথৌ, খুাই অমাংথো লাই অনী অসিদি লাই হরাওবগী থৌরম লাংথোক্কে। অদুবু ইবুথৌ পাখংবা শামুরৌ লাকপা হরাওবগী থৌবা অমসুং লোইবগী হৈকং-লৈকহত্তি লাই অনী অসিগীসু অমই। অদুগা লমদম অসিদা য়াম্না তোঙানবা চৎন-পথাপ অমা লৈজরকপসিনা মীতৈগী অ'রিবা ইতিহাস অমা শাগৎপা অমসুং নৈনরকপদা শামুরৌ হায়বা লম অসিগী মফম অমা কন্দুনা লাক্লি। অমুকসু ইবুথৌ শামুরৌ লাকপা পাখংবগী মন্তিক-মঙান শিংথাকরগসু অমুম্না হায়রি—শাই কৌবা উ পাম্বী অমা ইবুথৌগী শাথোকফমদা হৌহ। পাম্বী অসি ইবুথৌ পাখং‍গী শাদোং উনি। মসিগী মশাশিং নিংথৌগ শামু ময়াম শামু শঙদগী কোম্নুংদা কারকপদা তাখল-শা কোবা নিংথৌগী শামু অসিনা শাইগী নশা-মরেংনচিংবা থুদেকুনা চারুবদগী শামু অচু মমিৎ তাংখি অমসুং ইকুহ-কুহদনা শিখিরম্মা হায়বগী য়ারীনার।

শামুরৌগী অরিবা পুরারী নৈনরকপা মতমদা শামুরৌ চিগোং হায়নসু খঙনবা মীশক অসি য়াম্না মরু ওই। চিগোংগী পুন্সিগী য়ারী মানা তৌথিবা অঙকপা থৌশংশিং মাগী মন্তিক মগুন মীতৈগী অরীবা য়ারী শিংবুল থিজিনবা কয়ানা তোঙান তোঙানবা মত পীনৈ।

কংলৈ মাংচৌ তরেৎকী শয়গ্গা পুন্সি য়ারী লাইরিক্তা শামুরৌ চিংগোংগী পুন্সিগী মশক তাকলি, 'ইং কুমজা ১৭৯গী (লমায় ১৭) য়াকচিংগী ৫নি পানবা ইয়াই কোইরৌদা শামুরৌ চিংগোং পোকই। অপোকপগী মীংলেম্না থাংজম শামু অমদি অপোকপীগী মীংনা ইবেম্মাইবা (য়াইম্বী) লোওননা তালোয়গী মাংনা হঞ্জরী কৌহ। মহাক ইং ১৭৪৯ খ্রী (লমায় ২০) ইঙা থাগী ২৯ নিপানবা নোংমাইজিং নুমিৎত্তা হিয়াংথা লাইরুম্বী (ইরৈম্মগী) মগাই উচু দা হৈক্রেং পাম্বী ওইনা লাংজদুনা

গাপ্পুপশিঙ্গ ।" এমা মনা লাইরিক অসিদা মহাকী মসিং থোনবগী ভারী কাংবো য়াওরি, "মহাক অসি কুরুগী থৌশিন ভুংইগা রাপ্পুরেন খানা চাউবা ইবুধৌনা লাংঙনুনা খোংদারকথি। থৌনা লৈবা মপা- ঙল কনবা ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখংবগী চিরোংগুম চী পাল্লবা কোক চিকোক হায়বদগী অমুম থৈথরকুনা চিগোং হায়না খঙনখিবনি। চিগোংগা মাইচৌ দেবীপাগা শক্তি য়েংনবগী মতাংস্মু লাইরিক অসিদা থেংনৈ।

চৈথারোল কুম্বাবগী অনীশুবা খুৎনম (১৯৮৯) গী লামাই ১৯৭ তা চৌরজিৎনা নিংথৌ ওইবা মতম (১৮০৩-১৮১৩) দা শামুরো চিগোং অসি মারজিৎনা মৈতৈ নিংথৌ ওইনবগী লাল্লোংদা অচৌবা শরুক য়ারী। "২৮ নি নিংথৌকাবদা ইপুংশি মারজিৎ যুবরাজনা লানশোন- পিতা উতোং চাক চাগে হায়শিল্লুনা খুল্লকী য়ুম্নাক ৩২ গী খুৎ খোমহুনা নিংথৌ ওইগে হোৎনবদা শামুরো চিগোংস্মু য়াওখি।" লামাই ১৯৮ দা মারজিৎকা লাম্মীগা চৌরজিৎকী লাম্মীগা শামুরোদা অকনবা লান থেংনখিবগী রাফম অমস্মু পল্লি।

'মতমগী খোংলৈ' পুয়াগী লাইরিক্তনা লোৈরেম্বম খোংনাংথাবনা মাইচৌশিংগী মগী মাগী থুপকমশিংগী মফম তাক্লকপদা "মাইচৌ শামু- রো চিগোংবুনা হিরাংখাং উকোন হৈক্রেং মখোঙদা হুনওম্মু" (লামাই ৩৬) হায়রবগী রাফম অমস্মু য়াওরি।

থাজ মাল্লাজাওনা শামুরো চিগোংগী মরমদা অমুল্লা হায়— 'চিগোং মাইচৌ অমা ওইনা লৈবগা লোয়ননা লাক্লৌবা অমস্মু ওই। মহাকা মতম অসি পাগেপ্পগী মত্তমদগী হৌরকপনি, মতম অসিগী মাইচৌশিংগী পুখিং সায়া শাংই, চিগোং শিংখিবা মরম, থুপল্লিমলি।

অহৎপা অমনা নংঙ্তাই পুয়া মঙালগা' (লমায় ৩৬) লাইরিক্তা চিগোং মাঙলম মচা অমা ওইনা ঙশক তাকই, মপাগী মমিংনা মাংলেম খুঙব কৌই হায়রবগী মশক অমা উবা ফংই।

শামুরৌ চিংগোংগী মগুন তৌবাওবা শামুরৌদা হৌজিক মাওবা লিশাংশিংনা য়ুমথোং খুদিংদা চিনবুংদা রারীনরি অমদি মীতৈগী মাংচৌ কয়াগী রারীনবদা হেক-হেক য়াওই । অসুমসু হায়নরি মহাক মাওবা ওনই, মন্ত্র-যন্ত্র য়াম্না হৈ, মহাক্না তৌবা অওকপা অমদা চিংওু লৌরে ষম থোংনাংথাবনা লাকপদা খোংনাংথাবনা থবক অহুবু চিগোংনা তৌবা ওইরিনি হায়বা মখোয় মশেল হায়া থওনবগী রাফম অহল-লমনা রারীনবদা পন্নৈ । অতোপ্পা অমনা মৌ নহা অমথক্না লমহাংদা অঙাং পোৎবগা লাকপদা চিগোংনা অঙাং অতুগী থরাই অহুবু রাচেং মতোন্দা হাপতুনা চাংয়েং তৌবা অতুগা অমনা থৈদেন্দা ঙা-য়োনফমদা চংলুবদা তগৎ তগৎ তেক্তুনা ফ্রিং-ফ্রিং চোংহুনা লৈরম্বা ঙাশিং লোইনা খুদক্তা শিবা মসিগুম্বা মাগী মতিক-ময়াই থারকপদা অওকপা থবক কয়া তৌরম্বগী মরমদা ওসি ফাওবদা চিনবুংদা রারীনরি ।

য়াম্না ওক্লিবা অমনা শামুরৌ চিগোং তরেৎলক ফুমই হায়বগী লমদম অসিগী থাজনবী অমম্তু চেৎনা লৈরি । শামুরৌদা অফাওবা লৈহৌদে হায়নম্তু মানা হায়রম্বী হায়বগী রাফম অমসু ওসি ফাওবা অহল-লমনা তোইনা পন্নৈ । মসি মহাক্না শিরমদাই মতমগী রাহৈ ওইনা হায়রম্বনি হায়না লৌনরি । অতুগা ওসি ফাওবদা লমদম অসিদা শামুরৌ চিগোংগী গুরোল-চারোল, মাগী ওয়ুম মকৈ থিবা খওনদ্রি । মহাক্না মীশি চাদনা শিখিবা ওইরবগী মতুবু কিবদগী মখোয়গী ইমুং মখুং পুম্নমক লমদম অসি থাদোক্তুনা চেনখিবরা হায়না থাজনরি । মহাক অসুম্না তশেংনা শিখিদ্রবা ওইরবদি মহাক অচুবা অশেংবগীদমক তুংগী মীরোলনা পারা ওইহৌনবগীদমক অকুম লাংখিবনি । মহাক শিখিবদি নত্তে । অসুম্না চিগোংনা মীওইবদা সিক্কোজিক ওইবা খুদম অমা থম্লবা হোৎনখিবনি হায়না লৌই ।

শামুরৌগী খল্লা থেংথরবা মরাই ওইবা ইতিহাস য়েংলগদি আর্ট অমসুং কলচরলোমদনা হেন্না মপুং ওইরম্মী। শ্রীলোংজম কান্হাই অমসুং হিজম অঙাংহল অমী অসি খাদোকপা রদে। লোংজম কান্হাই শামুরৌ মথৌ লৈকাইদা পোকখি শিনফম্না খুনগী চৌকিদার ওইরমই। মহাক ইবা পাবা ঙম্বা মীশক অমা ওইরম্লবদি মণিপুরী সাহিত্যদা মীতৈ ফুঙ্গা রারী ইবা অমা ওইনা ফিদা ফংলমগদবনি। গ্রীকী ফিলো-সোফর সোক্রেটিসতি ইরমত্রবসু মহাক্কী সেবক প্লেটোনা ইশিন্দুনা মহাকপু মীয়ামদা অহুমক খঙনরি। মীতৈ লৈবাক্কদি মতম অহুদদি ইশিন খোংচিনবা চে কন্নমগী থবকসি অহুকহাক্না মকওইনা লৌনদে। অহুগী রাখল লৈমদে। কান্হাইনা ফুঙ্গা রারী লৌরগা ময়াম হুপচিন্দুনা তাবা অহুগা অহুমক কাওখিবা ঙাক্তনি। কনা অমত্তনা ইশিনগে হায়রবগী রাখল লৈত্তে। অহুমকপু কান্নবা অমদি মণিপুরগী ফিচর ফিল্ম অমদি ড্রামা ওইনা পুথোকখ্রবা 'য়াইরিপোক থম্বালনু' হায়রিবা ফিল্ম অমদি ড্রামা অসি শ্রীকান্হাইগী ফুঙ্গা রারীদগী শক্লাইখ্রবা ড্রামা ইবা মাইবম রামচরন্না ইথোক্তুনা মায়ামগী ওইনা মাঙলরোইদবা লন অমা ওইহনবিবে। কান্হাইগা হৌমিন কামিন্নবকপা মবোই-মনাও কয়ানা মহাক্কী ফুঙ্গা রারী মুংতিগী তাক্লবসু কনা অমত্তনা ইশিন্দুনা থম্বিরমদবনিনা অহুমক মাঙখি অহুবু রামচরন্দি কান্হাইগী রারীদগী ফিল্ম অমদি ড্রামাগী মচাকশিং শেমগৎ শাগৎখি।

রামচরনগী অসিগুম্বা হৈশিংবা অসিবু কান্হাইগী মরইকৈদগী বামচরনগী মকমদা শামুরৌনা ইকাই খুম্নবা উৎলি।

মহাকবিগী লুহুপ উপখিবা হিজম অঙাংহল সিংহ শামুরৌগী ইতিহাস নৈনবকপদদি অমুকী মতিক মক ওইরে। মহাকপু ইং ১৮৯২ গী জুলাই তাং ২৮ শগোল্লাশেন হমিং চুম্ব সিংহ অমদি চাউবীতোন অনীগী মচা ওইনা যংজে। মহাক পোকপদগী তোপ তোপ্পা মগুন কয়ানা লৈত্তেংলবা মীওই অমনি। মহাক রিনাসাংগী কবি অমনি

অমসুং সমাজ শেমদোক্লবা সেবা তৌবা মীওই অমসুনি। অদুগা এই-রিভৈদা মতমদদি মঃ পোকপা মবুংবোক শ্রীকোজেংবম থোইবা মমা লুংশিজা লৈমা চানু ওাইখাক্তা খানদকা-লোয়নরকখিবা মগুনি। হিজম মচা গুণাকরবসু পুম্নমক্না মহাকপু কোজেংবম অঙাংহল হায়না লৌনগ্না অশিনদি খঙনখি।

অঙাংহল" হুঙা হায়বা হৈবদগী নিংথাদনা লৈরিভৈদগী হৌনা কলাগী মহী তৈনবা থবক অপুনবা তৌরমই হায়বদা হায়রমবা থোক্লাইগা লৈখোম্না কাং (রথ) অমদি জগবন্ধুগী মূর্তি-শাবগা কাং চাংবী শাম্নবা উদাঃ রাক্নদা হুক্নুনা মথল মথাগী পোৎ শাবা (sculpture), মাগী পেচক'রী শাবা, লিকোনগী মাইয়ুম য়েকপা কম্না অদিমে মহাক্নী অঙাং গুইরিভৈগী শিনথক্ননি। অপুকপনি লাইনা থাখনি। ইবা পাম্না হৈরক-পদগী চাওরাক্না মশাগী চহি ১৩ দগী রায়েং শৈয়েং ইহুমা মমাম্নবশিংদা উংলি, পাহল্লি। থোইনা ভেল্যু খংলুদবনিনা অহোম্নহুম করেম্নবী "কদাইদা করিবু কাম্নগদৌরিবনো?" অহুবু মহাক্কি নিংহুম্নদনা হোং-নরকখি।

অঙাংহলনা অঙাং গুইরিভৈদগী হৌনা মঙোম্না অওকপা থৌদোক কম্না থেংজখি। মদগী অওকপা থৌদোকশিং অদু মাগী মরুপ-মরোই-মনাওশিংদা লীবদা কনাগুম্না থম্নদা অওকপা কাওরবস্র অম্নাক্নদি থওইনা জৌবিখিদে। মঙোম্না থেংনখিবা অওকপা অমা হায়বা তারবদি শ্রী অঙাংজাওনা লীবিরম্না "অঙাংহলনা দুর্গা পুজা লেকপদা মণ্ড ভম্নগী রা' হেক্র হৌদোকই। নোংভাম্নগা অঙাংহলনা মাগী মওদা কনাগুম্না মশক খঙদবা অমা লাক্লগা চে-কলম মুক শীরমই তম্নী। তশেংনমক মসিনগী হৌনা মাগী মপুং ফাবা পুজিগী মশক অমা শেম্নগৎ-শাগৎ-লুবনি।

অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা অঙাংহল নোকপদ্রা রাশী লৈবা, মতম পুম্নক্কী নোকাফং তৌহন্না লৈরা মীওই অমম্নুনি। মহাক অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌরা-যাম্মা উইল বনরা থবক খুদিংমক্তা মাইপুন্নবা মীওইনি। য়াওশংগী মুক্না শান্নবগী শিল-ল্লাংবা মহাক্না খ্বাইদগী পামজবনি। মহাক্না পামজখিবা চেংকবোক চানবা, কৈবাক-হরাই হৈঙ্গাল চানবা, থম্মো মওঅনগী শিক্কু অমদি থামেন মন্নাগী বোরাবু মানা য়াম্মা খোইদানা চাখিবগী ওসি ফাওবদা ইমা-ইরেলশিংগী চীনবুঙদগী রাক্নীনবদা তাবা ফংই।

অঙাংহলনা অঙাং ওইরিঙৈদা য়াম্মা লুনা তিন্নরকপা মতম অয়াম্বদা লোয়নমজুবা লাইরিক তম্মীন্নরকপা, যুম্নম চাউবা অমদি মোইরাংময়ুম মোহোম্নি। য়াম্মা নকশিন্নবা মরূপ ওইখিন্নবসু চন্না লোয়নরকখিবা মরূপ য়ুম্নাম অঙাংজাওমি। অঙাংহলনা মাগী মরোই-মনাওশিংদা লাইরিক তম্বিন্নমই। অমা পনবা তারবদি সনাম ইবোহল সিংহন্নি। অঙাংহল ইং ১৯১১ দা ক্লস টু (II) পাস তৌই হায়বা অনৌবা রাকম অমা থেংনৈ। শামুবৌ এল, পি, স্কুলগী রিটিয়ার হেড পণ্ডিত ইবোচৌনা অসুম্না ফোংদোকই—"ঐনা লংমৈদোংদা চৎপদা লাংমৈদোং কৈথেলদগী থবর মচেং অমদা অঙাংহল, চাউবা. মোহোম্নচিংবা ক্লাস টু (II) রাজোই নিম্ন প্রাইমারী স্কুলদগী ইং ১৯১১ দা পাস তৌরে হায়না য়াওরম্বদগী ঐন্না খুজিন্নগা য়ুংদা পুরকখি।" মসিনা অচুম্বা ওইরবদি মণিপুরগী অথং অহৈশিংনা ইবা লাইরিক, মহাকবিগী নীংশিং চেকোং, মহাকবি অঙাংহলগী চামগুবা মপোক কুমওন নীংশিং লাইরিক মাগী তাংকম্নগী মতাংদা শামুরৌদগী হোংগৎহল্লিবা চহি অচুগদি থেন্নবা থম্নদি লৈরে। অচুগা' অমনা ইং ১৯৯২ গী 'জুলাই' ২৯ (লৈবিক্রম্বা) সনাম ইবোহল উনরুবদা মহাক্না হায়বা "ঐনা চহি ৯।১০ ওরকপা' শকাব্দ ১৮৩১' গী মতম্নি,' ঐবু অঙাংহলনা লাইরিক তম্বিন্নবনি' অমুক্না তম্নকখি'। অচুনা অমুক মথা' তামা অঙাংহলনা শামুরৌদা হৌরকই মুইনা লৈরমদে হায়বা অমসু থিগা ভান্নি।

ইস্কাল সহরমদগী পুংলাপ থাপত্রবস্ত শাম্মুবৌ খুংশেম অমস্তুং মহো-শা অনীগী ওমদাইনকমনি। 'খুংশেমগী লাংবা নিল খোংবা ময়ক্কা মহৌশা মাগীস্তু ফজববা থুদোল কয়ানি। উমং বামং, মুংশিরবা উর্চেক রায়াগী খোঙ্গেল, লবুক-লমহাং কয়া মহৈ মরোং হৌবা অমস্তুং হৌদবা অনীগী তোঙান-তোঙানবা অর্থনি ফজবগী। অসিগীস্তু মথক্কা লোক্তাক্ত-গী হৃমকপা নামৌবা মুংশিংনা পুবক্তুনা ল'কই খুরোল হাওবা যাই-থিং কোম্নু, খম্বা-থোইবীগী মুংশি রাবী হৈবোক চীং তম্না মুংতিগী অসিগুম্বা থৌদোক-রাথোক কয়া অসি অঙাংহল চাম-চামগী মমাঙদগী মহৌশা লাইরেম্বী মহাক্কা থুদোল তমহনা লাকপ্রবনি শামুরৌগী 'নামৌবা মুংশিংকী' মপাও, উমং-বামং, উচেক রায়াগী পাউখোং, লবুক-লমহাং, তুরেলগী অবানবা 'রাবী কম্না অসিগা 'শকথঙনবা লোন কাউনবা ত্তথা মনাই অমা ইর্বুধৌ শাম্মবৌ লাকপনা তাইবং ফাওহন্নকখি 'অঙাংহল।"

অঙাংহলগী থুংহূ অয়াম্বা শামুবৌগী থৌদোক-রাথোকা মবী লৈননা ইথিবনি। মাগী "খম্বা থোইবী শৈরেং" লমদম অসিগী ল্যাই হয়াওবদা পেনানা শৈথারকপা মোইবাং কংলৈরোন্দগী শেমগং শাগৎলকপ নি। অঙাংহলনা মাগী শিয়োম্নুংদা লৈরিউেদগী মমা ইবে মনা মোইবাং কংলৈরোনগী রাম্রী তাবনা অঙাংহলগী হকচাং শাগৎপদা চুপ্রব'ন। অঙাংহল লমদমসিদা পোকখিবনি অমদি লমদমসিগী লৈহাওদা মপুংমরৈ ফারকপনি। অম্মম্ মহাকী "খম্বা থোইবী শৈরেং" হৈবদা চাউপ্রবা যুম্ফম অমা থোনবদা শাম্মুবৌগী লাই হবাওবনা মতেং ওইখি।

'জাম্বরা'– মুসলিম লৈশাবী অমগা মীতৈ পাখং অমগা অয়োবী থাক্তা মুংশিনবগী [illegible]নি। লাইরিক অসিদা শাম্মুরৌগা মুফম নুভমগী থেওনবা খবা [illegible] [illegible] [illegible] লম্মীং ফুমীং, [illegible] [illegible] [illegible] শাগৎপদা [illegible] [illegible] থোয়াং লৌখি [illegible] থোইনা [illegible]।

শামুরৌ নোংপোক থংবা ইম্ফাল তুরেলগী রাংমদা খুন্দারিব শিং অমি মুসলিম ভাক্তনি। মসি ওন্নিইদগী হৌনা হিদেন পুন্না ইতামিন্নবা ঈশিং পুন্না চামীংবনা অতুকী মতিক মীতৈ অমসুং মুসলিম অনী অসি তোংন তিন্নরকই। উরোকথোং, উবাকথোং কয়ানা তুরেল অসি লাম্বোক লানশিন তৌতুনা মীতৈ অমসুং মুসলিম লোইনরকই। হৌজিক ফম অসিদা খুন্দারিবা মুসলিমশিং অসি মশক মতৌ কজবা অখাং-হলগী 'অহৈরা' দা থারিবা পারশিয়ান হায়বদো হায়বা য়াই। মফম অসিগী মীশিং অসি অমুকী মতিক কজে।

'থম্বাল' চরিত্র অমা শেমদুনা থৌদোক-রাথোক অমদা পান্দুনা ইবা ওইরবসু ইহান গান্না মিংথোল পীরিবা থম্বাল অমদি ইচম চম্বা লৈ অতুবনি। কবিগী হৈশিংবা মুংশিবা লৈশি-লৈথোন কয়ানা অপাবা পুন্সিবু মুংভাইবা য়াতুগী ঈপাক অমদা তাউহল্লি। তশেংবদি কবিগী শজাই ইখোল পুথ্রিদা থম্বাল হোই। হৌজিকসু অতুম হৌরি। থম্বাল হায়বা লৈরাং অসিগা শাগোন্নরকপা অঙাং ওইরিবৈদা পুথ্রিদা কুমনা থম্বাল হেকপা থমচেং হেকপা, থম্বৌ তানবা কয়া অসিদা মহাক্না থম্বালগী পুন্সি য়ারী মওং-মতৌ কয়াবু মরিক চুন্না খঙদুনা বোটানিস অমগুম্না থম্বালগী মরমদা খঙই। থতুগা মহাক্না কবি অমা ওইরুবগী সাহিত্যদা শেমদোক-শাদোকতুনা অপাবা অপুম্ববু মুংভাইহল্লি বোটানিষ্ট অমনা থম্বালগী মরমদা ইরম্বা ওইরবদি ঐখোয় পানিংদবা য়াই।

মতাং অসিদা পঞ্জিংবদি মহাকন্নিগী খুংঙ্গীশিং অমি, মহাকী পোক্কফম সমদম শামুরৌদা লৈরিবা মক্তা অমদি থৌদোক-রাথোক কয়াদা য়ুংকম ওই হায়বসিনি। য়ান্না ওন্নিবৈ মতম মণিপুরদা লাইরিক লাইশু ইতম অম্রিবৈ কবি 'ওইঙা থবক তৌবদি লাইরদন কবি হায়রিবা তাম'. অসি কাওবা খঙ্গিবৈদা [illegible] কাম্নবা

মখল কয়াগী লাইরিক ইবিরমহনা তুংগী মীরোলদু মমিং মমাই পাংহনবীরমই। মহাকী অসিগুম্বা থবক অতুগীদমক মহাকপু মহাকবি হায়বা মীংথোল পীহনা ইকাই খুম্নরি।

নৈনবদা মতেং লৌখিবশিং :

১/ "শামুরৌলাকপা ইয়ুথৌ পাখংবগী শম্নপা পুস্তি রারী (খুৎই)— এ, নবচন্দ্র সিংহ, সেক্রেটরী, শামুরৌলাকপা সেবা কমিতি, শামুরৌ অমদি লেকচরর, দিম, এম, কলেজ ওফ আর্টস, হিসতরী ডিপার্টমেন্ট।

২। "শামুরৌদা মহাকবি অঙাংহল" (খুৎই)—এ নবচন্দ্র সিংহ, সেক্রেটরী, শামুরৌলাকপা সেবা কমিতি, শামুরৌ অমদি লেকচরর, দি, এম, কলেজ ওফ আর্টস হিসতরী ডিপার্টমেন্ট।

৩। শ্রী হেমাম অচৌ সিংহ পেনা শকপা। (মোইরাং,১৯৮৮ দগী ওসি ফাওবা কালেনগী ছমনি পানবদগী হৌবা শামুরৌলাকপা হয়াওবগী পেনা শকপা শুইরি।)

৪। মহাকবি অঙাংহলদা শামুরৌগী ঈথিল ও, কুমার সিংহ (অহানবা ফোংবা ১৯৯৬ দা)।

৫। "টি, রাই, এস, কে গী অহনগুবা মপোক কুমওনগী নীংশিং চেকোংতুংগী য়াইকনবা শেয়া কাওসুপা কোওবা (এপ্রিল ১৪,১৯৯৬)।

৬। "চৈথারোল কুম্বাবা" (অনীশুবা খুৎনম, ১৯৮৯ দা) মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালনা কোওবা, স্বর্গীয় লাইরেনমযুম ইবুংঙোহল সিংহ বি, এ, বি, এল প্রিন্সিপাল অব্যাসচ কলো কলেজ, ইফাল অমসুং নিংথৌখোঙজম খেলচন্দ্র সিংহ গবেষনা ভূষন, প্রেসিডেন্ট, মণিপুর হিষ্টোরিকেল সসাইটি, ইম্ফাল অনিনা সম্পাদক ওইবা।

৭। "নুমিৎ কাপ্পা"—শ্রী ও, তোম্বেশ্বর সিংহনা সম্পাদক ওইবা (অহুমশুবা খুৎনম ১৯৯৯) বি.এ, এল পুথোকপা।

৮ | থাঙ মাঙোলজাও, থোংনুয়ানপর্ব শরুপ্পা (চহি ৮৪ শুরনা)—ইং ১৯৯৬ কী নভেম্বরগী তাং ৪, দা কৈশামপাৎ খাইয়াকপম লৈকাইদা লৈবা মাগী ময়ুমদা উনরুবা।

৯ | মাইস্নাম ইবোবা মীতৈ (হিয়াংথাং) ইং ১৯৯৬ কী ডিসেম্বরগী তাং ২৯ দা মাগী ময়ুমদা উনবা (ইরৈমা থৌগল্লুপ হিয়াংথাংগী জেনেরেল সেক্রেটরী অমদি মীতৈ ময়েক শাবা কাঙলুপকী ভাইস চিয়ারমেন)

১০ . শ্রীরাই, ইবোচৌ (মহাকবি অঙাংহলগী মরুপ চাউবগী মচানিপা অহল)—ইং ১৯৯৫ গী জুলাই ২ দা মাগী ময়ুম শামুরৌ ময়াই লৈকাইদা লৈবদা পাবুং শ্রীহিজম রোমনিগা উনবা চৎমিন্নরুই। মহাকী ডাইরীদগী খবর মচেৎ অহু উৎলগা রারী লীরগা তাহনবিরকই ।

১১ | পি, ঐচ, অমুবা সিংহ, শামুরৌ (এক্স চিয়া.এন, শামুরৌ স্মোল টাউন) –ইং ১৯৯৭ গী ফেব্রুারী ৪ দা উনবা শোমুরৌ চিগোংগী মরমদা লীাবরকই।

১২ . শ্রীরাই ব্রোজেন সিংহ, (প্রিন্সিপাল গঙ্গা হিন্দী বিদ্যালয়, শামুরৌ) ইং ১৯৯৭ কী ফেব্রুারা ৩ দা অঙাংহলনা দুর্গাপূজা লেকপদা মণ্ডগী ফল, শ্রী অঙাংজাওনা তম্বহ্ন (অঙাংজাও শ্রী ব্রোজেন গী মবুবোক থোকপা) লীবিবা।

১৩ | 'লাংতাইপুয়া মণ্ডা' ভারিয়ানবমচা কাঙজিয়ানা খোমজিনবা কংলৈ পব্লিশিং হাউস না ফোংবা। (১৯৯৪)

১৪ | 'মতমগী খোঙলৈ পুয়া'- মনিজাওনা (১৯৮২) না খোমজিনবা অমদি লোচনমনিনা ফোঙবা।

১৫ | শ্রীমাইবম রামচরন (এম, দি, ইউ, ড্রামা ইবা) -ইং ১৯৯৫ এপ্রিল ৫, য়ুমশকৈশা মুমিৎকী মুমিদাংগী পুং ৭:৪৫ দা

অল ইন্দিয়া রেডিওগা মাগা উনহনা য়ারী শায়বদা "শামুরৌদা লৈবা লোংজম কাহ্লাইদগী য়াইরিপোক থম্বালচন্নগী চরিত্র লৌই" হায়বগী য়াফম তাকপিখিবা।

১৬। 'মহাকবি অঙাংহলঃ চান্নগুবা অপোক কুমওন নীংশিং লাইরিক' ষ্টেট লেভেল মহাকবি অঙাংহল সেন্টিনারী সেলেব্রেসন কমিতিনা অহানবা ওইনা সেপ্তেম্বর ১৯ দা ফোঙবা, (১৯৯৪)

১৭। 'মহাকবি' নীংশিং চোকাঙ—সাহিত্য পবিষদ (১৯৯৫ দা ফোঙবা)

১৮। 'লম্মিৎলোন' সরাংথেম ববমনি সিংহ। (ইং ১৯৮৬ দা ফোংবা লমায় ১২০ দা য়াওবা)

১৯। 'কংলৈ মাইচৌ তরেৎকী শয়গ্না পুন্সি য়ারী সেরাম রামচন্দ্র, নোংমাইথেম তোম্বাই অনীনা থোমজিনবা সেবাম রামচন্দ্র অমদি যুম্নাম ইবোহল অনীনা ফোঙবা। (মে, ১৯৯৫, অনীগুন। খুংনম)

২০। 'ইয়েক শল্লাই অমসুং ভূমি থাপান'—অকোইজাম্বা পিবা (নোদিয়াচান্দ) না থোমজিনবা, মঙাং য়াইমনা ফোঙবা। (ফেব্রুয়ারী ৫, ১৯৮১)

আধুনিক মণিপুরী শৈরেংগী অরি অনৌ অনৌগী লংদাইদা অঙাংহল

থাংজম ইবোপিশক

আধুনিক মণিপুরী শৈরেংগী অহৌবা মতমসি ইং ১৯২৩ নি। খ্বাইরকপম চাউবগী রারেং অমসুং শৈরেংগী পুনশিনবা লাইরিক 'ছাত্রমচা' চহী অসিদা ফোঙই। ডা: কমলগী 'মৈতৈ চনু' কৌবা আধুনিক মণিপুরী সাহিত্যগী য়াকায়রকপা (জাগরন) বু থাহনা ইবা মরুওইবা শৈরেং অসি ইং ১৯:৪ দা 'মৈতৈচনু' কৌবা খুৎন ইবা চেফোঙদা ফোঙখি (সম্পাদক হিজম ইবাবত।) খ্বাইরাকপম চাউবগী 'কান্নবা রা' কৌবা রারেং অমসুং শৈরেংগী অপুনবা লাইরিক ইং ১৯২৪ দা ফোঙই। ডা: কমলগী অমত্তা ওয়বা শৈরেং লাইরিক লৈ-পরেং' ইং ১৯২৯ দা ফোঙই। খ্বাইরাকপম চাউবগী 'থাইনগী শৈরেং' শৈরেং লাইরিক ইং ১৯৩৩ দা ফোঙই। হিজম অঙাংহলগী শৈরেং খরা' কৌবা শৈরেংগী খোমজিনবা লাইরিক ইং ১৯১০ দা অহানবা খুৎনম পুথোকখি। চাউবগী মরুওইবা শৈরেং অমসুং রারেংগী লাইরিক 'ছাত্রমচা' ফোঙখিবা চহী অসিদগী লৌরগা আধুনিক মণিপুরী শৈরেংগী হৌরকপা মতমসি ইং ১৯২৩ নি হায়না লৌজবনি। পঙ্গুরিবা চহী অসিগী মমাঙদা কনাগুম্বা কবিনা আধুনিক মণিপুরী শৈরেংগী শক্তম চেনবা শৈরেং ফোঙখিবা হৌজিককাঙবগী মনুংদদি পুথোক্লবা অমত্রি।

আধুনিক মণিপুরী শৈরেংশিংবু শাগৎলকপা কবিশিংদি মখক্তা পঞ্জখিবা কবি অঙুম চাউবা, কমল, অঙাংহল অসিগা লোয়ননা, নবদ্বীপচন্দ্র দবেন্দ্রজিৎ, ময়ূরধবজ, ইবাবত, মীনকেতন অমস্তুং শীতল-জিৎনচিংবা শংৎমাবা কবিশিং অসিনি। মখোয়গী শৈরেংশিংবু 'আধুনিক' হায়রুবদি নোংচুপকী সাহিত্যদা লৌনবা শৈরেংগী চপ চাবা মোডর্নি-জমগী মরমচং চেল্লি হায়রবদগী নত্তে। অদিবা অমস্তুং ময়ায় চনবা মতমগী মণিপুরী শৈরেংগী মশক্তগী অহোংবা অমদা লাকখি হায়বদগী চুমভগী আধুনিক' কৌখিবনি। থায়নগী মণিপুরী শৈরেংগী মশকশিংদি' মন্ত্র, তন্ত্র, লাইনীং লাইশোন অমস্তুং ধর্মগী মচাকশিং মরাংকায়না য়াওই। প্রকৃতিগী পোৎশকশিংবু লাই ওইনা ঊবাৎপা (pantheism); মীগা লাইগা ইশ্ম শমুল অমস্তুং মী-ইবগী অকন অথৌগী মওনবু রাংনা শীংথাবা, প্রকৃতি, ঈশ্বর অমস্তুং মীওইবা অঙুমগী নকুবা মরী থিবা, মুপা মুপীগী মুংশিবদা কখোকপা অমস্তুং থাদোকপগী ফিদম লোয়নবা, অসিনচিংবা অসিনি। হায়বিবা শক্তমশিং অসিদগী অহোংবা লাকুনা মতুং তাবকপা মণিপুরী শৈরেংশিংনা থমোয়গী অফা-অপুন য়াওদবা অচম্বা রাষ্ট্রে শুব অমস্তুং কল্পনাগী মবীক চুম্নবা মকোঙদোক্তা কোঙদোকপা, অনৌবা শক্তম চেনবা শৈরেংগী খোঙহৌ ওইখি হায়বদগী 'আধুনিক' হায়না খঙনখিবনি। থুৎমাবা কবিশিং অসিগী শৈরেংশিং অসিদি নোংচুপকী সাহিত্যদা লৌনবা 'রোমান্টিক' কী মশক অমস্তুং মরমচৎ চেল্লি হায়বসি পুম্নমক্না খঙনৈ। বাংলা অমস্তুং ইংলিশ রোমান্টিক কবিতাগী মপুং ওইবা প্রভাবতগী শাগৎলকপনি। অহুনা কবিতাশিং অসিদা-পুক্নিংগী ঈথক ঈহুন্না শাক, কল্পনা চেন্নবা, বুদ্ধিদগী থদোক্নবা ওন্না চৎপা, কল্পনাগী শক্তি রাংবা অমস্তুং মরম চাবনা লোন্না; প্রকৃতি অমস্তুং মসিগা শাগোন্নবা জীবশিংগা মীওইবগা অনীগী নকুবা মরী উৎপা, মীওইবগী অচম্বা মহিং অমস্তুং পুক্নিংগী পুক্নী (পেট্রোটোল লাইফ) উৎপা; হৌজুবা মণিপুরগী অরাংবা অরানা ফিচংশিং থৌরাংবা

অমসুং কথিশিংছুগী মতমদা মন্থু মাঙখিবগী মুংনাংবা পোকপা মমালৈবাক অমসুং মমারোলিবু মুংশিজবা গৌড়ীয়া ধর্মগী ভেস্যুজবু পামজবা অসিন-চিংবা শকমশিংসি উবা ফংই।

আধুনিক মণিপুরী শৈরেংগী ঈচেল (ট্রেন্দ)দা অনীসুবা লাঙ্লাও মতুংদগী অহোংবা অমা লাকখি। ইং ১৯৪১ দা এলাংবম নীলকান্তগী 'মণিপুর' কৌবা শৈরেং ফোঙলকপদগী[১] অহোংবা অসি ওইখিবনি। নীলকান্তগী শৈরেং অসিনা মতমগী মণিপুরগী রাজনীতি অমসুং সমাজিক পুন্সীবু রিএলিস্টিক ওইনা উংপা ওন্না: পৃথিবীগী রাজনীতিগী ঈরাং অমসুং যুগকী ওল্লক্লিবা য়াওলগী মমি তাংনবা ওন্না, মনিপুরী সংস্কৃতি অমসুং ট্রেডিশনগী রুটতা চঙশিন্নবা হোংনবা; অনৌবা শিম্বোল, ইমেজরী, এলুজনশিং নীংথিনা ওর্গেনাইজ তৌদুনা শেমগৎপা; ইমোসন অমসুং ইন্টেলেক্ট অনী থল মান্ননা পুবা ওন্না, য়াম্না শাফু লৈবা শৈরেং ওইদুনা মতম পুন্নমক্তা চান্নন। থোকদবা মণিপুরী জাতিগী লুরবা রাহংশং হুংবা, পুম্নমক্কী মথক্তা মশীং য়ামদনা অনৌবা শৈরেং ইখিবা মতুং তারকপা নহারোল কবিশংদা অকনবা 'ইমপেক্ট' পীবা ঙমখিবা ময়মশিং অসিদগী কবি অসি শৈরেং অসিদগী লান মতুংগী অনৌবা মনিপুরী শৈরেংগী খোঙহৌ শাগৎপা ঙমখিবনি। মসি মণিপুরী সাহিত্যগী সমালোচক অয়াম্বনা য়ানরবা মোঙনি। মহাকী মতুংদা লাইরেম সমরেন্দ্রগী 'সিতা' কৌবা ইং ১৯৫০ দা অহানবা ফোঙখিবা[২] শৈরেংনা মথা শমথরকই। সমরেন্দ্রগী শৈরেং অসিদনা নন-কনফোর্মিস্ট অমগী মীৎয়েংদগী মৈতৈ লুপীগী মশক থিরকপনি। হায়ুগী চৎনবী, থাজনবী কয়ানা শেমগৎলকপা. হিন্দুগী মীয়েংদা য়াম্না রাংনা লৌনরিবা 'সতীগী কিদয়া মৈতৈ চন্নবু "খন্দী' ওইনা ফাজিন পুনশিন্দুনা থম্বী মায়োক্তা থোকখিনা অনৌবা মাক্রাংদোক অনৌবা য়িঙম অমসুং অনৌবা সুরগী শৈরেংনি। 'ওথনকুমারী' থয়া 'রাঙবরদমু, ইমেজরী অমসুং সিম্বোলশিং মতমতুগী ওইনা পুন্নো লৌদনি। কথিকী খোনজেল শাফু য়ায়া কৈ

ডাইরেক্ট ওই অমসুং ময়াঙদা য়ৈবা ঙমই। চহী কয়া চঙনা শাগৎলকপা হিন্দু অমা ওইবগী, বৈষ্ণব অ'। ওইবগী. মৈতৈনা চেংনা থাগোঙবা ভেল্যুশিংবু য়াদবা কবিনা, মৈতৈ মপীগী অনৌবা কক্কবা পুন্সী অমা, ফিদম অমা, শরেং অসিদা থিরি।

ইং ১৯৪৯ অসিদগী আধুনিক মণিপুরী শৈরেংগী ঈচেল অনী থোক্লে। হায়দগী চত্থরকপা চাউবা, কমল অমসুং অঙাংহলনচিংবনা শাগৎলকপা রোমান্তিক পরম্পরাগী ঈচেল অমা, নীলকান্ত অমসুং সমরেন্দ্রনা শাগৎলকপা অনৌবা মণিপুরী শৈরেংগী ঈচেল অমা। শৈরেংগী ঈচেল অনীমক হৌজিকফাওবা লেপ্তুন অহুমক চত্থরি।

ঈচেল অনী অসিগী মবক্তা আধুনিক মণিপুরী শৈরেংগী অরি অনৌ অনীগী লংদাই (ট্রান্সিশন) দা -কবম কবম্বা কবিগী কবম্বা শৈরেংশিং লৈখিবগে? মতুগী পাউথুম পীনবা হোৎনজরি।

খ্বাইবাকপম চাউবগী 'নীংথায়রে':

ইং ১৯৩৯ গী এপ্রিল থাদা ফোংখিবা "য়াকায়রোল" ৩(সম্পাদক ডা: লৈরেন্দ্র) থাগী চেফোঙগী ৭সুবা মশীংদা খ্বাইরাকপম চাউবগী 'নীংথায়রে' (ঈশিংপা নীপা অমগী অরাবা দশা। কৌবা শৈরেং অসি অহানবা ওইনাফোঙখি। অতেনবা শৈরেং অসি আধুনিক মণিপুরী কবিতাগী ইতিহাসতা য়াম্না মরুওইবা অমনি। অসিদগী অনৌবা মনিপুরী শৈরেংগী মশক অমা হোংলকই। চাউবা মশামক্কী হায়দগী চত্থরকপা শৈরেংগী রোমান্তিক পরম্পরাদগীসু হোংলকপদা নত্তনা, মণিপুরী শৈরেংগী রোমান্তিক পারম্পরাদগীসু অহানবা ওইনা থৌদোক্লকপা অমনি। অনৌবা অনৌবা মফোঙদোক অমসুং অয়ুক মুংদাং শ্রাঙনবা অচম্বা লোন্দাদা ইমাজিনেসনদা রিএলিটিগা থোং মায়েন্না চংপা: মতমতুগী মণিপুরী সমাজগী, অশেংবা .শত্রুম ট্রুংপা শৈরেংনি। মতমগী ঈচেলগী, অরুনবা উপক মীওয়ারা। মৈরুকপদগী মণিপুরী সাহিত্য, অমসুং সংস্কৃতিগী মুন্না

লোয়নবা মৈতৈগী শমজং লৌচং, ফিজেং চাকচা অমসুং চংনবীনা হোংলকপদা কবিনা রিএক্ট তৌরুরগা, শীংলবগী মহত্তা মহুদা য়াবা ওয়কপা (কনফোর্ম) উৎংলি। মৈতৈগী থায়নগী ওইবা অরিবা মমলদা য়ায়া চেৎনা থাজরম্বা কবিনা, মীংয়েং হোংলকতুনা অনৌবা অহোংবা ভেল্যুজ লৌশিন্নবা তোৎনরকই। আইরনিক ওইনা থায়নগী ভেল্যুজদগী হাইদোরকপা ওমদবা মীশক্তা (ঈশিংপা নীপা) করেম্নবগী খোম্লোক ফাওবা শাজিন্নরকই। অশিবগী অরাবগী অমসুং বৈষ্ণবকী ভাবতা লুপলম্বা কবি চাউবা, শৈরেং অসিদদি চায়না সমাজগী কবি ওইনা চোংথোরকই।

হিজম অঙাংহলগী শৈরেং :

মসিগী মতুং তারকপদা 'শৈরেং খরা' (১বা ফোঙবা ইং ১৯৫০; ২বা ফোঙবা ইং ১৯৯২) দা য়াওবা অঙাংহলগী শৈরেং অনী—'রা-তান্নবা' (ইং ১৯৩৩)[৪] অমসুং 'মীনাই লুহোংবা' (মার্চ ১৯৩৭) অসি পুশিনবা য়াই। শৈরেং অনী অসিগী মতুংদা কবি অসিগী লরুবা করেম্নবা (satire গী মশক চেনবা শৈরেং মরি ১। হুইনাও মচা য়েংবা (ফম হাপ্পা) (ইং ১৯৪০), ২। নাচোম চিনবী (ইং ১৯৪০) ৩। থৌবান্দোং নিংঙাইদবী (ইং ১৯৪০), ৪। শিরমক্তদা মরুনা য়ুবা (ইং ১৯৪০) মখোরশিং অসি পুশিনবা য়াই।

'র-তান্নবা' (শৈরেং খরা, ১বা ফোঙবা ১৯৫০, লা: ৪২) কৌবা শৈরেংদা 'কোরৌ শীংবুম চহুম্নি লোয়দাম থাবুম তরানি। পলেম্নগী পীবুকমুংদা রানা লৈরুরবা মচা অমনা তাইবঙদা থুংলরবদা মরৈবাক্তা 'মীরৈবাক' ওইরম্লে; মাগী কনাসু লোয়নম্লে, মাগী হায়বা কনাসু শুখিদ্রে। নাইতোম তাবা তয়কপা মতৌমি। লমসিদা পোকপা চাউবা (নেটিভ পিপল) না মীভোপ ওইরবা, মীয়মগী মচা (কোরেনর) শিংমা অশেংবা 'প্রজা' হায়বত্থ ওইরবা, ওম্ন তৈরনবা কীবম (আইরনিক সিচুয়েশন) অমা শৈরেংগী অহোৌবদা উৎলকই। লৈঙাক পুক্বিরা

লোই-লমগী শাসনগী মতোক খোংবশিংগী মরমচং অদুম্না য়েকই —

পাম্মা মাখল চাউবনি মীরৈবাকী অচৌবদু ।
চিনথুপ নাইমা চংপনি মথোয়গী রায়েনম্‌ ॥
মরৈপাক্তগী য়েংই প্রজা য়েংবা হৌনদে ।
থুম্না থম্না নিথম্মি মতু থরাইবু উহন্দে ॥
মীত্তা উফুল চাইতুনা লম্মি প্রজা পূম্বু ।
মীরৈবাক মচা-দনা ওইরি প্রজা পূম্বু ॥
(১বা কোণ্ডবা, লাঃ ৪৩).

অসিগুম্বা পুম্নবা শাসন অসিগী ফলদি করিনো ? লমদিগী প্রজা-শিং (মৈতৈশিংগী) মবুক ফাওবা পুবা ওনদবনি । হিংনবগী লম্বী পূম্বা মুথংপিখিরনি । অদুবু তুবুবা পুন্দিদা হিংহনবনি । মপাম্বোংগী অক হুংঙাই মানবা শাসনগী মলমদা 'অপণ্ডবা প্রজাশু 'ময়াই কাহন্দুনা' শুমহত্তুনা থম্মি; অশিংবা অশৈবু-ভাহোকই-হিংবগী চক মাঙহন্দুনা । অদুবু পাণ্ডব্রবা প্রজাশিংনদি রাম্মন পুরিরশিংগী মথোঙদা 'তারি হমা হমা ।' সম্রাজ্যগী হুংঙাইত্রবা ফীভম মমুং থীবনা উৎলি কবিনা ।

'মীনাই লুহোঙবা' (১বা কোঙবা, লাঃ ৪৩) দকৌবা শৈরেংদা নীং-তম্বা থংদ্রিবা প্রজাশিংনা মমুম মকৈ পান্দুনা 'ঘুম্নেল চার' থিবা কায়দে: 'মীমাই পাম্বী' হায়না ফুক্তোকখিশি হায়না কবিনা ডিক্টেক্তিব' ওইনা ফায়রি । শৈরেং অসিদা অশিংবা অচৌবা 'হুংদা হু ফুবা মপুংগা 'কপণ্ডবা মনাইংগা অমীগী. লৈনবা মরী উৎলপ্পা—কোলোনিয়েল ক-লমগা লমলিগী প্রজাশিংগা লৈনবা মতৌগী মওং-মতৌ হুজিংওইবা, য়েক্‌ত, হোকই । মেট্রোপলিটান ওইনা কোঙদোকপনি । অদুবু শৈরেংগী মকোঙলোক্তা ডাইরেক্ট ওইনা থাক্তি তম্বা অমা য়াওরমা, পীরীংলিবা অশৈংলাকপা শাওহনবা-থমই । মপুং মনাইগী মরীবু অদুম্না উৎলি —

মপুদি মীনাই শেম্বনি মপু শেম্বা তৌনদবনি ।
নঙগী মপুগী তৌবিমন্দি নুংদা হুব্ব ফুম্বনি ।
পুকতা পুবা ঙমদবগী মাগী মীনাই ওইগ্নিবনি ।
মপুগী লাংদা তাহুনা মীনাই করম লুহোঙগনি ॥
(১ব ফোঙবা, ৪বা ষ্টেঞ্জা, লাঃ ৪৪)

মীনাই য়োংহল্লীং থাংনা থাংনা যুম পাল্লবদি মথোয়না পোল্লকপা মচাশিং জাতিগী তুংগী মীরোল ওহগবশিং মীনাই নাইথাঙদা হিংহোগনি –

কদায় মীনাইমকম্ভু 'তুগা মীনাই ফুঙ্গা তাগদরা ।
মীনাইমকম্ভু হকাহনৈ মীনাই-মচা হাযহল্লিরা ।
মনীংতম্ব মীখাপোনবা স্বর্গ নোরোক কাউরবরা ।
মপুগী লাংদা থুহুনা রাখল পুম্বা মাঙলবরা ॥
(১বা ফোঙবা, ৫বা ষ্টেঞ্জা, লাঃ ৪৪)

মথক্তা নৈনজরিবা শেরেং অনী অসি খুৎমাবা কবিশিংনা ইরম্বা শৈরেংশিংগী মরক্তা যাম্নমক শাংথানবা যাবা মক্তওইবা শৈরেংশিংমি । শৈরেং অনী অসিদা মতম অদুগী মনিপুরগী রাজনৈতিক অমস্তুং সামাজিক পুন্সিগী মমি নাংথিনা তাই / বৃটিশ সাম্রাজ্যবাদীগী লোইলমগী লৈঙাক্ত পীরকপা কত্রবা ফজশিং অমস্তুং মীচম প্রজাশিংনা থেংনবা অরাবা নুংশোক্তবাশিং মকা ফোংনা উৎফল চৎনরিবা সিষ্টেমশিংবু ফানীংদবা, অশাউবা অকনবা য়ারা যাওবা, শাফু লৈবা শৈরেংশিংনি ।

কবি অঙাংহলগী লক্তব করেম্নবা মখলগী শৈরেংশিং অসিমু 'রায়া মরুওইনা লৌফম থোকই শৈরেংশিং অসিনা মাবু মনিপুরী শৈরেংগী সেট্টায়ারগী 'খুৎমাবা' ওইনা মশক তাক্লি । মাগী মমাঙদ লক্তবা করেম্নবা মথলগী শৈরেং ইরম্বা কবি ঐখোয়না থেংনদে

'হুইনাও মাচা য়েংবা' (ফম হাপ্পা) (১বা ফোঙবা,লাঃ ৮৩) কৌবা নেরেটিভ ওইনা ইবা শৈরেংদা মহারানী অমনা মাগী অপঙবা মনাই মুপা

অমত্তু কম অমা হাপ্পিনবা নিংথৌগী মকমদা হাযজবদা, নিংথৌনা মনাই অহুগী মবুদ্ধি মরোশং চাংয়ে তোরমই। নৌনা পোকপা হৃইনাও মচা মঙাগী মশাং মশক চু লানা অমোংগী হশং খঙনা চোংনবদা মরিরক হঙ্গং হন্দা চংলি অপঙবা মনাইহুনা অপঙবা হনাইনা মরিরক্তা পাঙবা থবক্তু অশিংবা কৈকংবনা অমুত্তদা পাঙথাকই। লেবাক পুবা অঙম অথৌশিংগী থবক হাপতোক হাপচিন্দা তৌনরিব। ঈবাং উৎপা ফেভোরি-টিজম, মীগী অপঙবা মতৌদা (মহারানী অমম্বুং মনাইগী) করেম্নবনি। মকা ফোঙদনা ইঙ্গিত্তা উৎপনি।

'নাচোম চিনবী' (১বা ফোঙবা, লাঃ ৬৬) শৈরেংদা নুপী অনীগী মরমচং আইরনিকেল ওইনা যেকই। নুপী অমনা—লৈজদবনা মরম ওইহুনা সনা লুপা শিজদে চিঙ্গাদ, হৈনা কৈনা লৈথেং ওইহৈ কুপতি-গী লৈ নাচোম অমম শেনহুনা চিল্লি। মশানা রাশী লৈজবনা য়াম্না পকচৈ। মাগী মতৌ তমহুন মুমথংনবদা লেবী ইনাকখুনবগী নুপী 'হুক্কজদনা হৈবী তৈবী' অমনা—সনা লুপা হুন্দোক্লগা নাচোম চিল্লকই। মাদি পকচদে, যজদে। মাগী মতৌ উকবদগী হান্নগী পকচবী রাশী লৈবীহু 'মানা খীগুম থীরিনি' খন্দুনা ইকাযরহুন নাচোম চিনবা তোকখি নুপী অনীগী পঙনা চমজবা মতৌ, মশাগী মশকপু খঙজদব। মতৌদা করেম্নবানি

'থোৗবান্দোং নিংঙাইদবী' (১বা ফোঙবা, লাঃ ৫৬) কৌবা শৈরেং-দা চফু শাবনা শিনকম ওইবা থোৗবান্দোং কৌবা খুন অমদগী হৌরকপী লাইরবী লমডাশারা ওইববী নুপী মচা অমনা মীনাই নাইথাঙদ বানা হিংলকপদগী মমৈগংদা 'নংথেম-নুপী ওইরকই—'মপু কান্দা লৈরহুনা মুংঙাই-য়াইফ-থোকখরে। লাইরবী কুচু ওনখরে' (লাঃ ৫৮) নোংমা মরূপ মপাংশিংগা সনাকৈংল ব্লুরকপদ 'চফুনা চৌংঙম পৈরিবা উবদা' — 'কদায় কদায় চফু। ঙদ রাদবু পানবর-অদুক য়াম্ব চফুদি।'

(লাঃ ৫৮) হায়দোরকই। মাগী রাহু তাবদা চংমিন্নরিবী নুপীশিংনা মোমোন মোমোন নোকই। নুপী অসিগী মশাগী অশেংবা ফীভম্ খঙজদবা, মাগী চৌরকফম্ উশীত্তবা, অচাওরম কাবা মরমচন্না করেম্নবনি। শৈরেংগী অরোইবদা সটলত্তি হাপ্নি। ফজবা সেটায়ার অমনি।

'শিরমক্তদা মরূপা যুবা' (১বা ফোঙবা, লাঃ ৫৯) শৈরেংদা মবুদ্ধি মরৌশিং লৈবা, মথৌনা লৈবা অদুম্নদি ওইরগা চং-কংনমথৈ ফংপিরবা নীপা অমগী মরমচং থারি -

খুনথুগী মনুংদা মামুক
ফত্তবা মীসে মানা মরোইবে।
চাউকনীংই নোমনিংদে তম্নি
মমাম পাকনীংই লেমচনীংই।
মীরোশিংনা মরৌশিং শাই
মীগী যাইফবা উগা যাদে কন্নকই।
মাগী ওইজবদা নথম্নি
মীগী হায়বা য়েংদবা মশিংঙাং ওই।
মশাগী কান্নগদবা লৈরবদা
অপোকপ মচাগী ফাও য়েংদে। (লাঃ ৫৯)

নীপা অসিনা মানা শিরবা মতুংদা মশাগী হকচাংগী মথাথোঙদগী লরাই লুডোন ফাওবা চৈ অমনা লেংলগা তুরেলদা থাদবিরকউ, পোংলোই-বিসু হায়রমই। নীপা অতুন শিরবা মতুংদ মাংা হাংবম্বা অতুম্মক পাঙথোক্লে, (মৈথৈদি মী অমংা শিকমদাইদা হাযবম্বা শিম্নবম্বা পুম্নমক ইমুং মম্নুং, মবী মত অমম্নুং লৈকাইনা পাঙথোকপা চৎনৈ। মসি ভৌরকম থোকপনি হায়র্বসি চেৎনা থাকনৈ।) মতুংদা মী হাৎপগী মরাল-দা লাঙ্গদবা থুগ্নাবিং নিংথৌগী লোয়শঙ য়ৌই; দগা তাচৌই। শৈরেং রসিংগু নীপা অসিগী রুক্তবা মরমচং অমম্নুং থুগ্নাশিংগী তাপঙবা অচম্বা

মতৌদা শাথীনা কাপ্পনবনি। সেটায়ারগী হায়বসিগী মরু ওইবা মরমচৎ-ওইরিবা—মীওইবগী অপঙবা অমসুং ফত্তবা মতৌদা (human) folly and vice) করেমবা—মওং অসি শৈরেং অসিদা মীংথিনা কৈথি। লমচৎ হেক্ত্পদা মাথক শেংই অমসুং ফোঙদোকপদা শাফু লৈ। অকোনবগী শৈরেং অহুম অসিগী নোরেটিব ফোর্মদা ইবা ঙাকনি।

অঙাংহন্দগী শৈরেংশিং অসিগী মতুংদা লাকপা, লান মমাঙ অমসুং মতুংগী অহি-অনৌ লংদাইফমগী মরু ওইবা কবি অমনা হিজম ইরাবতনি। 'শৈদম শৈরেং' (১বা ফোঙবা ইং ১৯২৯) কৌবা " হায়গী রোমান্তিক পরম্পরাগী মসুং চনবা শৈরেংগী লাইরিক ফোঙথ্রবা কবি অসিগী ইং ১৯৪২-৪৩দা সিলেট জেলদা লৈবিদুনা ইথিবা 'ইমাগী পূজা' কৌবা শৈরেং লাইরিক ইং ১৯৮৭ত ফোঙদোকপদা কবি অসিগী অনৌবা মশক অমমুক চোংথোরক্লে। পূজা শৈরেং ৪৯ যাওবা লাইরিক অসিগী শৈরেং কুনমুক্তদি—অনৌবা মশক লৌনবা অনৌবা থোঞ্জেল য়াওবা সিম্বোল অমসুং ইমেজরী শীজিন্নবদা হায়দগী হোংলকপা চৎথোনবা অমসুং ক্রিএটিব ইমাজিনেসন নীংথিনা যাওবা থেংনৈ।

মাগী শৈরেংশিং অসিগী মতুংদা পুশিনবা যাবা অতোপ্পা শৈরেং অমনা খ্বাইরাকপম চাউবগী 'হৌজিক করম তৌবা' কৌবা শৈরেং অসিনি। শৈরেং অসি 'ঙসি' থাথ্বাযগী চেকোঙ (১বা চহী ২বা মশীং, এপ্রিল ৩০, ১৯৪৬, সম্পাদক কৈশাম কুঞ্জবিহারী সিংহ) অসিদা অহানবা ফোঙথি ' সেটায়ারগী স্ত্রাইলদা ইবা শৈরেং অসিদা লান লোইরকপগী মনিপুরগী সামাজিক পুন্সি অমসুং শেল থুমগী ফীভমশিংবু য়াম্না রিএলিষ্টিক ওইনা উত্থুনা কহিনা মৈতৈশিংবু চীংলেম্বা মরা অমগা মাওনা করেয়ে।

মরী মথোঙ উৎপাঃ

১। 'মনিপুর' অহানবা ফোঙথিবগী চহী অসি 'অথরবা মনিপুরী শৈরেং' (সম্পাদক ওঃ ইবোচাউবা সিংহ, অমসুং ইবোহল সিংহ কাঙজম মনিপুর মহারোল সাহিত্য সভা, ইম্ফাল, ১বা ফোঙবা, ইং ১৯৭৫)দা উৎখি।

২ | 'সীতা' অহানবা কোঙখিবা চহী কবি মশাদগী খঙবনি ।

৩ | 'য়াকায়রোল' গী মশীং খরগী পূনশিল্লবা ভোল্যুম মনিপুর ষ্টেট কলা একাদমী, ইম্ফালনা ওক্টোবর ১৯৯১ দা নৌনা অমুক কোঙলোকই ।

৪ | বা-ঙাম্বা, হুইনাও মচা য়েংবা, নাচোম চিনবী, থৌবান্দোং নিংঙাই-দবী, শিরমক্তদা মরূনা য়ুবা শৈরেং ৫ অসিগী ইরম্বগী চহীসি অঙাংহল গী 'শৈরেং খরা' অসিগী অনীশুব' থুংনম 'মহা কবি হিজম অঙাংহল সিংহ গী শৈরেং' (মমিং পল্লে ২বা খুংনমদা) (ইং১৯৯২) অসিদগী লৌবনি । য়ারেং অসিদা শৈরেংশিংসিগী খম্বগী মথং মনাও অসিন্থু ২বা থুংনমদা যাওরম্বগী মওং লৌবনি ।

৫ | 'শৈদম শৈরেং'গী ৩বা খুংনম নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমি-তি, ইম্ফালনা জননেতা ইরাবতকী ১০০শুবা মপোক কুমওন. সেপ্তেম্বর ৩০.১৯৯৬দা পুংথাক্লে ।

৬ | 'হৌজিক করম তৌবা' কৌবা চাউবগী শৈরেং অসি 'ঙসি' থা-খায়গী চেক্লোঙদগী লৌথোক্লগা 'য়াথল' (৭৬–৭৮শুবা মশীং, জুন ১৯৯৩, সম্পাদক দিলিপ ময়েংবম, নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি, ইম্ফাল) দা কোঙখ্রে ।



মহাকবি অঙাংহলগী খম্ব-থোইবী শৈরেংঃ নৈনবা খরা

এলাংবম নীলকান্ত

মহাকবি অঙাংহলগী চহী ১০০ শুবগী মপোক নুমিৎ চহী চুপ্পা পালন মণিপুরদ অমসুং মপান্দা পাংথোকপদা অসিমদি য়েংনবা লেত্তনা য়ানখ্রে 'খম্ব থোইবী শৈরেং'। পাবং সিপিং ৩৭ মুক্তি লৌনরিবা মহাকাব্যনি। অঙাংহল মহাকবিনি। অসিমসু যানাথ্র—ইংরাজী সাহিত্যগী মথাঙ্গদোক্কা হায়রগা চান্দগী চৌন্দা চথরকপা কবি হোমরগী মহাকাব্যশুম্বা (এপিক ওফ গ্রোথ) নি। কবি মিল্টন নত্রগা জর্মনীগী কবি গেটে শুম্বগী মহাকাব্যগী মশক—সাহিত্যগী ওইবা মহাকাব্য (লিটরেরী এপিক) হায়বস্থ নত্তে। নোংপোক নাংচুপগী মহাকাব্যগী মশক থেংনে। নোংচুপকী ক্রিটিকশিংনা মহাভারত অমসুং রামায়নবু পোইনা মশক খল্লে। মখোয়গী মীৎয়েংদা মহাকাব্য কাওবা কৌনীংদে। ভারতকী আলোচকশিংনা মহাভারত(৫শুবা বেদ কাওবা মিংপোল্লিবা) অমসুং রামায়নবু জাতি অসিগী আত্মাগী শক্লোন শুনা কোংদোকপা মহাকাব্যনি হায়না লৌই। নোংচুপকী মহাকবি হোমরগী ইলিয়াদ নত্রগা ওদেশীবুনা পুন্সি মচেৎ অমত্তং য়ারী তাংকক অমত্তং কোংদোকপা মহাকাব্যনি হায়না লৌই। মায়কৈ অনীমকী পান্দম থেংনে

নৈনগদবা রাক্ষমদি—খম্ব থোইবী শৈরেং করম্বা শাগৈদনো। নোংপোকলোমদা তিনগত্রা নত্রগা নোংচুপ লোমদয়াগা? করম্বা যুগকী করম্বা

ফিদম পুথোক্লমবা 'মহাকাব্যনো ? হৌজিক' মতমগী মহাকাব্য ওইনা লৌগদ্রা ? মহাভারত রামায়নদি খৃষ্টগী মাঙ চহী লিশিংমুক্তী মমাঙদা খনম্লবনি হোমরগা মরা নৈনবা এপিক সাইকলশু মতম অসিরাইদনি হায়না লেপ্লরি। থম্ব খোইবী শৈরেংদি অহুক কুইবদি নত্তে। অতুদি করম্বা পুন্সি মীৎয়েং য়াওবা করম্বা যুগকী মহাকাব্যনো ? অতোপ্পা রাহং অমনা চুংখামগী পনাগী ওঙ্খা মনিকতগী লৌবমিনা অঙাংহলনা থম্ব খোইবী শৈরেং ইবনি হায়না লৌবা যাগদ্রা ? মহাকী তোপ তোপ্পা দান অমশু শক্তি করিনো ? মখিৎসু রারী মপুম নত্তে—মচেৎ অমতনি। শন শেনবদগীনা লুহোংবা ফাওবদনি। মসিতনা মহাকাব্যগী শক্রম লৌবা যাগদ্রা ? রাহং থবসি ঐথায় থুম্নবা হোৎনবা তাবনি

মহাকাব্যগী শকফম অমদি অহানবদা থংদোকপা তাই। হোমরগী ইলিয়াদপু গ্রীক জাতিগী পরম্পরা থাজবা কথা থংনচেনবগী পুন্সীগী শকফম অমসুং মহুদগী মতীক নৈরবা সভ্যতা অমা পোক্লকদবা মশক ওইনা নোংচুপকী সমালোচকশিংনা মতপীরি। ইবনকমসু জাতি মচা মহুমক্কা ইবনি হোমর হৈবমই লৈরমদে ফাওবা মরৈ ভৌনবা লেপত্রি। মতম শাহুগী অশৈবশিংনা শক্রম্বা রারী শীংবুল কয়াহু মহাকবি হোমরনা খোমজিন তাশিন্দুনা চাংথোকহন্দুনা অমসুং মশক ফাওবা হোংহন্দুনা মহাকাব্য অনি অসিদা শাগৎলকপনি। ভাবোক্তা তানবা অমসুং রারী লীনবা শৈশক্কী মওংদা থনম্বনি। লৌথংপা থোদোকসু মতাং অমমম্বতনি। ইলিয়াদতা ট্রোযগী লাল লোইনমক উত্তে। নাযক ওইরবা একিলিসকী পুন্সি মপুং উত্তে মহাকী শাউবগী তাংকক অমতনি অদুবু য়েক্লিবা লাইগী কেনতাসতি শাকত্রে। স্বর্গ মর্ত্ত অনিমক শমহাল্লি। লাইগা মীগা শরুম-চাংশেম্নবা ইাইল (ইংরাজীদা গ্রান্দ ষ্টাইল) দা ইরম্বনি। মহুনা গ্রীক জাতিগী অপাম্বা অমসুং অনীংবা পুম্নমক ফোঙদোক্লবা হোৎনখনি।

ভারতকী রামায়ন অমসুং মহাভারততসু অসিগুম্বনি। অদুবু কোনশিল্লিবাদি পুম্নমক্পুমি। মহাভারততা য়াওদ্রবদুদি ভারততা লৈত্রে হায়নরি। বেদশী স্তৰদগী চংথরক্লবা ঋঙালগা অনম্বগা লাইগা হিংচাবগী লানকম অদু মীওইপোক্তা ধর্মগী শকতক লৌদুনা শাংলবা রাম্নী ওইনা চথরকপনি। অসিনা অনিমকপু ইতিহাস হায়না শীংথানরি। অনিমক্তা য়াওদবা লৈত্রে —ধর্মনীতি রাজনীতি নীতি শাস্ত্র (কুটনীতি কাওবা য়াওনা) অর্থশাস্ত্র অসিনচিংবা জাতি অমগী নীংবা অমসুং অপাম্বা পুম্নমক য়াওরে মহাভারততা অসিগী শ্লোক লাখ অমদা শাগৎপা মথোল কয়াগী দলানগী মশক্তি। রামায়ননা থরা চীক্লা লেম্না পাক্লবা কেনভাসতা য়েকপা লাইমি। মহাউ মায়দে। গ্রীক অমসুং লাটিনগী মহাকাব্যশিংগা চাংদম্নবদদি ভারতগী মহাকাব্য অনিসিনা রাথলগী মশিনবদা অমসুং আত্মাগী য়ৌশিনবা মশক কোংদোকপদা অমসুং ভারত জাতিগী মশক তাবদা য়াম্নমক হেন্না পাকপা অমসুং য়ৌশিনবা হেল্লি। মহাভারত সিমকম্ যুগ কয়া চত্তনা শাগৎলকপনি। অহানবা কোঙবা শ্লোক ৮০০০ তনি—মদুবু ‘জয়’ কৌই। অনিশুবদা শ্লোক ২৪০০০ যৌরকই—মদুবু ‘ভারত’ কৌই। অহুমশুবদা শ্লোক লাখ অমা য়ৌই মদুবুনি হৌজিক ‘মহাভরত’ হায়না খঙনরিবসি। ভারতমকতদসু ইন্টরনেসনেল সেমিনার তৌদুনা (মহাকাব্য অনীমকী) রাফম অসি কুপ্না নৈনখ্রবনি। মত চপ মান্নবদি ওইথোক্তে।

(হান্নবা থর থরা শকুরম্নবসু থম্বা থোক্কবী শৈরেং অমসুং থোইবাং কাংলৈরোন শকপগী হৌরকপদি মহারাজ চন্দ্রকীর্তিগী (১৮৫০--১৮৮৬) মতমদগীনি। জিলাঙ্গবারদগী হল্লকপদা ইহাম হানবা ওইনা [illegible] চনবা লাওম্বা অমদি রাংভুগী লোইতোংবম কাওবা শেনা শকপা [illegible] অহুম অসিনা শিন্ন শিন্নবা মহারাজগী থোমল তৌথি। [illegible] চনবী লেক তৌন্দোন (চুংথা হৌদোং--হৌদোং থোংখা মানবগী মহারাজ

চন্নৌনা-থোন্নবিরম্ব) লাপোকপা ওঝা মনিক (চুড়াচান্দ মহারাজগী মতমদা) অসী মহাকবি অঙাংহলনা তাকহৌবনি। শম্মা হায়রবদা খৃঃ মী ১৯শুবা শতাব্দীদা হায়রগী য়ারী ময়াং থরদা মোইরাং কংলৈরোন শাগৎলক-পনি। চহী ৮০০ মুক্কী মমাঙদা থোকখি হায়রনা থাজনরিবা খম্ব-থোইবীগী য়ারীঠ্র ১৯ শুবা শতাব্দীগী সংস্কৃতি অমসুং সভ্যতাগী মঙালদা অনৌবা মপোক অমা পোকহল্লকপনি।

অদুবু খম্ব-থোইবী শৈরেংবু অঙাংহলনা ওঝা মনিকতগী তারবা অমসুং খোংচিনহৌবা কয়াদু মহাক্কী প্রতিভাগী মঙালদা মাত্রা ৭।৭ কী পয়ার ছন্দদা নৌহৌনা অমুক পুখোরকপনি। ওঝা মনিককী য়াইশিংদু টেপ রেকোর্ড তৌরগা থাদোকপা নত্তে। কবি মশানদু হায়জে - "ওঝা ইবুংঙোগী য়াইহে, শৈরেংগী মপৈ শ্রীমুখদগী চেন্থরকপা পুম্বা মপুং ফানা লৌশিনবা ঙমদতুনা য়াখরে। পোলাংগুম্বা থম্মোইনিনা হাপউনা এনি পুম্বা ওঝগী শংগাই মাংগোন্দা অদুম তাহৌই।" (অঙাং-হল : খম্ব-থোইবী শৈরেং: হৌরকফম) অসিনা তাকপদি কবি কল্পনাগী অঙকপা শক্তি শীজিন্নদুনা মাঙদা পেনাগী অশৈবশিংনা শকপগুম্মা তাহনবনি। তৌবমক্তি কবি মশানদু হায়জে— খম্ব-থোইবীগী য়ারীদি পলেমগী পুক্নিংদগী তাবা হৌরে। হাপচিনলিবা পুম্মক ওঝাশিংনা শকপগুম্মা তাহল্লি। য়েংলিবা পুন্সি মীযেং ওঝাশিংগীগা চপ মান্নে। থায়রগী সংস্কৃতিগী য়ুমফমদা শাগৎখিবা বৈষ্ণব ধর্মগী লাইনীং লাইশোন অমসুং চৎনব-লোনচৎকী অনৌবা যুগ ওইবনিনা পুম্মক অদু পেনাগী ওঝাশিংদা অমসুং অঙাংহলদা চঙখিবনি। য়াংলবা সভ্যতাগী মুর্তিনি।

কবি হায়বসি অহবা নত্তে- অতাবনি হায়বসি ভারতকী সংস্কৃতিদা থাজ'বনি। লেখগী ঋষিশিং অত্রাবনি অসিনা বেদবু শ্রুতি কৌই। বাল্মীকিগী রামায়ন থঙহৌদনা করুন রসতগী থোকখি। অঙাংহলদসু অদুগুম্বা শক্তি অমনা চঙখিদুনা ইথোকহল্লকপনি অসিনা কবি মশাগী

থাজৈ—পুন্নমক ভগবানগী লীলানি। মহাত্মা বিষ্ণুপাদ শ্রীযুৎ মধুসূদন গোস্বামীগী কৃপা য়াওই। অসিনা কবিনা থাজরি – শ্রীশ্রীখম্বা মহাপ্রভুদা অমসুং খম্বাংননা শ্রীশ্রীকৃষ্ণদা। কবিনা হৈজে—"মীগী শাইওনদা লাইগী মপু ওইরবা শ্রীশ্রীখম্বা থোইবী অনীগী লীলা"। কল্পনা অমসুং ভাবকী অগত্তা চঙজহুনা অঙাংহলনা তশেংনমক মহাকাব্য অসি ইখিবনি। ভগবানগী লীলাগী মশক্তি। থাংজিং পাখোইবী অমসুং অতৈ লাইশিং লীলা শান্নবদা য়েংলি। য়াওরি। অসনা ইচম চম্না হৌখিবা মহাকব্য অসি কবিনা অসুম্না লোইশিল্লি- লুহোংবগী মতাংদা— " 'থাংজিং লাইনা চিংবনা পুমপেন ওইনা পেনখরে। থাংজিং ঐনা শীনবদি লীলা সংদং ওইজরে'— লাংথোকখরে লাইয়ামদা "

শমজিন্না হায়রবদা খুংগী ১০শুবা যাওবদা ওইরকইবা অমসুং ওল্লকইবা মণিপুরগী সংস্কৃতি অমসুং সভ্যতাগী অয়েৌবী মশক অচু মহাকাব্য অসিদা চখিত্র কয়াগী মতোংনা কোংদোকপনি জাতি অসিনা চহী যুগ কয়াসিদা নীংজরক্লিবা মঙ মঙজরিবা অমসুং ওইজগে হোৎনরক্লিবা অচুম্বা অমসুং ফজবগী মশক পুন্নমক পেনাগী অমসুং মতুংদা খোংজোমপর্বগী ওঝাশিংনা হাপচিন্দুনা শাগৎলক্লিবা অরোই অথম নাইদবা গঙ্গাগী ঈচেলদা কুনশুবা শতাব্দীদা চাউজরকপা কবিনা অমুক মহাকবী কল্পনা অমসুং প্রাতভাগী শক্তিনা অনৌবা মপোক অমা পীরক্লবা খম্ব-থোইবী শৈরেং মহাকাব্যনি। চীন্দদা শরুম্বা পেনাগী অশেবশিংগী মহাকাব্যরমপু অঙাংহলনা অমুক নৌহৌননা অইবা মশক্তা ইরম্বা মহাকাব্যনি। ইবম্ব জাতি পুম্বনা ইবনি।

মহাকাব্য অসি মহাভারতমকক্তা প্রধান তৌরবদি য়াদে। অদুবু রাঁমায়নগুম্বগী মশক্তি হায়না লৌবম্ব য়াই। য়ামী মপুং অমক্তনি। হৌবা লোইবদি হাপতে অদুবু কোনশিল্লিম্মু মঙাংদি কল শাক চাইই। থোরকই পুংশম্লনা মোইরাংগী শায়োন ১গী শৈশক—মৈাই-

য়াংগী এপিক সাইকল। হোমরগী ইলিয়াদ এক্রগা ওদেশীগুম্বা থৌদোক অমথত্তং উৎপা নত্তে। কৌখৎলিবা মত্তাংদি—খম্ব-থোইবী শকখঙ-নরকপদগীনা লুহোংবা কাওবনি। মরক্তা লমজেল, নৈলাংবা কাও কাম্ব শম্ব খোংয়েৎপা, কযোদা লোই থাবা, কৈ কাবনচিংবা কয়া হাপাল্লিনপ্রে। 'কাও' হায়বা পন্দুপত্তা যাওরিবা খম্ব-খম্বগী শলকাঙগা লোন্দি থোরুদনা শারবা য়ারীদা উৎলিবা পেনাগী ওঝাশিংগী কল্পনাগী শক্তি অমসুং অঙাংহলনা মপুং ফানা ইথোকলিবা মশক – পৃথিবীগী সাহিত্যদা অতোপ্পনি। খৃঃ ১৯শুবা শতাব্দীদগী হৌরগা ২০শুবা শতাব্দীগী হৌরকপা ফাওবদা ওল্লকইবা মণিপুরী সভ্যতাগী যৌশিনবা মশক খঙগে হায়রবদি মহাকাব্য অসিদা থেংনগনি। কৈ ফত্তে নৈনগদবা নত্তে। হেক্তিগী হেনজিনদে হাযগদবা নত্তে। কমদৌনা ওইরকইবনো ওল্লকইবনো হায-বত্ত যেংগদবনি। মণিপুরী জাতিগী থাম্মোযদা য়াওরিবা অচুম্বা অমসুং ফজবগী অয়েৌবী মশক্লি। মসিগীদমক্লি খম্ব-থোইবী শৈরেংবু ঐখোয়না মহাকাব্য কৌরিবা। 'মীংচৎ'পু কদায়দা নৈবগে হায়না খিজরম্বা অশৈব-সিদা ঐখোয়না হৌজিক মহাকবিগী লুহুপ উপশিল্লি চিংনবা নৈত্তনা।

(মহাকাব্য অসি জাতিগী ইতিহাসনি। অদুবু মসিদা খম্ব-থোইবী মতমগী ইতিহাসকী মচাক্তি ইকং ফংলোই। কাউত্তমদ্রবা চরিত্র পুম্নমক খম্ব, খম্ব, থোইবী, শেম্ব; মোইরাং নিংথৌ, চিংখুবা, নোংবান, চাউরা, থোংলেনচিংবা পুম্নমক কাব্যগী শক্তিনা অনৌব মপোক অমম্ম পোক-হল্লবনি। হিন্দু ধর্মগী য়ুমফমদা শাগৎলা য়ারীলিনা থাযনগী সংস্কৃতিগা বৈষ্ণবকী সংস্কৃতিগা অনিনা যানশিল্লহুনা পোক্লকপা শৈশক ওইবনা অহোংবা কাউত্তমদবা মশক্তি মথানা ওইবা তাবনি। মহাকাব্য অসিদা খম্ব-থোইবীগী মতমগী মোইরাংগী সংস্কৃতি থিবা ফংলোই। য়াও-রমদে হায়না শাউরবগীগুম্ব অর্থ নৈতে। মরমদি মুর্তিশিং অসি খৃঃগী ১৯শুবা শতাব্দীগী মণিপুরী সভ্যতাগী মুর্তিনি। ঐখোয়না অমুক থাক-

মিৰমি—মহাকবি অঙাংহলনা থম্বহুম হেন্না বৈষ্ণবগী জগত্তা চঙশিনহনা থবা মহাপ্রভুবু শ্রীকৃষ্ণগী অৱতারমক্কি থনখিবা পেনাগী ওঝাশিংগী জগত্তগী থবগা হেন্না য়ৌশিননা চঙশিল্লবনা হায়না চিংনবা পোকই। মসিন্নক ওঝাশিংমক্কা হেক শক্লমগত্রা হায়না হংনিংবা ৱাহৈ-ৱাত্তা কয়া ভাব কয়া তোয়না থে'নৈ

মায়কৈ অমরোমদা থম্ব থোইবী শৈরেং — ২০শুবা শতাব্দীগী মণিপুরী জাতিগী মহাকাব্যনি হায়বমক য়াই। পেনাগী ওঝাশিংনা ১৯ শুবা শতাব্দীদা ফাওখিবা ৱাথলগী পরিং অতুদগী কুপা ফংলবা মহাকবিনা। মহাকবগী প্রতিভাগী শক্তিনা মুর্ত্তিশিং অহু নৌহৌননা শেমদোকই। মপুং ফাওলকই লংবা হেনংলকই। বৈষ্ণবগী থমোয়দা নকশিন্না থম্ব-থোইবী ৱারীবু পুশিল্লকই। থায়নগী ৱারীনি হাযনা থাপ্না থমদে। মমানা মচা কোনবদোনা ৱারী অসিবু বৈষ্ণবগী অৱতারগী লীলা অমা ওইনা জাতি অসিনা কোনশিন্নবা হোংনরমহই। অসিনা কবি মশামক্না হায়জরি—"মহাত্মা বিষ্ণুপাদ শ্রীযুৎ মধুসুদন গোস্বামী অসিনা কুপ, তৌবি-হনা অমম্বা ঐগী থমোয়গী অমকপা পুম্বা শংদোকপীরে।" ৱাফম অসিনা হান্না শাগৎলমইবা থম্ব-থোইবী মহাকাব্যগী অনৌবা মপোক অমা অমুক মহাকবিনা পীরে হাযবদা হায়মনবা থোক্লোই। চঙজরুবা ওঝা কনিকনা তাকপিন্নকপা কন্না 'পোলংগুম্বা থম্মোইনিনা' ওঝাগী শৰনয় শংগোন্দা তাকৌম্নবন্ন কুপা ফংলবা মহাকবিনা কয়ামুক অমুক হাকাচন্দুনা মপুং ফাওনা মহাকব্য অমা পুথোয়রে হায়বদা চিংনবা কৈদম থোক্কে।

'খম্ব-থোইবী শৈরেং'দা সমাজগী সমস্যা

টিএচ. তোম্বী সিংহ

মহাকাব্য অসিগী সমাজগী সমস্যা নৈনত্রিৱৈদা সমাজগী সমস্যা অসি করিনো হায়বদু তেনহক্না মতাং অসিদা কোংদোকচগে। রাক্ষস অসি লাইবিক লাইশু তৈরবা মীওই পুম্নমক্না ইরায় লাম্না খঙ্গনরবা ঙাক্তনি। চীবমসিদা ঐনা খঙ্জবা খরদং অহু য়াম্না শম্না পনজরি।

সমাজগী সমস্যা হায়বসি মযামগী ওইনা, অপুনবগী ওইনা অকবা, লোয়নননা চপচাবা পান্থে অমা থেংনরবা চংনবী ওইনা লৈবা হীরমশিং অহুনি হায়না লৌজে। সমাজগী সমস্যা হায়বশিমক্তবু চংনবীগী লুশুম্লম-দা পামদবা, লুংঙাইতবা, য়ানিংদবা অহুগা ঙাকতবদি য়াদবা লোনচং ওইনা লৈ। মহাকাব্যসিদা অমুম্না য়েংবা য়াই—

য়ুমগী মকোক অহল-লমনবা ওইবা:

মৈতৈ সমাজদা য়ুমগী অহল-লমমশিংনা মকোক ওইবগীমা মচানুপীশিং থাজবা মতমদা মশা মশাগী অয়াবদা চংনবা অসি তৌদে। মথোই মথোয়গী লুংশিনবা লুংশিনবী কয়া লৈজরবসু মাগী মাগী অপাম্বা মতুংইন্না লুংশিনবী লৈবীদা খুদিং তৌবা অসি য়াবদে। মতমচুপ্না চংনবীনি য়ুমগী মকোক ওইবিবা অহল-লমনবশিংগী অয়াবা অমা য়াওদনা 'মিতোম্বা থাজবা তান্না হেক্তা চংবদে'। অনিশুবগী চংনবী অসি খম্বগী অহুবা' থাম্বা

ফুংঙাইতবা সমাজগী চংনরোল অমা ওইরম্মী। মসিনা মরমওইদুনা মতম-তুগী চংনরোল অসি পুমত্তোপ ত্তোপ্পা মথলগী চংনবীনি হায়না পনবা য়াই। অসিগুম্বা চংনবী অসি স·াজ অতুদা লৈবনা মতমতুগী সমাজদা ত্তোঙান ত্তোঙানবা মথলগী সমস্যানা পীক থল্লম্মী। খুদম ওইনা হায-রবদা খম্নবা থোইবীবু ফুংশি। থোইবীনস্ত খম্নবু যাম্না ফুংশি। মথোয় অনীগী ফুংশি ঈচৌনবকথি:

পস্থো মাংগোল-লাংথুদা থোইবী লৈরে ভাখরে।
লমদা চংবা লীলহাগুম মহিমধাই চমথরে।
লৈথোকাসিস্ত ওমদরে লৈসিনবস্ত য়াদরে।
উত্তিংবগুম তুমিন্না তিংদম খম্বা রেংথুনা
লৈবে মজ ইবেম্মা হে য়নি মাইনি হায়খিত্রে
(শন- শেবান)

অত্তোপ্পা অমরোম্নদা খম্বা মাস্ত থোইবীবু অগানবা উবদগী চৌনা ফুংশি:

লমজা খম্বা মহাকস্ত মথোংদগী মাকোক-কাও
মতু চুংই; খল্লকই "কজখ্রেদা ফুংরাসে!
ফুংশিব্রেদা করিনো" ইঃ হায়বা থাখল অত্থ
লোইনা ইমান মাম্নরে। করিমত্তা ভাংনদে
(শন শেনববা)॥

অমগা অমগা ফুংশিনবগী থাকতা যাম্না রংনা লৈনববস্ত মপাবুং যুব-রাজনা থোইবীবু খম্বদা থাজনিংদে: ফুপী লৈবা অত্তোম নোংবানদা থাজ-নিংই। মসি অহল লমননা অগুপ্পা ওইবগী চুপক্লি পায়বননি। মরম অহুনা পুংনবগী থাকম অসি ফুপা-ফুপী অনীগী মথা পোমন্দে হায়বত্থু ভশেংনা উংলি। মতমতুগী সমাজগী চংনবিত্থুনা সমাজ অতুদা য়ান্না চাউবা সুখস্যা হায়বত্থু থোকলিবনি। অসিগুম্বা কয়া অসিবু মহাকাব্য অহিং ইন্নিবা [illegible] অমদি লেমা চৈজিং খুংগুবা ওয়াশিংনা সমাজগী [illegible] অহবু ফুংঙাইতবা কোজলোকই। অমরোম্নদা [illegible] মচাইরেত্না থোইবীবু [illegible] লৈদু য়াজবগী [illegible] থাকম [illegible] [illegible] [illegible]দা

থারগে খনথি :—

লংমাই-চিং তাবরা ! অঙোম কাদ-হায়রগা,
নৈসৌ' চার-ফাও লেংদ্রা ! খুমন নাক্ত হায়রদি
শিরবস্থু হিংলকপা । য়েংউ নচা মুপীসে !
কবো লোইদা থারগে, সেম্বী লোইদা পিরগে ।
(লোইথাবা) ।

থোইবীনা মপাবুংগী য়াথং পুন্থনা মতম খরা কবোদা লৈথি । মসি পুন্নমক অসি অহল লমননা মকোক ওইবদগীনি ।

খমন্থ অসি পালেম পম্ভো অনীনা অঙোম কৈরোইজাম্বদা পীথোক-খ্রবনি । মতাংসিদা খমন্থনা মাগী ওইবা অপাম-মুংশিগী লম্বীদা কুশি তৌদে । মপা-মমানা অঙোমদা থাজখ্রবনিনা খমন্থনা অতোপ্পা মুংশি-বগী রাকম অমত্তা খনখিদে অতুগ মশানস্থু কৈরোইজাম্বু য়ানিংদবা তৌখিদে মরম অত্থনা মতমতুগী সমাজদা মুংশিনবা অনীগী মথা পোন্নদে হায়বসিস্থু তাশেংলবনি ।

মুপী ওইবীশিংগী মফম অমদি থাক :—

মতম অতুদা মুপীগী থাক অসি য়াম্মা হন্থনা লৈরম্মী । মথোন্থনা সমাজগী মায়োকতা তৌনিংবতা তৌবা, হায়নিংবতা হায়বা য়াদবা অসি সমাজতুগী চৎনরোলনি ।

মতম অতুগী লৈবাক রায়েলদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা চাউবা নোংথোলগী রাক্ষমবু অরেম্বদা থক তাক্রদে । অথৌবা অসিগী য়ায়োলবু মুপীজাশিংনা কিনা লুনা থল্লি মতুগী রাথল্লোনদি অম্থুম্মা তাকই—

থোইবী মাগী মপাও-ওই লাওজমরে সেম্থনা !
"সেম্থ চৎলো হংগংন্থ নবেম্মদা, তাবরা !
নকোয় মুপীনা থত্তোক্কো ! লৈবাক নিংথৌপানবগী,
লৈরি হৌনবা হায়বা ।" (কাংবৈ)

অমত্তা পোকপী থাদোইনস্থু মুপী ওইবা হায়বসিস্থু ওংহাক্না তোনগ্রেদা

হায়বগী মতাং অমা ফোঙদোকই—

মচাইবেম্মা য়ারোই ইকাই খুংশি য়াম্নে।
'তোনখরেদা ঐহাক্লে সুপী ওইবা ময়া,
য়াহৈ অসি তারেদো' খল্লি সনা পুক্লিংদা (কাংজৈ)

মরম অদুনা মতমতুগী লৈবাক য়াথেলগী থৌরমদা সুপীগী মফম অসি য়াম্না য়াংনা লৈতে। সুপী অসি রাজনীতিগী লম্বীদসু চঙহন্দে। কংলা বিচারগী মতাংদসু সুপী য়াওহন্দে। সুপীগী থাক অসি য়াম্না নেম্না লৈবগী মখি অসি মহাকাব্য অসিনা তংশংনা উৎলি।

মহাকাব্য অসিদা সুপীগী অতোপ্পা শক্তম অমনা থম্নি। থম্ন ঈং-জম্বী, থাঙবা কনবী সুপীনি। থোং নৌবদসু, লম্বী খোইরীবদসু মঙন য়াংজবী থম্নি। পূমমক্কী মথক্তা থোইদোক্লা নাউম্লোক-নাউ-কোনদসু শক্তি চেনবী সুপীনি। সনাজদা মাগী মফম চাউনা পীকম থোকই। মহাক্তি মীথাপোনবা, খদাং মথা থাবা ওইনা হিংনিংবা থম্ নত্তে। মরোমদোম হিংজনবা, মহানংথোবু চাউনব হোৎনখিবী, অথাংজনবী, মীনা লাকচবা য়াদবী, সতীগী গুন চেনবী সুপীনি। মীনা লাকচখিবা থোক্লবস্ত থমোয়দা খাঙবা ঙমজদে। নোংমথক থাংগরাক-পগীদা ফি য়ায়বা চৎলুই। মতুদ থাংগরাকপনা পিবন-পাবন্দুনা চৈরক ই। মতুগীদমক থম্না থমোয় শোক্লা সুংঙাইথিদে। মীৎলুদগী পিরাং শিহজনা কপ্পুনতা লৈ—

'হয়েং ইমুং ঙাম্নবদা লাইরবা ইপূরাবু,
কেগৈ থাংজিং মঙমাং লৈপাক মীয়াম জিনবদা
কীমাজদে হায়হনা খুনল থুজোইনরনি।
লমজা চোম্না তারেকো করম্নোনে ঐহাকপো।'
খল্লুবদা অসিগী থম্মু ভুম্বা য়াখিজে॥
অসিদসু নত্তনা—"চরৈ য়্যাইবা চৎপদা,

পজেম পঙ্খৌ অমিবু চৈহোবদো, ঐননি ।
লাইরৈপাক্তা তাখিনি খম্নু পাপচেনবীখিদাং ।"
অসিমপা খন্নুনা পিগী কংবা লৈত্তরে ।। (কিয়ায়বা)

ধর্মগী সমস্যাঃ

মহাকাব্য অঙ্গিদা কথিনা মকম চাউনা খল্লিবা লাই অসি বিষ্ণুনি হায়রজা লৈখ্রদি—

ত্রিথৌ হায়রবা অসিদি বিষ্ণুমাগী অংশনি
মাগী খোংগন তৌরগা ঐখী পুইনা ওইজগে,
মাসি ললবা, মপুগী মনাই হায়বা অদুদি,
য়াওদে পংনা কন্নাস্ত্র । (খম্ব-থোইবী-লুহোংবা)

মীনাই কুঞ্জাগী চংনবীঃ— মতমদুদা মীনাই কুঞ্জাগী চংনবী অসি মকম য়াম্না কন্না সমাজদুদা লৈরম্মী । সমাজদা অতোনবা লৈবা কয়াবু তাথি তাওইনা তৌথিরম্মী । অকনবনা অচুম্বা শকপা মতমনি । মতমদুগী চংনবীদি অত্তোক্লবদা লৈখোনবা অকুংপদা লৈতৌবগী যুগনি । ইনাক-খুল্লবনা লাইরবু থওইনা খনবিবা মতম নাত্তে । অতোনবা মী ওইব-শিংবু তুহংপিরবা অমদি নমজাহা জানবগী মওংদা থখিরম্মী । মীনাই-শিংগী মকুম চাউনা লৈরবদে লোয়ন-লোয়ননা মীনাই লোইবগী চংনবী অসি মতমদুদা চংনরোন ওইনা তৌরম্মী । খম্বনা মচুনিংথৌবু নমদা পোরগা লৈকাইগী ফৌস্ত লংবদা থুবাক কুমোন হুথি । অচৌবদগীনা মচা কাওবদা লৈম্নিবা জীবশিংনা খম্বুবু নমজা নমথেক পথিবনা অয়াম্বনি । মুংশিবিদ খরদনি । অমুকন্ত খম্ব খম্বা অনাদি কেগে হায়-বা লৈবাক্তা উকুল ওইবা জীবনি । মতাং অসিদা মথোয়বু কন্না হায়রা তোমি হাম্বদু উংলি—

কেগে মোইরাং লৈপাক্তা হন্না য়েংবা উত্রবা,
মাল্লিয়মক হায়দনা তুমিংফাওবা পাইত্রবা,
কেগে সারা ওইরবা মোইরাং লমজা তারবা,
খুম্ব-খম্ব কোবদি মচিন-নৌপা অনিনি । (শন-শেনবা)

অমুক তোন্‌থুরা মন্ত্রিন-মৌপা অনিস্সিবু মতম মন্থুগী সমাজদা লৈরিবা অচৌ-অশাং, ইনাক্‌খুনবা সঙ্গ লৈবা মীওইশিংনা ঙুৎ-নৈবগী রাকম কয়া অসি মহাকাব্যদা মথেক শেংনা অমদ মরাকচুম্না উংলি। পুম্নমক অসি মীবু উফুল, ওইনা থনবা, শা ঙাগা পাংথক ওইবা, অচোন-অতাং তারবা মীশিংবু তুহৎপিবা, মীনাইগী রাথসলোনদা পুশিন্নকপগী চপ চারবা থুদম ওহাক্তনি। অমুকসু থাংগরাকপা অঙম্বনা থমহুবু পিবন-পাবন্দুনা চৈথি—হাই থমহু হায়রবী লাইরবী পিদং পাদংপী নংগী নষননা ইংখোলদা হৌবা ইনশাং নাপী কোইনা চাথোকতিবা অসি নমিংছু উজ্রা ? নষণ লোইরবদি চেংনা ফাজিন্দুনা থম্বা য়াদ্রা হায়দুনা থাংগরাকপনা অশাঙ-বা রাথলনা মাংওইনা লমজা লাইরবীগী থম্বা পোবিবা চরৈ নহোং অছু থঙহৌদনা চিংথখি। মতুদা মৌপা দ লৈমায়দা তিংদম রান্থুন লৈখি। উপাই লৈত্রবী থমণুদি লাইরৈপাক্তা লৈথ্রবী পলেম পম্বো অনিবু কৌরগা তেংথাজখিবা নত্তনা অত্তে করিসু উপাই লৈখিদে। মসিসু মতমতুগী অচৌবনা হম্বা থাকতা লৈবা মীওইশিংবু লম্বী ময়াইদা হৌবা তিংথৌ পাংথক ওইনা লৌনরম্মী উংপনি অমরোমদা হায়রবদা মীনা মীবু মীনাই ওইনা শীজিন্নবা মীনাই উনবগুম্বা কয়া অসিগী চৎনবী অসি মতমতুগী চৎ[illegible]লদা য়াম্না মরুওইবা রাফমগুম্না থম্নম্মী। থুদম ওইনা হায়রবদা মমোম লাংলেন থোইবী লুহোংবা মতমদা মীনাই উন-বগুম্বা কয় অসিসু ঐথোইনা মহাকাব্য অসিগী মন্নংদা তরং-তরংনা উবা ফংই।

শেনজা থুমজাগী মফমঃ—মতমতুগী সমাজদা শেনজা থুমজা, রাচৎ-থাজোম, লৈ। হায়জ-চৎচরগা নোনজরগা মশাগী কান্নবা 'কংবা-মীচঙ শকুনগী পোরম পরম অসি চৎনবগুম্না লৈ হায়বসিসু মহাকাব্য' অসিদা মহাকবিনা মফম চাউনা য়াংতুনা থম্মী মসি ঐথোযনা মতমতুদা অসিগুম্বগী চৎনবা অসি 'লৈরমদবা' য়াই হায়না থল্লগসু মহাকবিনা শৈথাবিরম্বা কাযাংশিং অসি

নৈনবদা মসিগী মচাক-অসি মরাংকাইনা ফংই হায়বা তাই। ফংলিবা মচাকশিং অসি হৌজিকী মতমগী চংনরোনশিংদগীদি মতমচুগা খেংনবা অমদি লৈরবা য়াই। অমরোমদা হায়রগা মতমচুদি মীগা লাইগা শম্ন-রিবৈ অমদি অচুম্বনা জয় ওইবা, অরানববু হিরায় লাইনা মাইথুবা পিবা যুগনি। শেংনা হায়রবদা নওবা ওইদবা, মীথা-কোথা তৌবা য়াদবা, তৌরুরগম্ব মচুগী ফলচু ইকুই-কুইদনা মফংবা রায়েন-কাতিগী মতমনি। অরানববু থুংলাই ওইনা শীজিন্নরিবা অঙোমগী নোংবান মপুন্সিগী তাংকক কয়া কয়াদা ফত্তবগী শরোনা মান থাকচবা লাংদা অচুমমক চোংশিন্দুনা মথুৈজ। অচুম্বা চৎচবা, লৌথুপ-লৌকোয় লৈত্রবা থুমন মচা খম্বদি পুন্সি-দা অরা-অনা থুদোংথিবা কয়া মায়োক্নরবসু মমৈদা অফবগী মহৈ ওাক্তা ফংহ। নোংবাননা লমজেলগী তাংককতা শাগৎলিবা রাথলদোনশিং অসি তুংকোইনা মর‍্যাচেংনা শাস্তি ফংলোইদবা তমজনিংঙাই ওইদবা মী-ওইবগী হৌন-লোনচংকী রাংমদা চৎপা শাজৎ-লীচৎনি। তাংককসিদা মানা উথলিবা থৌওংশিং অসি মতমচুগী সমাজদা চংনম্নবগী অশেংবা মওং মতৌনি অমদি মমিনি। নোংবাননা মী নেকতুনা চাকৌবা অমদি পৈশা পীরগা খম্ববু মায়থিনবা হোৎনথিবা কয়া অচু শেনজা থুমজা (corruption) গী মওংনি হায়না লৌবা যাই। উৎলিবা মওং মতৌশিং অচু অমমা ফোংদোকই—

নোংবান মানা অহিংচু নিপা কুন্থ্রা চাকথাংলে।
তরেং সেনবু যেনথবে বাৰ্ত্তন তন্তো তৌদুনা।
চাক্কু চাবা লোইনদা মযামচুনা হংলকই -
"সেলুংবা কন্নি চাক্কো ওসিগীসি ঐখোইবু,
চাম্ব পংচা চাশিন্নে লুপা পৈশা দখিনা
সিটৈদ হেন্না চাওনিংঙাই লৈতরেদো সেলুংবা।
তাকপিরোনে ঐখোইবো।। (লমজেল)

মতাং অমদা অমুক চিংখুবা যুবরাজদা লৌগী-শিংগী থেন-চৈনবা অমথকোঁদমক্তা মণ্ডোন্দা মীশক অমৎক্কা ওক্ৰা হায়বা ঙা অমথক কৎখি। মসি মীশক অতনা রাথোক লানথোকপগী (লৌগী) কেস অহুদা শৌ-গৎপীনবগী চানবা কৎলবা ঙানি চিংখুবা যুবরাজদা। কৎলরিবা ঙা অসি যুবরাজনা মযুম শঙ্গাইদা য়োকউ হায়রুনা তাঁলোই ভরানা-থোইদা রাথং পিখি। ঙা অছু ওন্থোকনা চাউপ্রবা ঙানি; চাথোকদৌবগু য়াম্না পাম্নরমই। নিংথৌগী তাল্লোইশিংনা ওক্ৰা অছু থরুং অচৌবা অমদা য়োকতুনা চেকশিন্না থমলম্মী। মতমছুগী সমাজদা অচৌ-অশাং কনাগুম্বা অমদা রানোম-রাচৎ তৌবদা কবিগুম্বা পোৎশক অমবু পীনদুনা চৎনরম্মী হায়বসিগী চৎনবী অমস্তু লৈরম্মী হায়বসি মহাকবিনা লৈখারিবা মহাকাব্য অসিদা তশেংনা বর্ণন তৌরি। লৌগী-শিংগী রাথোক লাংথোক থৌকপদা শেল থুম পীদুন রানোম্বগুম্বা থবকশিং অসি মতমছুদগী সমাজদা চৎনৈ; অমদি যানৈ। শেংনা হায়রবদা শেনজা থুমজাগী মফম অসি লৈরম্মী হায়না ভাকপনি। শেনজা-থুমজাগী মফম লৈরম্মী হায়বসি অস্নমা ফোঙদোকই—

লৌগী রাখোকপগীনি ওয়াং অছু মপাদা
পাংপান তাবা পংত্রোনা কংলবনি ওক্রাদো।

অসিগুম্বা শেনজা-থুমজা কয়াসি লৈরম্বনা সমাজছুগা য়াম্না অকবা রাঙম ওইরম্মী। লায়রবগী কীভম অমদি শেনথুমঃ।

মতম অছুদা লাযরবা হায়বসি য়াম্না হেন্না লৈরম্মী হায়বগী থুদম কয়া অছু মহাকাব্য অসিদা তশেং-তশেংনা উৎলি। লায়রবা অসি চুম্নগী মী অমা অনিগী নত্তবা পাকতক্না লায়রবা ওইবা সমাজ অমা ওইনা লৈরম্মী। অনংবা গতি লৈত্রবা কনাগুম্বা অমম্না হিংনবগী লম্বী অসি ওন্থোক্না তোম্না লৈবগী কীভম কয়াম্বু মহাকাব্যনা মখি তাই। হিংনমবা লাংহেনবদা মীপুম থুদিংমক্তা অরাবা পর্মথেং রৌনা মায়োইকে। লায়রবগী চঙফম চেঙ, অতৌন-অশা অহিংবা তাতুন, লৌনথুম্না

মীশক তাঙই। মতম অতুগী মোইরাং সমাজ হিংবদা রাজবা সংসার অমনি হায়বসি অঙবনা অশেংবা শক্তম কয়া পীজনা উংলি।

মহাকাব্য অসিদা লায়রবগী অরাবা অসি মীথামগী ওইনা লবা তায়গম্ব থমখেংনা রাবদা পান্দাম লেংখিবা লায়রবগী মৈচাক অসি মচিন-মৌপুরা অনিনা থেংনখিবা অসিনা অতৈগী শকক চাম্বা হেল্লি হায়না লৌবস্তু যাই। তশেংনা থল্লবদা মসি অচুম্বনি হায়না মীয়াম পুম্নমক্না য়ানরবা রাকমনি। পলেম-পাম্বোনা থুপথ্রবা মতুংদা খম্ব-খম্নুনা মতমতুগী সমাজদা হিংজনা নৈবা ওম্নকপিবা অসি তরাইবা থনক নত্তে হায়না রাখল তৌবা য়াই মীপুন থুদিংমক্না। মখোয় অনীমক অঙাং নরা ওাক্লি; অতুগীস্তু মথক্তা খম্বদি পলেমগী খোমলাং মহাও কাপ্রিবা অঙাং অপিথাক্ল। মচেম্না খম্ববু নমদা পোরগা লৈকাইগী ফোম্নুলং-ওজুনা হিংজনবা হোৎনরকখি। অচৌবদগীনা মচা ফাওবনা তুঙংখৈবী খম্নুগী পুন্সিনি অতুগীস্তু মথক্তা লাযববদা থমথেংবিনি। অরাং-পদনা মশরুক ওইজবীনি। চানিংঙাই লৈতে; শেংনিংঙাই লৈতে; শুরগা চাই-শুত্রগা তোকই। শৌগৎপিনবা মশীং যামদে; যেংশিনবিনবস্ত্র কনা লৈরমদে পলেম পাম্বোনা শেংনখিবা তুংদগীদি। মপা-মমাগা তিম্নজরম্বা কয়াস্তু মচিন-মৌপুবু নোংমতা ফাওবা হুম্না য়েংবিরমদে; চাওবস্তু হুংলদে; খোংলেনস্ত্র লাকখিদে। মসিনি মতম অতুগী সমাজদা লায়রবগী অরাবা অমদি মারোল্লিরিবা শেলথুমগী ফীবম।

খণ্ডকাব্য অমা ওইনা 'শিঙেঙল ইন্দু'

অরিবম কুমার শর্ম্মা

মণিপুরী কাব্য-সাহিত্যদা অঙাংহলগী 'শিঙেঙল ইন্দু'গী মফম চাউনা লৈ হায়বসি খ্বাইনা খঙনরবা রাক্ষমনি। মুক্তক কাব্যগী লমদা চাউবা-কমলনা খুৎথাবা হাল্লগম্ব প্রবন্ধ কাব্যগী লমদদি অঙাংহলনা লমযানবনি চাউবা কমল প্রবন্ধ কাব্য অমত্তা ইরমদে। দরেন্দ্র ইরম্মী, অঙাংহল ইরম্মী। চাউবা-কমলবু মহাকবি হায়ত্রগা অঙাংহলবু হায়ম্নিবসিগী মরম প্রবন্ধ কাব্য ইরম্বসিনম্ব ওইবা য়াই। প্রবন্ধ কাব্যগী মথল অনীমক্তা খুৎথায়ম্বা লোঘনন মহৈম্ব য়ানখিবা কবিনি অঙাংহল।

প্রবন্ধ কাব্য কয়নো ? রারী নাইবা কাব্যবু প্রবন্ধ কাব্য কৌই। মসি শ্রব্য কাব্যগী মথল অমনি অতোপ্পা মথলনা মুক্তক কাব্য। ইচম চম্বা কাব্য কাঙলোনগী অকা অপুন লৈত্তবা শৈরেংবুনি মুক্তক কাব্য হায়বিবসি। চাউবগী 'থায়নগী শৈরেং' কমলগী 'লৈ পুরেং' মুক্তক কাব্যগী খুদম ওাক্তনি। রারী নাইবা ছন্দ অমদি অলংকারগী নিয়মনা ফাজিন-পুনশিনবা, কবিগী অকক্নবা উদ্দেশ্য পান্দম অমা য়াওবা অশাংবা শৈরেংবুনি প্রবন্ধ কাব্য হায়রিবসিনা। প্রবন্ধ কাব্য অসিদম্ব অমুক মহাকাব্য অমদি খণ্ডকাব্য হায়রনা মথল অনী থোক্না থায়রি। মহা-কাব্য অমদি খণ্ডকাব্য হায়রবা রাহৈশিং অসিগী ইবায় লায়না খণ্ডবদি-মহাকাব্যনা পাকচাউরবা কাব্য অমনা খণ্ডকাব্যনা থর পিকপা কাব্যনি

চাংবসিনি। অমনা মপুম, অমনা মচেৎ অমনা খরা নুশিনবা অমনা খরা লায়বা অমনা খরা কুপ্পা অমনা খরা পৌবা।

ঐখোয় অয়াম্বনা খণ্ডনরবনি—মহাকাব্য হায়বা অসিদি সমাজ নত্রগা কনাগুম্বা মীওই অমগী পুন্সিগী মপুং ফাবা শক্তম য়েকপনি লোয়নবা সমাজগা মীগগী মরক্তা লৈনরিবা অচৌবা মরী অদু উৎপনি। অদুগা খণ্ডকাব্য হায়বসিদা মীওই অমগী পুন্সি শরুক মচেৎ অমত্তং নত্রগা শক্তম অমত্তং থোইদোকপা সমাজগা মী অদুগা লৈনবা মরী থিরুদনা য়েকপা অদুনি। ইংরাজীদা মহাকাব্যবু 'এপিক' হায়না খ্বাইনা লৌনরি। খণ্ডকাব্যনা এপিক শেগমেন্ট হায়না খণ্ডনবস্থ লৈ। এপিক হায়বসিনা খণ্ডনরিবসি অকল-অথোগী রারীন' মপুং ওইবা অশা'বা শৈরেং মতুনা নৈনরিবনা মীওইবগী মুং-পানগী সমস্যা জাতিগী মশক থোকপা মীওই অমগী চরিত্র, পুন্নমক তৌবগুদি নিয়ম নাইবা সাহিত্যগী লোক্তাদা ছন্দ, অলংকারগা ঈরোয়নবা ফোগদোকপা অমদি মতুনা আইডিয়া অমদি এক্সপ্রেসন অনীমক্তা চাংলেম্বা লৈবাকমচা তাবা অমদি চুংফিরান চাবা লোয়নবা তুংকোইনা লৈহৌবা হায়বসি ওইগদবনি। মসিগী ওন্নবদা খণ্ডকাব্য হায়বদুদি চুমগী মীওই অমথককী, তাংকক অমথককী মীৎয়েং অমথককী রারী থক্তদনি মসিদা জাতি অমগী মপুং ওইবা পুন্সিগী শক্তম য়েকপা য়াওদে। 'খম্ব-থোইবী শৈরেং'দা খম্ব অমদি থোইবীগী পুন্সি য়েকপদা মণিপুরী জাতিগী পাক চাউনা কোনবা মশক অমা উবা ফংবগুম গোপাল অহম্বং ইন্দুগী রারীদা ফংদে। অসি মথাদা কুপ্পা অমুক নৈনরককনি।

হৌজিক ঐখোয়না উরিবসি মহাকাব্যগা খণ্ডকাব্যগা খেন্নবদি মওং মতৌদি খরা অতুম মমান্নবা অদুবু পাকচাউবদি খেন্নবা অসিনি। প্রমান অমদা হায়রগা অনী অসিগী খেন্নবসি উপন্যাসকা রারীমচাগা খেন্নবগুম্বনি; প্রবন্ধ কাব্যগী মখল অমা ওইবনা খণ্ডকাব্যদা রারী অম। য়াওগনগি;

ৱারী অচুম্বীসু মথং মনাও কায়বা যাদবা মচেৎ ঙাবা যাদবা মপুংমমদি শোয়দনা ওইগনি। অচুমদি ওইরগা মহাক্কী ঙমখৈ ঙম্বা লৈংগনি। অসিগুম্বা অপিকপা পনথৈ অমগী মমুংদা লৈছনা খণ্ডকাব্যনা মশাগী মশক তাকচগনি।

সংস্কৃত কাব্য শাস্ত্রদা খন্দকাব্যগী ৱাফম অসি থোইদোক্না লৈরম্বা থেংনদে মোংচুপকী সাহিত্য দম্ম মাসগী কনসেপ্ত অসি কনাগুম্বা থক্লমদে। সংস্কৃত পণ্ডিত বিশ্বনাথ কবিরাজনা মহাকক্কী 'সাহিত্য-দর্পণ' দা হায়রম্মী —মহাকাব্যগী শরুক অমা য়েকপা কাব্য অছুম্বু খণ্ডকাব্য কৌই। মহাক্না হায়রম্মী মতুংদি থোইদোকপা ৱাথোক অমা অপাম্বনা খল্লগা মতুংগী মরমদা য়াম্না শম্না মশা মরেং শক্লোক্তনা ইবা অছু খণ্ডকাব্য ন। সাহিত্য দর্পণগী ৱাফম অসিনা তাক্লিবসু খণ্ডকাব্যদা থোইদোক অমথক্তমক য়াওহ, মতুদা মাওই পুন্সিগী শরুক মচেৎ অমত্তমক য়েকই হায়বা অসিনি। সংস্কৃত কবি কালিদাসকী 'মেঘদূত' হিন্দী কবি নিরালাগী তুলসীদাস খণ্ডকাব্যগা চপচাবা খুদমনি। শ্রীহর্ষগী 'নৈষধীয় চরিত' অমদি মাঘগী 'শিশুপাল বধ'সু খণ্ডকাব্যনি হায়না ঙম্লায়না লৌনৈ। নৈষধীয় চরিতংা নল-দময়নতিগী মুংশি-ৱারী অছুগা 'শিশুপাল বধ'দা শিশুপাল হাৎপগী ৱারী অাসদগী হেম্না মথোয় অদিদা মরী লৈনবা নাক-য়েৎকী ৱারী য়াওদে অছুনা খণ্ডকাব্যান হায়না অছুম্বক লৌনৈ। কাব্যশিং অাসিদা ৱারগা পাকচাউবা অমদি শাংথাবকী লোইনাহৱ্রবা হায়বছু য়াওদে সুপ্নগী মীওই অমগী পুন্সিগী তাংকক অমথক্তং লৌথংলগা য়াম্না শম্না অমদি তেম্না য়েকপা থুংয়েকনি।

মথক্তা পীরিবা খণ্ডকাব্যগী চাউরাক্লপা মশক অসি য়েংলগা মহাকবি অঙাংহলগী 'শিঙেঙল ইন্দু' অসি খণ্ডকাব্য অমা ওইনা লৌবা য়াবা হায়বছু য়েংশি। 'শিঙেঙল ইন্দু' ৱারী নাহবা প্রবন্ধ কাব্যনি। হায়রবসিমদি করুশিংদাই ওইহন্রে। 'শিঙেঙল ইন্দু' অপায়-মুংশিদা হৌরে ওইবা

গোপাল অমদি ইন্দুগী মরক্তা লোম্না থুপ্না চেন্নিবা নুংশিগী ঈচেলনা মতৌ করম্না কোংলকপা, অতুদগী অপাম-নুংশিগী হৌনবা নুংশি লম্বীদা খুগৌ চেন্নকপা, অম্না হুকশোক লাংলকপা, কায়নমৈশা লাংলকপা পুন্নমক অসিনা পোলোইদা নুংশি রাইথুংনবা অসিত্তম্রি উৎলিবা। মচল-মবুংগী মরক্তা লৈনবা প্রেম ওইনা খাইনা লৌরুবা গোপাল অমদি ইন্দুগী মরী অশেংবা থমোয়গী মরী ওইরমহুনা নুংশিবগী হৌনশা কায়নবা নত্রগা খাইনবগী পুংকম লাক্লবদা নায়ক নায়িকাবু অম্নাবা নংহল্লি। অপাবগী পুক্নিংবুসু রাহল্লি। ঐখোয়না খণ্ড অঙাংহলগী কাব্য খুদিংমক নুংশিবনা মপুং ওইরগা শাগৎখিবা ঙাক্তনি। খগ্ব-থোইবী শৈরে'দা খগ্ব থোইবীগী অময় প্রেম, 'জহেরা'দা কুঞ্জো-জহেরাগী থিংঙমন্দ্রবা নীংনবগী নুংশি ঈচেল, 'থম্বাল'দা লেরাং-থোইমুগী থাদোক্লবা ম্রাত্রবা নুংগী মরী, 'শিঙেঙল ইন্দু'দা গোপাল ইন্দুগী লোম্না থুপ্না চেনবা নুংশি ঈচেল---ঙয়মক অপাম-নুংশিগী মশক তাকপনি নুংশিবগী জয় উৎপনি। নুংশিবা হায়রববু করিনো? অম্না অমীগী মিলন (উম্নবা) অহুনি। চক-চাংগী মথৈ কায়নম্নবসু থমোয়গী ওইনদি জহেরা-কুঞ্জো থুংনখি থোইমু-থম্বাল তিম্নখি। 'শিঙেঙল-ইন্দু'গী অহানবা তাংককতা কযাদা মরীক চুম্না কয়াদা নুংশিনা যাত্রা অমদি মহাককী মতম অমদা হুম্নোকলম্নবা মালুগ্রামদগী থুজংগা অনীগী মরক্তা লৈনবা থমোয়গী থাদোক্লবা ম্রাত্রবা মরী অহু অইবন উৎলি। অঙাংহলগী রাথোক থৌদোক শীংথাবগী হৈ-শীংবা অমদি প্রকৃতিগী শক্লোন খুদিংমকপু য়াম্নমক থম্নাম ভাবা য়েকপা ওবগী গুণ লাইরিক অসিগী অহানবা তাংকক অসিদা উবা ফংই। মতুং তাবদি মালুগ্রামদা পোকচবা যন্দু মচিন-মৌপ্বা, হুম্না খেংবদা কনা লৈত্রবা পিতং শাক্তংলবা অঙাং অনী অসিবু মতম অমগী মপাগা তিম্নম্না যাত্রানা মণিপুরদা পুরহুনা মহুম মতুংদা য়োকখিবা অমদি যাত্রানা পোকচবা দুগোপালগা হৌ-িন-কামিন্নরকপ অঙাং ওইরি-বৈগী পাম্নমোই ওইবখহুনা মথোক কায়কপগী নুংশিমোই ওইহুনা থমোংগা

থেকোয়গা-য়ারী শানরকপা, মিংকা মিংকা লোন ফাওনবা অপাম্বা য়াওন্নবা অশেংবা নুংশিবগী শক্লোন ওইরকই. মীনদি মচল মবুংগী প্রেমনি খুন্থবা, অশেংবনা প্রেমী প্রেমিকা অনীগী থিংজিনজ্রবা থমোয়গী মরী ওইরম্বা নৈথোক য়াথোক ওইগে তৌরকপা ওইরক্লবদি কমদৌনি হায়বগী মিপাইবা চন্দ্রশিননসি চত্তুমদা হন্দোকসি হন্দোকতুমদা সুরা পাথ' অনীগী য়েংহৈজ্রবা মত্তৌবা অপাবশিংগী পুক্কিংবু কয়াদা লায়না চিংশিনবনা অঙাংহলগী কল্পনানা শোকপদা পোৎ থুদিং নুংশি শক্সয়রকই, মরেক মফাও কারকই হৈনম-লৈনম চেন্নকই. থমোয় লাইয়ুমদা মুংজিমদবা মঙাল ফাওরকই। মসিনি কবি কল্পনাগী শাফু—পুক্কিংদা ফাওবা, থমোয়দা পানবা। নোং-নবগী নুংশিবা অমদি থমোযগী মক্রুবা প্রেমগী পাজলনা নায়ক নায়িকা অনী য়ায়বস্থ য়ানা পোলোইদা নুংশি য়াইথুংনথি।

মথক্তা পীরিবা চাউরাকপা য়ারী অসিদগী থত্তবদি—নায়ক ওইরিবা গোপাল অমদি নায়িকা ওইরিবী ইন্দুগী পুন্সিগী শক্তম য়েকপদা অঙাং-হলনা থম্ব অমদি থোইবীগী চরিত্র য়েকপত্তুম পাক চাউনা অমদি মশা মরেং শোক্লা য়েক্তে। মথোক কারকপা পাখং-লৈশাবী অনীগী গুণগী মক্রুবা প্রেম অহু করম্বা হৌরকখি করম্বা লোইখি হায়বত্তুদা উৎপনি। খম্ব-থোইবী শৈরেংদা তৌবত্তুম থম্বগী থৌনা-লিংজেল, অচুম্বা পাম্বা অশেংবা চংশা, জোয়রিংবা পুক্কচেল পুক্তমক অসিনা মহাকবী মপুং ফাবা চরিত্র অম শাজাংখিবা অত্তুম গোপালদগী কবিনা অশা তৌখিদে। ইন্দুগীসু অহু মঙাই থোইবীগী লমচৎ য়েকপত্তুম কাচিন-কোয়ম্বু তৌনা. পুন্সিগী শাক্লোন কয়া উথনা য়েকখিদে। অসিনা মহাকাব্যগী থাক থৌবনা থল্ল-কাব্যগী. থাক্তা অক্লমক লৈহোই।

মহাকাব্যদা অকল-অথোগী য়ারীনা মপুংনি নুংশিবদি গুণগী মসিদা থয়ায় হায়নি। য়ারীগা শাগোল্লবা য়াথক্লোন অসিদগী

থোরকপা পুনসি, মরেল অমদি অরাংবা কিদম পুন্নমক অসি মহাকাব্য-দা য়াওবা য়াদে। নিপা থোকপা (পুরুষার্থ) হোমরিক ক্রেজদা হায়রগনা দীদম ওক্ চেরোজ হায়বসি নোংচুপকী এপিকতদি য়ান্নমক মরু ওইরিবা মসিগুম্বা 'শিঙেঙল ইন্দু'গী নায়ক ওইরিবা গোপালগী চরিত্রদা উবা ফংদে। লোয়ননা মীগী লাইগা শক্তিরিইগী রারী মানবা ওইথোকুবা সুপরনেচরেল ইলিমেন্ট হায়বতুসু কাব্য অসিদা য়াওদে। কাব্য অসিদা ধর্মগী আচার-বিচারগী, নীতি-নিয়মগী লৈভাকলোনগী, সমাজনীতি অমদি অর্থনীতিগী অকুপ্প রাকম অমত্তসু য় ওদে। মরম অসিনা কনাগুম্বনা মহাকাব্যগী থাক্তা পুথৎনিংলবসু মশান। অচুমক খণ্ড কাব্যগী নাক্তা কুমথত্তরকই। রসকী মীৎয়েংদা যেংলবসু কাব্য অসিদা উৎ-লিত্রসি মরু ওইনা শৃংগার অমদি করুন রসতনি। মহাকাব্যগী মপুং ওইবা রস—বীর রসকী করিগুম্বা মফমদসু শীংথাবা থেংনদে। অসিনা মহাকাব্যনি হায়নিংদে। অসুমনা সর্গ খায়বগী মতাংদা পাংদম (উদ্দেশ্য) উৎপগী মতাংদা পুন্সিগী অরাংবা দর্শন পুথোকপগী মতাংদা 'শিঙেঙল ইন্দু'গী থাক অসি মহাকাব্য লৌনা হায়গৎপা ঙমদে। 'শিঙেঙল ইন্দু'গী কাব্যগী ওইবা ফজবা শিংথাবা তারবদি মসিদা য়াওরিবা প্রকৃতিগী বর্ণনশিং অসিসু অমনি মচৌশা কৌবী লাইরেম্বীগী তোঙান তোঙানবা শক্তম আলম্বনগী মওংদবু ওইববসু উদ্দীপনগী মওংদবু ওইরবসু যেকপদা অঙাংচলগী চৈ-শিংবা উবা ফংই। প্রকৃতি অমদি মীওইবগী মরক্তা লৈরিবা ভংন থানবা য়াত্রবা মরী অচৌ ইন্দুগী পুক্নিংগী কিভম উৎপদবু ওইরে যাত্রাগা মালুগ্রাম থুলগা লৈনবা মরী তাকপবু ওইরে, কায়নবা অমদি খায়নবা কিভম অনিমক্তা প্রকৃতিনা অচৌবা থৌদাং লৌহল্লিবা অসিনা খণ্ডকাব্য অসিগী মগুন হেক্কৎহল্লি। পয়ার ছন্দগী ফজবা থুৎয়েক্তা অন্নরুকা সনাদা তন্থা থিনগুমই।

কনমক 'শিঙেঙল ইন্দু'দা মহাকাব্য অমা ওইবা রাবগী লক্ষন খরা উব। ফংলবসু ঐথোখনা কাউরোইদবদি কাব্য অসি গুণগী শাবী

শামৌ অনীগী পিরোইনবা লুংশি শরুম উংতুনা লুংশিবনা ১ৈথ দা জয় ওই হায়বসি তাকপনি। নায়ক-নায়িকাগী পুন্সিগী শক্তম অমত্তনি কাব্য অসিদা উংলিবসি। অনী অসিগী পুন্সিগা জাতিগী পুন্সিগা য়েংশিন্নবা নত্রগা মরী লৈনবগী মওং কাব্য অসিদা উবা ফংদে। শম্না হায়রবদা মণিপুরী সমাজগী নত্রগা মণিপুরী জাতিগী পুন্সি মরেল, লৌচৎ শাজৎ,নীংজবা অমশুং অপাম্বা হায়বত্ত মপুং ফানা উংতে। মরম অসিনা কাব্য অসি মহা-কাব্যগী থাক্তি য়ৌত্রিবা মশক থরদি অতুমক উবা ফংবা খণ্ডকাব্য অমা ওইনা লৌবনা চুমগনি। সমালোচক লোংজম জয়চন্দ্রগী হায়হৈদা —"অঙাংহলনা অচৌবা মহাকাব্য অমগী মওং শক পিক্লিৈদগী লৈরম্বা তারবদি মতুগী অহৌবা মশকত্তি 'শিংভেঙল ইন্দু'দা উবা ফংখি। অতুবু মসি মহাকাব্য অমদি নত্তে।" অঙইবমক অঙাংহলগী শিংভেঙল ইন্দু হায়বমক চুং-ফিরাল চানা য়েক্লবা কাব্যগী ফজবা গুণ খিবিক্লা তিন্নবা মৈতে হায়বা জাতি অসিগী অশেংবা শক্তম মচেৎ অমদি উংপা ওন্নবা খণ্ড কাব্যঅমনি।

'শিঙেঙন ইন্দুগী ইমেজরী

থাংজম ইবোপিশক।

লাইযেকপা মীশক অমনা কৈইনা নত্রগা মচু মথল কয়ানা লাই অমা য়েকপগুম, মূর্ত্তি শাবা মীশক (Sculptor) অমনা লৈবাক্তা, উনা নুংনা নত্রগা করিগুম্বা পোংশক অমনা মূর্ত্তি অমা শাবগুম -শৈরেং নত্রগা রাবেংদা অইবা অমনা মাগী রাখল অমস্তুং কল্পনাগী মশক্তু রা-ইসিংনা কোঙদোক্তুনা মূর্ত্তি ওইনা শেমগৎলি। মানা শেমগৎলিবা মূর্ত্তি অসিনা তেন্না তেন্না মপুং মরৈ ফারক্তুনা অপাবশিংগী পূক্কীংদা পালহনবা ঙম্মবা, চুম্নগী রাখলগী নত্রগা কল্পনাগী শক্তম ওইরম্বদগী মীৎ-মাঙদা ফন চোংথোকহন্দুনা শক্পান্নবা মূর্ত্তি ওইহনবা ঙম্মবা, ঐখোয়-গী মীৎ, নাকোঙ, নাক্তোম্নচিংবা ইন্দ্রিয়শিং মঙা (সেন্স ওর্গান)দা মহুনা চপচানা আপিল তৌবা ঙম্মবা—ইমেজিষ্ট অমগী মথৌ পাঙ-থোকপা ঙম্মবনি। রাখলগী নত্রগা কল্পনাগী শক্তমশিংগী, ফিজিকেল রিএকিটিশিং উৎপনা মখোয়গী মক্কওইবা মথৌনি অতুগা অমুক, অহিনা কোঙদোক্লিংলিবা পূক্কীংগী মুংগী মশক নত্রগা, ভাবক্য, মতুগী ইমেজরী-গা মরী লাপথোক্লবা য়াদে। ভাবশিং অতুবু কোঙদোক্লব পান্থে, মথৌ পাঙথোকপা মূর্ত্তি (Functional Imagery) ওইহনগদবনি। চুম্নগী শৈরেং নত্রগা রাবেংগী মপালগী ওইবা ফজবা মশক্তু পেন্নবা মূর্ত্তি (Decorative Imagery) ওইরবদি, অমাংবা থাক্তা চন্দে।

মহাকবি হিজম অঙাংহলগী 'শিঙেঙম ইন্দু' খণ্ড কাব্যদা চঙংখালবা মূর্তিশিং (ইমেজরী) মরাও কায়না য়াওরি । মৈতৈগী পেনা শকপা ওঝাশিংগী রাইহৈগী নৈনবং শীজিন্নবা মওং, প্রধান পাছেং, সিমিজি, মেটাকোয়নচিংবা শেন্নগী মওং, মখোয়সিগী পরম্পরাগী অকনবা প্রভাব, কবি অসিগী মহাকাব্য 'খম্বা-থোইবী-শৈরেং'দা লৈ । মখোয়শিংহুগী থুহং ইন্দুনা, পেনাগী অকনবা প্রভাব অহনা, খণ্ডকাব্য অসিগীসু ইমেজরী শেমগৎপনি । অচুবু 'খম্ব-থোইবী শৈরেং'দগী 'শিঙেঙনইন্দু'না ইমেজরীদা মপুংকাবা লেপ্লি; হেন্না চঙখোক্লি; ওরিজিনেলিটি য়াওই অমসুং মশাগী ওইবা তোপ তোপ্পা মশকশিং শাগৎপা ঙম্মি ।

ক্লাইকিক অম্রিদা য়াওরিবা ইমেজরীগী মথল (ক্লাসিফিকেসন) অসুম অমম্বা খায়দোকপা য়াই —

১ । রাগী অমসুং প্লোটকী চখরকপা পরাং মতুং ইন্না শেম্বা ইমেজরী;
২ । সিম্বোলিক ইমেজরী;
৩ । মহৌসা (প্রকৃতি)বু থবাক পানরা ওইনা উৎপা ইমেজরী (Nature Animation Imagery);
৪ । মাহুগী, শকল থম্বা ইমেজরী, ৫ । মৈতৈগী ঙরাও-কুটম অমসুং সংস্কৃতি উৎপা ইমেজরী; ৬ । নুপীগী মকলা শক্তম থাবা ইমেজরী ।

রাগী অমসুং প্লোটকী মতুংইন্না শেম্বা ইমেজরী নৈনবদা থুনোং চানবা, ঐখোয়না চাপ্পনা 'শিঙেঙল ইন্দু'গী রাগী অমসুং প্লোট খঙদোকপা চুপ্পি ।

'শিঙেঙল ইন্দু' গী অমম্বা রাগী অমসুং প্লোটস

চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা পাম্বিদৈ মতমদা প্লোকপা য়ারীনি । চপচানা ইতিহাসকী অশেংবা থৌদোকশিং অমসুং মীশকশিং লৌবনি মদু ।
অদুগুং ওইরিবা চন্দ্রকীর্ত্তিনা কাহাত্তগী মাদুপ্রামদা চেত্তনা লৈবা

মতমদা মাগী চহী লেজা ওইবা অঁচানবা মনাই যাত্রানা কৈনা কৌবী লৈশাবী অমগা অভাং ওইরিবৈদগী হুংশিনখি অমসুং হুপা হুপীগী ওইবা অহকপা মমী লৈনখি। হুংশি রাইথুংনদনা কৈনা লৈখিব্রে। মৈচাক কোক্লবা সায়রুনা চন্দ্রকীর্ত্তিনা যাত্রাবু মনিপুরদা পুরক্লগা লৈপাক্কী কৌমী থুরায়দগী মিংতোল অমগা জুহোঙবি অমসুং রাজত্ত ইনখি। মখোয় অনীমা গোপাল পীকখি।

যাত্রাগী মরূপ তোম্বনা লৈখিব্রবী কৈনাগা চান্নবা তিন্নরম্বী অতো-নশিজগা লৌন লৈনহুনা ইন্দুগা মৌপ্‌না অমগা (মমিং খোন্দে) পোকই। ইন্দুনা পুংকক চাউরকপা, অহুগা মৌপ্‌না অহনা খোন্নাং অমত থাইরিবৈদা অপোকপা অপোকপী লৈখিব্রে। অপোকপা অপোকপীগী লুনা চান্না তিন্নরম্বা কৈশ অমসুং তমপাক্না অভাং অনীবু য়োকহৌই।

যাত্রানা মাগী পোক্লফম মালুগ্রামদা মতম থরগী ওইনা লাকপা মতমদা শিক্লিবা ইন্দু মচীন-মৌপ্‌বু থেংনরুই। অভাং অনীবু য়োক্লবা মনিপুরদা পুরকই। চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনসু ইন্দুগী এমাখোকপা মখোক অহুমা কাছাড়দা লৈরিবৈদা নীংথিনা সেবা তৌবিরকপগী লমন ওইনা ইন্দুবু লুনা তৌবি, পী ক্লবা মৌপ্‌না অহবুনা কোম্বুংদা য়োকখি।

অহানবা উন্নবা মীংকুপ্ত যাত্রাগী অপোকপা মচা গোপালনা ইন্দুনা হুংশিনখি অহুবু হুপা হুপীগী ওইবা অপাম হুংদি অসি থক্তোরদা ফুমহুনা থম্বনি; মপাম্বোংদদি মচন মবুংগী ওইবা কজমবা মমীবি।

চন্দ্রকীর্ত্তিগী মনাও ইবুংঙো অমসুং চুমিংখিজ অনীগী মচানুপী খাম্বমজা কোবী অমবু গোপালদা থাজে। গোপাল মশানা রাজাংজবু মপা মমাদদি হায়দোকপা ওন্নমদে। হৈজীংপোৎ পুব্বা মতুংদা গোপাল মালুগ্রামদা চেনখি। কায়নমমদাইগী মতমদা ইন্দুদা থুদোপ জমা শি-বিবমী, ইন্দুগী থুদোপ অহুমা গোপালনা শিখি। কোম্বুংগী ইবু মহুমা

অমসুং গোপালগী মমা মপানা গোপালবু য়াম্না শাউই। ইকায়বা নংহৌরবী থাবনম্নাবু অত্তোপ্পা নীপা অমদা লুহোঙবিখি। মতুংদা কৈরুং- বগী মচাম্নুপা নোবোদা ইন্দুবু থাজে ইন্দু মশানদি য়ানীংদে অহুবু হায়দোকপদি ওমজদে।

মরক অজিদা ইন্দুগা মচা হুপাগা মরী লৈনৈ হায়বাস লৈপাক্লেনা থঙলকই অমসুং ইন্দুবু মাঙহন্নবা পোরম থরা শিন্নকই। নিংথৌগী মহারানীনা অমুক নিংথৌগী ময়াম্নুংনা পোকপা গোপালসনাদা ইন্দুবু পীনবা হোংনৈ। মতুদসু ইন্দুনা য়াবা ওমদে। গোপালসনানা মহাকপু চিংনবা খৌরাং ভৌই। চিংলমদাইগী মতমদা গোপালগী চান্নবা মরূপ লালানা ইন্দুবু লোত্তনা অহং অমা থম্মি। লৈবাক্তা অমসুং ইমুং মতুংনা ইন্দুনা লালাদা চেন্নবানি হায়না থাজনৈ অমসুং শাউনৈ। মমৈ থংদা লালানা ইন্দুবু কৌন লৈননবা চেনবা নত্তে, কনবনি; ইন্দুদি গৌপালগা তশেংনা নুংশিনজবনি হায়দাস পূম্নমক্কা থঙনরকখি'।

মচা কায়নবগী 'মচাক্কা লেপাক্লে কল্লা নারমহ। মচাগা ইন্দুগা লৌন- লৈনহন্নবা মপুরোইব যাত্রাদা হায়জরমই। যাত্রানা নিংথৌদা হায়জনা গোপালবু মনিপুরদা কৌথোকহল্ল। গোপালনা মহুমদা থুংলমবা মতমদা মমাগী শিরবা হৌচাং থাঙেনফমদা থেংনৈ। নিংথৌনা ইন্দুবু মচা শক্তা লুহোঙবিগনি হায়হন্না কোম্নুংদা পখত্তনা থমখি মতুংদা য়ৈথাম্ন শিনপ্পাক্লবা কয়াম্না মতুংদা ইন্দুবু গোপালদা লুহোঙবিখি।

১। বারী অমসুং প্লোটকী চথরকপা পরীং মতুংইন্না শেখা ইমেজরী:
মশাগী চহী ১৭ শুমকপগী বালুগ্রাম থাদোক্লবা যাত্রাদা মশাগী চহী৩০ হেনক্লবা মতমদা মোংবা অমুক হন্না লমনমসিদা লাকই। থাজন কুরবা হু মদাং অমদা মাগী থাজনগী মরূপ মশাঙশিংগা বোরাক খোঙবান- লৌদা লাকপদা কৈনাগী মোংকমদা হৌবা খোংনাং পাঁথী ...বু

উরকই । মহ্ উরকপদা অগাং ওইরিবৈগী মুংঙাইরবা পুন্সি মচেৎ কয়াবু নীংশিংলুবগা ঈরোয়নবা অয়াবা থৌদোক কয়াবুহ্ রাখলগী মাতাং তাউথরক্রে । মসিগী মখক অসিগী চঙথোক্লবা মেটাফোরদা মথাগী অদুম্মা কোওদোকই—

পান্থী য়াওদ পামেলথক তগা মমি অহুদা
লৈরাংশিংনা শাংলিবা শিংগুন থক্তি অহুদা,
থোইমশিংনা ভংইবা লৈরাং লৈকা থক-তুদা
লৈরাংশিংনা লেগুঙকপা মালং লিরি শীংপদা,
মুংদাং থাবন অঙোবা লাইজ ঈপাক ওইখরে
ইকং-কংবা শেরোক থক, যাত্রা চংপা গুমদরে !
থোঙকাপ অনী মরি থাং যাত্রা চপ চপ লেপ্লক্লে,
মমীংতগী মপীনা থবাক ফীরোল চোংলক্লে ।

(১বা পন্দুপ, ১বা মতাও, লাঃ ৫)

লমতা থাগী নিন্দুং হুম্মি কোনবগী অগাং অসিগী থাজগী নীংথিজবা শক্তম্ অদুম্মা থারি—

মথোন কারকপাশিংনা ফজবনা শক-তুদি,
অথোই নাপল ঈরোযনা ফজবনি মহাক্তি,
তয়াং তশোই ওইগনা শকফমতুগী মওংনি
লাইজ মাগী মতৌগুম তনিক তনিক লংবনি ।
পৃন্সি মুমিৎ চায়রবা পূক্নাং রাথল লেপ্লবা,
অহুগুম্বা শক তুদি ভক্তি ঈরোয়নরবা,
চীংনা লেম্না নীংথিজে রাথল মগাল কাওহনা
মায়থোঙ থাজ অহুনা লেম্মি লোইবী চীংগুম্মা ।
নিন্দুং হুম্মি কোনবনি লোইদাম লমতা কৌবগী,
পূকচেল লেপ্পা শক-কুম্বা থাজ শক্তি মহাক্নী
থোরক্লেদো থাজনা অক্তিয়াগী মকোয়দা,
অতৌবদি মতাম্না থাবে পৃথি থক্বুগা ।

(১বা পঃ, ২বা মঃগী অহৌবা শরুক, লাঃ৯)

মীওইবগী মতা ওইরিবৈগী নাপলগা লোয়নবা পূক্নাং রাথলনা ইতাও তাউবা অথৌবুং হকচাংগী কজথা মখক, ল ইজ ঈশিংদা প্রমাণ তৌবনি । অহল ওইরগনা তয়াং তশোইবা পূক্নাং রাথলহ্ মপুং মথৈ কারকই৷

বাখলগী মমেপ লুথরকই। পুথিমী অঙাংবা মঙল—তম্বিদা চঙলকই। হকচাংলিং মৌনা কজবা মাঙগ্রবসু চীং-লেম্বগী মতৌ ঈয়োযনরকই। মসিবুনা লৌহিবী চীংদা প্রমান তৌরি। য়াম্না কজবা, সন্তুল ওইমা কোঙদোকপা মেটাকোর অমনি। ইমেজরী শেম্বগী হৈ-শিংবা মতৌ—পোংশক অনীবু 'কনট্রাষ্ট' তৌত্থনা থম্লিবা অসিদা ঐথোয়গী মীৎয়েং চিংশিল্লি।

চহী কযা কায়নরকরবা মালুগ্রামগী সুংশিনবা মল্লাপ. মপাঙশিং উরক-পদা অমসুং কৈনাবু নীংশিংলুবদা যাত্রানা মঙল মঙল থরকই—

ওয়াং সঙ্গ ওইরকপা চহৈ লৈরাং অনীনা।
কোরৌ কয়া লৈথরে লুপাক মুংদা পুন্দুনা,
নোংমৈ কোরৌ মুমিৎতা উরুবদা মথোয়বু,
চুনরাম্ল নথোয়দি চহৈ লৈরাং অনীবু।
চহৈ নঙগী ময়েকক তারম্লেদো লৈরাংদা
লৈরাং নঙগী ননমসু চহৈরম্লেদো চহৈদা।
চহৈ লৈরাং অনীদি শেৎনদবা মরম্না
উরিরোইদো উনসু খল্লিরোইদো নশানা,
কায়নবনা তাকুনা উয়ে নথোয় থাইবুরু,—
নপোযবুসু তাকইনি উদরিমি ঐবুসু—।

(মথক্কী, লাঃ ১৪)

পরেংশিং অসিদা মীগা মীগা লৈনবা মরীবু নীংথিনা উৎলি। মীওইবনা নকুনা লৈমিম্নরিঙৈদা সুংশিনবা চাম্বুবা ময়েক শেংনা থওনদে। লাপথোক-রক্লবা কায়নরক্লবা মক্তুমদক্তা সুংশিনবা, অদু মপুং ফানা থওনরকই। মেটাকোর আস লাইব্রিক. অসিগী মখল্লা মায়মক কজল্লা পাংথোনবা য়াবা অমনি কবিনা উরুবা পোৎশিংবু কুপশিন্না য়েংশিল্লগা লাইয়েকপগী নীংথিবা থুংয়েকমা পুথোরকপা ওদ্বগী মগুন উবা ফংই। য়াম্না ওবিজ্জিনেল ওইবা খুদমেদু অমনি। মচাং অসিদা 'লাইক' হায়বা মুইহেসি মুহম্মদ হুমা পাম্বুম্না লৈমেংগী কজরা থম্লি মাঙলক্লি।

যাত্রানা ইন্দু মচীন মৌপ্‌ৎাবু মনিপুরদা পুথোরক্লিংগী মমাঙ থা অহুম হেন্না মালুগ্রামদা লৈহুনা অঙাং অমীবু কোল্লকই । মচীন মৌপ্‌ৎাগী অরাবা পুক্সিদগী ত্রোংসরুপা, ফুংঙাই যাইফবগী মতম লাকপবু অচম্বা ফজবা মেটাফোরদা ফোঙদোকই—

ইপান থাদা শাহলম্বা শিঙেন থরো পাম্বীনা,
কংশিল্লকপা অহুদা নিংথম মতম ওইবনা,
লাইজ মহীক চাবরে লমদম লৈত্রুক চৎলক্রে,
হৈলভাং থহরো লেক্ষ্না মরা ক্রম্না কংলক্রে,
লৈরাং শেম্বা মচাক্লা লেক্ষ্তুবু থুগ্গরে,
লাইজ ঈনৌ হাত্নুনা লৈরাং মুংদা থাজরে ।
লৈরাং মনা পত্তরে শিঙেন মযোন কংদরে,
ফমেন কাঙথ ঈংবদা লৈরাংগুম্না য়োকচরে
ইন্দু কৌবী মপায় সংগাই অহুদা,
চঙলে পঙৌ যাত্রানা লৈরে মতম অহুদা ।
(মথক্কী, লাঃ ২১)

ইন্দু মচীন মৌপ্‌ৎানা মনিপুরদা থুংলরবদা মথোয়বু থিল্লকপদা যাওরকপী য়োকচবী মমা অম্পাক্কা কায়নরমদাইগী মীংকুপ্তা ইন্দুগী অরাবা অহুম্না থারি—

পামেন থক্তা শাংচবা বাসন্তিদি লৈরাংবু
কৌশ্লৌ নোংমা মুংশিংনা লৈরাং মাবু য়েঁবু
পামেন থক্তা লৈরাংবা মাঙলম লৈদা শোক-কুম্না
লৈরাং মাগী মাঙথোকপা লাইজ পুম্না চোৎকুম্না,
মমা চেপক য়েক্লেক্লে মাঙথোক পিনা থুম্নথরে
পলেম উথিক্রমনা মাঙথোক ভাংভ্রা লুকথরে ॥
(ইংলেন্বা থঃ, ওবা মঃ, অয়েঠবা, শরুক লাঃ৪৬)

থাবনসনাবু গোপালদা থাজহনা হৈজীংপোৎ পুথরে। গোপালনা থাবনম্নাবু পানদে অহুগা মাগী মমা মপাদা মচীম্না খোঙ্গম্ হারবা ওমদে। লুহোঙগদৌরিবা মুপী অহুম্ অচম্বী মুপী নক্তে-নিংথৌগী মনাও লৈরেনম্নাগী মচামুপীনি। হৌজিক গোপাল মশানা য়াদহনা লুহোঙবা কায়বা হাঃবসি য়াম্নমক লুরিবা অমনি। মহাক মশাগী ইযুং মমুং অমম্তং কোম্মুংবু শীংবনা ওইনা খোকদৌরি মীয়াম্না মাগী মরমদা থীনা ঙাঙমগনি। মতাং অসিগী গোপাল অমম্তুং মাগী অচেৎপা য়া ভাম্নকম ওইরিবা মরূপ লালা অনীগী পূক্নীংগী পোৎলুম্ অস্তুম্না য়েক্লি—

পাম্বা কৈরেন ভৌবঙম কৈবন মুংদা চোংশিল্লে,
থাম্বী মৈখোন খোয়াঙ্গ পম্নং মৈবু থারক্লে।
নোপ্ন-উইবা কৈরাংনে লম্বু সৌবু শায়ক্লে,
মায়কৈ লৈনা য়েংবদা পাম্বা থৈনকম লৈতরে,
কৈরাংম্বু খংকত্রা লম্বু চিনবা থৈগত্রা
থাম্বী মাবু থাঙগত্রা মৈ অহুবু মুৎকত্রা!

(২বা পঃ, ৫বা মঃ, লাঃ ৬৮)

গোপালনা ইন্দুবু লালাদা শিম্নরে। (লৈম্নাং ওইবী অমবু লালা থুংতা শিম্নরে লাঃ ৯০)। ইন্দু অমসুং অপোকপা মমা মপা কায়নহনা মালুগ্রামদা গোপাল চেমবা তারে। মতাং অসিগী মাগী পূক্নীং য়াথল অমম্তুং থৌনা অসি 'পাম্ব-কৈ'গী শক্তম লৌরক্লে—

পাম্ব-কৈবন মুংদগী কৈরেন শায়ম য়েঙ্ঙকএ,
পাম্বা চিম্না কামহনা থাম্বী মৈরী হাংলক্লে।
মচৈ-লৈদা কুহনা কৈরেন মনা থুপথরে
কৈরাংলম্বু লাম্দুনা কৈবন চোংবা তাথরে।

(২বা পঃ, ৫বা মঃগী অরোইবা শরুক, লাঃ ৯০)

গোপালসনা ইন্দুবু চিংনবা হোংনরকপদগী লাঙাঙা কলংহৌদুনা খ্বাই লমদমগী ইমুং অমদা থৈদোকুনা থমখি। অহাং অমা মথোর অনী লেনমিন্নখি। মহুবু অসুন্না থাদ্রি—

নোংপোক চীংথৈ ওমদায়ন-ঈংন-ওানবা শজিঞ্জ,
ইমুং মমৈ ওইবদা ভোক্লনবা কুচুনা,
কোয়ৌ নাতৈ লাকপদা নিংথৌ লৈপাক মকোয়দা,
মাঙখিবগুম সজিল্লা চসি কোয়ৌ অনিদা,
শিঙেঙন ইন্দু কৌবিদো মাঙথ্রে মকম খঙদনা,
কাংলেন শান্নবদগী ছুন্না মমুম য়োৌদনা।
(৪বা পঃ, ২১বা মঃগী অয়োইবা শরুক, লাঃ২১৯)

মসিগী মথা তান্নকপা ইন্দুগী পুক্নীংগী কীবমদি অসিনি

মপুংফান্ন-লৈন্নাংনা পামেন মতা ফবদা
নোংদোন খেংনা ন্নাংলবা ঈংলবদি উকাদা,
ঈংনা শাংপ-শিঙেঙনবু লোইবী হাওনা পুহনা,
লৈন্নাং লৈকম কান্নবগুম খুৎথাঙ খুৎথাঙ তৌবনা,
লৈন্নাং ওইবী ইন্দুদো ইমুং অমগীদমক
বুদ্ধি লৌশিং থোক্লনা শিঙেঙন মমান্ন পুন্নকনক,
লালা মামা পুহনা লেঞ্জে ইমুং শোন্নববু,
চাবা থকপা তৌখিদে ওদে যিহুন-থাহনবু॥
(৪বা পঃ, ২২বা মঃগী অহোবা শরুক, লাঃ২১৯)

অসিগী মতুংদা ইন্দু লালা অনীগী কত্তবা মিংচৎ (মীয়ান্না লাঞ্জা লৌখিবনি) লৈবাক শীন্না শন্দোন্নগ্ন—

মী পুন্নগী থমোন্নদো মকথ্রে অতা মথৈনা,
খঙহৌদনা হৌন্নকপা'মন্ন নোংমা. ফুল-ফুন্না।
চীংদা তাবা নোংদ্রুমা খঙহৌদকা চাউন্নকপা

লৈখোয় য়াওবা ইচুম্মা তুরেন ফুম্মা চেল্লকপা,
অমোং-অমোং নাপীনা তুরেন মবুক থনখ্রে,
লালা ইন্দুই মরাদা অমোংপদা তাররে ।
(৫বা পঃ, ১বা মঃগী অহোবা শরূক, লাঃ ২২২)

ইন্দু লুহোঙগদবা হুমিংকী থংনবা অচৌংদা কুম্মৈ ফিয়োং তৌই। কোম্মংগী শংগায়দা পাখং লৈশাবী মথাম তিংনবু প্রকৃতিগী ইমেজরীদা শাগংলি—

লমতা থাগী মাকমৈদা শাজিবুগী, থাজিন্দা
লৈরাং য়াম্বা মাধবী-ললিতাদি লৈরাংদা,
লৈরাং যেংপা পামেনথক মনানদি ইশা-শং,
পামৈল মায়কৈ মরিদা অতিয়ানা মুন-শং,
লৈরা'নদি পূষতৌ তৌ শংন-তৌবা মরক্তা;
খোইমুনদি ইমু মু লৈরাং লৈকা থকুদা,
* * *

অোংঙমনা পাইথোকপা কয়া' মনা পাইরকপা,
অমমা অমুক্ তোংখিবা খোইমুশিংনা ডংঙকপা,
মতৌ অতুগুম্না শাংগায পামেল থকুদা
ন্মাপোখংকিংদুনা থনক্লে অহীং অতুদা,
(৬বা পঃ, ৯বা মঃ, লাঃ৩০৮)

[illegible] মতমদা মথোয ময়াম কাযনখিববুনা অস্নুম্না থারি—
কোয়েক্লববা লাইনিংথৌ অকুান শাবোং [illegible]রে,
ইমুং মমায় [illegible] [illegible] [illegible], কাওনক্লে,
[illegible] চৌংথৈ কাচিকা কোয়েৌ শমায় থারক্লে
[illegible] তেকু খোংলক্লে কাক্সী [illegible] চেল্ল'ক্ল । —
[illegible] কাওথোন খোইজা খো[illegible] ইমুং শোয়বা পাইরবা,

কোরৌ মঙান লাক্লিঙৈ কাচিন কৌয়া থিরকপা
থোংগী নাতৈ কাঙবদা কাঙলেন তাঙ্খা অহুদা,
পাংশিন্নবা মতৌগুম ইমুং মরুম থুপ্পদা,
ইন্নুং শোয়বা ফৌরুবা মুরা পাথং পুম্বনা,
থওনখরে গৌন্দিক্ত মাগী মাগী কাহুদা।

(৬ৱ' পঃ, ৯ৱা মঃ, লাঃ ৩০৯)

২ | সিম্বোলিক ইমেজরী

যাত্রানা পোংরৈ মৈতৈ লৈবাক্তা চন্দ্রকীর্ত্তিগী অচানবা মনাই ওইদুনা লৈরবস্থ মাগী পোক্লফম শাংনফম ওইরিবা মালুগ্রামদুদি থকঁ কাউবা ঙমজদে। নিংথৌগী ফম্মাইবা ওইবগী মুংঙাই য়াইফবা অহুমদি ওইরগা ফাজিন পুনশিন্নবা পন্তিগ মালুগ্রামগী মীচম ওইনা চিংবগী অফা অপুন লৈতবা মুংঙাইশা পুন্সিগা—অকোনবগী অসিনা মহাক্কা পামজখ্রা হেল্লি অদুনা যাত্রানা হায়রি—

বোন্দ পোকপা চক্লানা বোনগী মায়কৈ য়েংবগুম
সনায পোন্দ লৈনস্থ 'চক্লা খোযদৌ তাদগুম,,
লমদম সেংমদা ওল্লগা মতম খুদিং থল্লকই,
মায়কৈ সিবু য়েংবদা মীত্তা পিবু তারকই।

(এ পঃ ১ৱা মঃ, ৯৭৩)

মসিদা পল্লিবা 'বন' (৬মং), 'চেক্লা' (লমগী উচেক), অমসুং 'সনাগী পোন' (সনানা শাবা শারঙ) অহুম অসি সিম্বোলনি। খাইনা খঙনবা কনভেনসনেল সিম্বোল ওংঙনি।

লাইরিক অসিদা অতোপ্পা সিম্বোলিক ইমেজরী অমগা ফাওরি। ইন্দু মচীন মৌপাবু মণিপুরদা পুংথারক্লবদা তপথারক্লা মশুং অনীবু লৈপাক্লেনী মুকমনা শিল্লক্লই।

কবো শেম্বী লৈদগী কারকপদি চেক্লাসে,
চেক্লা নাম্না ওইরিবা জীবমচা অনীসে,
পোম্বী মখোঙ অছুদা সনা ঝিঙুর থাংখিয়ু,
চেক্লা অক্লা থকদা নবা চেক্লা য়োকপিয়ু।
পোম্বী ওইরোম থংবদা খোইনৌ কৌগে থখিয়ু!
চেক্লা য়েংলম থংবদা ইতা! চেঙাগ খিনবিয়ু।
গুংত্ত হুমিং থুদিংগী পোম্বী মরোল তখিয়ু
হরি মাগী শুন-হুবু চেক্লা চাদা তাকপিয়ু।—

(১বা পঃ, ৩বা মঃ, লাঃ ৪৩)

মঙাংসিদা পক্লিবা কবোদগী কারকপা নাম্না ওইরিবা চেক্লা (ভেমলা মচা) 'পোম্বী' (মমদা য়োকপা উচেক), 'সনাগী ঝিঙুর' 'অক্লা'—সিদোল-শিঙ্গরি। হম্বা চাওথখ্রিবা সমাজ অমদা য়েংশিনবিবা, বারক বাত্তেখিবা ম্যাজমা মনীং মথা তৌনা হিংলকপা অঙাং অনীনি। মখোয় অনীবু তেম্না চাওখৎলবা যৈত্তৈ সমাজ অসিগী লৈবাক মচা তাবা হুংঙাইবা ইমুংদা য়োকপি নাউকোনবিদুনা হেন্না মপুং ফারবা থাক য়াংবা মী ওইহনবিয়ু হায়বনি। বারক বাত্তেগী অকনবা নিয়মগী কোলোয়না মখোয়বু পুনশিনবমু পাম্মি। বৈষ্ণবকী মঙল (ভেন্মুজ) বুমু কংহনবা পাম্মি।

৩। মহৌশা (প্রকৃতি) বু থবায় পানবা ওইনা উংপা ইমেজরী (Nature Animation Imagery):

খণ্ডকাব্য অসিদা অঙাংহলনা মহৌশা (প্রকৃতি)বু চুমগী মপা-হোংগী মশক থাহনা কজনবা, লৈতেং ওইনবা ওইনা পুখোম্নগী তোকে। মখোয়মু এখবায় পালহল্লি। পার্মোনিকাই তৌহনা মীওইবগী অমা হুংতোই করাদা শরক য়াহল্লি। হ্যমেনিজমগী অমাংবা মতম হান্নি। মীওইবনা অথম থাবনা য়াবনা মমী অমা শাগৎলি। য়োমাত্তিউশিংনা তৌনরবা প্রকৃতিগী চুংগী মশক অছু অঙাংহলগী থবহৈশিংদমু লৈয়মই।

লাইরিক অসিগী অহৌবা মক্তদা কৈনাগী মোংকমদা হৌরিবা খোংনাং পান্থীনা যাত্রাবু কৌরকপা—

মমাম নোংচুপ ওনবদা খোংনাং অমা হৌরমই,
খোংনাংচুনা কৌরক্লে যাত্রা কিংনা লেংওকই।

* * *

মাঙ যাত্রা ক্রৌববু ল্যাকইবরা ইবুংঙো
থংলেন শকপ্ উদবা কুইরুরেদো ইথং-ঙো।
মুয়া কৈনা কৌবিগা থংলেন নঙগ অনীনা
সৈত্তে রাশকনখিবা খোঙ্গু থক্তা কমচুনা—

(১বা পঃ, ১বা মঃ, লাঃ ১।২)

অসিমক প্রকৃতিদা মীওইবগী গুন (হ্যুমেনিজম) ছাপ্পা অমনি। যাত্রাগা কৈনাগা অনীগী অঙাং ওইরিঙৈগী হৌখ্রবা রারীশিং লীরকপা, মথোয়নীগী অপাম মুংশিগী খোঁদোকশিং তম্মকপা, কৈনানা থুপখিবা, যাত্রানা মক্তদা অঙাওবগুম্না রাহৌবা—অসিনচিংবা অসি মীমুংশিগা লোয়নবা ভম্মি। পার্সোনিফাইড ইমেজরী শাগংলি

ইন্দু মচিন মৌপ্না মণিপুরদা থোরক্লমদাইদা মোকচবী মমা তম্পাক্তা মাঙদা থারচুনা মাজোল দারীদা কুমথরকপদা শুমাঙদা হৌরিবা বৃন্দা পান্থী উরক্লে। লৈরাং যাত্তি পান্থীনা ইন্দুবু কৌরক্লে—

শিঙেল ইন্দু ইত্তারোই। চায় খোইবী! কনদোনি!
নত্তা লৈরাং পাঙদবী মুক্তা কনা ভার্কপিগনি!
উরী ওইনা হৌচুনা পামেল 'মদা লেংঙমদে
পান্থী ওইবা মুংচুনা লৈরাং লেপ্পা ওমজদে
পুকচেম চাওবা কুনাদা থেংঙ্গভাজা লেনথনি
নুরা নঙনা য়োক্লপগী লৈরাং ঐনা হিংবনি।

(১বা পঃ, ২বা মঃ, লঃ ৬৩)

অনুমা ইন্দুগা কায়নহৌরবা মতুংদা লৈরাং মানা য়াম্বোংগদবচু থংেগার শোক্লা ফোংদুরোক্লি।

ঃ মসিগী মথা তারকপদা—

উনা উরী কাওবদে পামেন হৈপাল লৈপানসু
ইন্দু য়েংনা কপথরে পোম্বী চেক্লা কাওবসু।

(১বা পঃ, ২বা মঃ, লাঃ ৩৪)

মহাকী ইংখোল চাওগোইসুংদা হৌবা নাপীশিংনা হায়রকই—

নচু নিংথৌ অচুগা তিংগোই থক্লা ওনবদা
'লমজা' সিবু খল্লিদো ঐখোয় ইবুক অসিদা
পলেম পম্বো অনৌগী কৈরা অচু শরুসু,
নাপী ঐখোয থকসিদা মনীং তৌনা ওনসনু।

(মথক্কী, লাঃ ৩৬)

হৈপাল লৈপালশিংনা হায়রকই—

লৈরাং ঐগী ইথক্তা মুক্তা নওনা কাচুনা,
শিঙেন ইপান হেকপদো। নুরা নথুং অচুনা।
হেকপ-ওমদ মফমদা পামেল ঐনা রাংবনা,
হুপাল ইদোম কেঞ্জেদো নুরা নওমীদমক্রা।
হৈরাং পানবা ঐখোয়না ইহৈ পীনা য়োকচৈদো,
ইথা থেকই শাওজদে হুউ-য়াল্লি পেল্লিদো
লমজা নবুক থরবা 'খোয়না ইহৈ পীবনি,
নুরা নচীন নৌপুরাই অয়াম খোয়াং চাকলমি।

(মথক্কী, লাঃ ৩৬)

মথক্তা পল্লিবা মূর্ত্তি মচেং মচেংশিং অসিদা প্রকৃতিগা মীওইবগা চায়-চিয়না লৈনবা অচেংপা মরীশিং উবা ফংই। 'কালিদাসকী 'অভিজ্ঞান

শকুন্তলম'দা য়াওবা, কণ্ব মুনিগী ঃন্দগী শকুন্তলাবু কোমুংদা থিল্লম-দাইদা, উরী য়ারী মাধৱী লন্তানচিংবনা শকুন্তলাগা কায়নরমদাইদা উংথিবা অয়াবা শক্তমশিং অদু নীংশিংঙলি। হেন্না মপুং ফাবা অমদি অপাবশিংগী থমোয়বু য়োৎশিন্না চিংশিনবা ঙম্বদি অঙাংহলগী অসিনা য়াম্না হেন্নি। মসি হেক্তিন্না পীজবা মোত নত্তে।

৪। ঋতুগী শক্তম থাবা ইমেজরী ঃ

'শিৰেঙল ইন্দু'দা ঋতুশিংগী হোংলকপা শক্তমশিং য়ারী অমসুং প্রোটশিংগী চথরকপা মতু'ইন্না থা থাহুনা উংলি। থোকদবা থৌদোক নত্রগা চরিত্রশিংগী হোংলক্লদবা মশক নত্রগা মরাইবকপু, হোংলকদবা ঋতুশিংগী শক্তমশিংগা চান্নহনবা অমসুং মাঙজোননা ইঙিং পীবগী মওঙসু থরা থেংনৈ। অসুম্না রাকচিং, নিংথম থা মতু' বসন্ত, সরত, নোংজুথা বসন্ত (অমুকন্ত হল্লিন্না) অমসুং শজিবু —ঋতুশিং অসিগী পারি। মখোয়শিং অসিগী মমুংদা য়াম্না মপুং ফানা উৎলম্বা মীৎমাঙদা নীংথিজনা চোংথোকপা ঙম্বা ইমেজরী থরা থুদম ওইনা উংলি।

বসন্তবু শৈথাবা —

কুমগী মতম ওইরক্লে বসন্তনা খোঙদারে,
পঞ্চমীগী কোলোয়না কুমজা মপাউ তম্বরে।
হৈরাং লৈরাং অপুম্বা তন্না থুমু হুল্লক্লে
হৈরাং মনা পাল্লক্লে শিঙেন নাপুং কারক্লে,
বসন্তগী মায়থোঙদা নৌনা হেকমায় কাররে,
ওলাংথাগী থাজিন্দা লৈরাং থেক্লা নোক্লরে।
উদা ওঙবা খোঙল লৈ পাংভা খাংপা কোন্দোল-লৈ,
পুন্নী মপান কবোক-লৈ তেংপাক ভানবা কুসুম-লৈ;
শিঙেন লৈরি কুমথাইরৈ লমক্লেন নারা কোম্বীরৈ,
লৈরাং লোইনা শাংলক্লে চৌংরা চুনমী পামসরৈ।

হুজা কুচু তম্নৈ লৈহাউ পুম্না শাংলক্লে,
নাগেশ্বর কেতুকি লৈরাং জাংনা শুরক্লে
শিঙেন মানা হমক্ক লৈ লমদম গানবা ঝোকখান
চীংদা তোংবা লৈরাংলেন শিঙেন কোলোয় উখান,
শিঙেঙন মতম ফরক্লে লৈরাং মথৈ হম্বক্লে,
শাবন তেম্না তুঙৌবী 'মুবা তৌরৈ জার্গক্লে,
লোক্লে শজি শাক্লে পুলৈ নাপাক-লোয়ক্লে,
কুমশী মতম ওইরক্লে হুজা পুক্লীং ওক্লে.
পাখং মতম ওইবশিং কাওয়েন হানৌ থিরক্লে,
লবুক লৈরি শাংলক্লে হুপচিং লৈরাং জাক্লে.
হানৌ খুবোম য়েরক্লে মালং ইথক ছোরক্লে,
খজোন খোঙকাপ য়ায়বদো চীংয়াকোয়না শিংলক্লে।

(৪বা পঃ ১২বা মঃ, লাঃ ১৭১ | ১৭২)

শাজিবুবু শৈথাবা—

শজিবুদি কুমদারে লমতা থাদি কুমগারে,
হুমাং লৌরি থোকপনা তাইবং কুচু লোক-অরে।
নুংরা পাখং পুম্বনা লৈরাং থিবা চংলক্লে,
লমর্দম মাবু তম্নক্লে, লমকেন মায়কৈ পাংলক্লে,
মনা কবাক থাওমাল্লে মউ থরাক মায়-রৈ,
'মুবা লৌংমান কুচুরৈ নোংপোক কৈনা খুন্দারৈ।
শজিবুনা কুমদমলৈ, চীংনা কোঙ্গা পাং-তা-রৈ,
চীংগী অমশী হেন্না-রৈ নায়া কোলোয় কোয়ীরৈ।
নুংরা পাখং মক্কুপা উরোক শঙ্গ পাখিক-ওই,
লাজোন লোইবা লপৈরা তম্ন-মুবা লোংলোন ওই.
শাজিবুগী অয়ুক্তা লমকেন মায়কৈ তাবিথরে,

দাক্লেনি কবোক চাইখরে লৈরাং হেকপা কুময়ে ।।

(মথক্কী, লাঃ ১৭২)

শাজিবু লোইয়কপা থাবগী অতোপ্পা মতাঙ অমা—

ইয়াঙ হাঙবা নোংদোল্দা 'মুবা কিজং থাহনা।
থাগুক লোইবী চীংদোম্না পোইরৈ মায়কৈ মরিদা,
পয়েং পয়েং তারিবা অবেম অয়াং নাইহনা,
লোংথির্জবা মাগুবকী কন্নাং মরী শুমহনা,
থাগু-থাপ্প চীংদোম্না ভোনা তাম্না উরকই,
ওথাক থাপ্প কয়ানা শুক্তক মুনা উরকই,
'ঙাঙবা লংলা লংজানা চরৈ ময়ুং কারগা,
শংবা লংলা শিংহনা চরৈ মকেন ওইরগা,
চরৈ কীবুম কারগা চরৈ মচু থোক্লকপা,
কীজু অচু মাক্দুনা নকপা চীংনা উরকপা,
মাগুব মায়কৈ থুদিংদা মথল মথল মুথম্না,
য়ানবগুয়া কজরী পোইরৈ মায়কৈ মরীনা।

(৬বা শঃ, ১১বা মঃ, লাঃ ৩১৬)

৫ । লৈতেগী হয়াও কুম্মে অমম্নুং সংস্কৃতি উংপা ইমেজরী :

হীয়াঙ তামবা—

লাইবু থোইবু নিংথোয়েল 'শামু থাবক মথক্কী,
হীয়াঙহল্দা লেঙথোকপা সনাগি লৈবাং মহুনদা;
হুমী 'কজ' পুম্বদো ইপা করি হায়গনি,
লাইমরু-নবু থাহমা করম মাঙলকপগনি।
মুনী 'নৌজী হৌয়কপা লোংবী মচু 'শাজিদো,'
কোই, কিজায়, হেয়ামঙ, লাংলোই মাইক-শাবিদো;

অনী খাবক লাকপদি চাংহুন অনী তাওমই,
ময়া মরি অহুনা চাংচেপ উয়োক পাই-গুমই।

* * *

হিলাশঙদি য়োবদা লমদম থরা অহুমা.
পুংথায় অমা চঙটদো শামু 'নীগী খোঙথাংদা,
মুখিং ওইনা তালিদো সনা মায়খোঙ অহুনা,
খবান ওইনা শাংলিদো পোইরৈ প্রজাশিংহুনা।

(১মা পঃ, ২মা মঃ লাঃ ২২ | ২৩ | ২৪)

হীয়াংগী শঙম থায়কপদা য়ায়া কঙবা মেটাকোয় অমা থেংবৈ—

মালংবনা তাবা লম খংগোনবনা য়াহীয়া,
তুয়ো পোকপী লমজাওদা তুয়ো মপান শাংলকপা,
তোর্বান অনী পুমঙো ঙো তুরেল তুখুন অহুদা,
তাওয়োই নাইনা য়াথোকপা তুখুম লাইজ-খকুদা—
লাংবন হীয়াং লমদমদি তুয়ো পোকপী লমজাওনি
থাংগম পাংবী মরীয়া তুয়ো পোকপী তুখুন-নি।

(মথকী, লাঃ ২৪ | ২৫)

হায়ো পাম্বীশিংনা পাকশুয়া হৌবা তুয়ো পোকপী কৌবক লমদম অমগী জপা অমদা থোং অমা চেন্নি। থোং অসিগী ঈশিংদা [illegible] কয়া হুমজিল্লকপগী হাইন্থমবা [illegible] অঙোবা মপাল শাংলয় তুয়োশিংগী মমি তারি। [illegible] মরক্তা ক্যাউরোইনাই (পাখংবা, [illegible]ইরেন) গী মুনা লাংবা মচুদু তাউহুনা [illegible] উরি থাক্লপাংবী তোর্বান নাকল অনিদা কীঙো কৌনা পীক [illegible] য়েংলিবা তাবোহুল্লিংহুগী, অঙোবা কীঙোন অথম্বং কোকই [illegible] মচু [illegible]মহুগী [illegible] হাইব্রা নোম্বগী মমিনা [illegible] [illegible] [illegible] শাম্ব লৈরবা মেটাকোয়মি।

লিকোন থাম্বা—১'

জম্ম চুমদাং অসিদা যাত্রা মাজোম খেজংদাং
পুথ্রী চাউিগোই শকইবা ওইবে খোইমু ফাব-দাং ॥
খোইমু মপৈ অচুনা পূমথব ওইনা থবখরে।
মলয়াগী মুংশিংনা চঙবা ভুমথ্রে কুমথর্ে।"
পুথ্রী নাগী থম্মাথক ইমুং লীক্লা চোঙ্গানা,
কোরৌ সনা মশেক্লা পূমওাঙ ওাংনা রৈ-ওম্লা,
ফরাংজৌনা থাবনা মাজোম খেজং ওাঙথরে,
খাইগী ময়োন অচুনা ঈশিং ইভো লৈওম্লে,"
ফীভোচুনা ময়োন্দা ভোরোক ভোনা থাজিম্লে,
'লরা' খোইমুই মমিনা ঈশিং থক্লা তাওম্লে,
নীংথিজবা লাইয়ুম্না ফীভো থক্লা থাজিম্লে,
ন্যা পাথং অপুম্বা লিকোন শাম্রা-হৌথরে ॥
(৪বা:, ৩বাঃ, লা, ১৩৯)

জগোয় রাস -

গোপীশিংগী খ্বাংচেৎকী, নমথাঙ, মায়থুম, কোকথক্লা
সনা মনি-মানিক্লা লাই মরক মরক্লা
নীংথিজবা থাওমৈনে উশা উনা খ্বুজিংদা
শরৎ থাজ অচুনা 'শংবা-তিয়া মথক্লা ॥
হৈঙ্গী লৈগী মনম্লে লিরি চুম্বা মুংশিংনে,
উনা উশা পূম্বনা লেঙওম হাইওম ভৌবমে
গোপীশিংগী ভক্তিগী খ্বুখেক-খ্বুৎপু অহুবে,
হায়জ চৎচ ফোংচুনা লৈনা-শাবা জগোয়বে
খ্বায়গী ময়ায় অচুদা সনা কীগে থোজিম্লে,
মোঙোক শরা শাজিম্লে থরা চুড়া হাপচিন্লে

মায়কৈ খুদিং ওন্দুনা মায়থোঙ থম্বাল উচেককে।
হপু মন্যাই মন্নীনা মাগী মাস থোকখলে ॥
(৪ বা প্র:, ৯ বা ম:, লা: ১৬১)

কাং শান্নবা--

শাগৎলবা মপুংবা থাঙ হৈগোয় তাবংগুম,
অমু লোকী মচেৎনা হেনা মতুপ চৎপগুম,
মরম্ম মমা মাংলোবা লৈরাংশিংগী মাচানা
উরী কাপ্পি শুরুনা পাখং ওইবা নাকুলা
শামু মমা উরীকাং থাদনুরে লোইনমক
মুংবা কাংশক থরকতুনা কাংলেন হুনা লোম্লিভৈ।

* * *

ভাবোক কাওবু অচুনা ওইরে লৈরাং কংকানবী
কীজোন মখল মথম্মা থায়রে শিঙেন লৈচুপী,
কাংশঙ মযোম অচুনা ওইরে লাক্কৈ ঈশিংবু
কঙ্গাং মায়কৈ মথৈনা ওইরে পুম্ব্রী চাংজোবু;
মুৱা ওইবী মথৈনা শক্রে শিঙেন থম্বালবু,
মালংবনা হুম্বগুম লৈরাং থম্বালশিংহুবু
হৌরশিদি হায়দুনা কাংকম কক্ষম শিন্নরে
মাগী মাগী মফমদা হাইন হুম্না লেঙনরে।
(৪বা পঃ, ২০ বা মঃ, লাঃ ২০৫/২০৭)

৬। ঋতুগী মহৌশা শক্তম থাবা ইংলেজনী:

খংলমদ্রা কবিশিংগী মরক্তা ঋতুগী মহৌশা শক্তম থাবদা অঙাংহলগী লাম্বা লৈতে। ইপাল মপোল, হৈ লৈ, প্রকৃতিগী ওইবা লোৎথকশিং অমম্বং উচেক মায়ুনচিংবগী শকমশিংগা চাংদমদুনা অমম্বং মথোমবু পাংথোক্লবা শীল্লিমদুনা, নুংশা হাকথেংনবা ঋতুগী হকচাং কায়াংশিং

থাদুনা ইমেজরী শেমগংলি। অদুবু ইন্দ্রিগী মরাও হৌহনবা শরুক্তি (ইরোটিক) য়াম্নমক লোংশিন্দুনা থম্মি—চুপীশী থবাক ভানকম থাবা, লফু নেত্রা মানবা কৈবোম অমস্তুং থুবোম থুরাই ভাবনচিংবা ইচম চম্না থাবা নত্তুনা।

ইন্দুগী শক্তম—

লোক্কা হৌবা উগুম্না ভোংগানৈনে শাবান্দো।
মভোন পূংবা পামেনগুম শম্লাং নীংখিজবদো।
মুজা কিদি হাইমম্বা পামেল মাগী মভৌনি
মালংবনা থৈবদা পামেল মানা হাইবনি।
কোকশেং মচা অমনা অওন শম্বুন থাদুদা,
মুমা লাক্না কিরশিম, শাইনোন লুমাও থকুদা।।
হীপোক মজ্ নমবী মুম্না মাগী থাংচেম্ভা,
চরৈ হিজম ময়েক্লি. খোঙথক খোঙখা অনীদা;
চরৈ ফি'দ শ্বগী লাইজ চোংশা থাংচেৎনা।
মুম্না শাওঙ অপূম্বা মনাম ভাম্না নপুনা।
মুম্না মাগী শাওঙদা, ইমাইপেম্ম। কম্নিনো!
সংগাইনবু হংপম্রা, কম্নি মনীং থিজনো?

(২বা পঃ. ২হা মঃ, লাঃ ৫৫। ৫৬)

থাবনম্মাগী শক্তন--

কুচুনগা ভাংঙ্গানা মায়খোঙনগা ইচোব চোন,
শম্লাংনমুক জুম-জুম লাউ মীংমৈনদি ইকোনকোন।
মমুং মফেন মাম্নবা তেমখেং চেৎপা চরৈগুম,
শাবান অছু য়েংবদা কুৈত্রেনদি শেৎপগুম
থ্বাঙনা ভকশম ভোংদম্ভা নো'শা চম্নাম্নবনি
পূংন কবী শাঙনা মুধা মাগী ফীবমনি

হুদু মৈশুম লংবিনি খুঙ্গী মৈফাল চাকুম্মি
থাবলম্লা হায়নবী মনা কুদোংবগুম্মি ।

(৬বা খং, ৩বা মং, লাং ৮৯)

কৈনাগী শকুম -

কম্না নোকশি নোকগুমদা থুম্মিংবসু থুম-গুমদা
মুজা মবু ক্লীংঙ্গী বা মচীন থোকসি খোকগুমদা ।
মোমোন মোয়মোন মোকুনা সুবা মনা লেপচবা,
ওরাং শাংপা মহান্দি গুসি লৈকা শন্দোকপা ।
লৈরাং পুক্লৗং মুমবনা মায়থোঙ মকা লাম্লবী,
লৈরীক কোয়না স্তাবগুম শম্লাং মায়থোঙ কোয়ররী ।
অপাম হুংশি মাঙদা লেপ, মুজা শিঙ্গাং ওইজবী
পুংয়ান লেপশি লেপ-গুমদা বাকচেং থেকা লেপ্লবী;
পান-ফবী শাবান্দা চরৈ কীনা পুমম্লেং মেং
লুতুং তাবা শম্লাংনা জোবা চরৈ ফীগা চং,
লোয়ুম মপাউ খোম্লুনা ওাইন-ওাইনা হংজিল্লক,
মুজা পাউথুম খিবদা হুরা খোঙবী লৈদ-তক

(৬বা পং, ৫বা মং, লাং ১০১)

কাং শাম্লবা যাঞ্জবী হুপীলিংগী শকুম থাবা—

থুবোম চংবী লায়োনখোক থনৌং ওাথেন মচীনগুম,
সুরা কৈবোম ওাবকপা লক্সু মেম্রা মথংগুম,
উচি খোইগী কাঙলাওাক খবাক ওাকফম লৌংখিবী
পাম্বোম মজা ক্লেবদা শবৌ জেকা মঙ্গলবী,
গুকশম খোংদম মনদি খৌরী ফাকয়েং জাপ্লবা
ওক-লীম্লী থুকুমকগুম ঈশিং চেনবা উনবা
জৌনা পানবী লাইফজা শম্লাং চোকৈনা খুম্লকপা

ভুকথাম শাইনোন লঙ্গী নাইন শীক্লা ওইরকপা,
ভুপচিং লমদম চেকরাশা হুমাং নাওতক্তবদা,
হুমাং-ইপোম শৌবওম মাসংবনা হুমাং
তুরোন ভাষা শন্নাংবা নিংতু-কান্দোং লৈখর্বা,

(৪বা পঃ, ২০বা মঃ, লাঃ ২০৬)

পুক্ত্রী মপাম্দা শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রকী লৈরিবা .মুনীশিংগী শক্তম .থুবা—
কনাগুম্বী মুরানা উদাত্তা'বা কম্বকী.
লুখোক অনী খনবগী শন্নাং ইচাই চাইরম্মি ।
মুরা পান্নোম কোমগোন্না-খাংচেং ভুক্তো চুপলম্মী,
মনম লমথাং য়াওরমদে খাংচেং মনীং অম্মি ।
মনম ল্যায়োন মাবৌশিং প্যামেল উপা তাইনরি,
থম্মাল মানুবী মখোঙদো মুরা পুমকিং থিংখোক্রি,
"ঐবু করম তম্বিগে' খাংচেং মানা খাওম্মি,
থবাক তান্নম লৈথনা- চৈরে কোমগোম য়াম্মি,
শমু থুংকী শক্না ঐরাক থক্লাখারম্মি ।
মুরা 'মনা মায়োক্না উপ্রারুনা হীপম্মি,
মুরা খুনীং অনীনা লৈপাক থক্না শৌরম্মি
খুংনা খদাং শৌত্নুনা খুংশা চুবা কারম্মি ।
খাংচেং খোঙথা কীবান্না খুবোম থুংদে কুপ্পকই
খোঙথক কীবান মথৈনা চৈরে কোমগোম তারমই ।

(৬বাপঃ ১০বা মঃ, লাঃ ৩১১)

রায়োইগ্রিনুঃ

পুক্ষোক্চরিত্র ইহুয়রবীগী মশকশিং অমি. নুংরা লৈশবা রায়া
অইতেম্ব লৈরি ।

মৈনবিবা ঙীয়ম অসিগা মরী লৈনবদা অঙাংহলগী খুংহনগী দোষ করিবো ? মূর্ত্তি শেম্বদা মতাং খরদা অমগা অমগা ইমান মাখবা হুজিনবা থেংনৈ—থোইবোরা প্রকৃতিগী দৃশ্য থাবকপদা অমদি মুপীগী শকল শেম্বদা। মাহৈ, মেজ অমস্নুং উপমা খরস্নু হুজিমা পীজিরবা থেংনৈ। খুদম ওইনা 'কাওংথোন থোইজা নামিবা' (লাঃ ১৯৫, ২৫০, ২৮৬, ৩০৯), 'খাগেম্বগী কৈমাংদা মোংয়াংওবা কৈনীংদা,' অমস্নুং 'লাওম লৈগুম 'কাথবৈ' উপমা অসি অনী অহুমক হুজিনবা থেংনৈ। য়ামা কজবা উপমা ওইরবা য়াবদা মাকৈগা অর্থগা চাংনবা অমস্নু খুদম ওইনা য়েংবা য়াই—

নাদা চিনবা মাবুদি শিংওন থোইনা খল্লুদা,
লৈনম তাবা মাতবু খনথিবদি ইবুঙ্গা
পূজা তাবা লৈরাংদি তাউজিং মহাও খওথিদা,
চীম্দা হাপ্পা লৈরাংগুম ইন্দ্রি অসি পেনখিদা,
মতা লৈত্র তুংদা মুজা মানা ভাওথিবা
ঐনা মৈতে চংপদা মুয়া মানা চাকহৌবা !

(১ বা পঃ, ২ বা মঃ, লাঃ১৮)

বাত্রামা কৈনাগী মরূপ অতোনশিজগী মরমদা হায়খিবা বাহৈশিংনি। মরুনা লৈমিরবা, মুপা মুপীগী অহুকপা মরী লৈনখিবা কৈনাবুদি মাগী ওইখবে চায়না খল্লুবনা থোইনা লুনা খল্লুরে; কয়া নকশিররদবা অতোন-শিজবুনা য়েম্রা য়াত্রা মানা লুনা খল্লি হায়বগী অর্থনি। মসিদা শব্দ অমস্নুং অর্থগী দোষ ওইরিবসি—'লৈনম তাবা হায়বসি লাল্লি; 'লৈনম নম্বা' হায়বনা চুমগনি। (কবিনা 'লৈনম তাবা' হায়বসিনু হুজিন চজিমা পীজি-রবা মতাং খরদা থেংনৈ।) 'পূজা তাবা লৈরাংদি তাউজিং মহাও খওথিদা' হায়বসি 'পূজা তাবা লৈরাংদি তাউজিং মহাও খওথিদা' হায়বনা য়েম্রা চুমগনি। 'চীম্দা হাপ্পা লৈরাংগুম ইন্দ্রি অসি পেনখিদা' হায়বা

পরেং অসিদমু-লৈদি চঁয় চাবা নত্রগা চুপ্না অসি চহেনবনা অর্থ'গী অকায়বা লৈ।

মোঁঝ শরা অসি লৈতুনমু 'শিজেঙল ইন্দু'দা কাঁইন সুশিল্লরূপশিবা ইমেজরী অশি য়াম্মক মপুং ফানা ফজবা, মণিপুরী সাহিত্যগী অঙ্গনা খোকপা ফজবা খুমশেমশিংনি হায়জনীংই। কবি অসিগী অতৈ লাইরিকশিং য়াংজনা খঙবাব্য অসিখক্তা য়েংলবকাওবদা মণিপুরী কবিশিংগী মরক্তা মাগী ইমেজরী শেম্বা হৈবগী মশুনদি য়াম্না য়াংনা লৈ।

মতেঙ লৌখিবা লাইরিকশিং:—

১। 'শিজেঙন ইন্দু'—অইবা:হিজম অঙাংহল সিংহ; অফোঙবা: হিজম য়নজিতা দেবী, য়াইস্কুল হিক্লফনবা লৈকাই, ইম্ফাল; অহুমসুবা খুংনম (চহী উৎলমদে)।

২। 'অঙাংহক: সাহিত্য, সমাজ অমদি সংস্কৃতি— অইবা: ডা: এলাংবম দীনমণি; অফোঙবা

য়োবি পব্লিকেসন্স ইম্ফাল; ১বা ফোঙবা ইং ১৯৯২।

৩। 'Kalidasa's Imagery and the Theory of Poetics'-by J. Tilakasiri, Navrang, New Delhi; 1st Edition, 1988.

শিঙেঙল ইন্দু'দা উথলিবা মুংশিবগী মশক

ডাঃ নোংমাইথেম তোম্বী সিংহ

কায়নবা অমসুং থুংনবা :

মহাকবি অঙাংহলগী খণ্ডকাব্য 'শিঙেঙল ইন্দু'গী মরুওইবা থিমদি মুংশিবদা কায়নবগী অরাবা অমসুং থুংনবগী মুংঙাইবা উৎপনি। কালিদাসকী 'মেঘদূত'কী মতৌগুম, মুংশি-কায়না মৈচাকী তোথায়রবা শক্লোন কয়া, থোং-নৌরবা থমোয় ঈহলগী মশক, অমা পম্হেংগী খমথেংবা চৈনা কয়া কোঙদোকপনা কাব্য অসিগী মপূং ওইবা মশক্তি। অঙাংহল কায়ন-মুংশি শৈশকপদা মপা লৈত্রবা কবি অমনি। মাগী অতৈ লাইরিক-শিংদসু কায়নবগী অরা-মৈচাক উৎপা তোথায়রবা শক্লোন কয়া থেংনৈ। খণ্ডকাব্য অসিদা যাত্রাগা কৈনাগা কায়নবা. গোপালগা ইন্দুগা কায়নবা, গোপালগা মমা-মপাগা কায়নবা উৎপনা মপূং ওইরি। থুংনবগী শরুক্তি মিংকুপ অমত্তনি। অহনা হাওবম গৌরদাস সিংহনা হায়রম্মী—"শিঙেঙন ইন্দু' করুণ রসনা মপূং ওইবা, শৃঙ্গার রসনা মচেৎ ওইবা শৈরেংনি।"[1] মসিদা হায়নিংলিবদি কায়নবগী অরাবা কোঙদোকপা মপূং ওই হায়বনি। অহুমু রসকী বিচারদা য়েংউরবদি কাব্য অসিদা শৃঙ্গার রসনা মপূং ওইনা লৌকম থোকই।

কায়নবগী মশক :

কায়নবা মুংশিবগী অয়োংবা মশক উৎপা ঙম্মী। শ্রীধুমহেব গৌর-কিশোর সিংহনা হায়রি—"শিরহগী মৈকন্দা সংযোগমু ময়োল ময়োল

নাইদ্রা কুপিবা [illegible] পূমমক শেংলোকই। কায়নবগী [illegible] [illegible] থম্মোক, [illegible]মাদা খাইদগী হেন্না [illegible] শুর লোকই।...... খাইদগী [illegible] মুংশিবা [illegible], খাইদগী হেন্না কজবা শৈগ্রেং, খাইদগী হেন্না...[illegible] পানবা চিত্র, খাইদগী হেন্না মুংশিবা [illegible] পূমমক [illegible]সি কায়নদি[illegible] মতমদা ঐখোয়না উবা ফংই।...... কায়নরা হায়রবসি [illegible] শাবনি, কোক্তবা মচু অমা শংলমদাইদা নিংথিজনা মফি [illegible] ঙৌহনবগুম্বনি।.. কায়নররবা তুংদা ওইবা মিলননা অমুকা [illegible] থুম্মী।"[২]

খণ্ডকাব্য অসিদা অঙাংহলনা কায়নবগী মৈরিদা হুংলবা, ইন্দু অমসুং গোপাল অনীগী মুংশিনবগী অশেংবা মশক উথলি। অদুবু, ইন্দুগা গোপালগা মুংশিনবগী মওং অসি চৎনবীদা কায়বা. মোরাালিটি অমসুং এথিক্সতা মুংঙাইতবা মওং অমনি। যাত্রানা ইন্দুবু মচা, শকা য়োকখি। ময়ুমদা থমখি। যাত্রাগী অশেংবা মচানিপা গোপালগী মচন ওইনা নাউকোল্লকখি। মবুং-মৌপা মুংশিনবা অমসুং লৌন-লৈনবা হায়রবসি ফজবা য়াম্না রাংলি, সমাজনা য়ানিংফম থোক্তে। সমাজগী চৎনবীদা অকার্যবস্থ লৈ।

ফসি অঙাংহল মদিগী অরুবা সমস্যা অসি মুন্না থঙাইনা অদুবু, য়াম্না হৈশিংনা. ইন্দু গোপাল অনীগী য়ানিংদবা লীচৎ অসিবু [illegible], মবাক্সিগী য়াম্না চম্নজবা. লোংনা মুংশিজবা; ভাইবং মীওইবা [illegible] ওইনা অশাংবা পূমমকপু [illegible] তৌহনা য়াহল্লকই। মখাগী [illegible] [illegible] পাউনিংবা, য়ানিংদনা লোকপগী [illegible] [illegible] পোনহল্লি। মসি মুংশিনবগী [illegible] মশক [illegible] বিপ্লবী অমা ওইনা [illegible] ইন্দু অমসুং গোপালনা সমাজগী চৎনবী শীংনহনা [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পূজারী [illegible]

[illegible]। শেংলবা থম্মোয় অনীগী মিলন অমা পুরকই। থুমৈথা [illegible] মমা-মপা, সমাজ, লৈবাক-মিংথৌনা থাদনি। ইন্দুগী মথা [illegible] মিরমদাইনা মতমদা মপুম্মোইবা যাত্রাগী মফমদা ইন্দু গোপাল [illegible] অথুবা [illegible] কোঙদোক্লম্মী। মতুমগী যাত্রাগী মাথল হোংখি। [illegible] হীয়াংথৌ চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মফমদা করিগুম্বা অয়োনবা য়াকৌন থবা কোঙদেক্লিলম্মী। মহুদ য়ারম্বনা নিংথৌনা ইন্দুবু কোল্লংদা থমহনা মচানৈনা য়োকখি অহুগা গোপালদা থাজহনা লুহোংখি। মসিদা লৈবাকী য়াথোক ওইরকনি হায়হনা দরবার কমহনা অয়াবা পীখি। হৌজিক্কি অয়াবা পুম্মক কোক্লে। অথিংবা অমত্তা লৈত্রে। পোলোইদা পুম্মক থরে। পুম্মক অসি ইন্দু-গোপাল অনীগী মক্কবা থুংশিবা অমম্নুং ভাইবথোনবা থমোয়গী মশক্কা ওইহল্লকপনি। ঐথোয়না মমৈথংদা ইন্দুবু শাওবা উমদে অহুগা গোপালদসু য়ায়োক্লবা উমদে। অহুনা, কিরন-মতম অমম্নুং লাইবকী মরম থুগুনা ভনিক্কা হিংজয়িবা নায়ক নায়িকা অনীগী থুংনবদা হয়াউবগা লোয়ননা লুহোংবগী মতমদা মী পুম্মক্কা মিত্তুই পিয়াং শিংহরিখিনি। "অহুক চাওবা সভাদো ভায়ে মিংতৈ পি-হুবু / মরাম অহু উবদা মপু সনা মাইথোংবু/মিৎসন থম্বান অনিদা লাইজ পি-না থুম্মক / মুক্তা পুয়েং ভংপগুম পিগী মতুম কেনক্রে। ব্রাহ্মণ লৈমা [illegible] হুজা মতৌ উবদা। মজল ওইবু ইথেম্মা নুংমা মপোক [illegible] / [illegible] নগাক্কি লোইদাম অমুক কুইনবু, চানবিলহু [illegible] হকি [illegible] য়ামনু।" ([illegible]) মবানজিগী থুংশিনবগী মশক অসি [illegible] [illegible] [illegible] হাউবম পৌরদামনা হায়ি— "অসিগুম্বা থিথ [illegible] [illegible] কথনা থামবা লৈরবা লেংবনা [illegible] [illegible] মশক ওইনা উৎপুনা থীওইথগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মণিপুরী [illegible] [illegible] [illegible] চাউবা দাবি।" ৩

অপাম মুশি : মীয়েং অনী :

অঙাংহলনা খণ্ডকাব্য অসিদা উৎলিবা মুংশিবগী মশক অসি মশেক শেংনবা অহুন অমসুং নহাগী মোত হায়হুনা মীৎয়েং অনীথক থম্মী। তুংগী রাংল তৌহুনা অহন নখৈনা হাযবকই—

অপাম মুংশি হায়বসে তুংবন ঈচেনগুম্বনি,
ঙসি অমা খং-ঙমদে হয়েং করি ওইগনি।
মাগা মাগী ওইথ্রগা মুংশিবকপা ঙাক্তনি।
অপাম্বংাক চ নদে তুংগী করম য়েংদনি।
মপাম মুংশি মউ-লিং থংগোন তাওজিং য়ানবরা,
মাগা মহৈ চংদুনা মবুক থনবা য়াবরা।
ইবুংগ তাজে চায়হুনা ইনং তৌফম থোকপরা,
পুক্লং হায়না আসবু লমাজংহনবা চুম্বরা।
পুক্লং নাগা নাংহুদা রাখল লমজিং থমগনি,
খনদা মাহকৈ য়েংহুনা থবক পুম্বা তৌগনি।
মুংশিরগা মরোহবে হুনা করি ওইগনি,
অপাম্বনা মকৗর্ম হুনা করম চুমগনি!
মামং য়াঙদ পুক্লংবু মদোম হুন্দোক-ফদনি,
মবুক খাংবা মিংৎসবু ফরে করম লেপকনি।

.. ..

ঐগী ঐগী য়েংহুনা থরাই হিংবা য়াবরা,
লাই গুরুগী খন্দনা পংচৎ চৎপা চুম্বরা।
অরাবদা তাত্রিনা অচুম অবান খংত্রিবা
পংইবদি অঙংনি নৌনা মথোন কারকপা।

অপাম মুংশি হৈবিন্নু 'খোইনা হায়বা ইনবিয়ু
মমিং তাংবা পুক্লিং রাখল্ল-লমজিং হুনবিন্নু। (লাঃ ১২৪-২৫)

মথকী রাকম অসি ময়েক য়াম্না শেংই—ট্রেদিশনেল ওইবা, মোরেল ভেল্যুরশী য়েংলকপা মুংশিবগী মশক অমনি। ইন্দু-গোপাল অনীগী মুংশিনবদা য়ানীংদবা ফোঙদোকপা মীৎয়েং অমনি। অদুগা অমুক, অপাম মৈনা চাক্লবা নহারোল মথৌনা হায়রকই—

চাদ্র বস্মু তোকচগে অপাম কাদা য়ৌরগ,
তৌরাং ফক্কা ওনজগে চাদে লৈতে সোনজরোই,
মুংশিকাদা থুংজগে হোয়নি মাইনি হায়জরোই

... ...

পামদ কাদা থুংবদি মোন্দুম মোম্নেক মোঞ্জদে,
সনা খোংনেৎনবস্মু কৈস্ম ওইনা উজদে।
অপাম-কাদা থুংজগে মুংশি কাদা য়ৌজগে,
লৈত লাইর লাকপস্মু উংনা য়াইনা খুমজগে।

... ...

হৈরাং লৈরাং 'তৌগুম্না পাম্বী থাবা য়াবরা,
মুংশি চারা ওইনবু মাবু ফুকউ ঙম্বরা!
মপু সনা কৈথেন্দা তাওজিং ওইনা য়োনবরা,
তরেং সেপ্পা তিংদুনা মুংশি তাওজিং ফংবরা
অপাম মুংশি হায়নবু পো-গুম থাংবা য়াবরা;
মফম চাদে হায়দুনা শিন্দোক-শিনজিন ঙম্বরা? (লাঃ ১২৫-২৬)

মুংশিবগী তম্বা ঙমদ্রবা তাওলবা মগুণ শৈথাবনি। মুংশিবদা অঙকপা শাফু অমা লৈ অদুগা নিংতম্বগী লৌচিং অমনস্মু তত্তনা চাংই। মুংশিবগী মীৎয়েং থাখল্লোন অনী অসিদা অঙাংহলনা মায়কৈ অমদা মীচং চঙনা উদে। মহৌশাদগী চংনরকপা থাখল্লোন অনীনি হায়দুনা ঐথোয়গী মাঙদা চুম্না থম্বনি—"তহুন অঙাং অনীগী মীচং অনী থোক্লরে,। সিগী চংনবসিনা মহৌশানা চংনরি।" অঙাংহলনা গোপালগী লৌচং অসি য়াকিংবদি নাক্কনা নাক্কায়্ননা প্রমাণ তৌদুনা লৈরাংশিংনা

খোইমুগী লিচৎতু পামজদে হায়বসি ফোঙদোকহল্লি। যাত্রানা মচা গোপালবু শাউবদগী শিগ্রে হাংনা থল্লি। অতুবু অসিগুম্বা সমাজগী চৎনবীগী রাংমদা লৈরিবা ফজত্রবা মুংশিনবগী লৈচং অসিবু তাইবং মীওইবগী ওইবা মুংশিবগী মশক অমদা পুশিল্লকুনা (human love, human aspect of love) হেন্না শেংবা, হেন্না রাংবা হেন্না মক্রুংবা মুংশিবগী শক্তম অমা যৌন শাগৎপা ভল্লিবসি কাব্য অসিগী কাব্য অসিদা উৎলিবা মুংশিবগী তোপ-তোপ্পা মশক অ-মুং মশক অমনি। অসিগুম্ব অকবা সমস্যাদা যুম্নফম ওইরগা শাগৎপা রাবীদা অপাম মুংশি কাম. শৃঙ্গারগী শরুক য়াম্না উৎপা য়াদে, দোষ লাকপা য়াই। চৎনবীগী বাংমদা. চঙবা য়াদবা মুংশিবগী লৈকোন্দা নীংতম্ব। থমোয়না চঙলুবগী অরা-মৈচাক, ইকায়বা. অচোপ্পা, পীরা মৈশা মীচৈ, মৈচাক থাঙবা তাবনি নোল্লুক্না, মঙক হায়গত্তনা থমোংলুংদা শুমচারনা অভিশাপ ফংলবা মীগুম। কালিদাসকী যক্ষসু (মেঘদূত) মুপীদা কাক্তেন্না রাগ লৈকতুনা মথৌদাং কাউথোক্লুবগী লাল্লুরবা মীশক অমনি। মশানৌগা চহী অমা কায়নবগী অভিশাপ ফংখি। কায়নবগী মৈবিদা ইকলবা মতুংদা মিলন ফংখি। শূদ্রকী 'মৃচ্ছকটিকম্'দা পূকচেল চাউববা ব্রাহ্মণ চাকদত্তনা বসন্তসেনাবু মাগী মুপী ওইনা লৌখি। মতুংসু অবাবা, খুদোংথিবা কযা তায়োক্লুববা মতুংদনি। নিংথৌ অগ্নিমিত্রনা মীনাযমুপী মালবিকাবু মুংশিবা (কালিদাসগী 'মালবিকাগ্নিমিত্র') লৈকোনগী চৎনবীগী রাংমদনি। থৌনা ফববা, শক্তি লৈববা নিংথৌ অগ্নিমিত্র মীশোন ওইখি। লানজদবা থমোয়গী মশক অতুমক্তনা মালবিকা ফংখি, মহাবাণীমরা ১নিংথৌগী মফমদা মালবিকাবু কংচখিবনি।

'শিঙেঙল ইন্দু'দা কামগী শরুক য়াওদে। শাংথ্রবা কাব্য অসিদা নায়ক নায়িকা ওইরিবা গোপাল অমসুং ইন্দু অনী মুংশি য়ারী শাবা অমত্তা উত্তে। গোপালদা থাবলসনা থাক্লবগী মতাংদা, গোপালনা

লুহোংবা য়ানিংদহুনা লোন্না মণিপুর থাদোক্কুনা চংলমদাইদা, মখোয়গী লৈকোন্দা ইন্দুগী মখুৎ পায়দুনা মাগী খুদোপ পিবিখি, খুদোপ পীনখি। (ইন্দুনা ইকায়বনা য়াত্রবদা মাগী খুদোপ্পু লৌথোক্লগা মতোন্দা শীজিনবনি) মসিনা অহানবা অমসুং অরোয়বা নুংশিবা ফোঙদোকপগী থৌদোক্নি। অরোইবা বিদায়গী মতমদুদা ঐখোয়না ইন্দুগী ফমদগী নুংশিবগী ওইবা মতৌ, পাউথুম অমত্ত ফংখিদে। ইন্দুগী মচিন্দগী বা মচেৎ অমফাওবা তাঙখিদে। গোপালগী থাজদবা থৌওং অদুদা ডকপা, তৌফম শঙদবা, চমম্নবা, বুদ্ধি মাঙবা ওইনা উংলি। ইন্দু রাস্তখি পালেম-পম্মৌ অনীনা পোহুনা পুশিনখি।

প্লোট: নুংশিবগী রারী শগৎপা

খমনা খম্বনু রানা য়োল্লকপগুম ইন্দুনা মৌপা পীশক মমা-মপা শিত্রবদা মালুগ্রামদা রানা নাউকোল্লকপগী নুংশিব কৈনা কায়নবদা তাওরদুনা মালুগ্রাম থাদোক্কুনা মৈতৈলৈবাক্তা লাকখিবা যাত্রাগী থমোয় চাক্লবা কায়ন মৈচাক, গোপাল অমসুং ইন্দু অনীদা লৈরিবা কায়নবগী অরা-মৈচাক (sentiments of love and separation , মৈতৈ সমাজ অমসুং সংস্কৃতিগা মরী লৈনবা হুমাউ-কুম্মৈ কয়াগী মশক উৎলকপদা মপা লৈতনা হৈশিংবা অমসুং কল্পনা শক্তিগী ফজবা মশক কয়া উবা ফংলবসু কাব্য অসিদা য়াম্না মরু ওইবিবা গোপাল অমসুং ইন্দু অনীগী নুংশিবগী রারী অমসুং প্লোট শাগৎলকপদা অশোয়বা, অরাৎপা কয়া থেংনৈ। চন্দ্রকীর্ত্তি নিংথৌগী অচৌবা ফম্নাইবা ওইরিবা, নিংথৌনা য়াম্না লুনা-চান্না শৌরিবা যাত্রা অমসুং লৈপাক্লেগী অমত্তা পোকচবা মপারী গোপালনা ইন্দুবু মপানা মালুগ্রামদগী ময়ুমদা অহানবা পুরকপদা, ইহান হান্না উবদা নুংশিবা পোকহনবসি নাত্তে চাবা খরা রাংলি। রাফম অসি ইন্দু কায়নরবা মতুং কায়নথংদা মালুগ্রামদা গোপালনা কোঙলকপদগী খঙবা ভম্মী—

ঐবু পোকপা পম্থোনা লৈরাং মাবু পুরকখিঁ,
ঐগী মাঙোন য়োবদ। ইহান-হানবা উরকখিঁ
লৈরাং মাগী মচুনা থমোয় লকা চুরমই,
নূরা মিৎমৈ উরিনা থমোয় পামেন য়েৎলমই।
মথং হৌমিন কাম্মিনৈ মুমিৎ পুংজা নাইরক্কে,
তোরেৎখদা-নরকই, থান-কৌবা লৈরক্কে।
অপাম মুংশি লৈরাংনা শিঙেঙন মরী চংলকই
নাক্ত হৌবা পামেন্দা মুংশি মরী কাররকই। (লাঃ ১১১)

কবিনদি অহানবা উন্নবদা মুংশি খোঙফম্নবগী – (love at first sight) অপাম্ব লৈরম্বা য়াই। নত্রগা, য়াইথিং কোম্নুনচিংবা মোইরাং কংলৈরোনগী লেজেন্দ কয়াগী মমিতু পূক্লিংদা খারম্বম্ব য়াই। অহানবা থোক্লকপা মতমতুদা ইন্দু য়াম্না নৌরি মশাগী চহী ৬ তরক ঙাইরি। "চহি তরক শুবদা মৌপালসিগা অনিসি যাত্রায় তুংবু ইল্লকপা ঐদি ইত্তক ঙকপনি।" (লাঃ ২০৫) মপাবুং যাত্রানা চীংলোন মাপল লাম্না য়াম্না য়ানা মণিপুরদা মচা শত্তুনা য়েকচরগে হায়না পোতুনা পুরক-খিবনি। "লোৎবী চীংজাও লানবদা তুজা মাবু নমদা পো / পাঙন চাওদ মৌপা চরৈ থাগোম্নতুনা / পোইরৈ লাম্না পুম্নকই যাত্রা 'কৌবা ঐম্লিনা।" (লাঃ ২৩৬) অকক্নবা মশাগী চহী, মুংশিবা হৌখিবগী অকক্নবা মতম পল্লমদবনা হেন্না ফরম্মী। ফরে, মচনমক নত্তবা ইন্দুগী মফমদা গোপাম্না মুংশিবা পোক্লম্বা য়াই। অতুবু, মাগী মুংশিবসি ইন্দুগী মফমদা করম্বা মতমদ ফোঙদোকখি? কায়নরমদ'ইদা খুদোপ শিখিবগী মতাংদা ফোঙদোক্লি অতুনা অহানবরা? ইন্দুনা মবুং গোপালবু মুংশি-বসি কয়াম কুইরে? কায়নরবা মতুংদা মুংশিরকপ্রা? অকিঅচিংবা অঙ্গি য়াম্না ময়েক শেংনা একশন ওইনা উত্তে, চয়াইহল্লি। মপাঙোংদদি য়াম্না মুংশিনব', পোকমিন্নবা মচিন মৌপাদৌনা উৎংঙ্গি।

অদুগা লৈপাক্লেনা শিরমদাইগী মতমদা রাখল হোংলকপা, ইন্দু অমসুং গোপালবু য়ান্না সুংশিরকপদা নত্তনা মবান্নিগী অরোনবা মরী অসি হান্নমা খঙলবদোনা যাত্রাগী মফমদা অথুপ্পা রারোল খরা ফোঙ-দোল্লকপা' অসি প্লোটতা অকায়বা লৈ। যাত্রাবু কৌশিল্লগা লৈপাক্লেনা হায়রকপগী মতাঙদা অসুম্না হায়রি -

পন্থো যাত্রা অদুবু কৌশিলক্লে মহাক্না
ঙম্বা মাগী কাহুদা শেংদোক্লক্লে মমানা
মচা অনিগী রাফমদো অথুপ্পদি লৈতনা।
রাফম অদু তাবদা যাত্রা মংফাওনরক্লে,
হয়ি কোলোই চিন্দ-শোন মিংত-পিবু তারক্লে। (লাঃ২৬০)

যাত্রাগী মফমদা শেংদোক্লিবা অথুপ্পা রাফম অসি করিনো? ঐখোয়না খঙই—গোপাল অমসুং ইন্দু অনীগী অরোনবা সুংশিনবগী মরী অদুনি। লৈপাক্লেনা মবান্নিগী অরোনবা মরী অসি খঙনা খঙনা করিগী লোং-শিন্দুনা অসুক কুইনা থম্লিবনো? মপুরোইবা যাত্রাগী মফমদা তাকুনা সমস্যা অসি কোক্লবা শীনিদ্রিবা করিগীনো? লৈপাক্লেগী রাফম তাবদা যাত্রাগী রাখল হোংলকই হায়রি। হোংলক্লিবা মওং অসিদু অচুম্বদি নত্তে। মরমদি, যাত্রানা মচা গোপান্দা শাউবদি মাগী লীচৎ অদুদা রারোবনি। হৌজিক গোপালগী লীচং হোংবদি নত্তে। মসিন্না করম্না যাত্রানা গোপালবু য়াহুনা লৌশিনগদৌরিবনো? যাত্রাগী অচেৎপা পুক্চেল, নীতি অমসুং ফিদম অদু খঙশোম শোন্থরকপগুম তৌই। লৈপাক্লেনা শিত্রি-লৈদা অরোনবা থৌরাং অমম্ম তৌরম্মী হায়বসি ইঙ্গিৎনা উৎলি। মহাক্না নিংথৌদা ইন্দুগা গোপালগা লুহোংনবা হায়জরম্মী। নিংথৌনসু য়াবিখি। নিংথৌনা ইন্দুবু মচাশক্না কোম্নুংদা পুখত্তুনা য়োকখি অদুগা গোপান্দা থাজহনা চাউনা লুহোংখি। মসিদ্ম মশানা তায়কপা প্লোটকী মওং অমা নত্তে, থুংদোম য়াওরবা অমনি। গোপালগা ইন্দুগা থুংনলবা হোংনবদা ওইহনকপা মওংনি। লৈপাক্লে য়াহনকপা (অমসুং শিংনবা)

মসিনা মরম ওইহনা গোপাল কৌথোক্লবা, যাত্রাগী রাখল খংহোং হোংহনবা লৈবাক্কী রাথোক ওইগ্রিবা রাকম অমবু কাউথোক্লগা, ইরায় লায়না নিংথৌনা দোষ লৈতে হায়হনা ইন্দুবু গোপালদা লুহোংবা য়াহল্লিবা পূম্নমক অসি ফজবা প্লোটকী খুশেম্নি হায়না লৌবা ঙমদে। নায়ক-নায়িকা অনীবু অরোয়বদা থুংনবনা শেম্নকপনি। নত্রবদি, চত্থরক্লিবা রারী পরীং অসিদা গোপালগা ইন্দুগা থুংনবা হায়বসি য়াম্না রানা থোকই। অঙাংহলদা বিপ্লবা অমা ওইনা চৎনবীবু শীংনবগী রাখল লৈখিদবনা খণ্ডকাব্য অসি অরা-পোলোইগী রারী ওইরম্বা তাবনি।

অহুগা, ইন্দুবু কৈরুংবগী মচা নোবোদা থাজবা যাত্রানা নোবোদা লেপ্পা অহুগা নিংথৌগী ময়াম্বগী মচা, ফত্তবা গোপালসনাদা (নোংবান-গুম্বনি) নায়ক্কা মমিংদস্সু গোপাল অহুগা নোংবানগী মমিংদস্সু গোপালসনা পাবদা চময়ে। মিং মান্নহনবা চুমদে।) মহারাণীমক য়াওনা ইন্দুবু থাজনবা হো'নরকপা, নোবো অমস্তুং গোপালসনা অনীনা ইন্দুবু মুম্নরকপা, গোপালসনানা ইন্দুবু ফানবা তৌরকপা, নায়ক গোপালগী মরুপ লালানা ইন্দুবু লোম্না চেনবা অসিনচিংবা লৈবাক্কী অচৌবা রাথোক ওইখিবা পূম্নমক' অসি তুনিম্না অহুম লৈহনখ্রে, মখা তাহল্লকখিদ্রে। হায়েং রাইনবা থোৌদোক্কুম, চা গিলাসতা হৌরকপা ঈথককুম অর্থ য়াওহন্দনা অহুম লোইশিনহনখ্রে। মসিস্সু প্লোটকী অশোয়বা অমনি। মসিগী মথক্তা রারী' চৎথবকপাদা কোইথোকখিবা, মাওদা চঙশিনগদবদা ফাদোকখিবা মতাঙ কয়াম্ভ থেংনৈ। লালাদা পূম্নমক শিন্নরয়ে হায়না লৌরপস্সু মানা কাব্য অসিদা পাঙথোক্লিবা থবকশিং অসি মরী লৈনদনা খুদক্তা হেক্তা চোঙ-থোকহল্লকপদৌনা তৌই। ইন্দুগী মৌপ্াগী থৌদাং করি অমত্তা উত্তে, লুহোংবগী মতাং নত্তনা। মম্নিংফাওবা থোন্দে। চরিত্রশিং অসিস্সু আর্ট-দিয়া অমা কোঙদোকপা টাইপ ওাক্তনি, ইন্দিভিজুয়েল ওইবা চরিত্র, য়াওদে। মাসুপ্রামদা চৎখ্রবা মতুংদদি গোপালগী চরিত্র অসি য়াম্না শোম্বরকই।

ইন্দুগী নুংশিবা :

খণ্ডকাব্য অসিগী খ্বাইদগী মপুংফাবা, ফজবা চরিত্রদি ইন্দুনি। মশক-মতৌ শাবান মূর্ত্তি য়াংবা ফজবা, বুদ্ধি-লৌশিং থাত্তবা; রাহে-খোনফম নীংথিবা, থৈনা বুধা লৈবা, ঈংবী তপচবী নুপীমচা অমা ওইনা য়েকই। "কবিগীদি মতম্গী সবৌশিংস্মু রাক্তেদো / রাহে খোনফম ফজবা শকচুনা নিংথিবা '... নুংশিবগী মথক্তা ফজনবা শেম্বনি / য়াওদে অশোইবা অমত্তা / ..... নুরা মাগুম্বসিদি মাংলমচত্তা থোকখিরোই / তুংলমচত্তা লাক্কনি মাতুমম্ম থাজবোই ।" ঈংই তপ্পী মোং হাদে। মাগী মগুণ অমম্মুং মিংচৎনা লৈবাক পুংজাও থিনম্ব্রে। মাগী ফজবা শক্লা লৈবাক কুম্মৈ ওইনা য়েংনৈ। শক অমম্মুং গুণতদা মমিং চৎপা নত্তনা মাগী রারী অমম্মুং থৌদোক অসিম্ম লৈবাক্কী ওইবা অচৌবা অমা ওইনা।

মরাইবক থিরবী ইন্দুনি। মমা-মপা, শাগৈ নাতৈ মরুপ মপাং, পোক্লফম কায়নববী নুপীনি। নমজা সারা ওইনা হৌরকই। যাত্রানা মচাশক্লা নাউকোল্লকখিবদগী ইন্দুনা যাত্রা অমম্মুং লৈপাক্লৈবু মমা-মপামক্লি থন্না মুংশিল্লখি অমম্মুং লুনা-চান্না সেবা তৌজখি। নোংমতম্ম ব্যবহার কায়খিদে। গোপালবুস্মু মবুংমক্লি থংগা লোয়নজখি। মবুংনা থাবন্নল্লাগা লুহোংসি য়াদবদা থামোয়দা চম্না রাজে, থাওফম থগুখিদে। মরেবাক থাদোক্লুনা চৎপ্রবা মতুংদতা ইন্দুদা অহোংবা অমা লাকপা থেংনৈ। মমা মপাগী মফমদা ওইদবা নমথাক কয়া তৌবা হৌরকই। মীনম্বা রাগুঙ্ক কয়া ভাঙঙ্কই। "ওরাং নুমিদাংদগী ইন্দু নমথাক হৌথরে।" নারে হায়জিল্লহনা ইমুংশোত্তরা কপ্‌নুনা লৈ। মপিনা শাইনোন কংখিদে। মপান থোকপা ঙম্মদবা, মুংদা চাকপা মৈচাক অমম্না কাহংলবা ইন্দুগী চরিত্র য়েকপদা য়াম্না ফজে। "নাকেন থাগী শরুক ইন্দুদা থুংবিরে/

ইথ্রি' পূম্বা লোইনা কং নূরা মাইথোং লাংশিল্লে / নোংম-নোংমগী চান্ত্রে খাম্মে-মৈগুন্না ' কেনখিগদৌবে মহাক্তি নাকেস্থাগী উনাগুম।"[৭]
ইন্দুনা গোপালবু মুংশিবা মাগী মীংঙমহৌদবা থমোয়গী মশক অসি মাগী মঙদা গোপালবু উহন্দুনা ফোঙদোকই।

জহেরাগী মতৌগুম ইন্দুগী অচেৎপা ফিরেপ লৈতে, শীংনবগী থৌনাস্থ লৈতে মহাক্তি লাইবক্না তাথিবিরবা মীগুম নোংদম্বগী থৌশিল ইন্দুনা ঈমৈনা চেল্লকপা কৌশিংগুম তাউথরকই নোবোদা থাজবদা ফোংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ঙমখিদে। মপানা হায়বা ইনবী অমা ওইনা মপাগী অপাম্বা পোইবৈ ইন্দুনা লৈখি। লিক্লোন শাম্নবদা নোংবান গোপালসমা মনাক্তা ফম্মী—করিস্থ হায়জবা ঙমদে। নোংমা মখুং লালাদা ফোঙদোকই—"নোংদম ওইবা ইবুংঙো। নচন কমদৌ হায়বগে?" মাগী রাখল-ফিরেপ পূন্নমক লালাদা শিন্নথোকই। গোপাল-সনানা ফাগে তৌবত্তুগী লালানা ইন্দূবু কনবা ওইনা চেনবগী মতাংদা ইন্দুগী চমজবা, অশেংবা রাখল খঙবা ওম্মী মঙোন্দা মীয়াম্না অমাংবা রাখল থনবা ঙমখিদে। মীয়াম্না মাবু মুংশিখি। অহুনা যাত্রানা মাবু অমুক লৌশিনখি। মাগী মবাল লৈতে থঙলকপদগী মমা নায়ক্লবদা ইন্দুগী সেবান্দা মমানা কয়াদা পেনজখিবা। অবোইবগী মতাংদা নিংথৌনা মাবু মচাদৌনা য়োকখি। মহাক অহুম য়াখি।

ইন্দু শেংবদগী শেংলবা, চম্বদগী চমজরবা, হায়বা ইনবী মুপী অমনি। অহুনা মঙোন্দা শাউবা, মরাল শীবা, দোষ ল'শিনবা ঙমদে। মসিগী লমচৎ অসিনা মী থুদিংমক্কী থমোয়বু জয় তৌবা ঙমখি। ইন্দুগী থমোয় শেংবা' মশকশু কষিনা অসুম্না ফোঙদোকই—

অমোংপাদি মুরানা (ফদি) 'মোংপা লৈমাই থক্তুবু
-মুরা মানা শেংবগুম অমোংপদি থমোয়বু,
লৈপাক্লৈগী ইক্লিলো শেংদোকখ্রে মশানা। (লাঃ ২৬০-)

মিহুংশি অ.সুং অশেংবা থমোয়না জয় ত্রৌবা ওমদবা নত্তে। অঙাং-বমগী মপুগা অনাম্বা মক্রুবা থমোয়গী সিম্বোল ওাকনি। ইন্দুগী অসিগুম্বা থম্মোয়নুংদা গোপালবু নুংশিবগী মশক অমা মকাকোংদুনা, লোয়নমচ চেৎনা কোন্দুনা থম্মী।

গোপালগী নুংশিবা :

নুংশিবগী মতাংদা গোপালগী অচেৎপা ফিরেপ অমদি লৈ। মহাক্না মচন শক্লবী ইন্দুবু নুংশিকই। থমোয়গী ওইবা, তম্বা ওমত্রবা নুংশিবগী মশক্তি। মহাক অহানবদা ইন্দুবু লোগে থনখিদে, সমাজগী চৎনবীবু শীংনগে হায়নস্লু তেমশিংথিদে থনখি মতোমতা মাওজপ্রগে। অহুনা মঙোন্দা থাবন সনা থাজবগী মতাংদা ইমুং মনুং, মরৈবাক থাদোক্লুনা মালুগ্রামদা চেনখি। বিদায়গী মতমদা ইন্দুদা খুদোপ শিবিরম্মী।

"গ্নয়া লাইবক চাউরবা লাইনা তম্বা লাকনি / রাক্লয়ু কপগ্ন কপউরগা কৈদৌনি।" মাবু নুংশি হায়বসি তশেংনা ফোঙদোকলম্মী। কনা অমত্তদা হায়দোকনু হায়না চেৎনা শিন্নরম্মী। হায়ন-শীংন লোয়রবা লুহোংবগী গুমিৎ লেপ্পবা থাবনসনাবু লুহোংলমদাইদা মযুম থাদোক্লুনা চেনখিবা হাংবসি য়াম্না লুবা অনি লৈবাক রাথোক ওইগাদবা মতাং অমনি। অহু ওইরবস্লু চপয়ুংনা লেপথি "পলেম-পম্ৌ য়াথং ইল্লোই লেপখরে। মীস্লু লাইস্লু কিদরে লৈম-নিংথৌ য়েংদরে। লৈবাক কুম্মৈ ওইসনু ঐবু খোঙ্গোইনসনু"

গোপালগী মতৌসি মীনা থাজবা ওমদে। মরমদি "গোপাল হায়বা অঙাংদো অহুক হেন্নদে / মরমচৎস্লু কিংখিবা মীনা মাবু তাংখিদে।" মসি অচুম্বনি, মালুগ্রামদা মতম কুইনা লৈবদো মাবু লোইনা নুংশি। থমোয়দি য়াম্না চেংলি— ইন্দুগী মরমদা কনাগুম্বা হায়দোক্তে। "থমোয়

কিরুক মুংলগী লৈরাং লৈনম'হেন্দোক্নে।" কালিদাসকী যক্ষদি মশাবী কায়নগদবা শুপ্নগী চহী অমত্তুনি হায়বসি খঙই। অহুনা থাঙবা ওম্বা অমা লৈ। গোপালনা ইন্দুবু কায়নবদি অকরুবা মতম খঙবা ঙমদে। পুন্সিগী শুইববস্থু হাই—অহুনা মালুগ্রামদা কায়ন-মৈটাক্লা ভৌহুনা মতম কয়া রানা খাঙহুনা লৈখি। মতমসিদা মঙাক কবিস্থু তৌবা ঙ দবা মীশোন অমগুম লৈবা উই। অহুবু, গোপালগী অরাবা মতম লোইরে। মুংশিবগী মৈরিলক্তা মাগী অরানবা থমোয় মৈ ইকতুনা শেংদোক্লে। মমা-মপানা মঙোন্দা য়েংলম্বা মীৎয়েং হোংলে। লৈবাক নিংথৌনা মাবু দোষ লৈত্রে হায়রে। মতমঅদুদা গোপালবু মণিপুরদা কৌথোকউরে। অরাবদি, মুংশিরবা মমা শিবনা হানলম্লে, উরবা ফংদ্রৌদ্রে। অবোয়বদা মানা মুংশিজরিবা ইন্দুবু ফংলবস্থু অপোকপী মমা কায়নহল্লিবসি গোপালগী মফমদা অইবনা পীবা অকনবা চৈরাক অমনি, মোরেল পনিশমেন্টনি।

হৌজিক্কি, নায়ক রায়িকা অনীগী শাংলবা কায়নবগী তপস্য'দা থমোয়দা লৈরম্বা অমকপা, অমোৎপা পূন্নমক চামথোকখিহুনা, লৈচিম্না কুপশিল্লম্বা থাজনা লৈচিন তাকখ্রবদা লুনা-ঈংনা ঙানবগুম ইন্দু-গোপাল অনীগী মক্রুবা থমোয়না ঙালে। মবাম্নি লুহোংবদা সভাদা তিল্লিবা পূন্নমক্না প্রেম পোকখি, মিঙ্গগী পি শিন্থখি অমসুং ঈশ্বরগী মফমদ মঙ্গল নীজখি। অঙাংহৌগী মুংশিবদি আত্মাগা মরা লৈনবা অরাংবা থাকী মুংশিনবনি। আধ্যাত্মিকী পংখৈ মক্সুংহুনজিনবা রাখল্লোন অমগা শাগোল্লবা মশক অমনি।

মরী লৈননা তাকপা (রিফবেন্স):

(১) 'শিঙেঙল ইন্দু', হাওবম গৌরদাস সিংহ,
'হিজম অঙাংহল নৈনবা রারেং নহারোল
সাহিত্য প্রেমী সমিতি, ইম্ফাল, ১৯৮৮, লাঃ ৭

(২) 'কালিদাসকী মেঘদূত' ছন্দোকপা খুমন্থেম গৌরকিশোর সিংহ, ১৯৮৭, রাজ্যোলোক (৬)

(৩) মথক্কী মশীং (১), লাঃ ৮

(৪) অঙাংহল : সাহিত্য, সমাজ অমসি সংস্কৃতি, এলাংবম দীনমণি, বোবি পব্লিকেশন্স, ইম্ফাল, ১৯৯২

'শিঙেন্ডল ইন্দু'দা মণিপুরী সমাজগী মমি

এলাংবম দীনমণি

মহাকবি অঙাংহলগী মহাকাব্য 'শিঙেন্ডল্ ইন্দু' দা মচা থায়না থায়না য়েক্লিবা মণিপুর অমদি কাছাড়গী মণিপুরী সমাজ অসী অসি ঈংনা তপ্না লিরি থোক্তরিবা ওয়াকনকমগী থাক্তা লৈবা শেংলবনি। শিলচরগী বোরাক তুরেল মপান্দগী লৌবা ইমফাল তুরেল মপাক্তা লোইবা কাব্য অসিগী থৌরোল পরোংদা সমাজগী মাহোক্তা লৈবা মুক্কা লৈতে। লৈরিবা কাব্যগী মপুঙ ওইবা মুক্কবদি মী ওইবগী থমোয়, থমোয়গী থোংলবা মরোলনি। চুপ্পা সমাজ ইংশোকমক শোক্লমদ্রি নত্তে, রায়গী মপুঙদা পুথংলকপা চাউরবা মুক্কা নত্রগা অপনবা অমদি শীংথারি— লৌনবা য়াম্বা য়াদবা। গোপালগা ইন্দুগা অচৌন-থৌপ্পানি। পোক্লমদ্রবা মথুং-মচন্তক্তি নত্তে। অদুবকপু লৈবাক্লদি যাত্রাগী এচাদি হায়না লৌই। লৈবাক্তা খঙনরি—

অচা শক্তা য়োক্লবা যাত্রা মাগী ইন্দুনি।
গোপাল মাবা নুপুংদি ইন্দু কৌবী মচমনি,
শোকপা শোক্ত থিজদে নকপ্নদি ওইদিবিদ্রি,
শোকতন লৈনাক অসিদা এখোই পুম্বা নঙনদি
মচিং মৌপুং [illegible] লৈতা উনদি।

(শিঙেন্ডল, [illegible])

নায়ক-নায়িকা অনীগী মুংশিবগী লাম্বনদা য়াংলবা অপনবা ওইরিবনি মসিনি। কোংনা চায়বদা থিংলিবসি মসিংনি। মরক্তা শাংনা কায়ন রুবগী মরমশু অসিনি। অদুবু অপনবা অসু লোইশিন্নকপদা অচম্বা চৎনরোল অমগী য়ুমকমদা মখোঙ থেংনা ফুকতংলি -যাম্ন চাউবা সমস্যা ওইরক্তে।।

> য়োকপা ভাক চৎনদে, হৌনবগী মথক্তা
> পিনরক্তে ইন্দুবু যাত্রা মাগী মথুংতা
> "পিবা য়াবা মীনদি,- খোইনা বেরা লৈবোইদা
> কাযবা লৈত্রে হাযদুনা ভানরুকই মমৈদা।।

লৈবাকক্তী মপু নিংথৌনি য়ুমগীনা খুপানা, তৌবদি লৈভাক থৌরমদি প্রজানা হায়বদি অঙহনা পুষ্টি অদুগা য়ুমগীনা মুপা মুপী পুমিয়ৈ। নিংথৌ পাজিরবশু প্রজাগী মফম চাউবা লৈ। য়ুমগী ওইনা মুপীগী মফম য়ায়মক চাউনা খল্লী "নিংথৌনা প্রজাগী য়া খোই অদুগা য়ুমগী মকোক খুপানা য়ুমগী মুপী ভায়দনা হীয়ম খুদিংদা কুপী-য়াশী .তৌবা চৎনদে। লৈবাক অমদি ইমুংগী লোনচংতা শণত্তম্মী মঙাল ভাহি।

"মুপীগী খাক য়াংবা লৈবা সম্নাজনি। মেতৈ মুপী 'হায়দগী মায়খল [illegible] নম্রপা খায়শুবকী [illegible] সনাগী লৈতেং মত্রপা [illegible] শাম্নপোৎ ওইরক্তে মহাকাব্যদা য়াওশিবী মুপীশিং লোইনমক .পঙাপনা য়াবা ফীভমদা [illegible] ইমুংগী [illegible] মপান্দা থোক্লনা মু-নোমবগী [illegible] [illegible]। শিন [illegible] লৈবা হৈনদবী চমু ভাক্কি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থোইবী কাওবা কনেক [illegible] [illegible] [illegible] খুনি[illegible] মৈত্রবাক চমুগী মকম লৈ [illegible] [illegible] [illegible] য়াবভা নাত্তে মুংশিবা [illegible] পুনিনী [illegible] থনবদমু চমুনা নীং [illegible] নীংবদমু

থোৱাইনি নিয়ম চুম্না লৈংজবা অমনমা লাকপদগী খোংথাংনৌবা মশা মশাদা হায়বদা খত্তিক্কা হাওবা থেং তোংকক্কী ৱাহু কাৰ্ত্তিক মাগী চপ মুংবা ৱাখল ফোঙদোকলক্কই—

পঙ্গেম পনথৌ য়াম্বংদা ইনথা ঐদি ওমজরোই;
ঐনা মহোয় অমীদা লৌগনাই হায়সু ওমজরোই।
থবা হায়বিমু ইতাও—হায়বা ফাওবা ইচিমা
পলেম পনথো মাদদি ওগ্নরোইদো ঐহাকক্না
হনসিনবিনু ঐঙোন্দা ওম্মোগ হায়বা ঐগাক্না
উপাই লৈত্রে হায়বগা তাকপিংহৌরো ইতাওবা
ঈশিংদরা মেদরা ঐমা থোকপা ভৌরগা (লা ১১৮)

শিরগে হায়বনি। শিবা কিয়ক্তুবা মাদি লাখনা লৌবা যারোই। তুংশিবা অমদি নীংতম্বগী দমক্তা অপনবগী মথোক্তা হৌরকপা ঈহো অমা ঈরেৱরনরি। অমীমকপু লুনা ভৌজবা সমাকনা তেংবাংই।

শেম শাবগী কজবদা য়ান্নমক থরাম য়াওবা সমাজনি। চাকচা-ইথক, য়ুমলৈ কৈলৈ ফিজেং, চাকচা পুন্নমক্না চজবা থিবা অমদি নীং-থিবা হাপ্না সমাজ ওইনা মহাক্রাৱাকাবনা থেক্লি লমদা অসিগী মগুন অমনি। কুকৈ-ফিয়োং চরাও-কুম্ভৈগী চৎথোক খোক্তাকপা মতাংদা অথন অথনবা লৈতেংলিনা লৈতেংবতদা কলাগী মশক উরগ লজে-য়ুমশা কৈশা য়ুম্নান কৈবানদা ফাওবা কলাগী মশক উহ—

হৈনু লৈনা যাত্রাগী লৈতে ৱাংপা মাগীদা
মমাও অৱাং শঙ্গোইহ লৈ নীংথিজেদো য়েংবদা
থরাই হোজং থোক্লানৈ চেকপন কোইনা থাবনা

কোনথোং হোজং মচিঞ্জে শঙ্গোই অমী মচিনখাও,
লৈরং লপবেং অনীমাক্ সুমাং মচীন অরা খাও
শিঙ্গি নাম্না খ্মাজিন হিত্রা মতা লৈতেদো (লা ৫১)

থোকা হৈনা নুকা-খাংবা সমাজগী মথি থেংনা তাম্মী।

পুন্সিবু মায়কৈ মুন্না চীংলেম্বা লৌজবা সমাজনি। মরক্তিদা চাং- লেম্বা লম্বেল চৎপদা পোৎথাবা য়াম্না হৈ। হয়াঙ কুমৈনা সাক্ষীনি। মরক অসিদা মরুমতৌ মতাং মতাংগী পোৎথাক্না সুংতাইথোকপা ওইনা নোকথোকলা হৈরহৈ। কাগী শামজন সমাজনি। কাপীনা মপুঙ ওইবা নত্রগা নম্মা য়াওবা কাক্নদি নত্তবনিনা হাল্য়া মসকী মতাং লীক্না য়াংহৈ। অচুমকপু মতাং মতাংগী ওইনা থোকপা নত্রগা লাকপা সমাজগী অমদি লনাইগী থেংনোক মাংথোক দেব-কর্মনচিংবদা হায়বদি ময়াম তিনবদা কাগী তৌহনা পুক্নিং মকা লাক্নবগী লীচং অসি সমাজ অসিগী লীচংতা য়াওরি। কাব্যগী লোকশিক্ষকপা মতাংদা, ইন্দু লুহোংবগী মতাংদা পাথং লৈবাবী ময়াম পুম্ব' কাগী তৌনহনা কন্যা ওইগদৌরিবীদা লকহনা পুক্নিং এক্না লাক্নবগী থোদোক পন্নীং অমা মহাকবিনা শীংথান্নি। (শি ই, লা! ৩০৪ দগী ৩৭৮ফাওবা) শীংথাবদা কাগী মহৌক অমা·থেংচিন্নকই—

চিনহেল কব। কনানা ওনথোকপনি মহাকসে
কমা ফুইনা মতাংরে—বিধি কৌবী লাই অসে,
মতম কুইরে হায়রবদি থুংকম চোইবা য়ারক্রে,
অহেন ওইরে হায়রসু অনোক হাপ্পা য়ারক্রে। (লাঃ ৫৭)

মহাকাব্যগী সমাজ হিন্দু লীচংকী বৈষ্ণব লাইনীং লোনচংকী সমাজনি বর্ণ অনীদমক লৈবা ওইনা তৌই-থমোন অমদি থেত্রী। পনবা য়াবদি মণিপুরী সমাজগী বৈষ্ণব লীচং অসি লমদম অসিগী তোপ তোপ তাজবা মশক অমা ওইনা লৈ। অতৈ সমাজদগী মচল থম্না লৌরগ' লমদম অসিগী লৈহাওগা চাম্না থেংজবা মশক অমা ওইনা লৈরবনি। ওসি কাওবা লৈরি।

সিংথোক খিংগ্রো অমদি বাঙালী মস্তাংহা নীংথিজনবা চংনবী অমা লমদম অসিগী লৈরৈ। ব্যবহার অমদি শকত্রি-থাদিগী য়াম্না য়াংলবা লীচং মরু লৈকয়া সমাজনি। মহাকাব্যগী মুন্দা 'উরা' নত্রগা 'পলেম'

কৌবা, মথক্কী অহুনবু মিং পন্দুনা কৌদবা, লেংম্নায়বদা ইতাও ইতা কৌনবা অসিনচিংবা কাধ্যলা য়েক্লি। মসিনি। লৈমকোল নত্রগা নিংথৌ-কোনগীদি ভোঙানবা হৌন-লোনচৎ অমা লৈ। মসিগী মঙালম্ম মহা-কাব্যসিদা তারি

শিঙেঙল ইন্দুগী সমাজ অসি মীয়োক মীচান ফবা, মী য়ারিমথৈ খোনজিনবা, পুকচেল চাউখোক্না হীরম খুদিংদা য়েংবা চৎনবী কয়াদা কক লেপতুনা লৈবদা থাজদবা মতম মতাং মতাংগী ওইনা অওনবা পুরকপদা চেৎনা থাজজবা মীবু মপান্দা য়েংবদগী মমুংদগী য়েংনবা লাক্নবা তমজনফমগী থাক্তা লৈবা সমাজনি।

পুন্সি-অকা অকুমগী লম্বেলনি। অপক রাবা অমুক মুংঙাইবা অমুক কায়নবা অমুক ঊনবা পুন্সিগী থৌদোক পরিংনি। ফীভম অনীমক্তা নত্রগা পুন্নমক্তা ঈচঙ থৌন য়াম্নমক থাজনা লৈবা তাই। মুংঙাইবদা নোকপগুম অরাবদা কপ্পা তাই। তৌবতবু নীংবা কায়বদি য়াদে। ফীবম পুন্নমক্তা ঐ ঐনা তৌবগী থৌদোনা নমজিং অমদি ফল ওইনা লৈরি। থবক-কর্ম অসি মরু ওই।

লালা গতি লৈখিক্রে, ইন্দু য়েংলে হায়রগা—
"অমুক চাউবা লাইশীংনা থবক অসি শিল্লগা,
করমদৌনা থুগাইনি। তিন নংগুম-ঐগুমবনা।
কনায় মতিক লৈবগে নংনা থিংবা নত্তনা। (লা ১১০)

পুন্সি অমদি কর্মদা থাজবনি। শীংনরকপা খুদিংদা ঈচঙ থৌনা হৌগৎ-পগী রাফমনি। শিঙেঙল ইন্দুনা পুন্সিবু চেৎনা থাজরি। পুন্সি অসি চৌংলমবা লম্বেল অমদি লমথুং অনীমক ওইরি। হিংলিভৈ মহুংসিদা মাগী মাগী তৌফম থোকপা তৌবা তাবনি ময়েক শেংনা হিংবা তাবনি মরমদি শিবা হায়বা অসিমা পোক্লবনিনা লমন তোন্দুনা অহুমক লৈরে। শিরবদি শিরে—

থম্মুং কুম বুম সন্নাইতাম "পুংগী পুংলোন তামথরে
লৈপাক্লেগী হকচাংদা খাম্বী মৈবু চুহৌরে
পুঙ্জা নাতৈ লাকতুনা হকচাং মৈতান ওইখরে
ওসি কোরৌ সিদগী নুজা শরুক লোইখরে
তাইবং হায়বা কাংদা রাখৈনরে মৈতান্না
লৈপাক্লেদি কোলোইফাও পুখিদেদো মহাক্না (লা ২৭৪)

চাউরবা দর্শনগী রাকম অমনি। মরক অসিদা মপোককী চক্র অমদসু কন্না থাজনৈ। হৌখিবা অমদি তুংদা লাককদবা মপোককী রাখল শক্তম (কনসেপ) অমদা থাজবগা লোয়ননা খ্বায়দগী চাউবা চাউথোইবা থরায় ওইরিবা অমদসু লেঙদনা থাজরি। পুন্সিদা লাইগী মফম তঙায়কদনা থম্নরি। মসিদা কুম্মৈ-ফীয়োংগী মতাংদা থমোয় মকা লাম্বগা লায়ননা অন্নাবগী মতাংদসু খাঙবগী পাম্বৈ অমা ওইনরি। ঈশ্বরগী মফমদা লৈবা নত্রগা থাজবা অমা লৈরি। পুন্সিগী লমদাংদা বৈষ্ণব ওইবগী লৈখোন অমা লৈরি। মঙদা অমদি লাইবক্তা থাজবগী রাকম অসি অন্ধবিশ্বাসকী মশীং লোমদা চনখিবা তারবসু ঈশ্বর থাজবগী লীচৎ অসিমদি তমঙ্গন-ফমগী মওংনি। অরা নুংঙাই অনীমক্তা ঈশ্বর নীংশিংবগী পাউজেল অমা মহাকবি অঙাংহলদা য়াওরি।

মঙ্গল ওইয়ু ইবেম্মা নুরা মপোক অসিদা
রাররবী নহাক্তি লোইদাম অসুক কুইন্নবু
চানবিসঙ্ন নহাকপু হরি কৌবা মানবু।। (লা ৩২৬)

ঈংবা তপ্পা মরা তপ্পা পানবা মতমনিনা শিঙেওল ইন্দুদা য়েক্লিবা পুন্সি অসি ঈংনা হিংবা অমদি হিংমিন্নবগী রাখল্লোনদা য়ুমফম ওইনা লৈ। চাকহোং-ঙাহোংবা খুঙ্গাও লৈচাওবা নাক-য়েৎ অমা মহাকবিনা উরি। ফজবা অমদি অচুম্বা পামজবা পুন্সি মরেল অমা য়েক্লি। সংস্কৃতিগী নীংথিবা মচনশিংদা থরায় য়াওবা মতম-মতাংনিনা মখল

শিঙেঙল ইন্দুদা মণিপুরী সমাজগী মমি

খুদিংমককী কুম্মৈ-ফিয়োং শান্নখোৎনবা দেব-কর্ম উসোব পর্ব পু
চংনবী লীক্রম ময়েক শেংনা ঙাক্তুনা পাঙথোকপা থেংনৈ ! শিং
ইন্দুগী মতম অসিদদি য়াম্না শান্তি লৈ। মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিগী
অসিবু অমুক য়াইহনী মরাং কায়না লৈরিগদরা ? চৈথারোল কুম্ব
লামায়শিংদদি শান্তি পঙলৈ লৈতে। লৈবাককী পুন্সিসিদা খেন্নবা

'শিঙেঙন ইন্দু'গী ম্নালুগ্রাম

নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহ

'শিঙেঙন ইন্দু' হেক পনবদা নত্রগা পাবদা ম্নাখল অসি হেক্তা হঙ্গৎতুনা য়ৌখি অদুগৈ ছাত্র ওইরিবগী মতাং অদুদা।

ঙসিদগী চহী কুমজা নীফুমরি মঙারোম মমাঙগী ম্নাম্নীনি। শিলচরগী কাছারী কোম্পাউণ্ডদা চাউর চাউরবা হৈনৌ পাম্বী থোংনাং পাম্বী ময়াম অমা হৌরম্মি। মশা-মরেং ফজবা মনা পূংলবা উপালশিং অদুগী মকমদা চাগী হোটেল মচা মচা থম্না লৈরম্মি। য়াম্না ম্নানা হিংজবা হোটেলশিং অদুগী মরক্তা মৈতৈগী অমা য়াওরম্মি। ওফিসতা থবক তৌবা, কোর্টতা মোকদমাগী লাকপা অমস্তুং অতৈ অতৈ থবক-ইনথাংগীদমক্তা জিলা কারকপা মৈতৈ পূম্নমক্না, বিষ্ণুপ্রিয়া যাওনা, চা থকফমনি হায়রিবা মৈতৈগী হোটেল মচা অসি। গৌরিয়া কল্লিগৈ মতম অদুদা, আক-পাক নাইদবা হৌগৎলক্লিবা নহারোল থম্না নত্তনা, অহ-ম্লোনশিংদি অতোপ্পা কাঙলুপকী হোটেলদা চা থকপদি লাযরতুনা ঈশিং যাউন অমা ফাওবা য়োংলুবগী ম্নাখল থনবা ঙম্বা পোৎ নত্তে।

হায়রিবা মৈতৈগী হোটেল মচা অসিদনি শিঙেঙন ইন্দুগা ঐগা অহানবা উম্নখিবা, য়াম্না ফজনা শকখঙ মায়খঙনখিবমক্তি নত্তে। মতুগী মরম লৈরমদবা নত্তে। কাছারদা মতম অদুদা মনিপুরী লোম্না লাইরিক লাইগু ঙম্বগী থুদোক্তি চাবা লৈরমদ্রি। ইমারোলবু মুংশিজরবম্নু ক্লাশ

সেভেন-এইট য়োরক্লবা কাওবদা ঐখায মৈতৈরোল কজনা ইবা পাবা হৈরমদে। মনিপুরী লাইরিক উব স কদাচিৎনি; মোং-কাদোক লাইরিক অম-ককা থেনরুবদা হরাওবনা ল্যাঙান কায় শেৎতুনা ফাকত্মা মযাম য়েংমিন্নি, পামিন্নে।

মৈতৈরোল পাবা হৈবসি ইবাই নবদ্বীপনি (তুংদা শৈরেংগী লাই-রিক কয়া ইখি) হোয়, মরী মত্তা অহুম থোক্লনা জাতনি, থঙনবা খুদংগীনিনা। ঐগোন্দগী চহীদা অমগুং ক্লাশতা মহাক্কা থরা চল্লি। কোর্ট মনাক্তা বোরাক মপান্দা লৈবা গোভমেন্ট স্কুলদা ঐখোয় তম্লিন্নে হোষ্টেলদস্থ লৈমিন্নে অশেং-আমাং কল্লিক্তে মতমাননা হোষ্টেলদা; হিন্দু হোষ্টেল ওইজরবস্থ মনিপুরী ছাত্রশিংগী তোঙানবা মেস লৈরম্মি, সরকারনা তোলোব পীবা মৈতৈ বামোন অমনা পূজাবিনি। কাঙলুপ অতৈগা মেস পুনবা যারমদে, জাত তাগনি চায়বগী অকিবা লৈরম্মি। ইবাই নবদ্বীপনা মৈতৈরোল পাবাস তাবা য়াম্না নুংঙাই—লৈত্তোন শেংই, খোঙ্লোক লুমতক তৌনা ইমোসনগা লোয়ননা পাই।

লেংমা স্কুল ছুটি মতুংদা মহাক্কা মৈতৈরোলগী লাইরিক অমা পাক্লনা লৈরম্মি মৈতৈগী হোটেল মচা অতগী কাচিন ওইরপ অমদা। মনাক্তা মী অম-নীশু ফমত্তুনা তাবম্মি। ঐস্থ চঙশিন্নুনা ফমলুই। শৈরেংনি ছন্দগী ফজত্ত্রনা ঈথক ইপোম লাকা অকুম যাওনা পারি, মৈতৈরোলগী অমুক্তা ডাখিদ্রিবা থোৎ-নীগ্রবা রাংগৈ রাতা লৈশি-লৈ-থোনগা লোয়ননা চংখিবা রাবীগী খোঙচৎ অদুদা ভাবোক পুম্নমক থাজনখি হোটেল মপু-মচু মালুপ্রামদগীনি। ঐখোযগী লেংগা হাইরপ এবা মনাওমপা অহুল্লি মযান্থনা কোন-ককা তায়িদ্রে। মরমদি পারিবা রাবীদো মালুপ্রামগী রাবীনি, ঐখোয় খুনগী রাবীনি। খুজংগী অচুবগী রাবীনি—ময়াম চাক্ক-চিন্না লৈমিন্নবগী, অরা-নুংঙাইগী, হরাও কুম্মগী,

মুয়'-পাখংগী মুংশি-মুংওনগী, পাম্ম্ মুংশি মরী মতা শেংন কায়নবগী - পানা পানা পারিবা মীগী মিংলু অনীদগী ঙাইহাক কাংদনা পিরাংনা শিন্থয়রকখি, তারিবা ঐখোযগীম্ম থমোয়দা পাল্লখি, ঐখোযগীসু খঙহৌদনা মিংলু লাইজ ঈহৌরকখি। অদুম্ম শিঙেঙন ইন্দুগা ঐগা অহানবা উম্নখি।

চহী কুমজা কয়ামুক মতুংদা নোংমা ঐঙোন্দা পাউ অহু অঙকপা ওইনা থোকখি। কবিগী মজাইবুঙো তামো রোমোনীদগী ব্রা অদো তাবদা ঐ ওকখি, শিঙেঙন ইন্দ্রগী কবি মশামক্তি অমুক ফাওবা মালুগ্রামদা চংখিদে। মুংঙাইতবা অমসু ফাওখি, অহুক মুংশিনা নৈশি-নৈথোনজরিবা মালুগ্রামগা কবিগা অমুকসু উন্নখিদবা!

অহুবু কল্পনাগী ফীজংদদি কবিনা মালুগ্রামবু উজখি, রাখলগী তুরি পায়হনা য়েকখি মালুগ্রামগী শকুম—

শিলচরগীদি মমুংদা বোরাকতুরেল মপান্দা,

.. . ...

মখা পাংনা চেম্পুরি বোবাক তুরেল ইচেম্না

তারি মাগী তোবর্বান্দা মালু কৌবা গ্রামহনা।

অমুকসু মখা তানা চথরকপদা—

পাংচাও'মগী মমুংদা লাইজ মচেং অমদা,

থবোশিংনা শাংপগুম নৈরি মকম অসিদা,

মালু খুনগী মৈতৈনা হরাওজরি ঙসিসু

মুপী অঙাং মীপুম্না যেংজহনা কুম্মৈবু।

বোরাক তুরেলনা নোংপোকলোমদগী ঙাইগাকুং তাউথরক্লগা শিলচর সহরদা ঙাথু থেংথুহনা অরাং পাংনা মতেক অমতুং চেন্নগা অমুক খুনীং থেককুনা থা পাংথবা মকম অসিরাইদদি মালুগ্রামনা নীংশিংবা থোকত্রবা মঙ্গমগী ঙসি ফাওবা ইতিহাসকী সাক্ষী ওইহুনা নৈরক্লিবসে। মানি

ইতিহাসকী সাক্ষীনি, থোইদোক্না মনিপুরী জাতিগী ইতিহাসকা শাগোন্না থিবা মতাং অহু হৌজিক ফাওবা ফোং ফোং শান্নি। খুন অসিদনি অঙাং ওইরিবা নিংথেম পিশক চন্দ্রকীর্ত্তিনা মমাইবেম্মা কুমুদিনী মহারানীগা লোয়ননা কাছারদা লাঞ্জেংবদা চহী কয়ামুক সাইদাংহুনা লৈখিবা মনিপুরগী রাজগাদী হল্লিরবা মতুং জিলা দরবার লেঙ্‌বা মতাংদসু অঙাং ওইরিবৈগী নীংশিং কযাংা মরোল মরোল লৈরিবা মালুগ্রামদা মহায়াক লেঙশিল্লম্মি।

মতম অমদা শিলচরনা জিল-সহর ওইরক্লবসু, সহর হায়বহু চপচানা ওইক্লিবৈদা মালুগ্রাম খুঙ্গং অমা ওইরম্মি, মৈতৈ ভাক্লনা ভাবা খুঙ্গং। মৈতৈনা জিলা মালুগ্রাম হায়না কৌনরম্মি, মালুগাও হায়নসু খঙনরম্মি। শিঙেঙন ইন্দুগী মতমদগী চহী চামরোম মতুং ফাওবদা মৈতৈগী খুঙ্গং অহুনা ভলা পামেল কযাগী মকমদা হাইফেং হরাও ওয়ান্না অহুম লৈরম্মি।

শিঙেঙন ইন্দুদা উংলিবা খুঙ্গংগী পুন্সি অসি কাছারগী মৈতৈ খুঙ্গং অমগী পুন্সিগা চপ মান্নৈ। খুঙ্গংগী মীয়াম মুংশিননা চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্নবা খোঙগং খুৎকং লৌবুক-ক্ষমাংদ তুরেল ভোবর্বান্দ অহল্লোন নহারোল পুল্লপ পুল্লপ ফমহন অরা-মুংঙাইগী ৱারী শান্নবা ইচম চম্ব ঈ-পাউসু ভাইহাক্তদা ময়াম রা রা লাউন। খঙনব, মীথুং-মীরাক ফবা, হুরাও-কুম্মৈ অমক্তং ভৌবদা মী অমক্ত চিথদনা যেংবা, কনাগুম্বগী অরা-অনাদা ময়াম চঙহুনা অরাং অপা য়েংশিননমিন্নবা, কনাগুম্বনা যুমহোংহুনা চৎখিবদা শেংন কাযনবগী পিরাংগা লোয়ননা মযাম চঙহুনা খুনদোন য়োনা থিন্দোকপা-অমক্তা শাজিনবা নত্তে। খুঙ্গংগী মুরা-পাখংশিংগী মুংশি মুংঙন মুংশি পনথুংনসি শরি-রাশরুবা মুংশি পনথুং য়োদবগী কায়ন পিরাং—মফম খুঙ্গংগী লৈবাক খুদিংগী রারিনি।

শিংঙুম ইন্দু মতমগী মালুপ্রাম অহুম উঙ্গহৌদে। অহুবু চহী চাম-য়োম মতুংগী মালুপ্রাম অহুদি উঙ্গহৌরি। কবিনা শৈথারিবা মালুপ্রাম-দগী থরা হোংলবসু পংহোংদি তোংজ্রি। অনৌবা খুন্দারবা অতোপ্পা কাঙলুপকী যুম-কৈ কয়া তাশিল্লক্লবসু মালুপ্রাম মৈতৈগী থুন অহুম ওইরি, ওসিদগী চহী যাংখৈরোম ফাওবদি।

অহুবু ওসিদি হোংখ্রে, শাথীনা হোংখ্র মৈতৈগী থুন অদো। অতোপ্পা কাঙলুপকী মবক্তা মৈশেনা শাইদাংতুনা মরক মরক্তা থেংতুনা লৈবা শিলচর সহরগী শকক অমা ওহখ্রে। থায়নগী ইতিহাস অমদি থুজংগী অহুমগী য়ায়ী য়াখোং কথাগী সাক্ষী ওইতুনা লৈরম্ব। তলা-পামেল কয়া অহু লোইনা মাঙখ্র। অহুমগী অবা-নুংঙাইগী য়ায়ী কয়াগী সাক্ষী ওইনা লৈহৌরিবা হায়ববু য়োয়াক্কা ঈচেপতা মঙাইরে।



খুন্থোকচবা থোইবী-শৈরেং অমসুং শিংঙেঙল ইন্দুদা মহাকবি অঙাংহন্না শীজিন্নরিবা লোন

ডা, এস তোম্বা সিংহ

মহাকবি অঙাংহল সাহিত্যকার অমসুং কবিনি। মহাক্না ৱারেং অমসুং শৈরেং কথামণ্ডল [illegible] থাথায়শিংদুগী [illegible] য়াম্না মকুন্থই-ন্নরিবা কাব্য অ[illegible] শিংঙেঙল ইন্দুদা শীজিং-ন্নরিবা লোনগী [illegible] কুনা নৈনবন পান্দমনি।

হিজম অঙাংহল সিংহ মীতৈলোন অরিবা অমসুং অনৌবা নিংথিনা হৈবা খঙবা কবি অমানি। মশিগী [illegible] মহাক ৱাহৈ থনবা অমসুং ৱাহৈ পরেং [illegible] খোংথোক অমসুং চেকশিল্লি। মহাককী ৱাহৈ অমসুং ৱাহৈ পরেং অয়াম্বা খরায় য়াওনা অমসুং চেকশিন্না লেংবা ঙৈ পরেংশুম থৈজে, পাবা অমসুং তাব নুংঙাই। ৱাহৈগী অর্থ চিনি চম্পা গুম্মী।

মহাকবি অঙাংহন্না মহাককী মথক্তা হায়খ্রবা কাব্য অনীসিদা শী-জিন্নরিবা লোনগী মশক অসি পৌরপ্পা মথাগী অসুম্না খাইদোকতুনা নৈনবা য়াই

(১) অরিবা অমসুং অনৌবা ৱাহৈশিং পুন্না শীজিন্নবগী মশক,

(২ সংস্কৃত নত্রগা বাঙ্গলা অমসুং মীতৈলোনগী ৱাহৈশিং পুন্না শীজিন্নবগী মশক,

(৩) অনৌবা মীতৈলোনগী মশক।

(১) অরিবা অমসুং অনৌবা রাইহেশিং পুন্না শীজিন্নবা

অঙাংহলনা মহাককী শৈরেংগী লাইরিক অনী সিদা মহাককী রাইহে পুক্কৈদগী মতাচাবা য়েংহুনা অরিব অমসুং অনৌবা রাইহে অনী পুনশিন্নগা পুন্না রাইহে পুঙবা ওইনা শীজিন্নৈ। মসিনা কাব্য মশক ফজবা হেনগৎ-হল্লি। খুদম খরা মখাদা পীজরি—

(ক) লাইজ-ঈশিং, পোকরৈ মৈতৈ (শি. ই., লাঃ ২৯৯)

(খ) কোলোয় মিংলেন (খ. থো., লাঃ ১৫)

(গ) পনথৌ-ইপা (খ. থো. লাঃ ৪৫)

(ঘ) কমোম ইচা (খ. থো', ল': ১১৫), অসিনচিংবা।

অসুম্না কবিনা অতৈ মতাং কয়াদসু চপ মান্নবা নত্রগা মান্নদবা অর্থদা অরিবগী রাইহে অমা অহুগা অনৌবগী রাইহে অমা পুন্না থমহুনা ফজরবা পদ নত্রগা রাইহে-পরেং শেম্মী। মতাংসিদ পঞ্জনিংবা অমনা মী-তৈলোন অসি অরিবা লোন অমা ওইবগা লোয়ননা অতোপ অতোপ্পা লোন কয়াগসু মতম মতমগী ওইনা শম্নহুনা লাকই। মরমসিনা মান্নবা নত্রগা মান্নদবা অর্থদা রাইহে পুঙবা ওইনা শীজিন্নবা চৎনবী অমদি মশাগী ওইনা লৈজৈ। মসি লোনসিগী চৎনবীনি। অঙাংহলনা মসি খঙনা অমসুং মতাংচানা শীজন্নহুনা মহাককী কাব্যগী ফজবা হেনগৎহল্লমনি।

মহাকবি অঙাংহলগী 'শিঙেল ইন্দু' অমসুং 'খম্বা থোইবী শৈরেং' অনীসি মনিপুরী সাহিত্যগী মনিনান কবিনা কাব্য অনীসিদা শীজিন্ন-বিবা লোন অসি য়াম্না খোং-নৌবা, মেংবা অমসুং মোংহাদবা মশক্নি। ফজবা অমসুং চানবা রাইহে থন্নগা চেকশিন্না রাইহে পরেং শেম্না কবিগী হৈনবীনি। মসিগা লোয়ননা মতাং চাবদা মীতৈগী প্রমান-পামথৈ, পাউরো অমসুং অলংকারগী লৈতেং হাপহুনা কাব্যগী ফজবদা রাশিন্নু হাপ্পবা হোংনৈ।

(২) সংস্কৃত নত্রগা বাঙ্গলাগী র হৈ'া মীটৈওলোনগী রাহৈগা পুন্না শীজিন্নবগী মওং -

ঐখোয় অযাম্বনা লৌনৈ, মচুদি-অঙাংহল্দি অতোপ্পা লোনগী রাহৈ রাত্তা কযা শীজিন্নৈ হায়না। মসিস্থু অচুম্বনি, মাগী মতমচুগী কবিশিং অমসুং সাহিত্যকারশিং অতগা চাংদমনা যেংবা তাববদি মহাক্না অতোপ্পা লোনগী রাহৈ শীজিন্নবগী চাং অসি যাম্না হন্থে। অচুম ওইনমক অঙাংহল্লা অতোপ্পা লোনগী রাহৈ অমসুং রাথল (আইদিয়া) কন্নিমত্তা লৌদে হায়বদি যাবোই। মরমদি মহাক সংস্কৃত অমসুং বাঙ্গলা ফজনা খঙবা অমসুং নৈনবা মীশক অমনি মরমসিনা মহাককী পোথোক্না হকথেংননা নত্তগা নাকোয়ননা মমি থবদি তাফম থোকই। মহাককী কাব্য অনীসিদা মসিগী খুদম অচুম ফংই। খুদম —

(ক) সংসারগী মবেন্মা সীতা কৌবি মাদস্থু
খোংনা বোন্দা কোয়নশি হায......।

(শ. থো., লাঃ ১৬)

(খ) কৈফগাক তাবা উদযা নোংমাইজিংগী চিঙ্দোন্দা
ছন্দোকরকপ' কোরবোঙম লেঙ্গোকবাক্লে মপুদো।

(শি. ই., লাঃ ২৯৬)

(গ) খুত্তা বর্ত্তি পাযদুনা সনধ্যার্ঘ্যি কৎখরে।

(শি. ই. লাঃ ২৯৬)

অশুম্না অঙাংহল্লা যাম্না তোয়না নত্রনস্থু মতাংচাবা যেংদুনা লোন অমসুং রাথল অসি অতোপ্পা লোন অমসুং সমাজদগী লৌই। মকওইনা হিন্দু সমাজদগী। মসিগী মরমদি মহাক মশামক সংস্কৃত অমসুং বাঙ্গলাদা। মুক্ষম ওইরগা মহৈরশিং তমলকপ অমসুং বৈষ্ণব ধর্মগা শাগোল্লনা চাওরকপ্পনি। মহাক্না মাগী শৈরেং লাইরিক অনী সিদা সংস্কৃতকী রাহৈ

কয়া তৎসম অমসুং তৎভব ওইন' শীজিন্নৈ পদম শরদং মখাদা পীজরি —

(ক) তৎসম	(খ) তৎভব
প্রেম	কৈনা
মন্দির	জৈগ
হরি	ভাবোক
বৈষ্ণব	আনোক
তীথ	সোরোক, অসিনচিংবা

মতৌ অসুন্না অঙাংহন্না মাগী শেবে' লাইরিক অমীসিদা অতোপ্পা লোন্দগী লৌ'শনবা ৱাহৈ পুন্না ৫০০রোম শীজন্নরি খন্না থাজবী শৈরেংনা ভোল্যুম চাওবা হেল্লবসু অতে'প্পা লোনগী বাংজ য়ান্না যাওবদি শিঙেঙল ইন্দুনা হেল্লি।

(৩) অনৌবা মীতৈলোনগী মশক:

মথক্তসু হায়জগ্রে, অঙাংহল মীতৈলোন নীংথিনা হৈবা খঙবা কবি অমনি হায়না মহাক্না মীতৈলোনগী অরিবা নত্রগা অনৌবা ৱাহৈশিং অসি মনীং তম্না, খন্দোক খঞ্জিন তৌনা শীজনৈ। মাসগী মসুংদসু মহাক্ন কেজরিবসি অনৌবা মীতৈলোন্দনি খুদম অমা অনীদং হৌখতুনা পীজরি—

(ক) মুংদাং থাবল অঙৌবা লাইজ ইপাক ওইথরে

... ...

.. ..

হংবা হায়বা অনীদা খুম্না কৌবা লৈতরে

(শি. ই., লাঃ ৫)

(খ) তাংলৌ ইচিক হুনবদা অমুক হেন্না চিকথরে।

(শি. ই., লাঃ ১১)

(গ) মিংসা থম্বাল মানবীদা তরং লাইজ শিনুথমি পাম্নি মমোম হেংত্না ইন্দ্রি মুংদা মৈথৌথি।

(শি. ই., লাঃ ১৯)

(ঘ) মুনা চংম্বী শন্নাংগা ওকশম তোংদম চেপতুনা
থম্ব মাবু থুরুম্মে থাদোহ মানা মুমিত্তো।

(খ. থো., লাঃ ১৫

অঙাংহল অনৌবা রাগৈ পুকৈদগী ফজবা রাগৈ থনবা অমস্তুং মকম চানা থম্বা হৈবদা মপা লৈতবা কবিনি হায়রদা থোইনা হায়মনবা থোকলোহ খল্লি। মহাক্কী রাগৈ অমস্তুং রাগৈপরেং চম্বী ফজে অমস্তুং মপুংফাই। "নুংদাং থাবল অঙোবা লাংজ ঈপাক ওংহথরে।" হায়বসিদা থাবলবু ঈশিংগী ঈপাক ওইনা শীজিন্নবা প্রমান মাস মানপুরী সাহিত্যদা অনৌবা অমস্তুং য়াম্না ফজবা মওং অমান।

মথক্তা হায়খ্রিবা গুণশিং মাস অঙাংহল্দা গুনা য়াওবা ওইহুনস্ত্র মহাকস্তু মীনিনা অশোয়বা নত্রগা ফজদবা থরদি অহুম মরৈ। খুদম অমা-অনীদং মথাদা পীজগে -

(ক) অসাহ ভাবোক নরক....
রারেম সংগোন শাবনা মৈতৈ পুম্বা নিনথরে।
(শি. ই., লাঃ ৮৯)

(খ) মৈতৈমচা কনানো নম্বা হানা পুবরা
নুজা নবুরিংহুনা হোয়া তান চৎপরা?"
(শি. ই., লাঃ ৭৮)

(গ) লালা সংদিং ওহজরে। (খ. থো., লাঃ ১৭৯)

মহাকবি অঙাংহল্লা মহাককা কাব্য অনাসি হবা মতমদা রাগৈগা ফজবা থিহুনা পদ মতাংচানা থম্বগা লোয়ননা রস অমস্তুং অলংকারস্তু মকম চানা চানা শীজিন্নে।

কাব্য অনীমক শৃঙ্গার রসনা মপুং ওই। শিঙেওল ইনুমী রানী কবিনী মরম্নাইগী পোৎথোক্নি। অহুগা থম্বা থোইবীগী রানী মোহরাংগী

মহৌশাদগী লৈজরক্লবা রারৗনি । অতুম ওইনমক অনীমককী পান্দম মারৈ। মুংশি-মুংওনবু শৈথাজবা, শেমগৎচবা অমমুং য়োকখৎচবনি । মুংশিবা অমমুং মুংশিনবনা মালেমগী শিদ-হিদাক্লি হায়না কবিনা চেংনা থাজৈ। খুদম – শৃঙ্গার রসতা বিয়োগকী মতাং—

(ক) ইন্দুই মৈচাক পুম্বদো পৈথুনা লৈরে
মচেৎ থিক্ত-য়ৌনবু থোকখিদরে মপান্দা ।

(শি. ই., লাঃ ৩২০)

(খ) কোরৌ মৈশা লাংলক্লে থাদোই লৈরাং ওইবীদো ।
কম্বী-থককী লেমলৈ-গুম ওম্ন-পোইনা থাঙলক্লে ।

(খ. থো., লাঃ ১৭)

কবিনা মতাং কয়াদা হাস্য, করুণ, বীর, শান্ত রসনচিংবা শীজিন্নদুনা অপাবা অমমুং অতাবশিংবু মুংঙাইহল্লি । মসিগী মথংদা হৌজিক অমুক অলংকারগী খুদম থরা পীজরি –

অনুপ্রাস—

(ক)শক্ল-শক্লা য়েংবদা ইশৈ শকই খংনদে
মাগী মখোল তারগা ইশৈ শকই খংনৈদো ।

(শি. ই., লাঃ ১০২)

(খ) লোক্তা হৌনা উগুম তোংগানৈনে শাবান্দো
মতোন পুংবা পামেন-গুম নিংখিজবদো

(খ. থো., লাঃ ১০২)

মতৌ অমুম্না কবিনা কজ-ফজবা অলংকার কয়া মকম চানা চানা শীজিনৈ ।

অঙাংহলনা মাগী কাব্য অনৌসিদা ছন্দ (খোঙথাং) অসি মীতৈগী ওইবা পেনা ছন্দদা ইবনি । লোন খুদিংমক মথাগী ওইবা শকপা য়াবা দিংদা শৈরেং (ঈশৈ) কয়া লৈনৈ । শৈরেং খোঙচৎসি লোন অমমুং

লমহৃগী ওইনা মওং অমা তোঙাল্পা লৈ। কনানা করম্মা শেমখিবনো হায়বদি তাংলাংবা কনান্নু খঙনদে। ঐখোয়গীন্নু লেনা ছন্দ অসি কনানা করম্বা মতমদগী শক্লয়কপগে হায়বদা লুই। মসিগা লোয়ননা খনং ঈশৈগী শৈশক অমস্নু লৈরি। অরিবা পুয়াশিং অসিস্নু শকপা য়াবা মওংদা ইবা ঙাক্তনি। মসি পুন্নমক অসি মমুৎ তানা থিজিনব-গী মখৌ তাই।

অঙাংহল্পা এহাককী শৈরেংগী খোঙথাংগী মরমদা অস্নুম্মা ইরম্মী—

শৈরেংসিনা লেপ্পদি খোনথোক তরেৎ তরেৎনা
মতুপ অমা ওইবনি সোর হোনফম অমদা
মশিং অমা লৌরগা তাংকক নিপান নিপান্দা
পরেং শাবা শৈরেংনি, খ্বাংদৈ লাইবা মওংনি

(খ. খো., লাঃ ১৪৪৬)

অস্নুম্মা কবিনা মশানা পাবা অমস্নুং তানদা যাম্মা লাইবা অমস্নুং মুংঙাইগদবা মও'দই। খোনথোক মশিং মাম্নবা রাহৈগী মস্নুংদা লৈরিবা ময়েকশিংবু লৌখোকপা নত্তগা হাপচিন্দুনা নীংখিনা শেম্নবা কবিগী কাব্যশিংনি।

রাহৈ খনবা অমস্নুং রাহৈ পরেং শেম্বাঃ

মথক্তস্নু হায়জখ্রে. মহৃদি অঙাংহল শৈরেংশিংসি ইবা মতমদা রাহৈ খনবা অমস্নুং রাহৈ পরেং শেম্বদা য়াম্মা চেকশিল্লি হায়না। শৈরেংগী পদ থুদিং নীংখিনা শেম-শারগা থম্মী। পফদা চানদবা রাহৈ লৌদে, করিগুম্বা লৌবা তাররদি ময়েক শেমদোক-শেমজিন তৌরগা হাপ্পী। খুদম

(ক) ছৌন' থৈ লাংথরে 'মগা 'মগা মায়োক্কৈ
রারি-রাতাই শারিবা, মহৌশানা নাপলগা।

(খ. খো., লাঃ ৩২৩)

(খ) মমোম 'মগা লোইননা ঐখোয় খ্বাই পুম্বগী
চৈরাং লৈরাং থিজুনা ইষ্ট সেবা তৌরকই ।
(শি. ই., লাঃ ২৯৭)

অসুম্না মহাক্না পদগী খোনগোক মান্নবা অমদি খোঙথাং চানবা রাহৈ খরা শেমদোক শেম জন তৌহ অদুগা রাহৈ-পরেং শেম্বগী মতাং অসিমদি অঙাংহল্না অকক্না রাহে মশাং থমদে । রাহৈ পরেংদা করিগুম্বা মতমদা রাহৈ (পদ) অমা অনীদা থম্মী অদুগা করিগুম্বা মতমদা মঙা তরুক থম্মী । মহাক্না মীতৈলোনগী চৎনবী য়েংলগা রাহৈ ফজব চানবা মকম থন্দুনা থম্লগা শেম্বা রাহৈ পরেংগী মওংনি । রাহৈ-পরেংগী মনুংদা য়াম্না মরু ওইরিবা খোৎতাক (ভার্চ) অসি করিগুম্বা মতমদা রাহৈ-পরেংগী অহৌবদা থম্মী অদুগ করিগুম্বা মতমদনা মযাই নত্রগা অরোইবদা থম্মী । অকক্নবা নিয়ম অমা থমদবগুম উই খুদম —

(ক) লৈহৌরেদো মুপীদো মালু খুগং অদুদা
লাইমরবী মহাক্নী লমন শিংবা ঙমদরি ।
(শি. ই., লাঃ ২৯৭)

(খ) রাস্রৌবিন্দ হাযদুনা কোয়না চেন্না থামজরে ।
লৈপাক ভূমিন লৈখরে । চেক মোক লাওনখিদরে ।।
(খ. থো., লাঃ ২৮০)

অসুম্না কবিনা মাগী রাহৈগী ফজগদবা অমসুং চানগদবা মফমদা রাহৈ থমদুনা রাহৈ পরেং শেম্মী

বানানাঃ

অঙাংহল্না মহাকবী কাব্য অনীসিদা শীজিন্নরবা বানানগী মশক অসি মাগী মতমদুগী কবি অমসুং সাহিত্যকারশিংদগী তোঙাল্লি । অঙাংহল্দি বানানদগী খোনথোক্না চেন্না মরুওইনা লৌই । মরমসিনা মহাক্না

অতোপ্পা লোন্দগী .লৌরুবা রাহৈশিংগী বানান অসি মীতৈগী খোনথোকা চান্নবা ই। খুদম

গালিচা	সোরোক
বোন	সৈত্ত
কৈফগ	চোরোন
ভাবোক	আনোক, অসিনচিংবা।

রাশোইশনঃ

২নৃ যেংবদা অঙাংহলন মহাকব্যী কাব্য অনীসিদা শীজিন্নরিবা লোন আসমাম্না চম্মা ফজৈ অমস্তু মপুং ফাই। ফোঙদোক্লিংবা রাকম অত মহেক কোননা যেঙদবপা চন্নী মতাং চান চান রস মথল শীজিন্নব প্রমান পানখৈ থাপ্পা অমস্তুং অলংকার কয়া শীজিন্নহনা মঙবা কাব্য অমসুম হইঃলু হায়রিব কাব্য অনীস মণিপুরী সাহিত্যগী কেংদ্রব লন্নি

মতেং লৌজাখিব লাইবিকশিং অমস্তুং চেফোঙাশং —

১। অঙাংহলঃ সাহিত্য সমাজ অমস্তু সংস্কৃতি-দা. দীনমনি

২ খম্ব খোইবী-থবেং হুপুনব ভোলুম হিজম অঙাংহল সিংহ

৩ শিঙেল ইন্দু

৪। রস, ছন্দ অমস্তুং অলঙ্কার-বশমভর মানব

৫। নতিক নওাল-৩,৪শুবা মশীং জুন ২০; ১৯৭৮

৬। সাহিত্য, ৫ষ্ঠশুবা মশীং

৭। ঋতু ৫৬শুবা মশীং

মুংশিবগী অনৌবা শক্লোন অমা জহেরা

অরিবম কুমার শর্ম্মা

মুংশিবা স্বর্গগী ওইবা লম্নি, মুংশিবদা চঙই—কখোকপা, থাদোকপা। স্বার্থত্যাগ অরুব। অশেংবা, অচম্বা স্বার্থত্যাগ মুংশিবগী লেঙদবা গুণ ওাক্তনি। থুংনবগী মুংশিবগী মাংয়োক্তা নীংবগী মুংশিবা অরাংবা থাকী মুংশিবনি। মুংশিবা থমোয় অনীগী ঈতিম্নি; আত্মাগা আত্মাগগী মিলননি। মুংশিববু তরাই তরাইনা লৌবা য়াত্রা? হুকচাং অনীগী তিন্নবতবু মুংশিবা কৌবা য়াত্রা? উন্নবতনা মুংশিবরা, কায়নবগীদি মফম ইরৈ লৈত্রবরা? খীরেনগী মফমদা লৈবা মাধবীগী মুংশিবা নত্তবরা? উরীরৈনা বীরেনবু মুংশিবতনা মুংশিবরা? অমরোমদা অমুক মচা ওক্তে খঙলবমক্তদা মমা ওইবীনা মচা অহবু মুংশিন্নিবা অসি তৌশিন্নবা মুংশিবরা? "মুংশি লম্বীদি য়াম্না খুবনি; অনী চৎমিন্নবা য়াদে। মুংশিবদি লৈকোন্দস্নু শাত্তে; কৈথেন্দস্নু য়োন্দে—" কয়াদা ফজত্রবা সন্ত কবিশিংগী রাখলনো?

তশেংনমক মুংশিবা হায়বসি অঙকপা থমোয়গী ঈহূল অমনি। মসি পানগী নত্তে, মুংগীনি। মপানগী ঈরাংগা মরী লৈনদে, থমোয়গী থুপ্লবা কাচিন্দা ঈংনা চিক্লা মকালামজবা পোংশক অমগী পাংথকনি। জহেরা মুংশিবগী মুর্ত্তিনি। মুংশি মুর্ত্তি অসিগী খুংশেমদা অঙাংহলনা নীংনবগী মুংশিবগী রাখল্লোন অসি নৌহৌনা শাগৎখিবনি। জহেরানা কুঞ্জবিহারীবু থমোয় শেংনা মুংশি। শর্ত্ত অমত্তা য়াওদবা মুংশিবনি।

মুংশিবনা মুংশিবগী ফনবতা থল্লি। মুংশিজবা মহাক্না য়াইফব, মুংশিবী মহাকী য়াইফবনি খল্লি মরম অহুনা জহেরানা কুপ্তোগী দমক্তা খনবনি, মহাকপু অরাফম থক তাহন্নিংখিদবনি। মুংশিজবা মহাক্না দষা তারগা মুংশি ময়েং তাগনি হায়বগী ৱাদি নত্রগসু মুংশিজবা মহাক্না দষা তারা অহুদি মুংশিরুবা থমোয়না থক খাওবা ওয়োই। কুপ্তোনা জহেরাবু অহুগা জহেরানসু কুপ্তোবু মুংশি অহুবু মনুংশি অনী অসিদা খেন্নরিবদি— কুপ্তোগী মুংশিবনা ৱাথল য়াওদবা মুংশিবা, জহেরাগীনা ৱাথলনা কাথবা মুংশিবা। চৎনবীগী থলনা কুপ্তোনা জহেরাবু মুংশিবদা অপনবা পীরিবসি কুপ্তোনা য়ানিংদে অহুনা সমাজগী মাইয়োক্তা মহাক লেপ্লি সমাজগী নীতি নিয়ম আচার ব্যবহার কয়াবু মহাক্না শীংনরকই; মথক্তা লেপকে তেমশিংনরকই। মসমাই মীওই অমনা সমাজগী অপূনবা শক্তমবু থুগাইগে হোৎনরকপনি। অণ্ডাংহল সমাজ সংস্কার পামজবা মশিক অমনি সমাজ সেবাগী লম থুদিংমক্তা মহাক্না থরায় য়াওনা হোৎনখিবগী লেঙদ্রবা প্রমাণ কয়া লৈরি। লীলা ড্রামা চাওথৎনবা হোৎনবদা, অশেং-অমাংগী অচুম্বা বিচার তৌনবা হোৎনবদা, নহারোলগী লমচৎ চুমথোক্নবা হোৎনবদা অণ্ডাংহলগী অবদান চাউনা লৈ। সমাজগী চৎনরিবা নীতি নিয়মবু মতমগী য়াওন মতুং ইন্না শেমদোক্নুনা অনৌবা ৱাখল্লোন শাগৎপা অমদি চাওখৎপা সমাজ অমা শেম্বা হায়বসি অণ্ডাংহলনা য়াম্নমক পামজরম্বা ৱাকম অমনি। অহুনা প্রতিবাদ তৌই। অইবা অমগী ৱাখলগী আলো লমনি। প্রতিবাদ তৌরবসু অওইবী ফিভম (রিয়ালিটি) বু মুন্না থওবা অণ্ডাংহলনি। অহুনা যথার্থবু ইয়াম্ব লাম্বনা থাদোকপদি মহাক ওনখিদে। থাদোকপসু পামদে। মতম অমগী মণিপুরী সমাজদা অমাং অশেংগী জাতি বিজাতিগী থকনবা পান্থুং কয়া লৈরম্মী হায়বাদি এখোয়না খঙই। অচুম্বা পাম্থিং কয়া অতোপ্পগী লায়না লাংহ্নরকপা হায়রবসি অরুবা ৱাকম্নি। অইবনা কনা মনিং তম্মিংডি হায়রুনসু সমাজগী পনথৈ লাম্না চৎপদি পাক হেক ওমকম থোক্কে. সাহিত্য হায়বসি সমাজগী মিংশেলনি। সমাজগী

মমি সাহিত্যদা লান্না তাহল্লিংবা অইবা লৈবা তৌনদে। অদুগীসু মথন্তা সাহিত্যদা আদর্শ হাযবা অমসু যাওবি। মসি য়াওদ্রবদি সাহিত্যদা সত্যম শিবম সুন্দরমগী চন্নফম কদ য়দা লৈবি? মবম অসিদগী সিদ্ধ লৈবরা অইবশিংনা যম, ১তম দেশ কাল পাত্র য়েংনা চংলি। বঙ্কিমনা মহাকী 'কৃষ কান্তর উইলদা' ফনমক রোহিনীবু অরাংবা থাক্তা পুখৎকে হোৎনহনসু ওাখিদে। শেমগৎলা যাবা ১ৈখে শেমগৎলুরপা মমৈথংদা য়ারত্রুলা মহাকপু লংশেকপা ভাখি। লমচৎ য়াওদ্রবী লুপ্রাবী অমবু মহাকমক্ত মপুরোইবা ওইরমগাদোবা গোবিন্দ-লালগী মথুক্তা পুন্সি পিখমহনখি। মসিদা রোহিনীবু হুংশিদবগী রা য়াওব্রা? বঙ্কীমনা রোহিনীবু কবিগী খুনগৎপিরুরি? রোহিনীবু হুংশি-বদগীনি। মহাকী মরাইশক থিরবী নৌনা লুখ্রা ওইরবা হুপীমচা কমাগী মফমদা সহানুভূতি উৎপানি। সমাজগী চৎনবীগী অকনবা পালগী মায়োক্তা অইবগী অনীংবা খুদিং মহে যাল্লু হায়বা যাদে। কবন্না বোহিনীগী চৈগ্গাক ওইহনবা লৈবা ঙমগনি? যান্না কহিবাদী ওইবা বাঙ্গলা সম জনি। মতৌ করন্না লুপ্রাবী অমবু সমাজনা তবাই তবাই লৌথিনবা ঙমগনি। জহেরাগী মফমদসু অদু মঙাই। অঙাংহলগী রাগল অংদি মীৎয়েং বঙ্কীমগীসিগা মান্নদবা? মণিপুরী সমাজদা অমাং-অংগী কনবা চৈফু মরক্তা ব্রহ্মাগভাগী চৎনরোলগী মায়োক্তা প্রতিবাদকী খোঙজং অসি শুপ্নগী ঈঙ্গিং অমা ওইনা থনমফম থোকপনা জহুরা-কুঞ্জো থুংনহনবা ঙমখিদবনি। অংমকপু হুংশবগী খোঙফমাদ থুংনবগী লমথুং তান্না চৎপা নত্তে, মসিদি সুপ্নগী আত্মা অনীগী শেৎনখাইনব লৈত্রবা মবী অহুনি হাৎবসি অইবনা ময়েক শেংনা উৎলি।

অঙাংহল গান্ধীবাদত্তা প্রাজবা অইরমি। হিন্দু-মুসলিমগী অপনবা শক্তমব মহাক্তা খোঁবাংজলি। মীর মী ওইনা খনবা ভদ্বা অঙাংহন্সম মানব-তাবাদকী পনখে লান্না করন্না চৎকনি অঙাংহলগী ম ওয়েংদা ধর্ম্ম থামবসি

মপান্থোংগীনি ঃ মীওইবগী লেঙদ্রবা ধর্ম্মদি নীবু মী ওইনা খনবনি হায়বা রাক্ষম অসি খ্যাদি।" অতুনা জহেবাগী শক্তম শেমগৎলি। মুংশিবদা পাপ চঙদে, ধর্ম্ম অধর্ম্মগী বা লৈতে হায়বা রাখল্লোল অসিনা লমজিংলগা জহেবাবু অশেংবা মংশিবগী মুক্তি অমা ওইনা শাগৎখিবনি। অঙাংহলনা মঙলম্বা মঙ অসি চেসিন্দি ওইহনেবে। মণিপুরী সমাজদা জাৎ বিজাৎকী হিন্দু মুসলিমগী রাখল কাউথোরবক্কী জাতি অনী অসিগী মবক্তা চাবো মৌবৌনব খুদম উবা ফংলে। পুন্নমক অসি উক্তবম্নবদি অঙাংহলনা কযাগী মতিক লেপবংগনা। ঐ্রাখাযনা সিমদি হায়নিংই – অঙাংহল তুংলমচং টবা ঙমখিবা তইবা মনি। মাতান্দা ধর্ম্ম সমাজ অমদি সংস্কৃতিবু মক মুন্না খাংবা ওম্বগী শক্তি অমা যাওলি। ভারত্ত হিন্দু মুসলিম যেংনিনবগী অননবা ঈচল অমা চেন্থবকপা তমনি। গান্ধীজীগী লৌচিং মথাদ যেংনিনবা অদি বোয়নবা বন্না হোৎনখিদি হাযববু কোকপা ওমখিদ। ভারত পাকিস্তান অনী থোকখি। ধর্ম্ম তিন্নদবদগী থোরকপা যেংথিনবা অসিনা মীমীগী মবক্তা খেন্নবা পমহন্দুনা মীওইবা জাতিগী কয়াদা অমাঙবা ওইবিবনো হাযবসি নীবু মী ওইনা খনবা ওম্বা অঙাং-হলহম্বা মীওই অংগী হাখলনা লায়না লাম্বা ওমখি। অদুনা সমস্যা অমা শাগৎলুনা মতম্ সমাধান হাযবদি কোকুনবা পাম্বে পুথোকবা অইবা অসিনা হোৎনখি। অদুব রাখলগী মমি অসি কুঞ্জবিহারীগী রাহুং অসিদা কযাদা মযেক শেংনা তাবিবা -

"হিন্দুগা পাঙনগা অসি যেংথিনন ভাই, ভারতকী মকম খুদিংদা অনি অসি থংনৈত্তা হায়বা অসি কনিননো। মসিদনা ভারতকী মঙুন-নবা ওইবে। অনি অসি তিন্নবা ইয়ামক মযাবরোইদবা ?" (লাঃ ৩১)

হিন্দু মুসলিম একতাগী সংসা। অসিগী মরুমদা জহুরা কুঞ্জোগী মুংশিবগী মবী শাগৎখ। নাংনবগী মুংশিবদা অকায়বা লৈতে; খুংনবগীদি অকাক্পা লৈ হায়বসি অঙাংহলনা মযেক শেংনা উংনবা হোৎনখি। মীংনবগী

লুংশিবগী প্রতিমূর্তি ওইরিবা জহেরাদি কুঞ্জোগুম্বা মপানদা থোরক্লা পুক্নিংগী অশাঙবা কোঙলোকপা ওমজদে। লোঁদনা ফারবা, য়াইদনা কংলবা জহেরানি। জহেরাগী পুক্নিংগী য়া মচেক শক্লবা ইবেমচাউনা খঙথি। জহেরাগী খাঙঙমদবা ফিভমদা মিনুংশি উৎতুনা মহাক্না ঈশ্বরবু নিন্দা তৌরকই—"বিষভাগা ছিনু-মুলনিন্ন হায়রগা খাররিবা করিগীনো ? অচুগা নিংনবগী মরীবুদি করিগী ককথৎপিরমদবগে ? নংনা শোঙা নিরন অসি লান্নি।" (লাঃ ২৩)

জহেরানা খঙই—মহাক কৈদৌউঙদসু কুঞ্জবিহারীবু ফোঙনা লুংশিবা ওরোই। মহাক্না থাজবসু ফোঙদোক্তবা লুংশিববুনি, মকা ফোংনা লুংশি-বহু নত্তে। লুংশিবা হায়বসি থমোয়গী মরীনি হায়বসি মহাক চেংনা থাজে। মসিগীদমক্তা লুংশিজবা মীশক মহাক অহুতবু নীংজে; মহাকী ফনবত্তা খল্লি। উপন্যাসকী অরোইবা শরুক্তা জহেরানা কুঞ্জোবু শক লোত্নবা থিন্দোরকপগী মতাংদা "নিংনবগা থুংনবগা কনানা পান্নিবগে" হায়বা জহেরাগী চয়বা য়াহং অসিনা কুঞ্জবিহারীগী থমোয় কায়হনখিদি হায়ববু অশেংবা লুংশিবগী শক্তমদি নীংনবদা লৈ হায়বসি মহাক্না মমেক শেংনা খঙহনখি। কয়াদা কাউঙমদ্রবা অমদি অর্থ চেন্নবা য়াহৈশিংনো "নিংজববু মমেং ভাগদবগী শককপুদি পুন্সি অসিমগী অপাম-লুংশি কৌবদা থুংনজগদরোই" কয়াদা কনপ্রবা জহেরাগী পুক্নিংগী পাঙলনো। অঙাং-হলনা য়েংনিংলিবা লুংশিবগী শক্তম হায়ববু মসিনি। লুংশিবদা পাপ চংদে; তৌহৈলবসু লৈত্তে। মসিদি ঈশিংনসু চামথোকপা ওমদে মৈনসু য়াবা ওমদে। জহেরানা কুঞ্জোবু লুংশিবা অশেংবা লুংশিবনি। লুংশিবদা চোপ্পা-চোপাতবগী য়া লৈতে; ইত্তংকী য়াকমদসু অহু মঙাই। জহেরাবু মভাং অমদা হায়রম্লি—"করি বানো লুংশিবয় করি চোপ্পা পোৎনি হায়বগো ... ?" কুঞ্জোগীদমক্তা জহেরাগী থমোয়দা কাওরিবা লুংশিবা মঙ্গলা লুংশিবনি, ওহা উত্তাদবা মোং হায়বা টীংলেবা। জহেরাগী হীংবেম্বা লুংশিবা হায়বসি ধর্ম অমার; মঙ্গলা থমোয়গী মরমনি;

লাইরৈবাক্তা চেল্লিবা লূরবা মন্দাকিনী গঙ্গাগী ঈচেলনি। অশেংনমক অল্লাংহৈলগী 'জহেরা' মুংশিবনা কেন্দ্রবিন্দু ওইরগা শাগৎখিবা সমাজ সংস্কারগী মশক থোকপা উপন্যাস অমনি। অইবনা পুথোক্লিবা নীংনবনা মপুং ওইবা মুংশিবগী শক্তম অসিমু মনিপুরী উপন্যাসকী ঈচেলদা অনৌবা দর্শন অমনিনি।

রাধা কৃষ্ণ সীতা রাম শক্নৈ শোয়দনা ভক্ত কয়ানা। করিগী? প্রেম ভক্তিগী। শ্রীমতি রাধিকাগা শ্রীকৃষ্ণগা লৈনবা মরী করিনো? মুপ্পানবগী মরীরা নত্রগা মুংশি রাইথুংনগে হায়বগী মরীরা? রাধাবু কৃষ্ণগী অর্ধাংগিনীরা? রাধাসি আয়োনগীনা কনানো? ধাহৈশিং অসিগী পাউথুম পীবা তাবনি। পাউথুমদা মীওইবগী থমোয়না করি খুল্লকবা? রাহুংদি বুদ্ধিগীনি; পাউথুমনা থমোয়গী। তাক্লিবনা মুংগী মরী; মুংগী মুংগী। মপানগী মরী শুকয়াও য়াওদবদি নত্তে। রাধা কৃষ্ণগী প্রেম অভিলাষ লৈরি। অছুবু অনীগী মরক্তা লৈনবা মুংগী মরীনা হেন্না করি? কায়নবা নত্রগা থাইনবা মতমদা মরী অসি অমুক্তা হেন্না কনশিল্লকই। মসি প্রেম তত্বগী হৌনসানি। জহেরাগী মুংশিবা থমোয়গীনি; মুংশিবগা শাগোল্লরিবা শাজৎনা বুদ্ধিগী। শ্রীমতি রাধিকাগী মকমদা আয়োম্না হৃকচাংগীনি, কৃষ্ণনা থরায়গীনি; কৃষ্ণনা থরায়গীনি নত্রবদি করিগী 'প্রাননাথ' (থরায়গী মবুংঙো) হায়রি? জহেরা-কুঞ্জো শক্তম অসিগী শক্তম অমনি হায়না লৌবদা করিগী লানগনি? মুংশিবা কদায়রু কৌবগে? "Love when subtly analysed is nothing but the spiritual union of two souls" কলাওয়না হায়রম্বনি। অওইবমক জহেরাগী মুংশিবা ভক্তিলবা মুংশিবনি; মুংশিবগী অনৌবা শক্লোন অমনি।

অঁঙাংহলগী রাখলগী মমি অমাঃ জহেরাগী শক্তম

ডাঃ নহাকপম অরুনা।

হিজম অঙাংহলনা 'জহের' মহক্কী মতমগী লৈবাক—খুন্নাংগী ফিভম মুন্না খঙলগা মতুদ য়ুম্ফম ওংবুনা ইবা উপন্যাসনি। অঙাংহলনা লোখৎলক্লিবা সমাজগী য়ু-ফমাদি কাংইনং অমদি ফুরূপ তিন্নদবা জাতি কয়ানা পূন্না লৈরিব মণিপুরদা নিংখৌ পাল্লিঙৈ অমসুং ব্রহ্মসভাগী অকনবা চেন্নাক্লা রায়েল্লিঙৈ মতমনি। গৌরীয় বৈষ্ণব ধর্ম্মনা নিংথৌ অমসুং ব্রহ্মসভাগী ধর্ম্ম ওইবনা অদৈ ধর্ম্মবুনা থরা হন্থবা, অমাংবা ধর্ম্ম ওইনা খন্দুনা লৈঙাক্লিবৈগী ফিভমনি। মণিপুরগী মপান্দা ভারতা মীনাই যোহিলং থদংনবা হোংনরগম্ব হিন্দু মুসলমান অনীগী মরক্তা জাতি ধর্ম্ম খেন্নবগী শাংচেপ থাজিনবনা অকনবা ইরাং লৈরিবা তাঙ্কক্লি। মহাক্কী মতমগী ঈহৌ ইরাং কুনা থেংলগা অঙাংহলগী পূক্লংদা জহেরাগী শক্তমগী মমি লাকখি। 'জাৎ তিন্নদবা, ল্লাইনীং মান্নদবা কাঙলুপ কয়ানা পূল্লগা শেম্লিবা সমাজদা মশা-মশাগী কাঙলুপনা কৈ হায়না' খনবা ধর্ম্মগী নুংগী ওইবা রাখল কাউথোক্লরগা কুন্নাংবা মতমক য়েংবা মীওইবগী মনাও থয়োম্ব শোক্লবা অহিংনা যেংথিনবগী ইরাং মরক অসিদা নুংশিবগী অনৌবা ময়োল অমা মীওইবা খুন্নাইদগী চোংহাম্লিংখি। মীৎয়েং অসিনা মপুং ওইথিবনা জহেরাগী শক্তমদা মুসলিম চনুরা অমা ওইনা অহিংসা অমসুং নুংশিবগী মূর্ত্তি ওইনা শাগৎলকই। মপাম্বোংদা মুসলিমনি, পুক্নিং-রাখ-লনা হিন্দুনি। পম্বুং নাইবা নুংশিবগী পনথৈদগী লাম্বোক্লনা লোইনাইদবা

নীংঙবগী অরাবা ফিদমা 'জহেরাগী থবায় হাপ্পী'। অইবগী রাথল্গী ফজবা, শীংথিবা, অমদা অমস্তুং অরাংবা ফিদমগী মচল্শিং থোমগত্তুনা জহেরাগী শক্তমদা হাপ্পনবা হোৎনরকই।

জহেরাগী ফিদমনিংঙাই ওইবা শক্তম অসি মযেক শেংনা উৎননবা রাদীগী অহৌবদগী অরোইবা ফাওবদা হোৎনবা লেংদবা মথল্গী লমচৎকী উচন্দা হাপ্তুনা অইবনা য়েকই। মকম মতম অমস্তুং থৌদোক্না জহেরাবু হুমহুনা পুহন্দে। লেংশিন্দুনা শেমগৎবা পরীং অমদা লেঙদনা লেপ্তুনা লৈহল্লি। পামজবা রাথল্গী মচু অমদা থবায় লুপশিন্না য়েকপানি। ময়েক লানা চোংথোকহনবনি।

জহেরাগী মপাঙ্খোংগী ওইবা হকচাং কায়াৎকী, শাবান মুত্তিগী ফজবা, শক্তম অমদি থমোয়গী নীংথিবা গুণ অনী অসি থোং মাঙ্গনা চংহনবা থল কায়দনবা অইবনা কন্না পায়শিন্দনা থম্মী। জহেরাগী শক্তমগী ফজবা থাবদা অইবগী মীয়েং অশুঙ্কী মতিক কুপশিল্লি; জহেরাগী মমানা মৈতৈ পাঙল, মপানা পার্সিয়াননি। 'মুকশন' ওইহন্দুনা লময়োৌবী শক্তী প্রমান পীরি। মৈতৈগী ফজবগী পান্দমনা জহেরাগী ফজবা চেংলৌ থাবদা পেন্দ-বদগী অইবনা কন্না তৌদুনা পার্সিয়ানগী ঈ কাওবা পুশিল্লকপা লু-তোং শাবদা চাপলি। ফিজেত্তনা নীংথিবা চেংলৌগা চায়-চুমনা তরু-তহেম্না ইথ তারবা মৈতৈগী কীজোল শেৎহল্লি।

মমা মুগ্রাবী তোম্বী বিবিগী লাইরবগী অরাবা অরাংপা মরক্তা থিঙম-জ্রমা মহেল্লাগী খেঙথাং ওইহন্নবী মথোন কারকপদা 'পুং খুদিংগী অকাং খাঙ্গুম হেনগৎলকপগী' মতৌনা কনা লৈজত্রবী জহেরাগী অশেংবা মমল ওইরি। উপন্যাস অসিগী অহানবা মফাংদা জহেরাবু শক তাক্লকই:— 'তোম্বী বিবিগী লায়রমগী থৌরী অহুনা মচানিপিগী মথোন কৌরকপগী থোঙথাং অমুবু হাফুনা থম্বা য়াখিদরে। জহেরানা চহী ১৪ চংলকপগী

নোংমা অযুক্তা 'মীওইবা লীলাদা' জহেরাগী পার্ট লৌখরে। অরাংপা কৌবা যুথল মথুং অনীনা নাকল নংমা মামা হাইদোল্লগা মথোন কারকপা ফিজেৎ-লৈতেংনা শেম শারহনা ষ্টেজদা খোরকলে।" (অগানবা মতাং লাঃ ৫) মহৌশাগী কাযফত্রবা খোঙচত্তা মথাক কারকপা পুন্সিগী খোঙ-ফমদা লেপ্লবী জহেরাগী তন্নিক তানকপা পূক্লং মরক্তা মৈতৈ পাখং কুঞ্জবিহারীগা থেংনহনা মশাগী-লীলা উৎপা কৌহল্লি।

জহেরাগী শক্তমগী ফজবদা লম যৌহনবত্তা নত্তনা পূক্লং অমচংসু অমকপা মচেং অমতা পকহন্দে, তরু তহেলহাল্ল। মৈতৈগী গৌরিয় বৈষ্ণব সমাজগী চংনবীনা ইচু তানা শম্থি তাম্হোক্লবা শেংনা ভৌরবা লমচং অমা জহেরাদা শাগৎলকই। মুসলিমগী জাত্তা পোক্লবসু রাথল-মীৎযেং অমদি ল-চত্তি হিন্দুগী মচু তাবা, হৌন-লোনচং থঙবী লৈশাবী অমদগী হেন্না চঙখোম্না ভাইবনা যেক্লকই। কুঞ্জোগা থঙনজ্রিভৈগী মমাঙদগী মপোক্নী ওইনা হিংসাগা শাগোল্লবা মজাতি অমদি মশাগী ধর্ম্মগা মরী লৈনবা চাকচা ঈথক কয়া হৈনজরক্তে (মরিশুবা মতাং দা ফতিমাম্না তোম মিয়াদা হায়খিবদগী লাঃ ১৮) মজাতিগী চংনবীগা খেন্নরবা তোপ-তোপ্পা মরম-চং অমা অইবনা জহেবাদ লৈহল্লি "জহেরা হায়বী অসি মানা মীরোল থংলকপদগা হৈরুদনা চাক চাদে, চাক চানদা শেংপা ফী মতম অহৈদা শেংত্তে তোঙাম্না থমই। চাকথুমগা ফুংগাগা তিন্নদে, সুমিং থদিংগী চাখম রাই তৈথোকই। সুমাং মাঙোল সুমিং থদিং রাই হৈরা তোক্তে। যেন, থুন্ন লোইদে।" (মঙাশুবা মতাং লাঃ ২২) অহুগীসু মথক্তা কুঞ্জোগা উন্নহনা মহাক্নী থমোয়দা 'চেৎনা' লাংথ্রবা মতুংদদি জহেরা মৈতৈগী চং-নবীদা পূক্লিং শুম্না হেনজিল্লকই সুমিং চুম্না 'মৈতৈ পাখং লৈশাবীম্না চংপা শাজং, শাম্নবা মশাম্নদগী অমাং- অশেং, লাই-পতিন থুরুবা চংপগী রারী ফাওবা লীহন্দুনা' ('মাপনশুবা মতাং' লাঃ ৪৮) তাজবনা জহেরাগী মথৌমাং ওইবকই হিন্দু, ধর্ম্মগী অথোইবা সুমিং অমা ওইরিবা কুঞ্জবগী অমুক্তা শুরাইবক্তা চন্দোল থিন্নপা লম্বী শোরোক্তা ইবেমচানা লোয়নবা

মথরায় তানা পামজনা চৎচৈ। হিন্দুশিংগী পাখং লৈশাবীগী চৎনবী যেংনীংবগী কুহনা নীংজররক্ষবা অপাম্বড় থবক ওইনা পাঙথোকচরনি। মুসলিমগী জাস্তা পোক্লবী জহেরানা মশাগী মজাতিগী চৎন লোনচৎ মঙ্গুংদা হিংননবা হোৎনবদা থেংনরিবা অরা। কিভমবু 'নাহুতোম চাবা শনবু জীব হংশিবা থড়দবা শাহিং চাবা কৈনা লাকপগুম্বা জাতিগী নিয়ম্মা লাকনা জহেরাবু থনমইবনি।' (২০শুবা মতাং ১৬৪) হায়না থারি। শা চাত্রবী, ম্রেকম কাওবা শোত্রবী, থরাযনা পামজনা তজজ-হুনা চন্দোল থিল্লিবী, ঈরুজরগা ফিশেং শেৎলগা চাক চারিবী, বৃন্দা সতীবু নীংতহুনা তুলসী থারিবী, কৃষ্ণগী মুর্ত্তি লাংলিবী জহেরাবু ইসলাম ধর্ম চৎপী মুপীনচা ওইনা উবা ঙমদে। গারিযাগী তৌন-লোনচৎ তারিবা হিন্দুগী ফিদম্লিংঙাই ওইবী লশাবী অমগী শক্তমদা অঙাংহশনা পুখৎলকই

মহৌশা খুৎশেনগী অরা-মুংঙাইগী যুথন্দা জহেরাগী মমি তাহন্দুনা শক্তমগী মচু লোকই। পৃথিবীগা ফজবগা জহেরাগা হিদাম্নহল্লি 'জহেরানা তক- তক ইরুজথোকপগুম পৃথিবীস্থ নোংনা পুমচাম চামথোকখরে উফুলু অমতবু উন' শিঙনাদা পক্তে, তসিনা হেন্নদে। পৃথিবীনা অঙানবা অঙাংবা মুমৎকী সনা মচুদা পুমলং লংন তনিক তনিক ঈশিং কং-ফানগা লোয়নন ফজবা অত্নদগী জহের'গী কুচুন' করি অমতা তাদে।' (১৫শুবা মতাং লাঃ ৯৮-৯৯) পূক্লিংগী অরা-নুংঙাইগী মমিস্থ প্রকৃতিদা তাহল্লি। হ্বাক্তি লায়া থমোয় লাহোক্ত্রবগী অরাব মরক্তা অহিংসাগী থমোয় থঙাবিবা আম্মীরগী চৈত্তাক ওইবা রাইৈ অগা-অনী তাজবা ফংবদা থমোয় মকা লামঙহুনা প্রকৃতিবু জহেরাদা 'মথোক কায়কপী মমাম্ববী' ওইনা উহল্লি। ইবেমচাগীদা কুম্নোগা উম্নগদবা মমাঙমজদা মমানা থিঙহুনা চৎহন্নবদা নীংবা কায়রবী জহেরানা হিজোল মতোন্দা তৌযোক তৌবা শনবী মমাংমচা নাম্নুমা নীংবা কায়নৰ মুম্বংমনা তাইবংপান পুম্না

কাউথোক্লা লেপখিবা ফিরেপ্তা 'নীংনবগী' লায়থুং পাল্লবী মথোক কাম্বকপী অমগী পূক্নিংগী ফিভম মুমিদাংবাইগী য়ুখন্দা তাহন্দুনা ফোংদোকপা ওন্মী।

জহেরাগী রাখল অমম্বুং থমোয়গী গুণ শেম্নকপা মতাংদদি অইবনা থুক্কেং পালোম্নহনা চেকশিন্না পুবা থেংনৈ। লৌথুপ-লৌকোয় লৈত্রবা, ইঙ্গিং তিংবা, নোল্লকপা, বা য়াম্না ভাংদবা, চীংলেম্না খাক্তনা কমবগী শক্তি অসিনচিংবা মচি ওইবা লমচৎকী গুণ কম্নাগী তুংনকম ওইহল্লি। কুঞ্জোবু উরুবদগী মহাক্কী থমোয়দা কাওরকখিবা মুংশিবগী অকনবা মৈশা মথন্তা তুমিন্না খাওননবা চোংনৈ। মৈতৈগী মচেম শকপী ইবেমচাগী মকমদতা 'ইচে! মুম তৌহনা মুমম-তোক্লগদরা?' হায়না শোনজবদগী হেন্না মনা-মনিল নাইদে। মৈতৈ পাথংনি হায়বদগী হেন্না মমিং-মথা, লৈফমগী লংলা-লংজিন করিমতা খওহৌদ্রবা, থিরুহনা ফোংদোকলুগনি হায়বন্তু উদ্রবা জহেরাগী অরাবা ফিভম অসি 'লৌদনা কাবা, য়াইদনা কংবা' হায়বন্থু য়ৌহল্লি। বা য়াম্না ভাংদবী জহেরাগী অরাবসি অইবনা ইজিত্তুনা ফোংদোক্লবা লাক্লে।

জহেরা তথক-তথকপী, তয়াং তশোইবী মুপীমচা অম্না নত্তে, য়াম্না ঈংলো চেকশিন্না রাখুল খনবী, থমোয়গী ঈহুল ফাজিনবা ওন্বীনি। কুঞ্জোওনা মুংশিবনা ইমহনা হুমহনা পুবা ওমদে, মুংশিবগী শাকু কল্লবা ঈচেন্না তাউথহনন্তু হিমায় চুপ্পা ওন্বী জহেরানি। জাতি, ধৰ্ম খেন্নবগী কল্লবা পাল নম্বথেক্তুনা মহাক্কী থমোয়গী ঈচেম্না কুঞ্জোদা তিনশিন্নুবা মতুংদগীদি 'পুন্সি চুপা য়ুম পাল্লরোই' হাযবা ফিরেপ অসি লৌখি। মুংশিবা, ধৰ্ম, সমাজ, চৎনবী, মাও-তুং নাক-য়েং কোয়না য়েংহনা পূমমক্কী মক্তা রাখল্লা রায়েল্লপা অচেৎপা থোঙকম শেমখিবনি। লাকওম-কাতমজবা থমোয়গী ইহল লাকশিন্নমা লমজিংলা চৈঙাক ওইনহনা ইমা চেকশিন্না মুংশিবনু মথমোয়দা য়োক্তুনা থম্মী। মহাক্কী অনীংবকা মুংশিববু পুশিল্লকপা ওন্মী, থুংনবা য়াওকবা নীংনবগী লোইনাইদ্রকা মথক-অমা শাপংদি।

মাঙ-তুং খোমজিন্না য়েংবা. ওস্বী মীয়েং শানবী জহেরানা মহাক্কী স্নুংশিবনা মরম ওইহুনা' স্নুংশিজরিবা কুঞ্জোবু মাঙহল্লিংদবদগী লৌথিবা ফিরেপ্পনি। মহাকথকীদমক মৈতৈ পাখং কুঞ্জোবু সমাজনা খোঙ্গাওনবা জহেরাগী থমোয়না থাঙবা ওস্বগী রাংমদনি। স্নুংশিবগীদমক্তা মহাক্কী মাঙবদা নাচুংবা পোক্কে, স্নুংশিরিবা মহাকপুদি অরাবা, থু দাংথীব', মীনোক মেঙ্গ' মরক্তা চিংথবা পামদে—'ইবুংঙো, ঐবু চৎলো হায়বিয়ু,.. .. নখোং হামত্তুনা সেবা ত্তৌবদি ঐ ওমজরোই, মাঙখ্রো হায়রগ মাঙজখ্রগে' (৩৬শুবা মতাং লাঃ ৩৬৩) হায়বসিন' স্নুংশিবদা থস্ব। জহেরাগী অরাংবা রাখল ফোঙদোকই। স্নুংশিজরিবা কুঞ্জোগী য়াইফনবগীদমক মশানা উফুল ওন্দুনা অতোপ্পনা খোঙনেংনথিবদা জহেরাগী চিংনবা লৈতে। মহাক্না কুঞ্জোবু স্নুংশিবা চুম্না স্নুংশিবদা নত্তে, মপুন্সি কংথোকপনি, থাদোকপনি। মহাক্কী ওইনা লৌশিল্লিংবগী অপাম্বগী থৌরি কোঙ্গোইনা জহেরাবু পুনবা ওমদে. মহুদগী নাহেক্লিবা অকা-অপূন, য়াওদবা নীংনবগী অরাংবা খুভস্ব, ঈরাংলি। স্নুংশিরিবা মীশক্তুদগী থাপ্পা চৎথোক্লগা তাম্না য়েংজহুনা স্নুংশিববু লাইনীং পরৈ-চেংমা নীংজবা পামজথি। জহেরা পূক্লিংগী অকন্নবা-থৌনা-লৈবী রাখল-চেংগী অমা ওইবনা খোঙকম অসিদা লেপ্পা ওমথিবনি। মশাগী মরুক-চংনা মজাতিদা মরাল স্নুংশিবগুম থোক্লনী জহেরাবু মুসলিম সমাজনা জনা জাথিজা ত্তৌরবা ফাওবদা মহাক্কী রাখল' হোংহুনবা ওমথিদে। অরাসা, থুলোংথীবা কয়া থেংনরবসু কুঞ্জোবু স্নুংশিবগী রাখল্দি কংহনথিদে; চেকশিন্না থমোয় ঈরা চাই চাইহুনা য়োকখৎলকথি। ত্তোম্বা মিয়া অমত্তুং কত্তিমানগী খুজিনথোরাং, মৈতৈগী হোৎনজবা পূম্নমক্কী ইরায় লায়রা [illegible] নত্তনা মহাক্কী থরায় হকচাং ওইরিবা কুঞ্জোমক্তা হায়নজক্পা' কাওবদা মশাগী অচিংবা রাখল' হোংথিদে। উপন্যাস [illegible] শেংনা কোঙদোকই

"নিংজবব মমেং তাগদগী শারুকপুদি পুন্সি অসিমগী অপাম-মুংশি কৌবদা থুংজগ্ররোই' (৩৬শুবা মতাং লাঃ ৩৫৪)। থুংনবগী পান্দম ম্নাওত্রবা নীংনবগী লোইনাইদ্রবা মুংশিবদা চেংনা থাজখিবনা জহেরা থুংনবনা পম্বুং ওইগে তাল্লক্লিবা কুপ্তোগী মথুত্তা থরায় থাখি। নীংনবগীদমক পুন্সি কাথোকখি। পম্বু, নাইবা মুংশিবগী অথুবা লৈম্নিগী রাংমদা অঙাংহলগী পুক্লিংদা শেমগংথিবা অরাংবা নীংনবগী শক্তমগী 'মি' অচুমক জহেরাগী শক্তমদা পানশিন্দুনা ময়েক শেংনা ওাম্বোকহনবনি।

অঙাংহলগী পুক্লিংগী মমি ওইবী জহেরাগী শক্তম পুথোকপদা ময়েক শেংলে, মায় পাক্লে। কৎথোকপা, থাদোকপতনা পুন্সিগী থৌদাংনি লৌখিবী, থুংনবগী মুংওাইবব খৌরাংদবী, নীংনবগী অকনবা লাইনীংদা পুন্সিব সাধনা ওইনবগে লেপখিবী জহেরাগী শক্তম অসি অঙাংহলনা অরাংবা ফিদমদা য়েক্লকপনি। লৈবাক-খুন্নাইন' ম্নানববা 'মুপীগী লেমজবা গুণ' কয়ানা লৈতেংলবী জহেরানা থুংনবগী ওমথৈ কক্তনা নীংনবগী অরাংবা গুণ হাপচিন্দুনা মীওইবদগী হ্লেনগৎহন্দুনা লাইরেম্বীগী থাক্তা কাহল্লে। অছুবু শক্তম শেম্বগী কলা অমসুং অইবগী পামজবা ফিদম অনী অসি থল মাম্নবা অইবনা থম্বা ওম্বা হায়বসি নৈননিংওাইনি। জহেরাগী শক্তম অসি মরোমদাম লেপচবা ওম্বা শক্তম অমা ওইববুদি অইবগী পামজবা ফিদম্না নমহৎখিবনা হেল্লি। ইসলাম ধর্ম্মগী অশেংবা লৈশাবী অমগী থমোয়দা গৌরিয় বৈষ্ণব ধর্ম্মগী রারক চেৎলবা সমাজদা লৈবা পাথং অমব মুংশিরুবদা ফাওরকপা থমোয়গী অকনবা লাম্বেং, নোংলৈ মুংশিং উৎপবুদি জহেরাদা হিন্দু মুপী অমগী গুণ অমসুং লমচং হাপবা হোৎনবদা হেন্না পুক্লিং চঙখি। জহেরাগী শক্তমদা সমাজগী চংনবীগা মরম্নাই মুংশিবগা হাইক্লেং খৌরী চিংনবগুম ত্তোরুবমু মকা কোঙজে। অঙাংহলদগী জহেরা তোঙ্গানা থায়ুরোকপা ওমজে। উপন্যাসকী অয়োম্বা শক্তা অপাম্বগী ম্নায়োক্তা অকনবা মরৈ

চৎথহলকপনা রা খজিক্তা ঙাংবী অহেরাগী শক্তম চাইথোরকই। নীংঙবগী সিংগোল ওইরকই, শক্তম মাল্লক্তে। বক্কিমা শাগৎখিবা কৎথোকপগী মুর্ত্তি অমা ওইরিবা আয়েষানা মুংশিবা ফংলরোই খঙনা খঙনা রাজপুত জগৎসিংহদা মথমোয় কৎথোকখি । পাঠান নিঙোন অমা ওইনা রাজপুতকী অংথোববু মুংশিজঙবা, মহাকথক্কীদমক মপুন্সি কৎথোকখিবা শক্তম য়েকখি। অহিংসা পামজবা, ফিদমদা থাজবা অঙাংহলনা মায়কৈশোমদা মীৎয়েং কুপশিনবা রাৎখি। ফিদমগী শুদ্ধংপা মঙাল্লা অশেংবা পুন্সিবু থুপচানখিনি।

মতেং লৌখিবা লাইবিক অমদি চেকোঙশিং:

১। এলাংবম দীনমনি, 'অঙাংহলঃ সাহিত্য, সমাজ অমদি সংস্কৃতি' বোবী পব্লিকেশন ইম্ফাল, ১৯৯২

২। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদা 'সাহিত্য' ৮৪। ৮৫। ৮৬। শুবা মশীং, ২৩শুবা ভোল্যুম, ১৯৯২--৯৩

৩। ষ্টেট লেবেল মহাকবি অঙাংহল সেন্টিনারী সেলেব্রেসন কমিতি, 'নীংশিং চেকোঙ' জুলাই ১৯৯৩

য়াইখিংকোম্নুদা নুংশিবগী মশক

ডা. পোলেম নবচন্দ্র

সাহিত্যাদা মরুওইনা উপন্যাস অমসুং নাটকশিংদা য়াম্না তোয়না থেংনরিবা হীরমশিংগী মরক্তা অমদি নুংশিবগী শক্লোন য়েকপনি। কালিদাস অমসুং সেকসপ্যারনচিংবা নোংপোক অমসুং নোংচুপকী মফিং-চংলবা কবিশিংগী কংবা মাইত্রবা কলাগী করম্বা খুৎশেমদা নুংশিবগী মচলবু চিংথরম্বা যাওবগে ? অনোবা মনিপুরী সাহিত্যাগী খুংমাবা উপন্যাস-কারশিংনা মানা মানা পামজবা মচুদা মথল মথেল নাইবা নুংশিবগী শক্লোনবু য়েকন্বা ঙাকনি। খ্বাইরাকপম চাউবনা নুংশিববু ঈশ্বরনা মীওইবদা তোঙাম্না পীরঙপা পুকচেলনি লৌরম্মি। ডা: কমলনসু নুংশিববু অতোপ্পা সংসার অমনি হায়রম্মি মতৌ অসুম্না হিজম অঙাংহলনা মহাক্কী উপন্যাস শিংদা নুংশিবগী মমুংহুনজিনবা মশক উৎনবা হোৎনরম্বা থেংনৈ। মহাক্কী উপন্যাস 'য়াইখিংকোম্নু'গী মপুংওইবা হীরমসু নুংশিবনি লমদমসিদা মহৌশা-দগী থাজনরকপা শরু লীনরকপা চৎনপরিংগী অচেৎপা পংথোক্নুংদা শা-গৎলিবা মপুংওইবা শক্তম (চরিত্র) শিং য়েকপদা অমসুং থৌদোক্কী পরিং শেম্বদা থুং হেম্না চঙলুবা য়াবগী খুদোংচাবা ইরৈ লৈতবা য়াৎতুনা থমখ্রবা থাবগী থুহুং ইন্দুনা মহুবু অচুম্বনি উৎপা তারকপা কিন্তমশিং অসিগী মরুদা অইবনা মহাক্কী রাখল্লোন অমসুং নুংশিবগী মিৎয়েং উৎনবা হোৎনরকপা থোইদোক্না শীংথানিংঙাই ওই।

উপন্যাস অসিগী নায়ক ওইরিবা খুয়োন হাওবা লাইরব মতম অমগী মৌইরাং নিংথৌগী লনা য়েংথাং থৌগন তৌরম্বা খুয়োন খুন্দোরেম্বগী মচানি

তোয়বুং থুমখোং ইরাংনবা লমজা থিরকপগী রাহৌদা হাওবা খুয়োন ভৌবী শোইদা লোৎতুনা লৈখি। অমরোমদা নায়িকা ওইরিবী কোম্নুনা সনা থাংগুম মগুন নাইবা নিংথৌ ফিগুম ময়েক লারবা মোইরাং অগুম্বা লুরাং মুংবান ছোংনেগুম্বগী মথক্তা এংকাপ লোন্দবী মথাদা মমোম ভাদবী অমত্তা পোকচবী নিংঙোননি। শাবী শানৌ অনিসি চীঙ্ মানা শেমগ্রবা লৈ-পুননি। নোংমা কোম্নুগী মঙলান্দা খুয়োন ভৌবী শোইদা মুরা মাবু ঙৌনা ঙাইরিবা পাখঙ অমবু উখি। অঙকপা মুংশিবগী ভাইবংনি। কোম্নু তরেং তরা থোক্লা খম্বা নংখিদে। খঙহৌদনা পাখঙ মশাদা নিঙোলগী থরায় কৎখি। থোয়ুম মাবু পন্দুনা য়াশকখি;:

মোইরাং থাংজিং কোয়রেল লাই। ঙসি ঐগী মঙদা উরবা মাবু নংতনা নিপা হায়বা জাং অসি য়েংখ্রোই। মাবু ঐগী লৈপুন ওইজবা চীংঙ্ নঙনা পীনবিয়ু। মাবু ফংদ্রিমখৈ কোম্নু কৌবী ঐসে, তরা চাখ্রোই তুমগ্রোই থাংজিং নংনা সাখী ওইরসনু (লাঃ ৩২)

পাখঙ খোঙ্গুল লীনবা থৌরাংনি। মোইরাংগী লৈমরোনশিং লোক্তাক্তা লেমলৈ ভানবা চৎপগী মিংদা কোম্নুনা হি তোংতুনা মঙলানচানগী লোয়ুম্বা মাবু থিবা চৎখি। লোক্তাক উবদা কোম্নুগী পুক্নিং মুংওনখি। মঙলানচানগী লোয়ুম্বা মাঞ্জ মাগী লমদমনিকো থল্লবদা লোক্তাকপু মুংশি-বা মাগী মশক ওইনা উরকখি। হুঙেল ভাইথাং তৎতুনা ইলগা লোইননা ঈশিংদা ভাখ্রবদা কোম্নুনা হঙেল ভাইথাং অহুবু পুনবিরবা মহাক্তী মনাই ওইজরগে কনানো লাকপিয়ু হায়না কৌজখি। কনাসু থুমকখিদে। কোম্নু মুংশা থিরকই। অপাম্-কাদা থুংজ্রবা মুংশি কাদা য়োৗ্রবদি কোম্নু ছিংজুম্নুনা কৈদৌরুনি খনখি—

'কোম্নু ঐগী হকচাং অসি করি কান্নরগদগে। লেমলৈ চিঞ্জাক ওইগ্রসনু। লোক্তাক লাইজ অইংবা খুয়োন ভৌবী শোইগী অরুবা ঈশিং অসিদা চোংথরগে; খুয়োন মংদা ভিনগ্রগে য়াইবী

মাঙলগে ইবুধৌ থাংজিং কৌবা নংনা সাথী ওইরো' (লাঃ ৪৫) রাশকখি ।

অহুমওইনমক নিঙোনগী অহকপা মীচৈগা লোইনবা হিক্ল নৌবা মপাওনা অনীরক হন্না কৌরকপদা হাওবা তানা তানা লোত্তুনা লৈবা য়াখিদে। কোন্নুগী মপাওখোল অহু হাওবগী মফমদদি ওলাংথাগী উকম নোংজুথাগী থাংপোক নিংথমথাগী চরৈ ওইনা থোকখি। হাওবনা মহাক্কী মীমাং থোকপা য়াদবা ফিরম খঙহল্লবদা কোন্নুনা ইল্লিবা ফি মরাক থংতুনা হাওবগী নাক্তা লংশিনখি। ফি অহু মুংশিংনা পুত্নুনা হাওবগী নাক্তা য়োরবদা ফিগী মপু মুরা ওইবী অহুবু লমজা মাগী লৈপুন ওইজগে হায়না থাংজিংবু খুরুমখি (কোন্নুনা হাওববু উরকপদা ফাওখিবা থমোয়গী ঈহুনবু কবিনা অসুম্না শৈথাবস্মিঃ 'কোন্নুগী মকোক্কগী মখোং তুরিক তুখোং অপুন্না অপাম্ববু উজবা মুংশিববু ফংজবগী অপাম মুংশিগী হুমাংনা পুমচোৎ চোংখরে' (লাঃ ৫০) ।

যাইথিং কোন্নুদা থেংনবিবা মুংশিবদি মুংশিরিবা মীশক অমত্তদা মুংশিববু তুংশিন্দুনা নক্তগা হাপচিন্দুনা থম্বগী মহুৎ তাইবংপানবদা পাক শন্না য়েংহোক্তুনা মুংশিবগী নক্তগা লাইরেবাক্কী ওইবা ফিদমনা হেন্না মপুং ওইবা মুংশিবগী শক্লোন অহুমক্তি নত্তে। ঐখোয়গী পুন্সিদা তাইবং মীওইবগী মরক্তা থেংনরিবা মুপী মুপাগী অশেংবা মুংশিবনি। মসিদা মীরমদমগী নত্তবা অধ্যাত্মিক্কী কুযোম অমনা অমুক য়োম্রশিন্দুনা ম্রিংথরুংহন্নবা হোৎনবগী খুদম থোইনা উদে হায়বা য়াই ।

মুংশিবগী মৈশা লাংলবা থমোয়বু অঙাংহলনা থৌরাংবা কোকওমত্রবা লৈকংলাগা চাংদম্নরম্মি পাম্মু মুংশিগী মৈচাক নংলবা থমোয়গী কোকওমত্রেবা মুংশি ঈথৌলাংববু মহাক্না অসুম্না শৈথারস্মিঃ 'মুংশিবগী থমোয়দা মুংশিববু হাপ্পদা থনবা কৌবা লৈত্তে। অতিয়াগী নোংনা সমুদ্রদা তাবদা সমুদ্রনা কৈদৌঙৈদা পাথোকপা থনবা লৈবগে ? মুংশিবগী

লাইজদো খৌরাংলবা-থমোই অহুদা চুপশিনখিবনা মহেল্লি' (লাঃ ৫০) অসিগী মুংশিবগী মিৎয়েং অসিমক বাঙ্গলাগী উগন্যাসকার বঙ্কিমচন্দ্রনা মুংশিবা হায়বসি সমুদ্র পাংলকপা তুরেলগুম্বনি, চেল্লক চেল্লক্লগা পাক-খোকপা অসুম হেল্লকই' (দুর্গেশনন্দিনী লাঃ ১৩০) হায়রম্বা রারম অহুগা কয়াদা চুননা খোকখ্রবা ।

হঙেল তাইথাং পুল্লে, পুক্নিং ফিগৈ ফোংনরে কবো পদাংখোং মচা চাক্নি ফিনিবা শাহুনা হাওবা হোংনেমগুম্বা শঙাইদা লাক্লে । কোম্নুগী নানবা ঈয়োংশংদা কোম্নুনা মশাবীবু চরৈ থুপচানা থম্লে । নোংদমবগী খৌশিলবু কনানা কক্লুবা ঙমগনি । লুরাং হোংনেমগুম্বা কোম্নু পোকপা পম্থৌনা তোর্বুং শাদানবা চৎপদা, থাম্বি মৈরাইহুনা থুমন কাওবা অথৌবগী পুক্কৈ লনগৈ চাকপগী লম্মনশিংবা ওইনা মমোম লাংলেন কোম্নুবু থুমন কাওবদা থাজবা তাখি । হাওবা কোম্নুগী মুংশিবগী অকনবা চাংয়েংনি । লোত্তুনা থম্বা. চেন্দুনা হিংবা যারক্লবা মতাংনি । হাওবগী মশক তাক্লে, কোম্নুগী ফিভম্, থঙহল্লে । হোংনেমগুম্বগী য়াথং-ইন্না হাওবনা মুমিৎ মঙানি চঙনা কোনবু থেমহুনা থুমনপুংদা থানবা খৌরাং তৌরে ।

মীওইবনা মুংশিবদা করিগুম্বা থরা শোইদনা ফংনবা হোংনৈ, পীথোক্লবসু হোংনৈ (ফোস্তর, ১৯৭০ঃ ৫৮) । মুংশিন্নিবা মীশক নত্রগা পোৎলম অহুবু নক্লা চিংশিল্লি অহুগা লাপ্নসু ইম্থোকই । মশাতগী য়েংবা অমদি মশাবু কৎথোকপা থেন্নবা মিৎয়েং অনীমক অমত্তুদা পুন্না য়াওবনা মুংশিববু পুন্সিগী অচৌবা পাউখোং ওইহল্লি । অপাম মুংশি, নিংনবা মুংশিবগী শক্লোন ঙাকনি । পামু মুংশি, অপাম-মুংশি 'য়াইথিংকোম্নু'দা য়াম্না তোইনা থেংনবা ৱাহৈশিংনি । মুংশিবগীদমক মীওইবনা থরায় ফাওবা থাদোকপা ঙম্মী—'মীওইবগী থরাইগা থংনবা লন হায়বদি অপাম মুংশিনি । থরাইদগী হেন্নি হায়হুনা থরাই ফাওবা থানরিবনি ।

অপাম্বগা মুংশিবগবু নিংনবগী থৌরীনা পুন্নি হায়বগী লৈপুন হান্নবা শীংথানরি।' (লাঃ ৯৩)। য়াইথিংকোন্ন'দা থুমু হুন্নক্লিবা নিংনবগী ময়োল অসিমক অইবগী জহেরা উপন্যাসতদি মশা মরেং কল্লকই হেন্না মপূং মরৈ ফারকই। জহেরাগী মুংশিবদি নিংনবদা মমাই ওন্নি কুপ্পোগীনা থুংনবদা লৈ। মরম অদুনা জহেরাগী মফমদদি থুংনবদগী নিংনবনা হেন্না মমল লৈ। 'নিংজববু ময়েং তাগদগী শরুকপুদি পুন্সিসিমগী অপাম মুংশি কৌবদা থুংজগ্নরোই' (লাঃ৫৫৪) হায়থি। অঙাংহলগী মিৎয়েংদদি নিংনবা হায়বসি প্রেম নত্রগা মুংশিবগী অতোপ্পা মমিংনি। ইরাওথোল থোক্তবা ইচেন নাইদবা প্রেমগী (নিংবগী) ইচেনবু মীনবু থিংবা ঙম্বা হৌনদবনি। (লাঃ ৩৩৭)।

ছিজম অঙাংহলনা য়াইথিংকোম্বুনা মুংশিবগী মুংপানগী শক্তমবু ময়েক লানা উৎনবা হোৎনন্নবম্ব মীওইবগী তৌকম থোকপা মথৌনা মুংশিবদগী হেন্না লুম্মি হায়বগী ঈঙ্গিৎ অমদি পীনবা লাকনৈ। মচানা মমা মপাগী, মুপী ওইবীনা মপুরোইবগী য়াথং ঙাক্নবগীদমক তৌকম থোকপা থৌদাং পাংথোকপা ওইনা কোম্বুনা খুমন কাওবগী মরানয়াইদা ওংবা ভাথি। অশিববু মীওইবনা কিনৈ। মুংশিহৈত্রবা যম হায়নৈ অদুবু অপাম মুংশিদি যমদগী হেন্না তমথি। মরম অদুনা হাওবনা কোম্বুগী মফমদা হায়থি: 'যোমগী মথুংতা শিবদি অমুক্তনি অপামমুংশিগী থুংতা মাঙবদি শিঙম নাঙমদনা তরেং তরালক থোক্না শিবনি। ... যোমনা হুবদি থরাইদবুনি, অপাম মুংশিদি থরাই-হকচাং অনিমক পুন্না হরাল্লি। যোমদগী হেন্না অকিবগী মশক্তি। মীওইববু মানা মথৌ অপুম্বা তৌহন্দনা মাঙহল্লি'। (লাঃ ৮৫)।

য়াইথিংকোম্বুদা উপন্যাসকারনা মুংশিবগী শক্তোন য়েকপদা কল্পিবদি কোম্বুবু হন্দোক্লমম্বুনা চৎকে হোৎনরকপদা হাওবগী থমোইদা কাওল্লিবা

নীংজিং মাঙজিংনবগী ঈছুন, অপাম মুংশিগী পম্বাল লান্না চোংগে থৌরাংবদা মঙম শান্দবা মতৌ অসিম্নু অমনি । তুম্লিবী কোম্নুগী ছুন্দোক্লমহুনা চৎলগে হৌগৎলকপা হাওবগী চরৈ খ্বাংযেৎ মচিন্দা কোম্নুগী শম্লাং মঙা তরানা পুন্দুনা লৈখিবা হাওবনা শমগা যেৎশিন্নহুনা লৈগ্রবা কিশি অহু থোক্কে হায়না লাম্মকপদা নীক্লবা খুৎনা শোকপা ঙমখিদবা মুংশিবগী ঈছুন য়েকপদা অইবগী অয়োবী খুৎশেমনি হায়বা তাই ।

লাইবক চাউবী য়াইথিংকোম্নু অকানাইগী মওংগুম খুমনপুংদা থিল্লক্লবদা দোলাইগী চোম' লৈনা হায়দোকুনা 'লোক্তাক লাইজনা মিংশেল ওইবা থা'জিংনা উকন ওইবা লোক্তাক লমদম য়েংলকই' । খুয়োন ঙৌবী শোইবু উকবদা থংলেন মাবু নিংশিংহুনা দোলাই থক্তা ব্রাম্থখি । অমরোমদা কাইনবগী মৈরি থক্তা হাওববু চংনা য়াইবা ঙাগুম্না থাবা হৌরকখি । ইংগদরা খন্দুনা লোক্তাক মাইগৈ পাংলকপদা খুয়োন ঙৌবী শোইনা হংলকপগুম তৌখি : 'ঐগী ইকাদা খংনখিবা ননেমমচা পাখঙ নথুত্তা শিন্নখিবদি পাখঙ নংনা কৈদা থনম্মে' (লা: ৯৩) । মুংশিবা কায়নবগী চৈথেং ফোংদোকপা মতাংনি ।

অয়োইবদা হাওবা অমম্বুং কোম্নুগী মুংশিবদা সমাজ অমম্বুং চৎনবীগী পল কয়ানা থদৎপা ঙমদ্রবা লাকঙমদ্রবা মুংশিবগী শক্লোন উবা ফংই হায়বা য়াই । অহুবু লৈবাক্কী অমুদি পুন্সিগী হুনেক্লুদবা থৌদাং পাঙথোকপদা মুংশিবা কনাবু খাদোকপা তারকপগী মিংয়েংম্নু উৎনবা হোৎনৈ । মতৌ অম্নুম্না প্রেমিক অমম্বুং প্রেমিকা অনীগী কাইনবগী মৈরীনুংদা কৎথোকপগী নিংথিরবা মঙাল অমম্বু উবা ফংহল্লি । কবিশিংনা নুংশিববু অমাঙ অতা লৈত্রবা, মতমনা খুহুম চনবা ঙমদ্রবা থরাইগী ওইবা পোৎলম অমা ওইনা শাংথানৈ 'য়াইথিংকোম্নু'দা হিজম অঙাংহলনা শাগৎলিবা মুংশিবগী শক্তমম্নু মিংথেং অসিগী পংথৈ মম্নুংদনি ।

কোন্নবু খূমন কাওবগী মফমদা থাজখিবহু অহল্লমনগী, লৈবাকী অমদি মপুরোইবগী হেনফদবা থৌদাং পাঙথোকপা ওইনা উত্তুনা সমাজগী হৌনলোনচৎপু ইকাইখুম্নবা ঙাক্লবা হোৎনল্লিবা অসিমক অইবগী হৈশিং-লবা খুশেমনি। মসিদগী নত্তনা নোংদম্বনা হুইগং থাংহুনা, মশাবীগী সেগাদগী চিংহুনা পুখ্রবা কোন্নবু কায়নবগী মৈফমদা লংশিন্দুনা গঙ্গাগী মতৌগুম শেংলবা সত্তীগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরম্বা অসিমক মুংশিবগী অমকপা লৈত্রবা শক্লোনবু উৎনবা হোৎনরম্বনি হায়বা য়াই।

মতেংলৌখিবা লাইরিকশিং :

১। হিজম অঙাংহল সিংহ, ১৯৬৫, (১শুবাকোংবা) য়াইথিংকোন্নু ইম্ফাল

২। হিজম অঙাংহল, ১৯৬৪, জহেরা,

৩। ই. এম. ফোস্তর, ১৯৭০. অসপেকস ওফ নোভেল, লন্দন,

৪। সাহিত্য, ফেব্রুৱারী, ১৯৯৩.

৫। রাখল, জুন, ১৯৯৩

৬। এ. শ্যামসুন্দর সিংহ (তাম্বু).১৯৮৯, দুর্গেশনন্দিনী, ইম্ফাল

অঙাংহলগী থম্বালঃ রারেং অমা ওইনা

লাইশ্রম সদানন্দ সিংহ

মহাকবি অঙাংহলনা ইরম্বা মণিপুরী সাহিত্যগী লাইরিকশিংগী মরক্তা য়াম্না পীকপা মগুণদি য়াম্না লৈবা লাইরিক করিনো হায়না হংলবদি ঐখোয়না চিংনবা লৈতনা 'থম্বাল'বু পুথোক্লিংই। ঐখোয় অয়াম্বনা মণিপুরগী অমত্তা ঙাম্নরবা মহাকাব্যনি লৌনরিবা পরেং ৩৪০০০ মুকী লাইরিক থম্বা থোইবী শৈরেং ইরম্বগীদমক অঙাংহলবু থোইদোক্লা শীংথানৈ। লামায় ৩২ খক্তা পানবা মহাক্কী পীক্লবা লাইরিক 'থম্বাল'বুদি হেক হেক কাউথোকই। পীক্লবস্মু মগুণ লৈবা লাইরিক্তি হায়বা খঙলবস্মু কয়া শক্ত শোয়বিদে। পোৎ অমগী মমল লেপ্পদা থোইদোক হেন্দোক্লা সাহিত্যগী লাইরিক অমগী মমল লেপ্পদা মপাম্থোংগী চাউবা পীকপগী (size) রাফম্না পাদম ওইবা হায়বসিম্মু শোয়নিঙাইনি। য়াম্নমক মরুওইরিবদি পোৎ অহুনগী মশাদা য়াওরিবা গুণ মুংগী ওইবা মতিক ময়াই অহুনি। মাম্নকৈ অশোমদগী য়েংলবদি মহাকবিগী পীক্লবা লাইরিক 'থম্বাল' অসি থোইদোক হেন্দোক্লা শীংথাফম থোকই। অতোপ্পা লোনগী সাহিত্য অমদি সাহিত্যকারশিংগী প্রভাব থোইনা লৈখিদবা কৌন্সেংনি হায়নরিবা অঙাংহলগী পীথোরকপা লৌশিংগী শক্তি, কাব্যগী প্রতিভা মশক চপচানা তাকপা লাইরিক্তি 'থম্বাল'

'থম্বাল করম্বা মখলগী মচলনো

অঙাংহল মশামক্কী মত্তা 'থম্বাল' অসি এসেনি হায়না লৌখি। খৃঃ ১৯৩৮ দা মণিপুরি ষ্টেট দরবারনা বি, এ, ক্লাসতা মণিপুরী টেক্সট বুক অমা পুথোক্লবা শীনখিবা এসে কমপিটিসনদা য়াওননবা থাগৎখিবা লাইরিক্তি হায়না 'থম্বাল'গী অরোইবা শরুক্তা ইরম্বা থেংনৈ। লেখক্না য়াম্না পৌনা শৈরেং নত্তবা রারেংগী মওংদা ইবা লাইরিকপু এসেনি হায়না লৌখিবা চিংনদবা ওমদে। ইংরাজি সাহিত্যদা ,এসে' হায়না খঙনরিবা রারেংগী শক্তম অতুদি তাফাৎতে। ডাক্তর জোনসনগী পুক্লিংগী ফাদোক্লবা খোঙচৎ (loose sally of the mind) নত্রগা Mursay গী হীরম অমগী মরমদা ইবা তেস্তকপা রারে° হায়বা এসেগী পরিভা-ষাশিং অতু য়েংলুরগা ঐখোয়না থম্বালবু এসেনি হায়নিংদে। হীরম অমবু য়াম্নমক কুপথনা মপুং ফানা নৈনরুবা তৌদনা হীরম অতুগী মরমদা করিগুম্বা রাখল খর তেস্তক্লা ফোংদোক্লবা হোৎনবা অতুবু 'এসে' হায়না খঙনরি।/ লোইশিন খমজিনবা রাৎপা অমদি পাকথোরকউ থোক্তবা হায়বা অসিনা এসেগী মকওইবা শক্তমনি লৌনরী। মায়কৈ অসোমদগী য়েংলুরবদি 'থম্বাল'বু এসেনি হায়নিংদে।

লাইরীক অসিদা অঙাংহলনা থম্বালগী মুংঙাইরবা রারী অমা লীরি লোয়ননা মীওইবগী পুন্সিগী থোইদোক্নসু সতী অমগী পুন্সিগা য়াম্না কুপথনা চেকশিন্না লীশাংশীংনা চাংদম্নহুনা অনীগী মশক কয়া কয়া উৎলি। লোইশিন খমজিনবা রাৎপা তেস্তকপা রারেং, ফাদোক্লবা পুক্লিংগী খোঙচৎ হায়বহুদি থম্বালদা উবা ফংদে।

'থম্বাল' অসি ইংরাজী সাহিত্যগী এলিগোরী (Allegory) হায়বা সাহিত্যগী শক্তম অতুনি হায়নিংই। তোঙাম অোঙানবা পোৎশক অনিগী মরক্তা লৈবা মাম্নবা গুণ অমদি লীচৎ-শাজৎ কয়ামরুম পুথোক্লনা য়াম্না কুপ্না লীশাং শীংনা চাংদম্নহুনা অমগী মমিদা অমগী মশক তাক-পগা লোয়ননা নীতিগী ওইবা পাউত্তাক পীনবা হোৎনবা অতুবু ঐখোয়না

এলিগোরী হায়না খঙনরি। জোন বনিয়ানগী পিলগ্রিমস প্রোগেস (Pilgrims progress), জোনাথন স্বিফট কী 'গলিভর্স ট্রাভেলস' (Gullivers travels) স্পেন্সরগী 'ফেযারি কিন (Fairy Queen) অসিনচিংবা মখিং চৎপা এলিগোরী ওাক্তনি। অঙাংহল্লগী 'থম্বাল' অসি এলিগোরীগা হাইরপ মান্নবা ৱারী অমা লীহুনা ধর্ম্ম নত্রগা নীতিগী পাউতাক অমা পীবা, শাঙা উচেক ৱায়ানা মকওঈবা পাত্র ওইবা Fable হায়বহু ওইরোই। হিতোপ দেস' কী ৱারীশিং Aisop's fables) অমদি বইবল (Bible) গী পেরেবলস (Parables) শিংদা থেংনরিবা শাঙা উচেক ৱাযানচিংবা পুন্সিগা মীওইবগী পুন্সিগা চাংদম্নরিবহু নাতৈ চাবা চান্নবা কযা থোক্তে। পাউতাক অমা পীনবা হোৎনবনা মপুং ওইরকই। 'থম্বাল'দা লৈরাং খোইমু, উচেক-ৱায়া হৈপাল লৈপান্নচিংবা প্রকৃতিগী পোৎলম কয়াগা মীওইবগী পুন্সিগা য়াম্না নাতৈ চানা, কুপ্না লীশাং-শীৎনা চাংদম্নহনা পুন্সিগী থুপ্লব' শক্তোনশিং, মীৎয়েং অমম্বং আদর্শ কয়াবু অওকপা কল্পনা শক্তিনা মশক তাকঈ। মাযকৈ অশোমদগী য়েংবদা 'থম্বাল'বু ফেবল নত্রগ পেরেবল কৌরুবদা অৱানবা ওইগনি। লাইরিক অসি য়াম্নক মপুংফাবা Allegory নি হায়নিংই।

'থম্বাল'গী থীমঃ থম্বালগা থীমদা ইচম চমই। লৈকোল পুথ্রিগী চিদাইদা হৌবা থম্বাল অমখক্তী পুন্সিগী মুংঙাইরবা ৱারী অমা লীহুনা মশক তাকপনি, লৈকোল পুথ্রিগী মচি অমদা থম্বাল খেঙ্গোং থাদা হৌরকই। পোমশাৎনরকই অমম্বং খর লৈরগা শাংকায়রকই। অকোয়বদা অতৈ থম্বাল কয়া থরো থারিকথানচিংবা ঈশিংগী মথক্তা কংফালগী কয়াম্থু শাৎলি। খোইমু পাইরক্তুনা থম্বালগী লৈহী চুপ্লে। লৈহী চুপথোকপ্রবা তুংদা খোইমু পাইরকল্লে। লৈনম চল্লে, লৈখোক লোয়রহনা লৈনা পুম্নমক কৈনগ্রেঃ থম্বালগী পুন্সি লোমগ্রে। পুথ্রিগী ঈশিং কংথ্রে থগ্রৌ ওইনা লৈমুংদা চঙহনা খাঙলে।

অদুবু ফজরবা তাইবঙ-মীওইবনা ফুক্তোক্তুনা মতেক মতেক থুদেকপিরো মমৈথঙদদি থম্বাল মমীং মঙাংদা ঙাওহৌরে। থম্বালগী অসিগুম্বা তেল্লবা পুন্সি অসি থারকপদা থম্বালগা থেংনরিবা মাল্যংবগী, মুমীংকী, থবো অমদি থাজগী অকোয়বদা শাৎলিবা কংকাল লৈরাংশিং—চিনি চম্পা লৈহাও উ থম্বালগী মতৌ, লীচৎ শাজৎ পুন্নমক অসি লেখকী কল্পনা শক্তিনা অশেংবা মশক থোকহল্লি।

ইচেম চম্বা রারীনি। অদুবু য়াম্নমক মরুওইরিবা ফজরিবা শরুক্তি লেখক্না থম্বালগী পুন্সিগী মরুমদা মীওইবগী সমাজগী, থোইদোক হেন্দোক্না ফিদম্লিঙাই ওইবী সতী অমগী লীচৎ, শাজৎ, রাঙাং শাঙাং, অরা মুংঙাই রাথল ফিদম্ব আশা অমসুং নিরাশা মশক তাকপসিনি। মথোক কার-ক্লিবী মুজা অমগী পুন্সিদা অপাম মুংশিগী মৈশা লাংবা, উন্নবা তিন্নবগী মুংঙাইবা অমসুং ক্বায়নবগী অরাবা পুন্নমক তাক্লি। মসিগা লোয়ননা মসুং মমান্নবী অমদি মচেমশিংগী পুন্সি অমসুং মীয়েং, কল্লক খম্বন্নবা হুন্নবা, কায়জদবী থম্বালগী মতৌ তমজবী পুন্নমক য়াওবি। অহল্ ওইশিল্লক্তুনা শকচু মাঙশিল্লকপা, পুন্সিগী ফজবা লোয়শ্রবদা মহাকীনি; হায়বা কনা লৈরক্তবা, নাইতোম তারকপা, রানা থাঙবী উংলি। সতী অমনা মপুরোইববু মপুন্সি চুপ্পা নীংজবা, শিবা ফাওবদা থাদোক্তবা উংলি।

অঙাংহলগী কল্পনা শক্তি ঃ— 'থম্বাল'দা ঐথোয়না মপুং ফাইনা থেংনরিবসি লেখকী অঙকপা কল্পনা শক্তিনি। পোৎ অমবু য়াম্না কুপ্পা মনুংফাওনা য়েংলুরগা মশক তাকপদা লেখক্না অঙকপা কল্পনা-শক্তি শীজিন্নরি। মহাকী থৌরবা ভাব অমসুং কল্পনানা প্রকৃতিগী পোৎশক পুন্নমকপু মীওইবগী লীচৎ চৎহল্লি, রাথল থলহল্লি, অরাম্বুঙাই ফাওহল্লি মহাকবিগী Myth making অমসুং Personification'গী শক্তি থৌরবা কল্পনাগী মীয়েং অমসুং মনোবিজ্ঞানগী চঙথোল্লবা লৌশিং,

মীওইবগী লীচৎ অমম্তুং হৌনশাবু য়াম্না মম্তুং হুঞ্জিন্না কাচিন কোয়া ৱোনা উবা ঙম্বগী শক্তিনা 'থম্বাল' হায়বা লাইরিক মচা অসিবু মণিপুরী জাতিগী পুক্নিং অমম্তুং থমোইদা কুম্বী কালেন নাইদনা শাৎপা সাহিত্যগী লৈচন অমা ওইহল্লি ।

থম্বাল'গী মতাং কয়াদা অঙাংহলগী অঙকপা কল্পনা শক্তি উবা ফংই । মুংশি মুংওনগী ইথিন ইহান হাম্না কাওরকপদা থম্বালনা খোইমু উবদা ইকাইবা পোকপা, মমায় পুবা ঙমজদবা, মশাহু তনিক ত'নিকপা ইকাইহুনা য়েংলবোই হায়বস্থু ঙমদবা অঙাংহলগী ৱাহৈদা হায়রগা মবুক্না হায়বা মমীৎনা উন্দবা, খেঞ্জোংশাদা লৈশিন্দুনা হুরান্দুনা য়েংই হাযবা ফজবা কল্পনানি । খুতাইবঙ মুজা শিংগী লীচৎ শাজৎ মীৎমাঙদা চো'খো-রকই । মুংশি মৈশা লাংহৌরবী থম্বালনা অহিং অথেঙবদা কল্পকপা মালঙবনা তাহুনা চপ লেপ্পা মত্তৌ য়েংবদা মু'শিরহুনা 'অপাম-মুংশি' হায়না শোন্দুনা মমীৎ উইশিল্লগা চংখিবা থম্বালনা, অহিংগী অমম্ববু কোন্দুনা কপ্পা, অমম্বনস্থু চীংথৈবু য়েংবা কোরো মঙাল লাকপদা অমুক লেথবা ঙমত্রহুনা অমম্বনা লৈকুৎ লৈরাই উরুম ৱারুমদা লোৎখি হায়রবা নীং-খিজবা কল্পনানি অমুক্কী তু উরকপা মতমদা চীংজাও লমদমদগী তমগী মায়কৈ পাংনা লৈরাং লৈফম থিরুনবা পাইথরকপা খোইমুবু অঙাংহলগী কল্পনা শক্তিনা মচা তরা পোকপদা ওক্কবা অমা য়াওবগুম্বনি, প্রকৃতি দেবীনা মুনা ৱাশী লৈজরা অতোল অতাং মচাবু শাওরুদরে হায়রি । মচানা ইকাইখিনি, কিখিনি থমবদগী খোইমুবুদি উহন্দনা চরৈ লমথাং ফীজিবু সনা খুৎনা লৌখৎলগা সনা চীনবানবু খুৎকা ফিগা খুক্কুনা লোম্না লৈথোক্কুনা খোয়রুম মোমোন তৌই হায়রি । মহাকবিগী অঙকপা কল্পনাগী যাহুনা চীংথৈ ফিঙুপ হুল্লকপগী মশকপু প্রকৃতি দেবীনা খোয়-রুম মোমোন তৌবনি লৌরি

ইনুং খোঙহৌ ওইরকপা অয়ুক শীংপা নুংশিংনা চীংজাও খোইমুগা থেংনবা থম্বালনা রাহৌবা তম্ব', খোইমুনা চংনিংববুদি য়ৌনিংবনা তরেংনি হানথ্রহুনা লৈরাংগী শাংফম থিরুনবা তহা তহা পাইখিবা, লম্বেলদা খোইমু কনাগীদমক থম্বালনা রাহৌবনো খঙহৌত্রহুনা অমুক হন্দুনা মালংববু তাম্নরকপা, মমীং উইশিন্দুনা 'অপাম-নুংশি' হায়না রীহৈ অনিবু শক্তুনা মালংবনা চংলম্ব। থেংনবা খোইশক খঙলকপ্রা হংবদা 'খঙদে' হাঁযনা পাউথুম পীরম্নগা অমুক হন্না মমীং উইশিন্নগা 'অপাম নুংশি, হায়না শক্তুনা চংখিবা অসিনচিংবা নুঙাইরবা রারীশিং অসিন্থু অঙাংহলগী কল্পনানা শাগৎলকপনি।

অহিংগী মতম লোইখিহুনা কোরৌহনবগী মশেক মঙালনা মালেম শীনবা থুংনা চামথোক্লবা অয়ুক্কী দৃশ্যবু মহাকবিনা নীংখিজরবা ফীজোল থোক্লবী মালেম লৈমগা মচা ময়ামগা উনবনি অমসুং মমা মচা মীৎকুপ অসিদা সংসার অসিগী মপানা পেঞ্জবগী ঙমখৈ লৈথিদ্রে হায়না কল্পনা তৌরি।

মিৎকুপ থরগী মনুংদা খোইমুনা লৈকোল পুখ্রি লমদম য়ৌরক্লবদা লৈরাং-শিংনা 'লাকএ লাকএ' হায়হুনা তুমিন তুমিন লাঙনবা, মায়পোক্ত তঙাং তঙাংনা ঙসিদা শাংলম্বা থম্বালবু উরুবদা শুমহৎখ্রবা খোইমুনা অতৈ লৈরাংশিংবু হন্দোক্লম্নগা থম্বাল তম্না পাইশিল্লকপা, থম্বালনা মমায় পুবা ঙমজদহুনা খেঞ্জোংখাদা লোৎচবা, মপু পাল্লবী লৈরাংলা চিংন-রিঙৈদা অতোপ্পা খোইমু অমা উরক্তুনা হন্দোকপা. অকোনবদা খোই-মুনা লৈজবা খৌনা পুম্নমক পুথোক্তুনা অপাম কাদা য়েৎপা মহাকা শয়েং থৈনরগে, পাম্বোম ঙাম্নরগে থন্দুনা পাম্নশিল্লকপদদি মশামক্কী মমি ওইরম্মী হায়না কল্পনা তৌরি। খোইমুনা থম্বালদা তোংলমদাইদা কোয়না কোয়না পাইবা, থম্বালনা ইকাইখিবনা মাতোন নাকচিদা হমাং কাংবা, মশাপুম্বা হমাংনা চোৎপা, মমায় হং লৈথোক্পা মিহুন চোংবা

সুংশাম্বর চাউবা, খোইমুস্তু পাইরম্বদগী মশা থপকনি হায়বা কাউরকপা মখোল শাম্নকপা, লৈরাংগী অনৌবা ময়োলমক্তদা ভোংতুনা অমৃত চুপ্পা মীকুপ থরগী মনুংদা লৈরাংগী মঙালনা পৃথ্রি লমদম ঙালহল্লকপা, খোইমুনা অমুক কুপশিনখিবদা সুমিৎ অম। হৌজিক্তা তাগ্রিবা অসিবু কোরৌ অনি শুরবরা ?" হায়না অঙনবা কারকপা সুমিৎনা থল্লে হায়বা অতুগা নীংনবগী মন্দির য়াওংশঙগী কা অত্তু ঙসি অয়ুক অসি লৈকোম্নি পুন্সি অসিনা ওইথরে।" হায়বা পুন্নমক অসি মহাকবিগী অঙকপা কলপনা শক্তিনা পুথোরকপা শক্তম ঙাক্তনি।

থম্বাল'গী মথা তাবা ৱারীদা থেংনবা অঙাংহনগী কল্পনাগী শক্তি অমুক্তা য়েংশি। থম্বাল খোইমু অনি থুংনবগী সুংঙাইরবা মতম অসিদা মচেম লৈরাং অতৈনা ৱারৌরে, থম্বালবু 'নহা মস্তিক নত্তনা ঙমই' হায়বিরে। লিংজেল থাবী লৈহাউনা মালংবগী মতেংদগী খোইমুগুম্না কোয়গন্দবা কুচু মুদবা লাংমুবীগা লৈপুন ওইখ্রে, মমং অনি শুথরে হায়রি। অতৈ লৈরাং মথৈদি খোইমুদা ভক্তি কায়খিদে। অতুবু লৈরাং অমদি ইকাইমনখিবনা লৈরাং কুচু ওন্দুনা মনামচু মান্দুনা মনালক্তা লোংথরে শিঙেল চিনিচমপানি হায়রি। মতম থরগী তুংদদি থম্বালগী কাদম্ন খোইমু পাইবিরকখিদ্রে। মচেম লৈরাংশিংনঃ 'লাকইত্রা' হায়না হংলগা মপুরোইবগী মিংদা থীগনি থনবদগী 'লাকই' হায়না মীনমতুনা থুমই। মশাক্তে, মতৌনে, মরক্চংনে. মগুম্নে থম্বালনা লৈরাংশিংগী তমজনকম ওইরক্লে। তমজমনগী লৈরাং অনদি মনা পাকথোক্লে, মঙং থম্বাল মাল্লক্লে, মচু ঙাঙলে খোইমু লাইশোল ওইদুনা লৈরক্লে।

খোইমুনা মরাকত্রবদা অভোঙবা চীংগী লমদমদা হৌথরে, শীঙেল উথম্বাল হায়না থঙনথরে হায়রি। থম্বাল মচীন্দি থোক্তে, কপননখিবদগী মুক্তি কায়রক্লে, সুমীৎ থোরকপা থুদিংগী খোইমুবু ঙাইজখি। মতাং অসিদা থাজ থরো অহিংদা 'থংনরবপদগী থরোনা' লেংও কৈদৌরবগে

ঙৌরিবসিবো” হায়না তকশিল্লকপদা থাজন। চেঙ্গোরকপদা নোংপোক লোমদগী মুমিং থোরকপা উরহুনা মনীংলোমদা ফাওদোকখিহুনা নোংচুপ-লোমদা কুমথরকপা তাইবঙ মথোঙ হুক্তবনা ঙৌবগুম্না হকাইখিরনা নোংনা লৈচিল্লা থাজ মমায় থুমহুনা মায়থোঙ ভংথায় পুহুনা লৈথি হায়রবা নীংথিজবা কল্পনানি।

থম্বালগী অরাবা মতম লাক্লবদা মাগী মীচঙ লৈরক্তবা, শক্লচুনা মাঙথরকপনা চাম্নরম্বা মুমিং ফাওবনা পুখ্রিগী ঈশিং কংহল্লকপা অয়াকপা, উল্লেন ঐবদগী মপাউ পুরম্বা মুংশিংনা মৈশা পুহুনা শীংলকপা লৈখোক্তগী লৈনা কেনখিহুনা থম্বালনা লৈমুংদা চঙলগা খোইমু লাইশোল ওইহুনা থম্বো ওইনা খাঙবা, অতবু যেক্লবনা লৈখোমমুংদগী ফাবিবা মতেক মতেক থুদেকপিবা, অহু ফাওবদা মবুক মুরমদবা ঙৌরোক ঙৌরম্বা, মবুক হোরম্বা, মতেক মতেক তারবা ফাওবদা মপুরোইবা নীংবগী শিঙেল মাগী লংজানা মশা অদো অমগা অমগা তংন থানবা লৈতে হায়রবা ফজবা কল্পনানি। লৈকোন পুখ্রি লৈকং ওনখ্রে থম্বালগী মমীং মঙাংদা ঙাইহৌরে, অহুবু মপুরোইবগী মিংলেল শোন্দুনা বানা থাঙজখি। থম্বাল’গী পুন্সিবু পামেল পুন্সিবশিংনা উরকই, মাগী অরাবা কোক্লনবগীদমক পুক্লিংচেংপা যোগীগী মতৌগুম অরাংবা চীদোন্দা অচিকপা লমজাওদা লাইনীং পরে চেংথ্রি হায়রবা, তাইবঙ সতীশিংনা জীবশিংদা পাউতাক পীবগুম খোইগী লুথাক ওইরবা থম্বালগী থমচেং মরুনা যোগীশিংনা তাইকঙ মপুগী মিংলেম শোনবদা মশীং তাকই হায়রি। থম্বালগী অসিগুম্বা মতিক মগুণ অমম্বুং ফিদম্লিঙাই ওইবা পুন্সিবু অঙাংহলনা য়ামা তেম্না অম্বুম্না মশক তাকই। ‘শিঙেল মপাল লৈরাং ওইবা, মহৈ তাউজিং হৈ ওইবা, মনা তাঙগলা ওইবা, মবুক হোবা মক্তবা, খ্রাঙ-হৈবগী লংজানা মপুরোইবগী মকনদা লৈরাং মাগী থম্নোইদগী তংন থামা লৈতবী থম্বালগী পুন্সি ওইখ্রে।’

থম্বালগী লোন্দা পুদা

'থম্বাল'দা ঐখোয়না মপুং ওইনা থেংনরিবসি মৈতৈশিংগী পুন্সি অমম্বুং অযুক মুংদাংদা শীজিন্নরিবা লোন্দা পুদা, য়াঙাং শাঙাংনা অনম্বনি। য়াহৈ য়াতা অয়াম্বা চমই, থোংলি নৌই। চীন্দগী থোরকপা অদু শেম-দোক শেমজিন পঙতো তৌরুদনা Spontaneous ওইনা ইথোরকপনি। মণিপুরী সমাজগী থোইদোক হেন্দোক্লা শাবী শানৌশিংগী জগৎপু মম্বুং থীৎনা থঙলগা কোঙদোক্লকপা চম্নবা য়াঙাং শাঙাং কয়ানা অপাবগী থমোই অমম্বুং য়াথলদা হেক্তা লাঙহল্লি। নাকোংদগী থমোইয়ৌনা চঙশিনখিবা ওম্বা লোনগী মশক অমনি। থুদম ওইনা থম্বালগা অতৈ মচেম লৈরাংশিংগা য়ারী শানরকপা, থম্বালগী মরমদা থাজগা থরোগা য়ারী শান্নরকপদা য়াঙাংখোন্দা যান্নমক মালহল্লি।

অপাবশিংগী থমোইবু হুরিবা 'থম্বাল'গী লোন্দা পুদাগী শীংথানকম থোকপা শক্তম অমনা মৈতৈগী ওইবা লোইবা নাইদবা প্রমান পাম্বে কয়া মতাংচানা মকম চানা শীজিন্নবসিনি।

থুদম থরদং লৌথৎতুনা য়েংশিঃ–

পোম্লি হায়রবস্থ য়াদবা মপুং ফানা শাৎপমকস্থ নৎত্রিবা পোমও শাৎনরিবা থম্বালগী ফজবা অঙাংহলনা অস্থুম্না তাক্লি—"মপুংমক হেক ফাববুদি কারমদাই অসিমা অফম্বগা অরেপ্পগা লমজেল তান্নবগুম হেনগ্রবনি।'

অমুকস্থ ইনথৎলক্লিবী থম্বালগী পুক্লিংদা অপাম মুংশিংগী ইথিল ইহান হান্না ফাওরকপদা খোইমুবুদি উনিংবা হান্নদোকপদি ওমদনা তুমিল্লা থাঙহুনা লৈবা ফিভমবু অস্থুম্না তাক্লি—তাইবঙ মুজা কনানা পম্মৌ মাংগোল উথোক তেম্না থম্না খেঙ্গোং ওই, পিথ্রাই শমুক মাঙদা থা, মোম্লাং য়াযদা চন, লৈরাং মানা চয়ৈ ফিরোল তম্বদি মুজা য়েছুম

অপিথকতা কত্রংলংজা চিংলকপবু মোয়্‌, নহাওইবী মানা লংজাগী লংলম উরক্তবা মতমবু খম্বাল কৌবী লৈরাংগী মফমদা থোক্লরে।' য়াম্নমক ফজবা প্রমান অমনি।

অমুকস্থু মুমীৎ থোরকপগী দৃশ্য তাকপদা 'অরাংবা চীংদোন্দগী অস্থুকপা লোক্তগী অঙবা খুদেংশাবা লোকচপ্তগী অমুবা কুচুগী মফম খুদিংদা, অয়ুক অঙনবা তাবা লৈচিল্লা ঙৌনা য়াম্না কূপ, ঈরিক কোঙ্গোনগুম্না খর উ, কোরৌ মানা মঙানগী অহানবা মশেক্লা চীংদোল লাম্থোক্তুনা তারকপা অঙৌবা অঙাংনা অনিনা তিল্লবদা সনানা মযুং কাবা লুপানা মফেন ওইবা চরৈহু পৃথিবীনা থোনখার" হায়রি।

খম্বাল'দা অতোপ্পা লোনগী রাহৈ কয়াম্ভ শীজিন্নবা থেংনৈ। মপুং ওইনা থেংনরিবদি সংস্কৃত রাহৈশিংনি। অঙাংহলনা য়াম্নমক পামজ্জনা থোওইনা হাপ্ল্‌বদি নত্তে। মহাক্না মতমদা মৈতৈলোনগী রাহৈ পুকৈদা চঙলক্লবা সংস্কৃত রাহৈ ঙাক্তনি হায়বা য়াই। মত্তাং খরদা ব্যাকরনগী নত্রগা বানানগী নিয়ম থুগাইদুনা মশক হোংদোক্তুনা শীজিন্নবা রাহৈ খরস্থু থেংনৈ। খুদম ওইনা 'ব্যাগবু' 'বেহু', পঞ্জীবু 'পাঞ্জি', পৃথিবু পৃথি, 'দ্রোণ'বু 'দ্রোন', 'ইন্দ্রিয়'বু, 'ইন্দ্রি', ভাবুকপু ভাবোক, স্পর্শমনীবু স্পর্শমনি, কুংকুমবু কোংকুম, গুণবু গুন হায়না ইরি। মসি অঙাংহলনা সংস্কৃত হৈতবদগী লানখিবনি হায়না লৌবা চুমগনি নীংদে। সংস্কৃত রাহৈশিং অসিবু মণিপুরী লোন ওইহন্নীংবদগী অমস্থুং মণিপুরী লোনগী রাহৈ পুকৈদা হাপচিন্নীংবদগী মশক হোংদোক্লগা শীজিন্নবনি হায়না লৌনিংই। মৈতৈগী ওইবা খোম্থোক্তা ওম্থোক্তুনা ঐখোয়গী ওইবা এটমোসফিয়ার অমা পুশিল্লক্লবা হোৎনখিবনি।

'খম্বাল'গী লোন্দা পুদাগী মতাংদা হায়নীংবা রাকম অমনা অঙাংহলগী রাহৈ লীক্লা শীজিন্নবা ওবগী গুন অসিনি। রাহৈ খরতনা য়াম্না

পাক চাউনা কোওদোকপগী ষ্টাইল অসিনি। মতাং কয়াদা হ্রাখলনা নাউপুরবা হ্রাইহেশিং (words pregnant with thoughts) শীজিন্নবা থেংনৈ মসি অঙাংহলনা মৈতৈগী ওইবা প্রমান পাম্থৈ অমদি পাউরৌ কয়া মতাং চানা মফম চানা শীজিন্নবা ঙমখিবননি।

অরোইবদা অসিমদি হায়নিংহ। 'থম্বাল' হ্রারেং ওইরবস্থ শৈরেংনি। মতম ফুইনা নীংশিংহনা লৈরগদবা কাউবা ঙম্মরোইদৌবা হ্রাইহে হ্রাত্তা, কয়ানা হ্রাখল অমদি কল্পনাগী মুক্তি কয়াবু অপাবগী মীৎমাঙদা তরং তরং চোংথোকহনবা ঙম্লিব। 'থম্বাল'বু শৈরেংনি হায়বদা থোইনা লাল্লোই। ডাক্তর কমলগী 'মাধবী' উপন্যাসপু শেরেংনি হায়বা য়ারগা অঙাংহলগী 'থম্বাল'বু শৈরেংনি হায়বা য়ারোইদৌবগী অচাবা মরম থোইনা লৈরোই।

অঙাংহলগী ড্রামাগী খুৎহৈ অমসুং মফোঙদোক

—লামাবম গোজেন্দ্র

র়াহৌদোক :—

কুনশুবা শতাব্দীগী অহানবা তঙ্খায় অসি মণিপুরী সাহিত্য অমসুং থিয়েটরগী য়াওন্দা য়াম্না মক ওইবা মতম অমনি। মতমসিদা মমারোলবু সুংশিজবা, কলাবু পাংজবা মীওই কয়া চোংথোরক্লুনা অকনবা লাম্চং অমা চঙলকখি। মহুগী ফলস্ত ফংখি। অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যনা মপুং মরৈ ফানা শাংকায়রকখিবগা লোয়নন্না ষ্টেজ ড্রামাগী য়াওনস্তু শাফু লৈনা খোঙদারকখি। মতমসিদা থোরকখিবা লময়ানবা অশেবশিং অয়াম্বনা সাহিত্য অমসুং থিয়েটর অনীমক্তা পুক্নিং থিংজিন্দুনা লম অনী-মকসিদা খুদোল কয়া তম্লম্মী।

মশাগী সংস্কৃতিগী মচাক মবাং কায়না লৈজবা লমদম অসিদা নোংচুপকী ষ্টেজ ড্রামানা মণিপুরদা চঙলকখিবসি ১৮৯১ ইং, ব্রিটিশকী মখা পোল্লবা মতুংদা বাঙ্গালীশিংগী খুৎথাংদনি। অহুবু ঐখোয়না সংস্কৃতি অমসুং শান্ন-খোংনবগী লমদা চাউখৎনবা হোৎনবিরম্বা মতম অহুগী ইনিংথৌ সার চুডাচান্দবু কাউফম থোক্কে। মরমদি বাঙ্গলা লোল অমদি বাঙ্গলা ছাচাদ্রা হৈবা লীলা কয়া শান্নরক্লবা মতমদা, মহুবু পামদবগী খোঙহৌ অমা লাক্লবদা ইরমদমগী ওইবা ড্রামা অমা উৎনবগীদমক্তা ইনিংথৌ চুড়াচান্দনা হোৎনদুনা, ১৯২৫ ইংগী সেপ্তেম্বর

তাং ৩০ দা লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহনা ইবা "নরসিংহ" শ্রীশ্রীগোবিন্দজীগী মাণ্ডবতা ষ্টেজ শেল্লগা উংখি। মসিগী মতুং তারকপদা অয়াম্বা লীলা ইবশিংনসু মৈতৈগী ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা রারীশিংবুলশিং তাবুনুংদা লৈগ্রবা লা-চন্দ্রিবা রারীশিং অমদি ইতিহাসকী থৌদোক কয়াদা য়ুমফম ওইবা লীলা কয়া ইনরকখি। ১৯৩১ ইংদা মণিপুর ড্রামাটিক ইউনিয়ন; ১৯৩৫ ইংদা এরিয়ান থিয়েটর, ১৯৩৬ ইংদা চিত্রঙ্গদা নাট্য মন্দির, ১৯৩৭ ইংদা সোসাইটি থিয়েটর অমসুং ১৯৪৩ ইংদনা রূপমহল থিয়েটরনচিংবা সংস্থান কয়া লীংখৎলক্তুনা শক্লাইবা অইবা কয়া, কলাকার কয়া পুথোকখি।

অসিগুম্বা থিয়েটর অমসুং সাহিত্যগী অকনবা য়াওল অমা লাকপা মতম অসিদনি ঐখোয়না ঙসি মহাকবি কৌদুনা ইকায়খুম্নরিবা অইবা হিজম অঙাংহল সিংহ (১৮৯২-১৯৪৩) না অতৈ অতৈ সাহিত্যগী মচলশিংদা খূৎ থাবদা নত্তনা লীলা ইবা অমা ওইনা, কলাকার অমা ওইনা, শীন লাংবা অমা ওইনা, শুপচিন্না হায়রবদা মমারোলগী সাহিত্য অমসুং থিয়েটরগী দমক্তা কখোল্লবা অমা ওইনা চোংথোরকখিবা। লৈত-লাইরগী চৈথেংদগী ক্লাস ফাইভ ফাওবদগী হেন্না তম্বা ঙমহৌত্রবা অইবা অসিনা মণিপুরী সাহিত্যদা তৌরম্লিবা খূদোল অসি মপাল নাইদবনি হায়বা য়াই। ওফিসকী চিল্লবা মতমদগী লেম্লকপা অহাংবা মতম খরদা তৌরম্লিবা থবক ময়াম অসি ঙক্লীংঙাইনি। মহুসু তেল্লবা পুন্সিগী মতম খরদনি। শিবা নাইবা তাইবং পুন্সিদা, হিংবগী মমল খঙনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়াদা থরায় য়াওজরম্বা মীশক অমনি। মহাক্না খূৎ থারক্লিবা সাহিত্যগী মচল খুদিংমক মহৈ য়ানবা ঙমখিবা হায়বসিমক মহাকী পীথোরকপা তাঙলবা গুণ অমনি।

লীলা ইবা অমা ওইনা অঙাংহল :—

অঙাংহলনা লীলা মরি ইরম্মী— 'নিমাই সন্যাস (গৌরাঙ্গ)' 'থাবল চোংবী', 'পোক্তবী অমসুং 'ইবেম্মা'। লাইবক থীবনা মহাকী

অহানবা লীলা অনী অসিগী খুৎইত্থ মাওগ্রে। লাইরিক ওইনা থোরক্লনা নৈনবগী খুদোংচাব লৈত্রে। অহুনকপু 'নিমাই সন্যাস'-নঙনা অহৈবনা খুৎ থারকখিবা অসি সামাজিক লীলা ওাক্তনি হায়বসিদি খণ্ডবা-ওন্মী। মোরোকখাইবম ললিতকী 'অরেপ্পা মরুপ' অসিনা অহানবা সামাজিক লীলা ওইনা লৈগ্রবসু হেন্না মপুঙ ফাবা ড্রামাগী কায়াৎলোন্দা হেন্না চুং ফিবাল চাবা রিয়েলিটি ওইবা লীলাগী মশক অমা অঙাংহলগী লীলাদা উবা ফঙলকই। 'ইবেম্মা' অমসুং 'পোক্লবী' অনী অসি মতম অহুদা সামাজিক লীলাগী অনৌবা ঈহৌ অমা পুধকপদা য়ায়া চাউনা থোঁদাং লৌগ্রবা লীলানি। লীলা অনী অসিদা লীলা ইব। অমা ওইনা অঙাংহলগী হৈশিংবা কলা অসিবু মশক মুন্না খণ্ডবগী মগুণ অহু উবা ফংঙি। থোইদোকপা শান্তিনবা শেমজিনবা য়াওদনা মশাগী অতাবী ফন্দ্র (লোজিকেল আউতকম) ওইহন্দুনা, মতমগী সমাজগী শক্তম মমি লাক্লনা ইরম্মী। মুংওাইনবনি হায়ফুনা মতাং চারা চাদবা থিদনা ঈশৈ-নোংমাই পংহাঙ্গা কাপচিনবগী মওং অহু অঙাংহলগী অসিদদি উদরে হায়বা য়াই। মৈতৈগী ওইবা লোন্দা পুদা, প্রমান-পাষ্ঠে অমদি ঐথোয়না অয়ুক মুমিদাং ঙাওনরিবা লোন শীজিন্নহুনা মীচমশিংগী পুন্সি ময়েক শেংনা য়েকই। লমচৎ য়েকপা অমসুং প্লোট শেম্বদা থোইদোকপা মহৈ য়াল্লি। মতমহুগী সমাজগী অশোয়বা ফত্তবা কয়াবু মনুং হুক্লিনা কুপ্ন য়েংশিন্দুনা নৈনবা অমদি থোনা ফনা রাকৎপা অমা ওইবা ওমথিগ্রবসু মহাক্কী মীৎয়েং অমসুং পাম্বদা সমাজগী অশোয়বা অরানবা কয়াবু চুমথোক্লিংবগী শাফু অমদি শোয়দমা য়াউরি। তাইবং মীওইবগী মুংদা য়াওরিবা ফত্ত লীচৎ অহু লৌথোক্লনা অফবা সমাজ অমা ওইহন্নিংবগী ঈথৌ লাংবা-প্রশক অহু ময়েক শেংনা উবা ফংঙি অহুনা লীলা অনী অসিগী মুকবা (কনফ্লিক্ট) অসি অফবা অমসুং ফত্তবা নত্রগনা অচুম্বা অমসুং অরানবা অনীগী মুকবনি। অহুগী অরোইবদা অচুম্বা অমসুং অফবনা জয় ওইবহনি হায়না কৌবা য়াই। সব-প্লেট শেমহুনা-শ্রহুনা লীলা অহুগী মেন

প্লোটতা অকায়বা চময়না থোকহনবগী মহুত্তা হেন্নহুন মতেং পাঙবা, হেন্নহুম ইফেক্টভ ওইহনবগী টেক্নিক শীজিন্নবস্মী মবক মবক্তা রাকোয় মানবা খরা, য়াওরবসু মপুঙ ওইনদি অরায় অথুম (ডাইলোগ) হৈশিংনা ইকয়োমী ওইনা শীজিন্নহনা লীলাগী খোঙজেলদা অপনবা থোক্তনবা হোৎনৈ। সিচুয়েসন অমসুং ডাইলোগকী চৌংলেম্বা ফাগি হৈশিংনা মবক মরক্তা শীজিন্নহনা ভাবকপু পোখাহল্লি। কবি অহুগা উপন্যাসকার অমা ওইনা মহৈ য়ানবতা নত্তনা লীলা ইব অমা ওইনসু অঙাংহল মহৈ য়াল্লবা অইবনি। মবগ অহুনা মণিপুরী থিয়েটরগী ইতিহাসতা লুম লুম লাউবা সামাজিক লীলাগী মশক অমা থম্বা হৌবকপা ওম-খিবগীদমক মাগী মফম চাউনা কন্দুনা লৈগনি। তশেংনমক মহাক ট্রেন্দ সেটটব অমনি।

অঙাংহনাগী লীলাগী শক্তম খুৎই অমসুং মফোঙদোক :

অঙাংহলগী লীলাগী মশক অসি ভারতকী সংস্কৃত লীলাগী মশক অহু নৎতে। নোংচুপলোমগী চংনবী লীলা খুৎইগী মশক অহুনি। পিবামিদিকেল ষ্ট্রকচরগী মওং অহু চপচানা উবা ফংঙি। 'পোক্কবী' অঙ্ক মঙাগী লীলানি অহুগ 'ইবেম্মা'না অঙ্ক তককা লীলানি অহাম্বা অঙ্কদা লীলাগী রারীগী লংজিন ফঙই, মথংগী অঙ্কশিংদা লীলাগী খোঙজেল কনথৎহল্লকই মরীশুবা অঙ্কদা লীলাগী পম্থে অহু য়োই। অহুগা মঙশুনা অমদি তককশুনা অঙ্কদা ফল অমা পীহুনা লীলা লোইশিল্লি। মসিনা এক্সপোজিসন, রাইজিং এক্সন, ক্লাইমেক্স, ফোলিং এক্সনঅমসুং দেনুমা মতুগা কেটাসট্রোফিগী মথংমনাও ওইবা নোংচুপ-লোমগী ড্রামাগী কায়াৎ অহু খঙনা ইরম্বসি হাম্বজি তাকই। সসপেন্স নীংথিজনা থম্বা ওম্মী। অচম্বা, ফজবা অমসুং মতাং চানা প্রমান পাম্থে কয়া থেৎচিন্নবা ভাবদা হুৎশাইনা লোন শীজিন্নহনা চরিত্রশিংবু

হেন্না ময়েক শেংনা উৎনবা হোৎনৈ। লীলা লোইশিল্লকপদা মরু ওইনা মানা উংনিংলিবা রাফম অমু করিমতা ফাদোকপা তৌদনা মচীন তুম্না উৎপা ঙম্মী। লীলাগী হীরম, হীরমমুবু শন্দোক্না তাকুনা উৎলকদোরিবা চবিত্রশিং অমমুং ফোঙদোকপগী পান্থে ওইগদৌরিবা অরায়-অথুমগী লোন সিগী মরু ওইবমু হেক চেকশিনহৌদবদা অমদি শোইখিবদা লীলা অমগী মরাইবক থীখিবা য়ারিবনি হায়বগী খুদোংথীবা অমু খঙনা অঙাংহলনা চেকশিন্না খুৎ থাবম্মী। চবিত্রশিং মশা মশাগী চানগদবা লোন শীজিন্নমুনা মখোয়গী মশক ময়েক শেংহুন্নবা হোৎনরম্মী। মুংগী রাখল ফোঙদোক-পদা শীজিন্নবা লীলাগী পান্থে সোলিলোকুই মহে য়াম্না শীজিন্নৈ। থোইদোক্না মতাং চানা প্রমান-পান্থে কয়া হাপ্তুনা লোনগী ফজবা মশক হেঙ্গংহনবদা নত্তুনা চবিত্রশিংগী মশক হেন্না ময়েক লাহল্লি। খুদম ওইনা খবদং লৌথৎলবদা —

(ক) থৌবা— অপংবনে অমুনবু হায়রিবসিনি
"তুবেল লৈঙোইনা হেন্না কূপ্তে
যুম্বাল লোম্না তাদে" ....
... .
"শগোম্না কাওবা নত্তে
সফম্না কাওবনি" হায়বা অমুবু কাওরবরা নংবো?
(ইবেম্মা। লাঃ ৩)

(খ) মশেন — ....
ইবাই বুদ্ধি লাম্বা ফংদরে।
"হা উরোক নমাংসু লাং নতুংসু তেন"
হায়বমু তারে। য়োরো (ইবেম্মা। লাঃ ১৯)

(গ) তোমচা — ... .
কহা মাং খুজাই কায়, অকোকপদা

কোরেক মাঙবগুম মাসু ঐসু কাং কোক"

... ...

"ইচন হিংচাবীনি ইতাও—মমৈ পানবনি"

শীনগে, মতমগী খোঙলৈদা পুংগা চানা

তোমচা জগোয় শাগে।

(পোক্তবী/লাঃ ৯, ১০)

(ঘ) যাতি— ... ...

"শামু দথা ফত্তবা অমনা হঙোই দথা

ফবা ময়াম নল্লি" হায়দুনা করিসু

খঙজদবা ঐদু ইশম ফাওবা ককপিরিবসিনি।

(পোক্তবী/লাঃ ১২৫)

অসিনচিংবা প্রমান পাম্থে কয়া লীলা অনী অসিদা মরাং কায়না য়াওরি। মসিমক অঙাংহলগী থোইদোকপা গুণনি হায়বা য়াই।

লীলা ইবা অমগী য়াম্না চাউবা মগুণ অমা ওইরিবসি লমচৎ য়েকপগী হৈশিংবা মরীক চুম্বা অসিমুনি। অখঙ অহৈ কয়ানা সেক্সপিয়ারগী ড্রামাটিষ্ট ওইবগী খ্বাইদগী চাউবা থোইদোকপা গুণদি লমচৎ য়েকপগী হৈশিংবা অসিনি হায়না শীংথানরি। অদুনা মাগী ওথেল্লো, হেমলেটনচিংবা চরিত্র কয়ানা ঙসিফাওবা কাউঙমদনা লৈহৌরি। সেক্সপিয়রগা চাংদমনবগী য়াফম নত্রগসু অঙাংহলসু লমচৎ য়েকপগী হৈশিংবা গুণ অদু য়াওরি হায়বসিমদি ককনিংঙাই লৈত্রবা য়াফমনি। মুংঙাইরিবা অমদি অঙাংহলনা মাগী পামজবা পান্দম অমসুং মীৎয়েংগী মতুংইন্না য়েক্লরিবা মুপীগী চরিত্র অসিনি। লীলা অনী অসিদা য়াওরিবা নায়িকা ইবেম্মা অমসুং লৈঃহনদা নত্তনা মাগী 'জহেরা'গী জহেরা, 'শীংঙেন ইন্দু'গী ইন্দু, 'থম্বাল'গী থম্বাল 'খম্ব থোইবী শৈরেং'গী থোইবী, অমসুং 'য়াইখিং কোম্বু'গী কোম্বু অসিনচিংবা পুম্নমক্তা মাম্নবা মশক অমা

য়াওরি। হিন্দুগী 'সতী'গী রাখল্লোমনা মফেন ওইবা অতুগা মৈতৈ মুপীগী তোপ তোপ লৈজবা লীচৎকী মতিক ময়াইনা ময়ুং ওইহনা শাবা। অতুনা মপুরোইবা নিংবী, অচুম্বা অমসুং মুংশিবগীদমক অরা-অনা কয়া থাগুম্নবী, থৌনা ফবী মুপীগী শক্তমনা 'মহাক্কী মরু ওইবা মুপীগী চরিত্র ওইরি। অতুগা হায়রিবা চরিত্রশিং অসিবু খুৎয়েক হৈনা য়েক্তুনা কাউঙমদবা অমা ওইহল্লি।

'পোক্তবী' অমসুং 'ইবেম্মা' লীলা অনীসিদা য়াওরিবা চরিত্রশিংদা কোনট্রাষ্ট পীতুনা মাগী লীলাগী পান্দম পুরক্নবা হোৎনবদা ময়েক শেংনা থম্মী। লীলা অনীমক্তা ফত্তবা নত্রগা মসিদা নকশিনবা মীওইশিং অমদি অফবা নত্রগা মসিদা নকশিনবা মীওইশিং কাওলপ অনী শেম্মী। 'পোক্তবী কুমার. লৈমহুন, এলাংবী দিকদার, বীনো, চাবোক্তবা অহল, অকবা, অচুম্বা পামজবা কাওবু অতুগা শীজা, তোমচা, লুখোই; চাউবা বলেনচিংবা ফত্তবা, অরানবা তৌনিংবা মশাগীতা থনবা কাওবু অসি শেম্মী। 'ইবেম্মা লীলাদসু, ইবেম্মা, তোম্বু লুখ্রাবী বিধু, থৌবা সিংহ-নচিংবা অসি অহানবা কাওলুপনি অতুগা বীজয়, ইবোচাউবা শীজা, যাতি, ওঝা তোমচা অসিনচিংবা. অসি অনীশুবা কাওলুপকীনি। লীলা অনীমক্তা চপ মান্নবা মিং অমসুং লমচৎতা শীজা, যাতি অমসুং ওঝা তোমচা অসি থম্মী। মাম্নরিবগী মরমদি অঙাংহল্লনা ইবেম্মা' লীলাগী রান্নীগী হীরম তোঙাল্লনসু 'পোক্তবী' লীলাগী রারী মখা তারকপা মরী অমা থম্লিংবগুম তৌরি। অতুনা লীলাসিংগী মরু ওইবা কন্নেক্তর খর অসি 'পোক্তবী' লীলাদা থোনখিবা অতু অতুম ওইহনবনি। 'ইবেম্মা' লীলাশিংদা য়াম্না মরু ওইরিবা লৈমতোনম্ন পোক্তবী' লীলাদা পুংকক চাউনা য়াওখিবী শীজগী মচামুপী অতুনি। লৈমতোগী অরাবা বংলক্রিবা মরাইথুং ফৎলক্রিবা অসি মানা মচেন্দা ওংখিবা মথং অনীশুনবা হোৎনখিবা অতুগী পাপনমি হায়বসি তক্তনা পনবা রাইহেনি। মসিনা 'মচা

শীসহ্ খল্লগা ইচা সি' নল্লগা 'পাপ্পা পাপ চায়' হায়বনচিংবা মীতৈগী পাউরৌ কয়া অসি নীংশিংহন্দুনা মীগী ফত্তনবা তৌনিংদবা রাখল অমা পোকহন্নবা অইবনা কন্না হোৎনৈ হায়বসি খঙবা ঙম্মী। অহুবু য়াম্না মরু ওইরবা চরিত্র অনী—কুমার অমসুং লৈমহন অনীনা তুমিন্না লৈহন-খিবা অসিনা মমাঙগী লীলাহ্ নীংশিঙলুবা মতমদা চরিত্র অনী অসিগী মপূং ফাজগ্রবা শক্তমগী রাখল অহ্ মাঙহনগে তৌরকই। মসিগী অশোয়বদি অঙাংহলদা চাউনা লৈরে হায়দবা ঙমদে। অশোয়বা অসি লৈহনসু অকোনবগী লীলা 'ইবেম্মা' অসিদনা অহল লমনগী য়াথংতবু ইঞ্জনিংইবা, ওস্তোক্লা থমোয় চেৎগ্রবী ইবেম্মগী শক্তম অসিনা মীংয়েং চাংশিনখিবনা থৈদোকপা ঙমহল্লি।

মতমহুগী সমাজগী শক্তম- মুপী লোনবা, জুরার শান্নবা, মুপী শেম্বা, মরুম্বা থম্বা, পৈশা প্ৰায়বা মীওই খরনা মীশিংবু লায়না খন্দুনা শান্নবা, রায়েল বিচারদা, শেঙ্গা-থুমজাগী মমি তারকপা, মীচং-শঙ্গল কনবনা অচুম্বা শকখিবা লাইরবা মাচমশিংনা অরাবা নংবা অসিনচিংবা অসি লালা অনাসিদা উবা ফংঙি। তংশংনমক অঙাংহল অফবা, সমাজ অমা লীংনংবগী রাখল কন্না চেনখিবা অইবনি। অহুনা ফিদমগী মরম ওইরবা চরিত্র কয়া শেমহুনা মহাক্তী রাখলনা পামজরিবা সমাজগী মশক অহু ভাক্লবা হোৎনৈ। ত্রামানা সমাজ শেংদোক্লবগা অকনবা থুৎলাই ওইগ-দবনি হায়বসিদা থাজরম্বা অইবনি।

পোক্তবী:-

পোক্তবী মমানা পুকচেল ফত্তবদগী পুন্সিদা অমসুং সমাজদা কয়া য়াম্না অমাং অতা থোকহনবা য়াবগে হায়বা রাফম অসিনা মরু ওইহ-ন্দুনা 'প্লোক্তবী' হায়না মিংথোল্লবসু, মপুরোইবা নিংবা, অচুম্ববু লাংচবী লৈমহনগী লমচৎ শেমহুনা ফিদমগী মশক অহু উৎলি। শম্লপ্পা রারীদি মুংশি রাইথুংনজরবী লৈমহল অমসুং কুমারগী শান্তি ওইরবা য়ুম্বানবু

পৈশাত্তবু মীহৌবী মীহুংশি য়াওদবী মমা শীজানা লৈশারিভৈদগী লৈম তোনবু শংজরকপনা মৌ ওইথ্রবদস্থ লৌজরগে খঙ্গরবা লুখোইগীদমক লৌনম থৌরাং কয়া তৌহনা পৈশাগী ময়াই কারবা তোমচা. যাতি অদুগা কুমারগী থাজনা তিন্নবিবা মকুপ ধনো য়াওনা শরৌ শীন্দুনা কায়নহল্লি। মপামদা লৈহল্লগা লুখোইদা লৈনবা অকনবা তেমথেং পী। লৈমহনগী পুকচেল হোংনবা হোংনবা উপায় অমা লৈত্রবদা মমৈদা লৌনম তৌহনা বাকনী কাবা পুবগা লম্বী লম্মাংনহন্দুনা লুখোই অমদি খুংনেকশিংনা মাবু ফাখি। শিবগীদমক লৈমহন কবিস্থ চীংনখিদে। থৌনা ফনা মুপাশিংহুদগী মশাগী ইজ্জৎ কন্নবা হোংনখি। তাঞ্জা চাহনা লৈফোন্না কনবীখি। লৈফোনগী যুমদগীস্থ অমুক চেল্লক্লনা চাংথোক্তবা পুকচেল চাউবা অমগীদা শকলোত্তুনা গঙ্গং মচি অমদা লৈজখি। মমৈদা অরানবা লৌনম পুন্নমক্তু খঙলকপদগী মপুরোইবা কুমারনা মহাক্কী থোঙ্গুল লীবকখি। মপুরোইনা মাবু লৌশিনবীখি। অথাং কনবা, পুকচেল চেৎপা অমস্তুং অচুম্ববু ঈরাংচবগী মমল ফংখি। ফত্তবা মীশিংনা মশাগী মরালগী মতিকপাবা দণ্ড ফংখি।

লীলা অসি অঙাংহলনা পামজবা পান্দম অচুম্বনা মমৈদা শোয়দনা মায় পাকনি-হায়বহু উৎপা মুংঙাই পোল্লোইগী লীলানি। প্লোট অমস্তুং করেক্তরাইজেসন অনীমক্তা চেকশিনবা, মপুং ফাবা হায়বহু ওইয়ে। থৌদোক য়াথোক্কী নিয়ম চুম্না মওং তানা পুথরকই। ক্রাইসিস হায়বসি হান্না থোকখিবা থৌদোক য়াথোক্কী মতুং ইন্না নেচরেল অমস্তুং লোজিকেল আউতকম ওইগদবনি হায়বহু অতুম ওইরি। ফাইভ এক্ট ষ্ট্রকচরদা ইবা লীলা অসি সেক্সপিয়ারগী ‘ওথেল্লো’গুম মুংশিননা লৈমিন্নজরিবী মতৈ মনাও, কুমার অমস্তুং লৈমহনগী শুন্সিবু পোক্তবী মমা শীজা অমস্তুং অতৈ ফত্তবা মীওইশিং লৌতুহনা চিংনবা থাজনদবগী থৌওং কয়া. য়ান্না হৈশিংনা শৈমহনা শাগংলি। অহানবা এক্টতা কুমার-লৈমহনগী যুমদা

মকামিগী মুংশিনজবা মতৌ উৎতুনা হৌরগা মথং মথং অস্তে চরিত্রশিং মশক তাক্লকপগা লোয়ননা লীলাসিগী কিশী অতু তপ্না তপ থোকপা হৌরকই। পিরামিদিকেল ষ্ট্রকচরগী মওং অতু কায়দনা লীলাসিগী ঈচেল পুথৈ। মত্তাং চানা নাইতোম রাঙাং শীজিন্নৈ। ভোঙান ভোঙানবা মথঙগী মীওইশিংগী লমচৎ চঙথোক্না য়েক্কই অরা-অনা খাংডস্বী, মসাগী ইচ্ছাকীদমক শিবা কিদবা মৈতৈ মুপীগী থোনাগী মশক অমু লৈমহনদা শেংনা উৎলি। মত্তাংচানা মৈতৈগী প্রমান পান্থেশিং থেৎচিন্দুনা চরিত্র-শিংগী চান চানবা লোল ডাওহন্দুনা ইফেকটিভ ওইবা ডাইলোগ শিজিন্নৈ। তশেংনা হায়রবদা অঙাংহলগী থোইদোকপা ড্রামাটিক স্কিল অমু লীলা-সিদা উবা ফংই। মতাং খরদা পাউতাক পীনিংবা হায়নিংবা হৈনমনবগী অমদি চরিত্র খরনা রা শাংবা শাংনা ডাওহন্দুনা চেষ্টরক্লিবা ঈচেল প্লেথহনবগী অশোয়বা খর, থেংনরবসু ড্রামাটিক আর্টকী ইথুনিক ওইবা মশক অমু অসিদা উবা ফংই। অইবনা লীলা লোইরকপা ওরদা সসপেন্স নীংখিজনা থম্বা ভস্মী। লোন্দা-পুদা, লমচৎ শেম্বা, নত্রগা লীলাগী থুংলাম্লোক্তা অপাবশিং নত্রগা অয়েংবশিংবু ভাব তাহন্দবা কোয়ঙাওমহনবগী রাকম অমতা য়াওদে। শান্নবগী ওইনসু, পাননবগী ওইনসু লীলা অসি মহৈ য়াল্লবা মায় পাক্লবা লীলা অমনি।

ইবেম্মা :—

লীলাসিদসু অঙাংহলনা অচুম্বগী লেংঙ্গবা মশক, অচুম্বন শোয়দনা অয় ওইহনি হায়বগী পান্দম ময়েক শেংনা উৎলি। লীলা অসিগী শয়গা রাত্রীদি-মথানা ওকচম্লবা মপান্দা লাইরিক অম্বা চৎপুরুপা ডাওশিন্নদুনা থোরক্লবা বিজয়না য়াক্না হায়না কোয়রকপা অত্তুবু মানা কংথেক চৎখিজৈদা অত্তোয়দা ভত্তল লমম্না থাজদনা ন্সুত্রোংলুরগা খা ফাদনা লুপ্না খুইদুন ময়ুমদা হল্লকপী নৈময়তোনবু লোক্লুন্নৈ। মমা মথগী য়াথংগীদমক্তা মমিংতা ওইনা ইবেম্মবু লুপ্লাংলমলা হল্লা য়েংখিজৈ।

লৈমতোনগী মমা সিজ অমসুং মাগী মরুপ্পা তোমচাগা তান্নহুনা বিজয়গী মাঙনবা শীল্লকই। লৈমতোনসু মশানা য়ানিংদ য়ানিংদনা মমা অমসুং মপা শাবা তোমচাগী থৌইনশিন্দগী বিজয়বু মাঙনবা শ'নবদা শরুক য়ারকই। ইবেম্মনদি মখোয়গী ফনবতা থন্দুনা খাঙজরকই। নোংমা নত্তগা নোংমদি মপুরোইবনা মতাক্কী মনাক্তা শোয়দনা লাকখিনি হায়বগী আশাদা ছিংজরকই। ওক্তবা বিজয় জুরারদা মবোল মরাং তাক্লকই। অরাবা কয়া নংলকই। লৈমতোনবু পাম্বা ইবোচাওবনা মথং মথং পোরম কয়া শীল্লকই। মীহাৎ মীপুনগী কেশতা চেন্নরবা বিজয়বু ইবেম্মনা কল্লি। মমৈদা মবাল লৈবশিং ফাগংতুনা দণ্ডি ফংঙি। রাখলগী পোৎ-থাক্কম লৈরক্রবা নীংঙমদবগী মৈনা চাক্লনী লৈমতোন. ইবেম্মগী মফমদা য়েংলরোই খন্দুনা মথন্তা শিজখি। ইবেম্মগী থাদোকপগী মশক ওইরবা গুণবু মশক খণ্ডল্লবা, ভাব তারল্লবা বিজয়না ইবেম্মগী মনাক্তা লাকপা মতমদদি, লাইবক্লা তাথিবীরবী ইবেম্মা মপুরোইবগী মখোঙ শোক্লা খুরুমজরগা পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখি।

অসুম্না লীলা অসিদসু অঙাংহলনা অচুম্বগী লেংদ্রবা শক্তম অমদি রাখল চেংনা মপুরোইববু নীংজবগী মশক অহু মরীক চুম্না উৎলি। মপুন্সিদা অরাবতা শকক ওইতুনা, মসুং মতম চাদনা পুন্সি য়াহিপ তানগ্রবসু অচুম্ববু ঈরাৎচত্নুনা অথাঙ কন্না ছিংলকখিবনা, মপুরোইবগী রাখলবু হোং হন্দুনা মাগী মনাক্তা নোংমদি শোয়দনা লাকনি হায়বগী আশা অহুদি মপুঙ ফাখি। অচুম্বগী জয় ওইবনি। ফৎতবা থবক তৌরুবা মীওই-শিংনা মরালগী চপ চাবা দণ্ডি ফংহন্দুনা মীওইববু অযবা রাখলদা পুরক্লবগী পাউজেল পীরি। অহুদসু নত্তুনা অঙাংহলনা মীওইবনা শেম্বা আইনগী অশোয়বা মীচং কনবনা অচুম্বা শকপা অশোয়বা অহুবুসু পুখোক্তুনা উৎনবা হোংনরম্মী। মীচং লৈজদ্রবী, পংজরবী থাজরবী লৈমতোনগী লৈখিদ্রবা মপুরোইবগী অমা লুগ্রাবী তোংদগী

লৈমতোন, সিজ, বিজয়, তোমচানা শরৌ শিন্নহুনা লন-থুম মুনবীখিবগী কেশতা উপায় লৈজব্রবী তোপ্পুনা রাকংচবগী মতাং অসি অ.য়্নংবশিং অমসুং অপাবশিংগী থমোয়দা শোয়দনা কুইন। ময়েহুনা লৈগনি।

লমচৎ য়েকপগী মতাংদদি 'পোস্তবী'গুম মায় পাক্লবসু থৌদোক রাথোক্কী পরিং শেমগৎপগী মতাংদদি লীলা অসি থরা শোন্তক তাই। ওইকম থোকপা ওইরকপা নত্তবা নমফু মানবা মতাং থরা য়াওই। হাপত্রবসু য়াবা রাকোয় ওইবা সিন থরসু য়াওরি। মরু ওইনা নৈননিংঙাই ওইরিবা অমনা লীলাসিগী মিংথোল অমসুং অরোইবা মতাং অসিনি। মিংথোলগী মতাংদা রাহং অমা থোরকই—মিংথোল ওইরিবা ইবেম্মা অঙাংহলনা ফিদমগী মশক ওইবা চরিত্র অমা ওইনা পুথোক্লবসু লীলাসিদা মপুঙ ওইনা শরুক য়াহুনা ডেমিনেন্ট করেক্তর অমা ওইবা ওম্রা? মতাং অসিদা ডাঃ কমলগী উপন্যাস মাধবীগা মতাং থরদা মান্নবা লৈ। কমলগীদসু মপুঙ ওইনা শরুক য়াব্রবী মাধবীনা মিংথোল ওইরি। মসিগী মতাংদা য়ানিংবা য়ানিংদবা অনীগী খেন্নবা মোৎ অহুম লৈনরি। সেক্সপিয়ারগী 'জুলিয়স সিজর' লীলাগী মতাংদসুনি। লীলাসিগী হৌজিক হিরো ওইরিবা ব্রুটসনা মিংথোন ওইগদবনি, মরমদি সিজরদি মপুংফানা শরুক য়াদে হায়রবসিনি। মিংথোল অসিবু চুম্মি হায়না শোগৎলিবশিংগী মোৎনা সিজর মশা থোকপগী সিন য়ামজত্রবসু মহাক্কী ওইবা রাফম ঙাক্কনা মরু ওইনা শাগৎপনা মহাক্না ডোমিনেন্ট করেক্তর ওইবা ওম্মী হায়বসিনি। খন্নবা য়াবা মোৎ ঙাক্তনি। 'মাধবী'গী মতাংদসু—মশাগী ওইজবা থাদোকপা (স্বার্থত্যাগ) অমসুং পুন্নমকপু নুংশিবা ওম্বা (বিশ্বপ্রেম) গী মশক ওইরবী মাধবীগী মশক হেন্না শেংনবগীদমক উরিরৈ শেম্বনি। বীরেন উরিরৈগী নুংশি রারীনা মপুঙ ওইখিবতনি। মীৎয়েং অসোমদা অঙাংহলগা কমলগা ফনা নকশিন্নবা উই। ফিদমগী মশক ওইবা থাদোকপা ওম্বা অর্থাৎ কন্না ইবেম্মগী গুণ হেন্না লংখৎনবগীদমক

লৈমতোন শেম্মী। লীলাদা মপুঙ ফানা শকক য়াবনা লৈমত্তোন্নমা হেল্লি। অঙাংহলনা উৎন্নিংলিবনা ইবেম্মনি। ইবেম্মা মশা থোক্নপগী শিন য়ামজত্ত্রবস্থ, বিজয়গী যু.দ্দা লেঙদনা অরা অনা কয়া খাংহনা লৈরিবী ইবেম্মগী রাফন ইকাও কাওহন্দনা অহুম থম্মী। অহুবু ঈ তোংনা শাবা মীওইবগী অশোনবা মশক অমদি সঙ্গনা চিংথরুরবী, মশাগী অনুতাপ্পা মথন্তা শীজগ্রবী লৈমতোনবুস্থ কাওঙমগনি হায়বা নীংদে। বঙ্কিমচন্দ্রগী "কৃষ্ণকান্তগী উইল" দা য়াওবিবা ভ্রমর অমস্তুং রোহিনীগুম্বনি অনীমক ঐখোয়না কাউবা ঙমদে। অইবা অনীগী খুৎয়েক খেন্নবতনি। লীলা-সিগী নমফু তাবা অমনা লীলাগী খুংলোইশিন অসিনি। অঙাংহলনা ইবেম্মবু কাওঙমদন' লৈহৌনবগীদমক লীলাগী অরোইবদ্দা ওন্থোক্লা নীং-ঙমদনা শিহল্লি। অহুবু শিহন্দবা য়াদবদৌনা নমহুনা শিহল্লিবা মওং অসিমদি পেন্নগনি নীংদে। মতাং চাবা অমদা খুৎশিন হৈনা শিহুলম্নবদি হেন্না ফজবা কাউঙমদবা মশক অমা ওইগদবনি। মমাঙদা থোকপ্রিবা এক্সনশিংগী মশামা তারকপা ফল ওইনা লীলাগী অরোইবা কেটসট্রোফি ওইগদবহু ওইদবগী অশোয়বহুন্নি।

অশোযবা খরা অসি লৈববস্থ, শৈরেংগী ঈহুল ঈরোইনরবা লোনগী ফজবা মশক, লমচৎ শেম্বগী হৈশিংবা, মথং মথং করি হায়বা খঙহন্নিংনা পুথরক্লিবা লীলাগী ঈচেল পুম্নমক অসিনা 'ইবেম্মা' লীলা অসি মীয়াম্না পাম্নবা অমা ওইবা ঙম্লিবনি।

রাবোইশিন :—

লীলা অনী অসি নৈনবা মতমদা অঙাংহলগী ড্রামাটিষ্ট অমা ওইবগী গুণ অহ ময়েক লানা উৎথোক্লি। মহাকপু কবি অমা ওইনা উপন্যাসকার অমা ওইনা হেন্না শীংথানখিরবগী, মহাকী কীলাম। থোইদোকা মীৎয়েং চংনরুদবনা লীলা হুবা অমা ওইনা নৈনবা রাৎখিবনি।

ঝারেং অসিদা নৈনজরিবা থরা অসিস্থু মপুঙ ফাদ্রি। মহাক্কী খুৎই অমস্থুং মফোঙদোক্কী মতাংদা মচেৎ মচেৎ থুগায়ত্তুনা হেন্না চুন্না নৈনবা য়ারি। চাউরাকপা মশক অমা শম্মজবত্তনি।

অঙাংহলদি হিন্দুগী আদর্শদা চেৎনা থাজে অমস্থুং হায়রিবা হিন্দুগী আদর্শ ওইরবা যুমথমদা লেপ্লগা মতম অঙ্গী সমাজগী অচুম্বা মশক অঙ্গা শাগোম্লনা য়েংলকপা মবন্নাইগী মীৎয়েং অমা হাওরি অসিগুম্বা অঙাংহলগী মস্থুং হুক্তিনবা মীৎয়েং অসি হৌজিক্কী মতমদা যান্না চাননা থোক্লি। মাগী ঋথলগী ফজবা হৌজিক ফাওবা মযেং তাদ্রি। মানা উরম্বা সোসিয়েল রিয়্যালিটিগী মশক খবা অসি মীওইবা জাতিগী ওইবা মশকশিংনি। মীওইবগী পুক্তিগী থাদোয়বা য়াদনা লৈবিবা য়ুনিভর্সেল ভেল্যুজ খবম্ ময়েক শেংনা নৈমরস্থনা অঙাংহলদি মতম চুপ্পগী ওইরবা অইবা অমনি। মরম অঙনা অশোযবা আশানবা খবা লৈববস্থু মহাক্কী ড্রামা মতম চুপ্পদা হিংহুমা লৈগনি।

অঙাংহল অমদি খম্ব-থোইবী শৈরেং মীৎয়েং অমা

দেবরাজ

মহাকবি অঙাংহল (১৮৯২-১৯৪৩) গী মচা-ইবুংঙো হিজম বোমনী সিংহনা মশানা ইবা বারেং অমদা য়াম্নদি ঙক্লিংঙাই ওইবা রাযম অমা ইথি। মহাত্মা গান্ধীগী ফিদম অমদি রাখল্লোন্না ইথিন পীদ্রিঙৈগী মমাঙদা কবি অঙাংহল য়াম্না মঙাও থীবা (অইবা মশানদি রোমান্টিক হায়বা রাহৈ শীজিন্নৈ) মীওই অমা ওইরম্মী হায়না মহাক্না ইথি। অমুকথক অঙাংহলনা সুপীশিংনা ইম্নবা লৈরোং থোকপা ইনফিনা ফুরিৎ তূরগা লিংলম্মি। মহাক্কী মরূপ খরস্ন মাগী মতৌ তম্লম্মী। রারেং অতুদা রোমনী সিংহনা অঙাংহলসি মচানীপাশিংদগী মচানুপীশিংনা হেন্না লুনা তৌই হায়না ইরম্মি। অঙাংহলগী মরমদা রাফম অসি খঙবদা ঐঙোন্দা ঙক্লা থোক্কে। লেনিন্না মহাক্কী মুংশি-থোইরবী ক্লারা জেটকিন্দা চিঠি ইবদা সমাজবাদী ওইবা সমাজ অমগী মশক শাগংপা অমদি মতুগী রাখল্লোন্দা য়াওরিবা সমস্যা কয়া শন্দোক্লা ভাকপগা লোয়ননা ক্রন্তিকারী খুদিংমক রোমান্টিক ওই, মহাক্কী রোমান্টিক রাখল অতুগী মতেংনা তুংদা ওইরক্কদবা সমাজ অমগী মশক লাক।শল্লি অমসুং মতু ওইরক্লবা হোংনৈ হায়বা মতাং অমা য়াওরি ঐহাক লেনিনগী রাফম অসিদা থাজে, অতুনা অঙাংহলগী হৌরকপা মতমগী পুন্সিগী রোমান্টিক ওইবা রাখল্লোন্দগী মহাক্কী শৈরেংশিংদা য়াওরিবা রোমান্টিক ওইনা মশকশিং খঙবা ঙমগনি হায়না ঐনা খল্লি।

রোমনী সিংহগী অতোপ্পা রাকমতৃগী মতাংদা হেন্না থাজনীংঙাই ওইবা মফমদগী অশেংবা খঙদ্রবদি েক্তা থাজবা হায়বসি ঐ কয়া পাম্লমদে। মবম অতুনা মসিগীদমক অঙাংহলগী মচানুপী ইন্দুরেখাগা উন্নরশ্মি রোমনীনদি যাম্না ঙক্লীংঙাই ওইবা মওংদা অঙাংহলনা মচানীপাশিংদগী মচানুপীশিংন' হেন্না লুনা তৌই হায়না ইরি। মণিপুরীশিংগী ইমুংশিংদা অপোকপদা কৎপগী হৈরুকচিংবা চান-থরুবশিংসি নুপীমচাশিংদা পীজনদে অহুনু অঙাংহলদি মচানুপীশিংদা পীজে। কবি অঙাংহলগী লমচত্তা য়াওরিবা মগুণ অসিনা ঐগী পুক্নিং চি শিল্লম্মি। রাকম অসি মণিপুরী সমাজ অসি ধর্মগী ওইবা চৎনরোল কয়ানা চেৎনা পুল্লিঙৈ, নুপীশিংবু লাইরিক তমহনব। অমদি মথোয়গী ফংফম থোকপা সামাজিক অধিকারগী মরমদা খঙবা রাৎলিঙৈ মতমতুগীনি। অঙাংহলনা সমাজগী ওইবা অসিগুম্বা লৌশিংগী অরাৎপা অসিগী মায়োক্তা থবক পায়খৎখি অমম্তুং মশামক্তা মহাক্কী মযুমমক্তদা থবক পায়খৎপা হৌখি। হায়নবা লৈ, মহাক্ন' মচানুপীশিংবু লাইরিক তমহন্নবা হোৎনবদা মহাকপু শাগৈদগী ইম্থোক্কনি হায়না কিহনখিবা লৈ হায়না হায়নৈ অতুবু মহাক্না মহৃদা করিম্ভু থৌশাখিদে। মহাক্না কৈরোল লৈকাই অমদি নক্না তিন্নবা মীওইশিংদা নুপীবু লাইরিক হহনবগী কান্নবা অমদি সমাজ অমগী চাওখৎপদা লাইরিক হৈবী নুপীশিংগী থৌদাংগী মরমদা তাক্লুনা খঙহল্লম্মি। মতুগী মহৈ ওইনা মীওই থরগী মতেংদগী মহাক। কোইজম অমুবীগী শঙ্গোম্বদা নুপীমচাশিংগীদমক স্কুল অমা লিংখৎপা ঙমখি। মণিপুরগী শক্লাইরবী অইবী মহারাজ কুমারী বিনোদিনী দেবী স্কুল অতুদা চহী অমা লাইরিক তমখি। মতুংদা মণিপুরগী মহারাজনা স্কুল অতুবু য়েংশিন-খোৎচিনবগী থৌদাং লৌখি অমসুং কায়নথংদা ঙসিগী তম্ফাসনা গর্লস হায়র সেকেণ্ডরী স্কুল' অসি ওইরকখি।

কবি সমরেন্দ্রনা অঙাংহলগী মরমদা মরুওইবা রাকম অনীথক খঙহল্লকখি। অঙাংহল হারমোনিয়ম পায়রগা ঈশৈ শকপা য়াম্না পাম্লম্মি।

ঈশৈশিংমু মহাক মশানা ইজবা অমা নত্রগা দ্বিজেন্দ্র লালরায়না ইবা মরৈবাক নীংকগী ঈশৈশিংদগী ংমবা অঙ্ক, অতোপ্পা রাফম্না অঙাংহলগী শাউবগী মরমদনি। ময়াম্না থাজনবদি মহাক শাউবদি মমুমদগী কদায়দ'মা অমা হেক্তা চংখি হায়বসিনি। অদুবু কবি সমরেন্দ্রনা হায়বদি অঙাংহলসি শাউবা মতমদা কবি কবিগুন্দদা মমুমগী পোং-চৈ লংথাই, অসিনি। রাফমশিং অসিগা লোম্বননা অঙাংহলগী মুংঙাইথোকপা হৈবা মরমচং অমত্রুং লোম্বা কনবগী রাবী খ্বাইনা খঙঙি। মহাক চাং নাইনা অমুক্তা লাইবিক ই, থিয়েটবগীসু মতম কাইথোকই, ঈশৈগী মুংঙাইববা ঈপাক্তসু তাউই, অদুগা মতম ফংলবদি হাঙমৈখুদোং পাইজা পায়বগা কয়িনো অমা নত্রগা অমা হেক্তা শাই।

অথঙ অহৈশিংনা কাব্যগী মরমদা হায়নবা-য়ানবা রাফমশিংগা লোয়মনা অঙাংহলগী মবন্নাই অমদি সমাজগী ওইবা পুন্সিগা মবী লৈনবা মথল-মথাগী মতাং কয়ানা মহাক্কী শৈরেংবু খঙবদা ঐঙোন্দা মতেং য়াম্না ওইখি। অঙাংহল রোমান্টিক কবি অমা ওইরবসু মহাক্কী শৈরেংদা সমাজগী ওইবা অচেংপা লীপুন যাওই মহাক্কী সাহিত্যদা অনী অসিগী তিম্নবা মশক উবা ফংঙি, অসিগুম্বা থোইদোক হেন্দোকপা মশক অসিগী হোংবকমদি মহাক্কী মরম্নাই অমদি সমাজগী ওইব পুন্সি অদুনি। ঐখোয়না হায়বিবা যুমকম অসিদ' মহাক্কী শৈরেংবু অমুক হন্না কুপ্না নৈনবা য়াই। অঙাংহলন' মহাক্কী শৈরেং (থাজবা) অমদা অমুম্না হায়—চহাক' মাগী মরৈবাকমচাশিংবু মুংশি, যুম্লান কৈরোন্নবশিংবু থাজে, মকপ-মপাংশিংবু মাগী নকুবা মীওইশিংনি হায়না লৌই, মচন মচে, মনে মমা-মন্দোন, মখেমগী লমন কাউথোকপা ঙমদে অদুবু মীতোপশিংগী মকমদদি থাজনা শুকঙম ঙমদে। শকখঙদবা কনাগুম্বা অমবু ঐগী মীমি খঙ্দুনা কবম্না মঙোন্দা থাজবা থমগদগে, কবম্না য়েক্নববু ঐগী ইজাতিনি হায়বা ঙমগদগে? মথা তানা মহারা হায়, মহাক্তি মীতোপকী মতেংনা হিংহনা লৈবা পাম্মদ, অদুগা মীতোপকী মকমদ মহাক্কী থাজবা শিন্নবম্ম পামদে। মরৈবাকচাশিংবু

লুংশিজবা থাজবগী রাখল্ম' পল্লব' ভমদি মচন-মাচ, মনে-মন্দোন, 'মমা 'মথেনগী গফমদা মপান নাইদব' নোল্লুকপা থল্লিবা কবিগীদমক্তদি মীওই থরুদি থাজবদা মতিক চাদ্রবা মীতোপপস্থু ওইবা য়াই, থরনা য়েক্লবস্থু ওইবা য়াই। মতাক্কী মীনি হায়নস্থু য়াবা ঙমদে। মতাংসিদা থোরক্লিবা রাহংদি মীত্তোপ অমদি য়েক্লবশিং অসি কন'-কনানো? রাহং অসিগী পাউথুম কাব্য-শাস্ত্রদা যাওদে, মতমচুগী সমাজ ইতিহাস অমদি পুন্সিদা থিগদবনি। মতুংদা অঙাংহলনা রাজনীতিগী ওইবা মীথা পোনবা পুরক্লিনশিং অদুগুম য়েক্লবনি হায়না লৌদে মণিপুরবু শেন-থুমগী ফীভমদা নমথতুন থম্লবা শক্তিশিং অদুদস্থু মহাক য়াম্না শাওই হায়কসি গঙবা ঙমগনি।

অতোপ্পা শৈরেং (রাখল) অমদা অঙাংহলনা উপালংক্রা অহিং য়ারেঙপা লাক্লিবা, অদুগা মরম শুক্লে লৈতনা মখোয় মশেন থংনরিবা অমদি মরৈ য়েংনরিবা উচেকশিংদা করিগুম্বা থরা তাক্লি। অঙাংহলনা হায়—ইন্নুংবা শোরা নৈংবদা উচেক পূম্নমক মানা-মানা থোকপা পাইনথিগান, অদুনা হে উচেকশা, অহিং আস লুংঙাইনা লেম্নবা রাখন তো, ঙযেংগী য়াইফনব' অমগ-অমগা মরূপ-মপাং ওইনবগী পুকচেন চেল্লু, অচৌবা শক্তি লৈব উচেক্লা লান্দারকপদা ঙাকথোক্লবা পাম্বে থিয়ু, নবুক জাম্নক্লবা মতমদা চাননবা নচীন্দা উটে উমতুনা থম্মু। শৈরেং অসিদা মতু শোনবা চেক্লা, মপাঙ্গল কনবা উচেক, ভহিং, উচু, মরৈ য়েংনবা, থংনবা, মরূপ-মপাং ওইনবা অসিনচিংবশিং অসি ইচম চম্বা রাইংশিং নত্তে য়াম্না অর্থ লৈব সিম্বোল ওইব রাহৈ ঙাক্তনি। অঙাংহলগী মুপীবু গাইম্রিক ভংহন্নবা পাম্খংলকপ খেওথাং, সম জদা মুপা মুপী থাম্মবা হোৎননা মণিপুরী থিয়েটরবু বাংলা থিয়েটরগী অচৌবা ইথিন্দগী নাপোক্লবা হোৎমনদা এস ললিতগী মতেং পাংথিবা, মরৈবাক লুংশিবগী ঈশৈশিং শকপা, ইংবাজৌবগী কিন্নৈনা হুম্মা পাম্বা, 'সতীখোংনাং'গী গ্রামোফোন রেকোর্ড নম্নবা হোৎননা, পুক্সিদা নোম্বা কনবগী মগুণ খঙহন্নগা হোৎনবা অসিনচিংবশিং অসি ভশেংনা মতু শোমবা উচেকশিংবু

মপাঙ্গল কনবা ওইহল্লবা অন্দোলনগী শরুক অমনি। মহাক্না মতু শোনবা উচেকশিং অসি শরাক হৈবা শক্তি লৈবা উচেকশিংগী মচিঙ্গাক ওইবদগী কনবা পাম্লম্মি অদুনা অঙাংহলগী শৈরেংশিং কাব্য-শাস্ত্রাগী ওইবা কায়াত্তগীদি সমাজ অমদি সংস্কৃতিগী ওইবা লানফমদা মুক্কবগী শরুক্কা হেল্লিবনি। কাব্য অমা ওইবগী মিৎয়েংদদি মহাক্কী শৈরেংদা রোমান্টিক অমদি রিএলিটিগী চুংশিন্নবা মতৌদু য়াম্না রাংন লৈ। অযাম্বা মফমদা অনী অসিগী মুক্কবা মশক উবা ফংঙি। অসিগুম্বা পোইদোকপা মশক অসিগী মপুং ওইবা হৌরকফমস্থু মতম অদুগী সমাজগী ফীভম অমদি অঙাংহলগী মরম্মাইগী ওইবা রাখনগী তাইবংদা থিবা য়াই।

শ্রীমতী ইন্দুরেখানা অসুম্না ইথি-- নোংমা মমিৎ তাংবা নিপা অমা মখোয়গী ময়ুমদা লাক্লম্ম। অঙাংহলনা মহাকপু উরগা মনাক্তা কৌশিল-লম্মি অদুগা য়াম্না নোল্লুক্না হংলম্মি- মিৎ উদ্রিবাশি কয়াম কুইরে, মিৎ উরিবৈগু অমদি হৌজিক উদ্রবা মতম অসিগী ভাইবং অসিদা করি খেন্নবা লৈবগে? খোদোক অসিনা মীৎয়েং অমদা অঙাংহলগী শৈরেং ইবগী প্রোসেসপ হেন্না ময়েক শেংহল্লি। অঙাংহলগুম্বা মহাকবি অমনা জ্ঞানগী পাক-চাউরবা পূক্কে অমা খোমজিন্নবা হোৎনবদা কয়া য়াম্না চেকশিনবগে অমদি পূক্কীং চঙবগে হায়বদু মসিদগী খঙবা ঙম্মি।

মহাকবি হিজম অঙাংহলনা ঐবু ইহান হন্না পূক্কীং চিংশিনখিবসি মাঙেম্দা য়াওরিবা নাৎকী ওইবা অচৎপা লীপুনগী মগুণ অদুননি। গুণ অসি মহাক্কী সাহিত্যদদা নত্তে, মহাক্কী পুন্সি অমসুং মী অমগী ওইবা মতৌদুদা য়াওই; মসিনা মহাকপু মহাক্কী মতুংই কবিশিংগী মরক্তা তোপ তোপ্পা মফম অমা ফংহনবা ঙমখিবনি। অঙাংহলবু মশক খঙনবা হোৎনরকপদা মহাক্কী 'খম্ব-থোইবী শৈরেং'গী মরমদ মীওই কযানা ঐঙোন্দা য়াম্না নীংখিনা তাকপিখি কবি সনবেন্দ্র, কৃষ্ণমোহন শর্ম্মা, ডাঃ ইবোহলসিংহ কাঙজম, ডাঃ এ. তোম্বী সিংহ, ডাঃ কলাচাঁদ মীতৈচিংবা মণিপুরী

অইবশিংদগী লাইরিক অসিগী মরমদা অকুপ্পা রাফম কয়া খঙবা ঙমজখি। খম্বা-থোইবীগী মালেম ফাওরবা লীরোনশৈ (লোকগাথা ' বু পরেং লীশীং কুম্থ্রামাপনগী চাউরবা কাব্য অমা ওইনা পুথোক্লবসি অঙাংহল্না য়াম্না অঙকপগী মশক ওইরবা কাব্য অমা ইবগী মিংচৎ পাম্লবা নত্রগা মপুক্লীংদা মহাকবি হায়বত্থ ওইনীংবদগী মহাকাব্য ইবগী অপাম্বা লৈদ্রনা তৌখিবা নত্তে হায়বসি ঐঙোন্দা ফাওই। কবিগুম্বা রাফম অসি মহাকী মপূক্লীংদা লৈরম্লবা, মহাক্না অতোপ্পা রারী অমবু য়াম্ন মপূং ফানা কাব্য শাস্ত্রগী ওইবা মগুণ কয়ানা লৈতেংহল্লগা ইরম্বা য়াই।

'খম্বা থোইবী শৈরেং' ইখিবসিগী মরু ওইবা নাৎকী ওইবা মরম খরা লৈবগুম তৌই। ইতিহাসকী ওইবা মরম কয়াদগী ওইখিবা মণিপুরী লোনগী ফত্রবা ফীভম. অঙ্গ্রেজ শাসন অমদি সাম্রাজ্যবাদী নীতিনা সমাজগী ওইবা পুন্সি ঈচেন অমদি থায়নদগী চৎনরকপা পুন্সিগী মমন্দা চৈগেও পীরকপা অমসুং মণিপুরীশিংগী নোংম-নোংমগী ওইরক্লিবা মশাবু কাউথোকচবা ফীভম - পূম্নমক্সিনা পুল্লগা নাৎকী ওইবা খুদোংথীরবা শক্লোন অমা ওইরকখিবত্থ অঙাংহল্নগুম্বা রাখল লৈবা অমদি তুংগী উবা কবি অমগী মফমদা লোৎপা য়ম্লবদবা য়াই অসিগুম্বা খুদোংথীবা অসি মাযোক য়াত্রবদি তুংদা ওইরক্কদবা সমাজ অসি রাজনীতিগী মিৎয়েংদা নীংতম্বা ফংলমবদি য়াই, অতৈবু থেক অমদি রাখল্লোন অতোপ্পগী মীথা পোনবা অমসুং অতোপ্পদা মপান তাংদ্রনা লৈরগনি হায়বসি মহাক্না খঙলমগনি। লুরবা রাখন অসিগী নাউযোম্লংদগী 'খম্ব-থোইবী শৈরেং' গুম্বা তোপ-তোপ্পা মথনগী পোথোক অসি থোরকপনি। কাব্য অসিগী মহুং অমসুং মপানগী মশক্কা শাগোলবা রাফম খরা অসিনা ময়ামগী পূক্লীং চিংশিল্লি।—

—'খম্বা-থোইবী শৈরেং' অসি কবি অঙাংহলনা ময়ুমদা অয়ুক্কী ছোনবী পূজা-মুংজা লোইরগা ইখা হৌখি।

—পেনা শকপা চুংখাম মণিকনা পেনাগ্গী লোয়ননা ৱারী অসিবু শরুকখি, অদুগা কবিনা মহুবু য়াম্না পুক্নীং চঙনা তাখি। পেনা শকপাম্না চৎখ্রবা মতুংদা কবিনা মহুবু ইশিল্লি।

— তুমিং খরনিদি চুংখাম মনিক অঙাংহলগী য়ুমদা লাক্লগা ৱারী অসি শক্লম্মী, মতুংদা অঙাংহল নোংমাইজিং খুদিংগী শনগাড়ী তোংহনা পেনা শকপা ওজাগী ময়ুংদা চৎলম্মী।

— কবি অঙাংহলনা কাব্যা অসিদা ভাব অমদি লোনগী ফজবা অনী অসি য়াম্না নীংথিজনা তিন্নহল্লি, অদুবু ৱারীগী মপুংদা মশাগী ওইবা কল্পনাগী শরুক হাপচিন্দুনা শেমদোক্লবা হোৎনবা খক তৌখিদ।

ৱাফমশিং অসিনা ফুমহনা লৈব ৱা কয়াবু ইঙ্গিং তৌহনা তাক্লি। অঙাংহলনা তপ্প-তপ্প অকাউবা অ দি মাঙখিবগী মাথৈকোবাদ চঙ শিল্লক্লবা, জাতি অমগী নাৎ, ৱাংলোং অমদি চৎনৱান নীংথিন য়াওরবা মীয়াম্না পান্নরবা ৱারী অমবু মতম পুন্নমক্কী ওইনা মাঙদনবা কলহোৎরে। নীংশিংবা য়াবা ৱাফম অমদি অঙাংহলনা মসিগী ৱারী-পৱাংসি কনাগুম্বা অচম্বা মীওই অমদগী লৌহনা ইখিবা নত্তে, মশক নাইরবা শৈশকপা অমবু নিয়ম নাইনা শকহল্লগা তাখিবনি। মসিগী মরম অনীনি। অহানবা মরম্না অঙাংহলনা মতমদু ফাওবদা ৱারী অসিদা য়াওবা অহোংবা পুন্নমক খঙবা পামখি, অদুগা অনীশুবা মরম্না ঈশৈ ওইনা শকপা মতমদা করিগুম্বা ৱারী অমগী তোঙান-তোঙানবা মখল-মথাগী মতাংশিংগী শক্লোন থম্মোয়দা ফাওরকপদু অঙাংহলনা হকথেংননা খঙবা পামখি। মসি মণিপুরী সাহিত্যদা অনী শুদ্রবা কবিগী থম্মোয়দা পাক-শন্না ফাওরিবা মজাতিগী খনবা ৱাখল্লোনগী খুদম অমনি। মসিগী মহৈনি অঙাংহলনা ফানহনা লৈরবা ৱারী অমবু শরুকাইরবা কাব্যগী মশক অমা ওইনা শাগৎপা ঙমখিবসি। মসিগুম্বা খুদমসি থাম্বনগী গ্রীকী কাব্যদম্বু থেংনৈ অমম্বুং

মচুবু এরিষ্টোটিলনা 'মতৌ তম্বা খুংশেম' হায়না কৌবদুনা কবিশিংবু প্লেটোগী অশাউ-মিৎয়েংদগী কনখি।

'খম্বা-থোইবী শেরেংনা' অঙাংহল্লনা খ্বাই মীয়ামবু পূনশিনবগী মিৎ-য়েংদা পুক্নীং থোংনা চঙশিনবসি যাম্না তঙাইফদবা অমনি। মিৎয়েং অসিগী মতুংইন্না মহাক জাতিগী ওইবা পুন্সিগী ফিদম অমদি অশেংবা মশাকপু পুখোকপদা মহৈ যানখি। গুণশিল, ফজবা থোনা ফবা, কখোকপা, আশা, অপম্ব, খাংবা কাববা তঙিনাচিংবা কথাগা লোয়ননা লায়বকগী অভিশাপ অমাদ চৎনবা মশাক মহাক্না মীৎথিনা থেকই। মীওইবগী ওইবা মরী অমসুং মচুদা তান থোকান-তোকন ফাওবশিংবু মহাক যাম্না নীংথিনা উৎপা ঙম্মী মহাক্না অমুক্ত মহাক্কী সংস্কৃতি, সমাজ অমদি সভ্যতাগী অপুনবা শক্তম অমা অমসুং মচুগী মরক্তা লৈরিবা ফীভম পুখোক্লি। হায়বদি অসোমদা খম্ব-থোইবী শৈরেংগী তোঙান তোঙাননা মতাংশিং অমদি খম্ব, থম্নু, থোইবীনাচিংবশিং অসি নাৎকী ওইবা ৱারী অমগা শরুক অমানি, অদুগা মথোয়শিং অসিগী সিম্বোলিক ওইবা মশাক অমসু লে। অসিগুম্বা সিম্বোলিক ওইবা মশাক অসিগী মায়খুম হাংদোক্লগা কবি অঙাংহলগী মীয়ামগী ওইবা খোংথোকপু খোংজিল্লগা পুখোকপগী ৱাখল্লোন ওতু থেন্না পাক-চাউবা মওংদা খঙবা ঙম্মী। মায়কৈ অসেমদা আচার্য্য রামচন্দ্র শুক্ল (কাব্যদা লোক মঙ্গলগী সাধনা হায়বা সিদ্ধান্ত) অমসুং আচার্য্য হজারীপ্রসাদ দ্বিবেদী (সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী ওইবা পরম্পরা হায়বা সিদ্ধান্ত) গুম্ব ৱাখল লেবা অখণ্ড অহৈশিংগী ৱাখল-মিৎয়েং মতু হন্দুনা চঙশিল্লবাদ কবি অঙাংহলগী কাব্য অসি নাৎকী ওইবা তুংশিন্দুনা খন্না লন অমা। ওইবদগীদি থুনাই অমদি নাৎকী ওইবা ৱাখল্লোন (সামাজিক-সংস্কৃতিক চেতনা) য়াকাইহনব অহৌবা থোল্লাউ অমা ওইবনা হেন্না অমসুং মগুণ অসিনা কাব্য অসিবু যুগকী ওইব কাব্যগী অৱাংবা থাক্তা থাঙত্তুনা থম্মী হায়বসি খঙবা ঙম্লগনি

কবি অঙাংহলগী চহী চামা শুমা মপোক নীশিং-চহীদা 'খম্বা-থোইবী শৈরেং' অসি ইচম চম্বা প্রবন্ধ কাব্যনি। নত্রগা মহাকাব্যবা নত্রগা মীয়ামগী ওইবা মহাকাব্য (ফোক্ক-ইপিক) রা হায়বগিদা যাম্না খন্না-নৈনখি। মীওই কয়ামুক্না মসিবু মসিদা মহাকাব্য অমা ওইবগী কাব্য শাস্ত্রগী ওইবা মগুণ কয়া য়াওই হায়না লৌনখি মীওই খরনা খন্নরেপা অমদি অশোয়বশিং পুপোকখি খোন নৈরব মীওই খরনা অঙাংহলবু মহাকবি হায়না কৌনবগী অচেৎপা যুমফম অমা ওইনা খম্বা-থোইবী শৈরেং'বু মহাকাব্য অমনি হায়না প্রমাণ তৌব তংাইফদে হায়না লৌখি। ঐখোয়না তৌবিবা পূম্নমক অসি অকব রাফম অমনি হায়না লৌদে। মরমদি, অঙাংহলদা পীখোরকপা অংবা অং ওইবগী মগুণ অমদি মশক নাইরবা অচৌবা কাব্য অমা অমগী প্রজেক্ট য়াওবা অসিনা 'খম্বা থোইবী শৈরেং' যাওরবস্থু মহাক মহাকাব্যি অসি হিন্দ্যগী পণ্ডিত অশাংবম মীনকেতন সিংহনা মহাকপু 'শান্তেল ইন্দু' অমদি 'হম্বাল'দা যুমফম ওইরগ ইহান তাম্না মহাকাব হায়না মিঙ্গোইং। মরম অসিননি নোংমাই পণ্ডিতনা 'পোক্লফম'গী তাং ২২'৬'৭১ গী চেফাওদা 'মহাকবি অঙাংহল : মৌহৌনা মাইথুম হংংদাকপ হাইং নিংখাংবা ৱারেং অমা ইরকপদা সমাজ আসিগী মীওই-কাংডলুপ মদিংমক্না মহাকপু 'মহাকবি' হায়না কৌনবগী থৌনাগা লোয়ননা তর মা ওকখিবনি করিগুম্না মহাকাব্য অমফাও ইদনা হিন্দী সাহিত্যদসু কবি নিরালনা মহাকাব হায়বা লেমজনফম ওইরবা মিংথোন অসি ফংখি অদুগ খম্ব থোইবী শৈরেং'গী মহাকাব্য অমা ওইবগী ৱাফমদদি ঐখোয়না পুক্নিং থিজিনগদবা ৱাফমদি মসি ইপিক অব গ্রোথ কী কাওলুপ্তা চনবা খ্বাইদগী মীয়ামগী ওইব মহাকাব্য (ফোক্ক-ইপিক) অমনি হায়বাসনি (এল ইবম নীলকান্ত সিংহ, নোংমাইথেম তোম্বী সিংহনচিংবনা ৱাফম অসি য়াই)। মরম অসিনা মসিদা মহাকাব্য অমা ওইবগী কাব্য শাস্ত্রগী ওইবা মচাক-মগুণ থিনবা হোৎনবা কাম্নদে। মসিদা কাব্য-শাস্ত্রগী ওইবা মপুং ফাবা মচাকশিং চপ চানা য়াওদে।

মচুগী মচুত্তা মসিদা মীওইবগী থম্মোয়বু শুমহৎপা ওম্নবা ওক্লবা মহাকাব্য অমা ওইবগী মতিক-মগুণ কয়া অমা য়াওরি। মসি কাব্যগী অকা-অপুন্নবা নিয়মশু মীং উইশিল্লগা মতৌ তম্বা পামদবা অহোংবগী লালহৌ পুকচেল চেনবা রোমান্টিক-কবি অমগী পোৎথোক্নি। কুনশুবা চহী-চাগী মশক নাইরবা অথোইবা লাইরিক অমা ওইরিবা 'কামায়নী'শু ওসি ফাওবদা মহাকাব্যগী ওইবা য়ানরবা চৎনরিবা মচাকশিংগী লীপুন্না পুনশিন্দুনা থম্বা ঙমদ্রি। 'থম্বা-থোইবী শৈরেং'গী মতাংদসু মিৎয়েং অসিমক থম্বা চুম্মী ঐনা তক্তনা থগ্জবদি অঙাংহনবু থম্মোয় শেংনা মুংশিজবা অখণ্ড-অদ্বৈশিংনা 'থম্বা থোইবী শৈরেং'বু কাব্য-শাস্ত্রগী ওইবা চৎনরোলগী থৌরাংনা পুল্লগা হংগী মতৌগুম কোয়চিং চিংলগা চৎনবসি থরা থজিক কোমথোক্লগদি মশক নাইরবা কাব্য অসিগী থরায়গা শাগোন-নরিবা ফজরবা অমদি চীং লেম্লবা মশক কয়া পুথোক্লুনা নৈনবা ঙমগনি হায়বসিনি। মতম অতুদা অঙাংহননা কাব্য অসিনা পাঙ্কৈ ওইরগা ইশাগী শোম্বরকপা মতৌ অমদি নী'বা কাংবগী মায়য়োক্তা শীজিন্নবা নাংকী ওইবা লেমজনীংঙাই অমসুং ইশাগীদমক চাউথোকচবা হায়বসিনা শেম্বা খুৎলায় অমা মহাক্কী মতমমতুদসু, ওসিগীসু অতুগা লাকদবা হয়েংগীসু ওইনা ঐথোয়দা পীবা পামথি হায়বসি থঙবা ঙমগনি।

থম্বা-থোইবী শৈরেংদা উৎখিবা প্রকৃতি, জীব অমসুং মীওইবগা লৈনবা মরী

লৈমপোকপম দামোদর

পৃথিবীগী সাহিত্য খরদা প্রকৃতিগা লৈনবা মরী উংপা অসি ঐখোয়না ভোয়না থেংনবা হীরম অমনি । চুম্নগী প্রকৃতিবু শীংথাবদগীনা দর্শন অমা ওইনা লৈনবা উংপা সাহিত্য কয়া লৈ । প্রকৃতিবু মুংশি-জবা, মহৌশাবু হকচিন্না খোয়দাজবা', মীওইবগী অমসুং থমোয়গী হৌনশা পানগী ওইবা প্রকৃতিদা উত্থুনা মহৌশাগা মীওইবগী মরক্তা সহযোগ অমা লৈ হায়বসি মীওইবা জাতিনা ওন্নিদৈ মতমদগী থাজত্থুনা লাক্লি । কবি কয়াগী কল্পনানা পুরাণ কয়া শেমত্থুনা (মিথ-মেকিং) মীওইবগী হৌনশা নত্রগা মগুণ মহৌশাগী পোৎলম কযাদা পীশিন্দুনা মীওইবগা প্রকৃতিগগী মরী উৎপদা মরীক চুমহল্লি । ইংরেজী রোমান্টিক কবি খরনা পোপ অমসুং ড্রাইডেনগী কবিতাশিংদা রিএক্সন উৎপা ওইনা নেচরে-লিজম পুশিল্লকখি । মখোযনা মীওইবগী মকওইবা প্রেরনা নত্রগা প্রাইমেল ইমপলশ অমসুং গুণশিংবু মশক খণ্ডনবা থিরকপদা প্রকৃতিদা চত্তজরকই । বার্ডসৱার্থগুম্বা কবিনা প্রকৃতিবু ঈরাৎচত্থনা ঈশ্বর, প্রকৃতি অমসুং মীওই-বগী মরক্ত' নক্লবা মরী লৈ, প্রকৃতিনা মীওইবদা চানবিদৈয়বা প্রভাব পীবা ওন্মি হায়না থাজরকই । মখোয়গী কল্পনা সিৃষ্টিদা ক্রেন্স অমসুং জর্মন দার্শনিকশিংগী প্রভাব য়াম্না তাই । প্রকৃতিনা মহৌশা হায়বসি

মীওইবগী ছৌনশা হায়বনি। য়াম্না শেংলবা চম্লবা মীওইবগী গুণশিংবু হায়বনি হায়বা ফ্রান্সগী দার্শনিক রুসোগী মত অসিনা রার্ডসৱার্থনচিংবা ইংরেজী কবিশিংগী অচৌবা প্রভাব পীখি। দর্শন অসিগী মহুৎদা সমাজবু অচুম্বা মওংদা থম্বা অমসুং মীওইবগী ফিদম পুম্নমক থুংহনব। হায়বগী অর্থসু য়াওরি। লেংলি পাল্লিবা অমসুং ইন্দ্রিগী রাংমদা লৈবা দৃষ্টি অমা রোমান্টিক কবিশিংদা য়াওরিবাসিসু জর্মন ত্রান্সেন্দেন্তেলিজমগী প্রভাবনি। মীওইবদা অমসুং মথোয়গী অকোয়বদা ঈশ্বরনা পাকশন্না লৈবগী মওং! মীওইবা ঈশ্বরগী শরুক অমনি অমসুং প্রকৃতি হায়বসি মগুণশিং উৎখোক-পা অমনি। ঈশ্বর, মীওইবা অমসুং প্রকৃতি-অহুম অসিগী ইউনিটি অমা লৈ। অসিগুম্বা প্রভাবশিং অসিদগী থোরকখি রার্ডসৱার্থকী পেনথিজম অমসুং শেল্লীগী প্লেতনিজম।

ভারতকী ওল্লিনৈগী সাহিত্যদসু, মীওইবা, প্রকৃতিগী থরায় পানবা জীবশিং থরায় পানদবা পোৎশিংগী এরক্তা মপুং ফাবা মরী অমা লৈ হায়বসি উৎলি। বেদগী মতমদগী লাইশিং, প্রকৃতিগী শক্লোন-শক্তম কযাগী মহুৎশিনবনি। প্রকৃতিদা চঙজহুনা রাংলবা চৈংদোন্দা, গুরুবা বনগী মরক্তা ধ্যান তৌদুনা পরমাত্মাগী মঙাল ফংজনবা থিবা হায়বসি ভারতা থায়নদগী চৎনরক্লবনি মীওইবশিংগী মরুদি প্রকৃতিদা লৈ অমসুং প্রকৃতিদা ঐথোয়সু মতম লৈবা থিবিক্কা তিন্দুনা লৈ হায়বসি ভারতকী সাহিত্য অমসুং দর্শনদা তোয়না উৎলি কালিদাসগী চরিত্রশিংনা উ-রা, চৈং, তুরেল অমসুং জীবশিংগা অমত্তা ওইবগী গুনশিং উৎলি। শকুন্তলা প্রকৃতিগী মচানি। ঋতু সংহারদা ঋতু তরুক্কী নীংথিরবা শক্তম উৎপদা নম্বনা প্রকৃতিগী ফজবা অমসুং মীওইবগী পুক্নীং অমসুং অপাম্ববু থঙবগী কালিদাসগী দৃষ্টি উৎলি। মঙোন্দদি চৈং, তুরেল উ-রা পুম্নমক্ক ঈশ্বর, মী অমসুং জীবগুম্বা মশা মশাগী কন্সস ইন্দিবিজুয়েলিটি লৈ। মহাত্মা প্রকৃতিবু সহানুভূতি য়াওনা য়েংই।

থায়নগী মণিপুরী অশৈবশিংস্থু প্রকৃতি অমস্থুং মীওইবগী মরক্তা লৈরিবা সহযোগ অসিদা থাক্তে হায়বসি মখোয়গী সাহিত্যগী পোৎথোকশিংদা উংলি। মখোয়গী মিংযেং মপুংদা প্রকৃতিনা মীওইবদা চানবীহৈবা মওংদা য়েংই। মীওইবনা প্রকৃতিবু ঈশ্বরনা শারকপা অস্তকপা পোৎকুম কিনা লৌরম্মি। ঔগ্রীদা অশৈবনা মালেমদ শিবনাইদবা হাযবসি নুমিৎ থম্বানমিচাক, অতিয়া অসিতনি হাযবা ফোঙদোক্লুনা শৈথারম্মী মথল মথা অয়াম্বা রাহৈদা নুমিৎকী মতীক মযাইবু নীংথীরবা ছন্দদা শাংথারম্মীঃ "ঔগ্রী ও কোলো। কংলৈযোন্দা পুংমযোন্দা। য়োইমযাইবু তাউদনববু তাউবোইনাইবু অত্তানববু মালেমথৈবু লাংজথৈবু। সনাতোনবু খোমদোনববু। থবীরেনবু সেঙ্গোইরেনবু . ... " অসিনচিংবা হিজন হিবাউদা চীংদগী পামেল উজাউ উনিংথো অমবু হোংলেম লুরাং নিংহৌ লুরাং গুরু পুন্সিবনা মনাইশিং থাহুনা যালহল্লগ। রাকয়ৈ তান্নহি শারগা মশাবী পুদাংকোই খুকোইবগী থরায় নিরেলনা ওনখিব শঙাই অহুগী অকংবা শরু মচেৎ অমবু হিরুবাক্তা হাপলগা হি তোংহনখি। অশৈবগী পুরাণ শেম্বগী (মিঠ-মেকিং) অমস্থুং মী ওইহনবগী (পার্সোনিফিকেসন) শক্তিনা ইঙেল চীংগী লোকমাযনা পামেল উজাউ অসিগী মপা, অহুগা অশুকপা লোকচপনা পলেম মমা ওইহন্দুনা অরাংবা থাক্তী কলপনাদা মমা মপানা হায়বা ইন্দবদগী অরোইবদা নুংশিরবা মমা মপা কায়নদুনা পুন্স লোইথিবা অমস্থুং মমা মপানা মচা কাযনবগী অরাবব অশৈবনা শৈথারম্মী।

মসিগী পরমপরা অসিগী পরিংদা মহাকবি অঙাংহলগী থম্ব-থোইবী শৈরেংদস্থু কবিনা য়েংলিবা প্রকৃতি, জীব অমস্থুং মীওইবগা লৈনবা মরি থোইদোক্লা হকচিন্না উংলি। মথয়ায় পান্দবা পোৎশিং ফাওবদা মীওইবগী গুণশিং হাপচিন্দুনা কবিনা মীওইবগী হৌনশাবু য়ান্না মচুং ছুজিন্না অমস্থুং থৌরবা দৃষ্টী অমস্থুং সহানুভূতিগা লোযনন্না মীওইবগা প্রকৃতিগা লৈনরিবা সহযোগ মংেকশোনা উংলি। মীওইবগী শ্রেমশা হায়বদি

অতৈদা থিগদবা মাস্তু মাখাগগী প্রাইমেল ইম্পুলস অমসুং মখোয়গী অচম্বা ফুংশিবা অমসুং সহানুভূতিদ লৈ। মসিগা য়াম্না নকশিল্লা চান্না চিন্নমা লৈবিবদি প্রকৃতেদনি প্রকৃতিগী শাশিন্নবা. তৌশিন্নবা লৈজে, ইত্তিং তিংবা মহৌশাগী পন্সনি মবম অহুনা প্রকৃতিনা মন্নুং হুন্জিন্না লৈখ্রবা অসিগুম্ব লাজ্বা লৌনা কুনা মীওইবগা হৌনশাগা মন্নী লৈরক্ত নবগুম উৎ (খুদসঃ তম্ভ অমসুং খম্বব্ তাওবা কাওনা কন্নাদা লুপ্লে মপা অমত্ময়া লুনা লৌনা মখোয়গু কোনবিতুনা মানবিতুনা অরাবা কযা শরুক যাখিল্লগিনি, অতুবু শৈমথংদা থাতবা ওমলক্তহুনা থুমমদা লমন খুম্বা চংশিবা অসিনশিনা)। মহাকবিগী দৃষ্টিদা প্রকৃতিগা মীওইবগা লৈনবা মন্নী অসি যাম্না চান্ন-চিন্নবা, নক্লবা. অতপ্পা-অমেওবগী মওংনি। প্রকৃতিনা মীওইবদা চানশিল্লহৌ, পীনহৈবা মওংদা য়েংই। মহাকবী মিৎ-যেংদা প্রকৃতি শাতিং-খাতিং চাব তমথিববা শক্তি (নেচর য়েদ ইন টুত এন্দ ক্লো) অমা নত্তে নৈংশিন্নবা লোক্তোক পাৎনি, মীওইবশিংবু থুংলাম তোইনা কৌবিবা, মাহামগী হিংনবা পান্থ ওইরিবা। মতম-ইবেম্মা খোইবীনা মতাংশিংগা সে যননা লোক্তাকী চাংজৌ নাইত্রবা ঈপাক্তা অকি তুজুং যাওদনা ঈশ চিংতন ঙা ফাখি। লোক্তাক পাৎ ইংরেজী সাহিত্যগী ফোঙ্ক ইপিক ব্যোরলফত যেক্লিব রাওথাংমনা; অকিবা কংলবা সমুদ্র অহু নাত্ত. লোওাক্তি খম্ব। অমসুং থোইবীগী লোন-লৈনসি হায়বা মহাক্কী মতঙ্গাক্কা মহাক্কী ঈচুম থক্তুনা রাশক্লথিবদা শান্তি ওইথিবা পীন-হৈবী মমানি, প্রকৃতিগী পুকচেল চাওবী. পীনহৈবী ঈপাক্তি। মহাকবিনা প্রকৃতিগা লোযননা মতীক মগুণ চাউরবা ঈশ্বর অমা লৈ হায়রসি তত্তনা উৎলি, মাঙোন্দা চংলৈজে। মহৌশাগী মাইথোংগী মরূমদা লৈরীবা ঈশ্বর নৎত্রগা মপু মহাকপু রংনা থজংলি। সংসার অসিগী কোতচুম মপু মামা পুরিবনি হাযবসিদা থাজবগুম উই ঈশ্বর নৎত্রগা থোক্লমদা মীওই-বগী মরীইবক লেপ্পী, ধি এক রিগ্রাথ ওফ দি এওরো (নেকসসস)দ থমং খোংদা খগবী হি ফুমকাও অংন। যৈশিন্নুগা লন্নান্দরবদা 'থারবিং

কৌবা লাইহনা শেম্বিবদি হিরমগুম হিহনা থেংউবদা। তুবং লৈরে চিরম'মা খোটবী মায়কৈ অদোমদা। হিরম মতুং ইন্দুনা খম্বা অহুম হোনক্রে।" (খম্বা-থোইবী শৈরেং, লামায়, ৪৯) থোয়ুম অমস্তুং প্রকৃতিনা মী খম্ববু শীন্নহৈবগা লোয়ননা মতে' পাংবী খম্বা অমস্তুং থোইবীগী লীলা মপুং ফাহনগে মথাগুম। লৈ থিবদা নোংবানগী মীনমশোরীদগী খম্বা লম্বাংলক্লবদা খোয়ুমনা শীন্দুনা মাস্তক হাওখুনগী অহন ওইবী হন্নবীনা লৈ শাংকম তাকখি। ঈশ্বর, প্রকৃতি অমস্তুং মীওইবগী অমত্তা ওইবা মরী তাকখনি। শাইথরোক্তা প্রকৃতিগী মত্তেংনা য়াম্না রানা থিরবা মতুংদা মপা ইবুংঙোগী উ অহু থেংনহনখি : "তলা তানবা পামেন রাংথোইথরবা ইনিংথৌ নাচুম্বা' মা। মহৌশাগী মুংশিং অকম্বনা কন্না হুমহনা খম্বদা লৈরাং উরোং-শিংবু উহল্লি। খম্বনা উদা থুরুস্মি : ''পামেন নওবু ইপানি / পম্মৌ অরুপ ওইরম্বা ; সমু নমদা পোহনা / থাজংপীয়ু নহাক্না।" (মথক্কী লামায়,. ১২০) মসিনা মীওইবনা মহৌশাবু ইকাইখুম্না য়েংই হায়বা তাকই। খোংগমেলৈ, য়েক্লমলৈ, লৈশং পুম্নমক লৈনা অমত্তা তংলমদে রাংগ্রবা উত্তোম্মগী খম্বনা হেকলগা থাদরকপদা। হাওম্ববীগী কি অহু থিংথোক্লগা লৈশিং অহু ওকখিবনি। অহুবু হাওম্নবীম্বু লৈরমজ্রে। থঙলকই খম্বনা "হাও নস্তেনা মুপীদে' / থোয়ুম মাবু তারেদো।" "খুমন মাগী, মীচংদি চিংউ মানা মীচংনি / থাংজিং কোরেল লৈমনা হাওম্নবীবু ওইহনা, / নোংয়াই লৈকম অহুবু তাকপীবনী মহাক্না"। (মথক্কী লমায়, ১২২ পৃ)

প্রকৃতিবু শীংথাবদা (বর্ণণ তৌবদা) মহাকবিনা শীংথানবগীদমক্তা ওইবা শীংথাবা তৌদে। মতম পুম্নমক্তা মীওইবগী হৌনশা অমস্তুং মগুণবু মরীকচুম্নহন্না শম্নমগা মরী লৈনহল্লি। লৈবাংবদা মোইরাং নিংথৌদা খম্বা মথাক্না কংজিরা লৈবাংগী মমিং হংবদা 'মেলৈ লৈস্না মুংজুবান কনাম্বা লৈমুংশিং থাংজিং কৌব্রৌথুম, চখা মলুংথেন নোংজ্রেন ইদা পানবা ইমুং পামের মফিরৈ' অমজুং কাক্লৈ মশক তাকপদা থাম্লগী অশৈবশিংগী

শৈথাবদা কবিনা লৈরাংশিংবু য়াম্না মরীকচুম্না অমস্তুং খুইলোইহনা শীং-থাবা ঙম্মি। মসিনু খম্বগী মগুন হেনগৎহনবগী উপাই অমনি। কবিগী উপমা শিংদা প্রকৃতিগী ফজবা শীংথাবগী শক্তি অমস্তুং কল্পনা মরেক-শেংনা উবা ফংই। অতুবু কবিগী উপমাশিং অয়াম্বদি মীওইবগী হৌনশা তাকপদা শীজিন্নে। খম্বগী ফজবা থারকপদা "কাংজৈ"দা কবিনা হায়; "করো নিংথি তোরবান নোংখোং ফুম্না হৌবনা,। লাইজ খিকলেম তাখিবা। মালেম মুংদা লাইজ চং। লীলহা লৈবা য়াথিদা। লৈতোই সেক্তা মথক্তা তাংজমানা পোকপদি লিনশিং অতু উবদা। রাহোং জগোই শারকপা মমৈ নিকনিক হাইগুমই। খুমন থেলৈ অতুদা ওবোং খুদৈ অতুগী, নিংথিজবা মনানা তারকপনি মওংদো।" (মথক্তী লামায়, ৭৮)

মীওইববু মুংশিবা, মীওইবগী হৌনবা অমস্তুং মগুণশিংবু ফজবা হেনগৎহন্নীংবগী প্রেরনা অসি কবিনা প্রকৃতিদগী ফংবতা নত্তনা অতৈ জীব অমস্তুং থরায় পানদবা পোংশিংদগীসু ইথো লাংই। মহাক্না মীওইবগী হৌনবা অমস্তুং মগুণবু ফগৎহন্নীংবনা মরম ওইরদুনা মীওইবা নত্রবা অতৈ লৈরিবশিংগী মান-মর্যাদাবু ইকাইখুম্নে। পৃথিবী অসি মীওইবগীতা নত্তে ঐখোয় পুম্নমক্না মী নত্রবা অতৈ পুন্সিদসু সহানুভূতি পী-গদবনি হায়বগুম তৌই। অমরোমদা হায়রগা মীওইবগী মগুনশিং ফগৎনব-গীদমক অতৈ জীবশিং অমস্তুং পোংশিংদসু ঐখোয়গী পান্দম অতু হাপ্পা তাই। অসিগুম্বা মিংয়েং অসি মাওদা থমলগা জীবশিং অমস্তুং মথরায় পান্দবা পোংশিংদা কবিগী থৌরবা কলপনানা মীগী লীচং হাপই। মখোয়বু হ্যুমেনাইজ তৌই। কবিগী মিঠ-মেকিং শক্তি অমস্তুং পালোং মিখিকেশনা মখোয়বু মীগী গুণ, রাখল, থমোয়গী ইচ্ছুন লৈহন্নি। থম-মুনা মৌপরাগা নোংমগী চম্না নীক্নরগা ময়ুমদা হল্লকপদা নোংনা চোং-খিদুনা লৈরম্বা মওংদু উরবদা শাওবা কাওনা নোংখোংবগুম কপ্পদুনা ঙেংথারকই: "ইচন ইতাও অনীদি উত্রবোইদা য়েংউসে !/ ইঙেঙ শায়ে

হায়রগু, হায়রকপা চানি / খুমন নচা অসিবু নোংমাই চনু মচেম্মা, চনু চোৎপসিনা কোম্লিবসে, পুরেম্মা ! । ইঙুৎ করম লেনগনু !– পারি ইমোম অদোদি । লেম্ববোইনা চরাম্ম ! ঙাংখরৈমা হবেম্মা !/ উরুবোইকো নহোরবো ।" (মথক্কী লমায়, ৩৭৪) কাও তাইরং মীগী গুন চেনবা জীবনি । কবিগী লপাকপা অমসুং মনুং হুপ্পিনবা মিৎয়েংদগী খেরকপা কনবনি । মীওইবগী অরাবা মুংঙাইবদা শরুক য়ারবা কাওনি । ইকোপ পাম্বা কাও কাউদা খম্বনা কাওবু, পম্মো হায়না মিংগৌহুনা মহাক পুরেম্বা অমসুং ঙাওবরৈমগী মচানি হায়না শক্তাকপদা কাওনা নোংখোং-কাদুনা কপহুনা হায়রকপগুম তৌই: "খম্বা !" ঙসাই মথৈদি করি হায়দে ইপাদা !!/ লমজা থিদে হায়বগী খুমন হাংকে হায়হুনা / লমদম শোমদা লাকপনি । খুমন পাঙন চাওরগা / ইপায় থোঙ্গুল লৈহল্লো হায়রগদি ইপানা / ঙসিতা হায়বরনে লমজা নচেম খমুনা রাররিনি ইচাদি" (মথক্কী লামায়, ৫৫৮) হায়রহুনা কাওনা খম্বা মচাবু মরৈনা লেকই । কাও তুশেংনমক মীওইবগী লৌশিং অমসুং থনোয়গী ইহুল চল্লি । কবিগী ন্নৈংথিবা থুৎশেমনি । অসিগুম্না শামু খোংয়েৎপগী শ মুসু মীওইবগী গুনশিং চেনহল্লি, মীয়োন ঙাওহল্লি, অচুম অরান খগুহল্লি । মোইরাং থাংজিং লাইদা চয়োৎ হাবুং অমা কত্তুনা, "মিৎতা পিবু তাহুনা খুমন থরাই নিরক্রে" -(মথক্কী লামায়, ৭৭৫) অচুম অরানগী জ্ঞান ঙৈহন্দুনা লাকনবা খম্বগী মাইকৈদা লৈরকই । খোইরেঙ্গাক্কী কৈমু মীওইবগী রাথল, অচুম–অরান খঙবা শানি । ধর্ম্ম ক্ষেত্রগা পাংথক ওইরবা খোই-রেঙ্গাকী লানকমদা ইকোপ পাংকী কাওগী মঙাগুবা থরায়না নোংবান্দা লমম খুরবা ওইনা পোল্লবা কৈনা বিষ্ণুদা য়াম্না শুদ্ধা লৈবা ধর্ম্মচেন-বা মীওম্না মহাক তম্না লংলকপা তা অঙু "বিষ্ণু মন্ত্র শোল্লকপা নোংবান মাগী তা অদো । পাম্বা ওকে নিংলাক্কে । পাম্বা মপুক্লিংহুদা বিষ্ণু চোরোন খুরমথি ।" থহনা কৈ মনাক্তা চঙলকুগা "থাংজিং লাইমীশয়েংং-ও ।

চাষ-লাকএ চাম্বনি, পাম্ব নংগী মপাজল / নংগী নথা থারেদো, ইঅওদো ! ননাই ঐদি / অশোমবদি লমজানি । ইমাগী অন্‌ৎঙা / য়েঙ্গিজবা থম্বদি । ইবুধৌগা পাবদি / ইঙ্কিক ওইবা নংচদে ।" ছায়না কৈনা নোঙ্গ্‌কপা উৎলকপদা "কৈনা থম্বা য়েংছ্না "ওহোকপনি নং অসে ! নংগী কাদা বৈয়্নী ওইবা মাব্‌ পর‍্‌ংসিদা । প্রান লৌগে লোইরবেদি নিংবনিদো ঐহাক্না । করে অছু মঙাইরে, নঙাওসে নংগী পুক্নিং । থুংননবা কলহৌয়ো । মাগী শাগে নাইত্তগা । পুকমেন পাঙ্‌মে-নবদি' ছুগী মতম থনমগে । নঙাওনা পুক্নিবদি ওইররোইকো থংজরো ! ঐনা সুম তৌরবদি নংঙোন্দা মানা অমুক । হায়জরোইদবনি চিকথেকপনি অছুগী । মানা লানথিবছ্না নংনা কোকপিত্রবদি । মাদি লানবা ওন্মরোই । " (মথকী লমায়, ১৩৬৭-৬৯) হায়রকই কৈনা অচুবা পামজবা অকল-অথৌ অমগুম । থম্বগী মূর্ত্তি অছু উবদা কৈনা সনবুরি তৌবগা লোয়ননা হায়রকই, "কৈদদকো নহাক্তি । ঙসি নংগী মথুঙা লানবা ওইগে লমজা-ও ! নোংবানগী মকোক শাইদেঙ্গবা শাক্লিং চাম্রা কৈদা মপাজল কনবা, ধর্ম্ম লৈবা, অচুম-অরান থম্বা ওম্বগী হ্যামেন এত্রিব্রুস পীশিল্লুনা অশাবশিংগী সহানুভূতি কাওরক্লি । নহুনা নাকল অমম্রোমদা খোইরেনতাঙ্গা কৈ থিরকপদা মায়া খ্রোন্নকা থৈরবা থুরুরু-লরূপদা" ছুমিং কাং হত্নিং কাওবা "লানবা লাকই ঐঙোই / য়েংনু লান্নুগনিকো ।" শুমা ঙাংনৈ জীবশিং ।" "নুমান অঙা কাওৎনু লোংবাই মাংদা পাইশিল্লে / ধর্ম্ম মানা লাকপমা ছুমিং কাওবা লারেদি / অঙ্গি তৌনা থৈদোকেম্মে / । মথোম কাবী জীবশিং । নুমা ঙগী শিংছ্না লোঙাই কাই মরম পি ।।" (নুরুগী লবাং, ১৩১৪) কৃষ্ণগী গুরুসদয়-দগী শোকগা বাইশিং ওইরুব প্রকৃতিগী পোৎমুম্নিংগী পুরেংগী ইহৎ লৈবৈ হায়বত্রি তারকই ।

"বর্ষায় পানিবা জীব নতনা প্রকৃতিগী পোৎলমশিং অমমুং পোংও লমশিংনন্থু কবিনা মীওইবগী লীলং হাপঁই, কবিগী দ'ঙ্গিবা মথোজলা

মীওইবুশিংগা লৈনরিবা মরী নকশিনহন্দুনা লগুং অসি য়াম্না ইংবা অপ্পা মরুম অমা ওইহন্নীংবগুম উৎলি। থম্নন প্লম্নো ম্নগাই ক্রমথক্কা নোং খিরক-পদা নৌনা হায়রকপগুম তৌরি "খুমন নংবু ইপা লৈ, করি চিংরক-বগে! "ইপা ম্নংবু থাবিগে রাকয়ৈ মাবু খিরুসি।" খুম্বনা হি কৌদুনা খিরুরবদা "হিতু ভারে কৌবদা। 'হী! ঐবু খিরিবোইরে" / হাকনা মাগী য়াহিপ্পুরুম অত্ভাম্না হিহুনা/ হ'ইজ ইরোন হুংহুদ', জ জ লাওনা চংলক্লে। (মথক্কী লামায়, ৫০২ মীওইবগা লৈন্নবা মরী য়াম্না হকচিন্না কবিনা থোইবীগী লমচং ব্যবহার রাহৈ থরদা উৎলি। থমহুনা হিহুবু উরুবদা "পস্থৌদি / লোইদাম অস্নুক কুইরবব্ ইরোনম্নুংদা য়াভাবা ইপা ইবুংঙো। (মথক্কী লমায়, ৫০৯) হায়হুনা চেং-থোইদিং থারহুনা পজা ভোরবা মতুংদা থোইবীনা থমন্নুদা মাদি ইকোপ লমদম্ন ভাম্না চংপা য়াল্রে হায়রকই। মরম খিনবদা থোইবীনা হায়রক্লই: "রাকয়ৈ অসি ইনম্না।/ ইকু থোকএ ঐগীদি ।... ...। মমৌ মকু হায়বসি। শোরুপম্না য়াদেদে। ইকু ওইবা রাকয়ৈবু/ থক্তা করম তোংহুনা চং-লসিগে ঐনবো।' (মথক্কী লামায়, ৫০৯)

শেষ থোইবীনা থুন্তা সোরী পারহুনা মথংলেন থম্বনা শামুথোঙ হৈংপগী অহিংদা গেল্রকপদা প্রক্রিতিনা অরাবা কোওদোকই: "থোইবী মাগী অরাবা হৈরৌা লাংগদৌরিবা,/ কৈগে থোরি কথেন্দা ইঙাং পাক্তনরিবা!/ লুংমজা মাবু লীকচবা থৌদো অসি উনদা / মহৌশাদি কৌজবি রাথরে লবই-রেম্বাদি রাথরে" (মথক্কী লামায়, ৭৮১)। কাইরেন থাগী পুশিমা থাজ মায়থোং মক্লকই,/ য়েংহৈদরে হায়হুনা নোংচুপ মায়কৈ পাংহুনা কেগে খোরি কথেনবু থাজ ভুবং ক'লমই। (মথক্কী লামায়, ৭৮১) সোরি অনী পায়হুনা পাইশিন্নক্লিবা থোইবীবু চিংউ মহাদেবগী মনেম মচা তুর্গানি হায়না লৌখি। থোলোক অসগী থোইবীগী শক্তম প্রক্রিতিগা ঈরোয়নবা শাহুথাবদা থোইদোক্লা চন্থোক্লি।

মহাকবিনা মীওইবা, প্রকৃতি অমসুং ঈশ্বর নত্রগা খোয়ুমগা মহুম (ত্রিনিতি) অসিগী সংযোগ (হারমনি) অমা লৈ হায়বসি মহাকাব্য অসিদা উৎপশুম তৌরি। কবিগী দৃষ্টি য়াম্না থোই। মহাক্কা মীওইবগী চৌনশা য়াম্না মমুংছিন্নখ্রবা থওই। মহাক্কী আদর্শদি মীওইবগী সমাজদা অমগা অমগা মপৌ পাঙথোক্নবা চান্ন-চিন্নবা অমত্তা ওইবা লিচিংগা লোয়ননা মহৌশাগী ওইবা নিয়ম থুগাইদনা লৈমিন্নবনি। মসিগী পামজবা অসি হান্নবা লৈরম্লবা অফবা ফত্তবা, ধর্ম অধর্মগী শাফু য়াওবা রাবী শিংবুন অমগী কোর মমুংদা কোঙদোকপা ভাবনা কবিগী সহানুভূতিগা লোয়ননা প্রকৃতি, জীব, পোৎলম কয়াদা উৎলি। মহৌশাগী করিগুম্বা শরুক অমত্তনা মীওইবদা ফত্তবা প্রভাব পীবা কহাকাব্য অসিদা থোইনা থেংনদে মীওইবগা প্রকৃতিগা লৈনান্নবা মরী য়াম্না পীনহৈবা, অমংবা ওইবা মশক্তি। মীওইবা অমত্তনা মহৌশাগী পোৎলম অমসুং জীব থুদিংমক্তা লৈরীবা, য়াওরিবা মগুণ অমত্তু থওদ্রবদি মহাক মশামক অরাংবা থাক য়ৌবা ঙমলোই হায়বা কবিনা থাজবগুম তৌই। কবিগী প্রকৃতি, জীব অমসুং পোৎলমশিংবু থওবগী শক্তি অসি য়াম্না মচিনথোবক্তা নত্তনা সহানুভূতিসু যাওই। মসিগী মথক্তা মহাক্কী মিঠমেকিং অমসুং পার্সোনিফিকেশনগী শক্তি ঙাপচিন্দুনা মহাক্কী কবিতা মায পাকপা ওইরি। পীকপ্রবা তিল কাং ফাওবনা মখোয় মখোয়গী মুংগী অমসুং থমোয়গী রায়োল সহানুভূতিগা লোয়ননা কোঙদোকই। মশা মশাগী ওইবা থমোয়-পাউদম মখোয়গী লৈজৈ। খম্বা অমসুং থোইবী লীলা মপুং ফানবা হেৎনরকপদ ঈশ্বর/খোয়ুম, থাংজিংনা ইঙ্গৎ অত্তনা মত্তে পাংথি। মোইরাংগী মী পুন্নমক্তা খোযুম অমা লৈ হায়বসিদা থাজৈ। মী লাই অমসুং প্রকৃতি থুংশন্নহুনা চাউরবা থৌদাং পাঙথোকই মসিদা মীওইববু মপুং ফাহন্নীংলিব কবিগী অপাম্বা নংত্রগা পান্দম মহৈ য়ান্নবা প্রকৃতি অমসুং জীবশিংনা মত্তে পাঙথল্লি মরম অসিনা কবিগী থৌসিলদা (স্কিম ওফ থিঙসদা) অহুম অসিগী সংযোগ মপুং ফানা

লৈরক্লি। মসিগী মথক্তা কবিগী কল্পনা, দৃষ্টি, মনোবিজ্ঞানগী চঙখোনবা লৌশিং শান্নাকপা মিংথৈং মীওইবগী হৌনশাবু য়াম্না অথুপ্পা মতম ক্বাওবা চৎচিন্নবা খওবগী শক্তি অমস্তুং সহানুভূতিনা মতেং পাংহনা কাব্য অসিগী মতিক মঙাল হেনগৎহল্লি।



ফাগি পুবা করেক্তর ঃ "খম্বা থোইবী শৈরেং"

আই আর বাবু সিংহ

মোইরাং শায়োনগী ত্থোঙাল তোঙানবা শায়োনশিংদা মরুওইবা [illegible] মেইন কেরেক্তরমক্তি নত্তবা অহুম্বু মখোয় অসি য়াওজবদি শায়োনশিং অসিগী য়ারী অমসুং থৌদোক্তা মপূং ফাবোইদবগুম থোকপা চরিত্র [illegible] য়াওই। শায়নগী কোককী মচং লৈবা, য়াওবা অসিগুম্বা য়ারী-[illegible] মখল অসিগী চরিত্রশিং অসি অথোই-অহেন নাইনা য়াওরি। অসিগুম্বা মখলগী চরিত্রশিং অসি ভাবোকী মাওঙা, অপাব-শিংগী পুক্লিংদা মরুওইনা ফাগি পুবা, ফাগি হৈবা, য়াভাং-শাভাংদা, [illegible] অমসুং 'ভোথোয়কপদা মীয়ামবু নোক্হনবা, মুংভাইহনবা অমসুং মতম মতম অভাং মভাংগী ওইনা চখরক্লিবা য়ারী পল্লিং, [illegible] থেন্না মতম শীবা, ভাব ভাহনবগী থৌদাং অসি হলোই। [illegible] ফাগি-[illegible] শক্রাক পুবা চরিত্রশিং 'অসি শায়োনশিং অসিগী [illegible] চরিত্রশিং হায়বদি হিরো, হিরোইন, নিংথৌ, [illegible] 'শেক্কনা পনহনা' [illegible] লৈ। মখোয় অসিনা [illegible] চরিত্রশিং অদিগা [illegible] মখল [illegible] থৌ [illegible] পুক্লিংগী অশক ভৌংশিং [illegible] পুক্লিংগী [illegible] শিক্লী পুক্লিংগী [illegible]

য়াওই। পৃথিবীগী লোন কয়াগী সাহিত্যদা মথল অসিগী চরিত্রশিং অসি য়াওই ; খুদম ওইনা সংস্কৃত ড্রামাদা বিদূষক হায়রিবা চরিত্রসি অমসুং সেক্সপিয়রগী ড্রামাদা ফুল হায়রিবা চরিত্রসি। মণিপুরীদি নোকচবা, ফাগি-জুগাইগী মতৌদা পেঙ্গব কাঙবুনি ; মসুম অসিনা অৱিবা য়েংহৌরাং শায়োনশিংদা য়াওরিবা ফাগি হৈবা, ভাবোকপু পুরি তিংবমথে নোকহনবা ওন্বা ত্তোঙান ত্তোঙানবা মমিং থোনবা চরিত্রশিং অসিগী অতোপ্পা শক্তম অমা মণিপুরীশিংনা থরায় তানা য়েংজরিবা মতম মতমগী শুমাংলীলাদসু য়াওরকই। মণিপুরী শুমাংলীলাদা ফাগি হৈবা, বাশি গুণ লৈবা ফাগি-জুগাইগী কলাবু হৈশিংনা শিজিন্নবা ওন্বা চরিত্র হায়বসি শোয়দনা তঙাইফদবনি। অঙনবা মতমদগী হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা শুমাংলীলাশিংদা চরিত্র মথল অসি য়াওরি। অসিগুম্বা চরিত্রশিং অমসুং মর্থোয়গী হৈশিংববু মণিপুরীশিংনা সেকিউলার ওইবা লীলা কুম্মৈনচিংবগী মতুংদা য়াওহনবগী মথক্তা বৈষ্ণবকী রাসা ধার্মিক ওইবা লীলা, বৈষ্ণব নাট্য শনশেনবা, গৌরলীলানচিংবা ফাওবদা ফাগি হৈবা শিষ্যনচিংবা চরিত্র হাপচিল্লুনা পুথোরকই।

"থম্বা-থোইবী শৈরেং"গী মপুং ওইবা থম্বা অমসুং খোইবীগী [illegible] অসিগী মতাং মতাং, থৌদোক-মাথোক কয়াদা ফাগি হৈবা, ভাবোকপু নোকহনবা ওন্বা চরিত্র কয়া য়াওবি। শৈরেংগী লাইহরিক [illegible] য়াওরিবা অসিগুম্বা চরিত্রশিং অসিগী হৈশিংবা অমসুং মপাম্লোংসিং মর্থোয় [illegible] পংহায় হায়জিনবা, পংচাং গুংবা আনকা মথেকপগী [illegible] অমসুং [illegible] মতৌনা অপাবশিংদা হেম্মা-হুমঙাইহনবদা নত্তনা থৌদোক বাতোকশিং অহু থঙকদা হেম্মা লায়হনবুমা মতেং ওইবনি। শৈরেংগী [illegible] য়াওরিবা ফাগি জুগাই হৈবা, ফাগি পুরাণ চরিত্র [illegible] নোংমাগী মনাই শৌরা, থোংজেম্বা মনাই মুবা [illegible] ওইবনি, "মথল অসিগী অতৈ অতৈ চরিত্র মুশা মুপী য়াওরিবশিংগী মরমদা।"

ফাগি-জগাই [illegible] অপাবশিং ভাবোকশিংবু লোকহনবগী থৌদাং পুরুগা লোয়ননা চরিত্রশিং অমিনা মখোয়গী মপু ওইরিবা, মখোয়বু য়োকপী থাকপিরিবা, মীশিং অহবু মশক খণ্ডহনবদা, মশক তাকপদা মতেং ওই। নোংবানবু মশক খণ্ডনবা, থোংলেনবু মশক খণ্ডনবা লম্বীদা শৌরা অমদি মুবা, মুকত্রামবু মশক খণ্ডবা য়াম্না মতেং ওই। নোংবান ঐ মঙাইরে খনবা, মীগী অফবা-ঊবা ঙমদবা, জগৎ অসি ঐগী ওইগদবনি ঐগী অনীংবসি ফংনবা লম্বীদা লৈরিবা অয়েৎপা পুন্নমক অচুম অরান য়েংদনা মাংহন্নগদবনি হায়বা মীশি। অহবু অমুক য়াম্না মশাগীদা ওইবা লুংঙাইবা থিবগী লম্বেলদা চৎলিবা নোংবান লুতোংনা শাবা তাইবঙমীগী অশোনবা, অশোয়বা অমসুং অপাম্বনা মমীৎ তাংহন্দবা মীদি নত্তে। থোইবী, নোংবানগী থাদোকপা ঙমদ্রবা অপাম্বনি, সুপী কয়ানা সেবা তৌরিবা অঙোম যুমগী আশাগী মৈরি নোংবানগী মৃত্যুশরনি অসিগুম্বা নোংবানগীমতৌ অসি শৈরেং-সিগী লোই ওকপা অমসুং থাংজিং ল্যাইমাঙদা লৈ লানবগী থৌদোক্তা খম্বগা থোইবীগা পুন্না জগোই শাগ্রবদা নোংবান্না তৌকম খঙদ্রহদা মতোম্মতা জগোই শাবা অমসুং শৌরানা মতাংশিং অহুদা হায়খিবশিং অহুনা ময়েক শেংনা ফোঙদোকই। শৌরানা মতাংশিং অসিদা ঙাঙলিবশিং অসি চুম্না করেম্নহুনা ফাগি-জগাই তৌবদা নত্তনা, নোংবানগী পুক্নিংগী মশক-মওং উংলি অমসুং মসিগা লোয়ননা ভাবোকশিংগী অপাম্বা, মখোয়গী পুক্নিংদা খল্লি-বশিং অহু ফোঙদোকই। মতৌ অসুম্না মোইরাংগী থোংলেনবু মশক খঙবদা মাগী মনাই মুবা মুকত্রামবু মশক খঙবনা তেংবাংই। থোংলেন অথৌবনি য়াম্না ফিংবা, রাখল, বুদ্ধিগী তাংতাবা অচুম-অরানগী লমজিংদগী হা হায়বা পুক্নিংগী ইহৈলনা ঙম্না লমজিংবা সুপানি। মসম অসিনা মাক্না তৌথো-রকপা, ঙাঙথোরকপা পুন্নমক্তা মৈগী মতৌগুম অথিংবা লৈতনা চাক্নপগী মতৌ য়াওই। মাগী মনাই মুবা মুকত্রামসু মখোয়গী মপু ওইরিবা থোংলেনগী মতৌগুম বুদ্ধিদগী পুক্নিংগী শরুক্তা ঙম্বা, অচুম-অরান য়েংদনা, খল্লনা পুক্নিংদা লাকপা, কাওরকপা থবক্তু হেক্তা পাঙথোকপা, মথৈথংদা

থৌকল্লিবশিং মতুংগী অশোয়বা, অয়ানবশিং অহুংগী[illegible] লাংঙ্গে হায়না হায়জবা ওয়া চরিত্রশিংনি। মসিগী অশেংবা মশাক খঙবা "থবা" অমম্বুং খমম্ব অনীঙ্কা থোংলেনগনি। কি রায়বা লাকপগী থৌদোক অহুৎনা ঙমৈক শেংনা উংলি। মিকুপকী ওইবা ইহল, থৌইমশিরজা লমজিংবা শাফিংবা মী ওইরবস্থু থোংলেন, থৌনা নৈবা মপাগী অশোয়বশু লোয়ঙ্গে যাজবা ওয়া অথোবনি। অসিগুম্বা কাপি জুগাইরৈবা, নোম্বিংবা মতৌ চেনবা, ভাবোক্ক পামজবা চরিত্র কয়া "খম্বা থোইবী শৈরেং"দা কাওরি অমম্বুং চরিত্রশিং অসিবু মথেক লানা পুথোক্কুনা মহাকবি হিজম অঙাংহল সিংহনা মনিপুরীশিংনা পামজবা শকলোন অমা কাউনা থমমী।

মহাকবি অঙাংহলনা হায়রম্বা

খোমজিনবশিং :—

আই, এম, উনবিয়া, এম, টি, অচৌ,
এম, এল, সুরজিৎ, ধনশ্যাম রাহেংবা,
সরত সলাম, নোকুল কোনসবা,
তোইজম তম্ফা, ভানুমটি শর্ম্মা।

"খম্বা-থোইবী-শৈরেং"দগী

"ইথৌলাংবা শজিনা লৈঙোই লমদা ঙাওরবা।"

"লুদগী ঙানপলু, খাউদগীনা ঙাবোং খাউ।"

"উক্রোং অমই হাক্কক্না উমং তুম্নবা।"

"নোংগী মাইকৈ উবদা মালেম থক্না ঈংবা।"

"য়াম্না শিনবা হৈরাংনা থোইনা থুমই মুল্লগা।"

"তাংনা তাবা খোঞ্জেলদি মুংশরবা কোকিলগুম কোরৌথক্না রাংনদৈ, তাংনা শাৎপা লৈনমদি শিঙেঙল মাগুম লুম্বনে।"

রাশি লৈবা মীশিংনা মীগী মতৌ তম্বদা ফজবসে কয়ামুক ফজবা, মহ মী মাদি খংজদে। খংই ভাবোক অতুনা মী মাগী মগুনহুবু।"

"অরাং হুইদি তুবোম্বী, তখেন খুনু খোংজোম্বী কুমনা হঙোই মিংতুবী এন্নখাদা পাওদাবী।"

"মনম ফবা লৈরাংবু য়েরু খুত্তা পায়নমু; মিচং মিথায় নাইদনা মুংশি-বগুম খ্বাইনা।"

"মঙাই-স্নুরে অমত্তা, তরাইস্নুরে অনীতা, শুদরে চারা হেনগনি লাইরবগী অরাবা।"
"মরুপ হায়বা অসিদি ইপা ইচা হেম্বনি, মুংশিননা তিন্নৈ লমচৎ রাহৈ কায়ফদে।"
"মপু শুইবা শিংহুনা মিত্তা পিবু তাবদি মনাইশিংনা উহৈদে।"

'শিঙেঙল ইন্দু"দগী

"মমাং লোম্না কৌবদা মনিং লোম্না তাদ।"
"হৈরাং চরাং চুম্লগা তাওজিং মরু লুকথনৈ।"
"অপাম মুংশি থংঙকপা লৈরাং খোঙ্গুল লীরকপা হৈকোল লৈকোল চংঙনা চেক্লা চাগুন পাইরকপা তিন্নরকপা মরুপ্তো পায়ম মুংদা কাওনদে।"
"খাংমথক্কী মকপ্তো হেন্নৈ ইকাই খুম্নবা নহাঙৈগী মরুপতৈ রাংলি মুংশি মুংওনবা।"
"অরাবনা মুংঙাইবা অরা উর পোত্থাবা মুংঙাইবনা মুংঙাইবা মুংঙাই উর হৈনবা।"
"তাঙ্গা হায়বসি খিত্তনি মতম চাদবা ফত্তে।"
"মদুক শিংপা তুরেলনা নিংথম মাগী মতমদা, ওলাং থাগী চাকউবা কালেন থাবুম চুপ্পদা, কুমগী নোংনা লাকপা।"
"শিগে হায়মনা পোকপনি রাগে হায়না পানবনি।"

"জহেরা"দগী

"য়োৎচাবিনা পোৎ পুম্নমক চপ মান্নবা চিংশিল্লি। অপাম মুংশিদি মথোন কারকপগী থম্মোই পুম্নমকপু চপ মান্নবা চিংশিন্দে।"
"মুংশিবা হায়বা অসিনা মীওইববু মতৌ করম্না ফজহনবগে হায়বা অসি মুংশিনবা অনিনা ঙাংনবা চংনবা, শাজং অহু উরগা অতুক ফজবোইরে

হায়বা এখোয় ভাবোক্কী মশক ওইনা রস অহুবু চুম্নবা ওমই।"

"নুপী লৈতে নুপা লৈতে, ইকাইবা অমগী মাওদা চৎপা হায়বা অসিদি হৌদোং মাংদা উচিনা চৎপগুমই।"

"ইরাওখোন থোক্তবা ঈচেন নাইদবা প্রেমগী (নিংনবগী) ঈচেনবু মীনা থিংবা ঙম্বা হৌনদবনি।"

"মীওইবগী হৌনবা তুংগী অরাববুদি হৌজিক্কী অরাবনা মহেনবা হায়বা অসি মশিন্নি।"

"অপংবা অঙাওবা শুসিনা মশাবু পঙই ঙাওই হায়বা খঙলবদি কদায়দগী পাঙগদগে ঙাওগদগে।"

"মিৎনা উবা নাকোংনা তাবা অহুতবু পুক্লিংনা নিংবা হায়বা অসি মশিন্নি, মীদগী লাইফাওবনি।"

" .... নুপীখোয়না হায়জিল্লকপদা লৌরোইদবা নিপা লৈতে, মখোই অসিনা হায়জিনবদি চুম্নদা হায়জিনবা নত্ত্রে শৌজিনবা অমা য়াওবিবনি।"

"থাগৎপদা হরাওরিবা, চৈৎদা শাওরিবা মীনা হায়জিনবদা লৌরোইদবা লৈতে।"

"তেংবাংনবনা নুংশিনৈ নুংশিনরগা অমত্তা ওই, অমত্তা ওইরগা অকবা ওই।"

"মীওইবগী পুক্লিং হায়বা অসিদি সনাদগী মঙল য়ামই।"

"মীওইবগী তৌবিমল হায়বা অসি কয়া গুন লৈবানা হায়বা অসিদি লৈবাক মচা ওইবা মীতনা থংবনি।"

"কৈথেল কাবা মী অহুনা চানিংবা এস্পাংমক নত্রবসু মানা হাওই হায়না খঙবা পোৎ অহুতবু লৈ, মানা মসি পাম্বনিকো হায়হুনা মীগী য়েংহুনা লৈবা হায়বা অসি অতম্নবনি।"

"হুরানবদা পিপোরকপা নিপা অহুবু নিংথৌগী রায়েম্না মুখৎতুনা থমখিবদি লৈপাক্কী মঙ্গোন্নি। অমরোমদা ময়োশিং চাউবা নিপা অমবু নমগৎহুনা থম্বসু লৈপাক্কী অমাংবনি পৃথিবী ময়েং তাবনি।"

"ঙাংথোক্লিবা মখৈদি ঐগীনি ঙাংবু ঙাংথোকপ্রবদি মীগীনি; রা হায়বা জাৎসি অসি ঙাক্তনি।"

"য়াপন চামা য়ানবদা মকোক মমৈ ফাগুবা তেনবা শাংবা তাংদা চপ মান্নবা রা অনি থোকউ হায়বা য়াদে। তাঙ্গা হায়বা অসিদি থুৎনা শেম্বা য়াদবনিনা পুন্সি অমদা পাক হেক থোক্তে।"

"মুংশিনরবদি লৈথুপ লৌকোই লৈনদে। মিৎতা পি তারক্লবা মতম হায়বা অসিদদি মতম পুন্নমক্কী পুকচেলগা মান্নদে।"

". .. চৎখিবা মতমদি মতম গুইদে, লাকই মতম অতুতবু সনা গুইনা খল্লি। মতৌ অসুম্না মফম অতৈদা লাকইবা অমসুং লাকদবা মতমবু খল্লবদি মীগুইবদি লেম্না মাংলোইদবনি।"

"লোনগী মতুংদা ব্যাকরন্না ইল্লি, লম্বীনা মীগী তুংগুই তুংগুইননা চৎলি লম্বীগী লম্মীৎ তুমীৎ হাযবা অতুদি অচৎপা মীতনা খংই। অরাইবা লৈতে অকবা লৈতে থবক হাযব অসিদি অতৌবা মীতনা খংবা হৌনৈ।"

"নিঙোল কৌবগী হৌনববু মপামদগী য়ান্না পুজবকপা মপামদা নোংমতং চৎলুবদা ফদিগোম মনা অমতা গুইববসু মনিং তম্না পুজপ্রগা মপুবোইবা অতুদা চাউথোকচবা গুইবনি।"

"চান্নবা, হায়বা অসিদি চহি অঙাং অহল নাইবা নত্তে। গুন লৈবা রাশি লৈবা মশেন্দি মহৌশাদগী ইকাই খুম্নবা চান্নবা মশিন্নি।"

"মীগী লমচৎ হায়ববু মানা মানা তৌথোবকপা অতুনি। ধর্ম্মনা অমরা লমচৎনা অমরা? জীববু নুংশিবিবা মখৈ অকবা ঙাক্তনি।"

"অমোৎপা ফিজেৎনা শেগাইব যুমনা অমোৎপা শিনযন্না মাগী মাগী মপুন থক মাগুহনবা ওমদে।"

"ঐগী ইশাগী ইগুনদি ইবমচৎনা শেমজে কনা অমত্তনা হাপ্পীবা ওমদে।"

"শ্রীরাম তিনবা হায়বা অসিদি রারক্তবা মচা কয়াদি মশাদি খণ্ডবিদে, ময় ম অক্লনা খংহৌই। মীগী মশক জাতিগী গুন, ইমুং মনুংগী ব্যবহার ফাওবা সুম্না চোংথোরকই।"

"লুর ং নোংবান, য়াইথিং কোনুদগী"

"সংসার অসিগী মন্থুংদা মসিনা ময়োই হায়বসি অরেপ্পা লৈম্রে।"

"লাইরবনা চানবা ফংদগ্নুনা শিনরবদা অরৈবনা মাগী অরেম্বা অচু য়োম্থোক্তুনা নিংঙাইবা লৈতনা মরন পুন্শিন্দুনা শেঙ্গাও মবুক থম্লে।"

'অতাংবা মতম লাক্লগা হায়না অতাওববু অরৈবনা হয়াওনা ঙাইনৈ, অতাওবা মতম্থু অরাৎপা মীনা কপ্পা কপ্পা চৎখিবা ঙাইনৈ।"

"শগোল্লা লৌ চারগা ইরোই ফুই।'

"অমম্বনা রায়েনবা অঙানবনা শিল্লাকপা অম্থুম্ন রায়েনশঙ অসি পুথ্রিবদি নিংথৌনি।"

"সনা লুপাগী লন্না ইনাক খুনবা মীদি মশাগীদমক্তা থল্লি, মথোন কারকপা লন্না ইনাক খুনবা মাদি মীগীদমক্তা থল্লি।"

"নিংশিংবনা শিহল্লী নিংশিংবনা হিংহল্লি। মানা ঈশিংদগী মৈ হৌহল্লি, মৈবু ঈশিং ওলহল্লি হী যাই, সনা মনি মুক্তাবু উৎ রাই ওইনা উহল্লি।"

"মীনা চাউথোক্তবা লৈতে। মীনাই ফুঙ্গাগী মচাস্থু নিংথৌরেল ফাওববু 'মাগুম্ববু' হায়বা ঙাক্তনি। .. 'মানা কৈদা ঐনা কৈদা' হায়না অসি মীওইবগী প্রমাননি।"

"অরাবা কোক্নবা অমস্থুং থোইদোক্লা চাওথোকউদনবা লাইনা তম্বনি হায়বা রাহৈগী পাম্বৈ অশিব পাযদনা খ্রাইনা চৎনৈ।"

"মশা শেংবা সনা-না কৈদৌঙৈদা লৈপাক ওইদে।"

"মৈথাকশিংগী শরুক্তা, মালেম লৈবাক ওইথ্রবা মতমদা উৎ অমদি মৈতান মথৈনা মশক হোংবা ঙমদে, ভাত্থনা অত্থুম লৈহৌই।"

"ইবেম্মাদগী"

"তুরেল লৈঙোইনা হেন্না কুপ্রে য়ুম্বান লোন্না তাদে।"

"শাগোল্লা কাওবা নত্তে সফম্না কাওনি।"

"পোক্তাবীদগী"

"মুপী নাখোয়গী নখুঙা মাংঙোইদবসিবু কনা লৈবগে ?"
"অচুম্বা ঙাক্তা ওইরো স্বর্গ হায়বদো ওইরোইদরদো। অচুম অরান অনিনা য়েংনবনি, মীওইবা হায়বা অসি।"
"লিশাং শিংনরকপদদি মী অসি ইমান মান্নে চিশিল্লরুবা মতমদা জাংকী গুন হেক্তা লাকই।"
"হুপ মত্তোনগী ঈশিংগা তুরেলগী ঈশিংগা অমহানি।"
"হুই মথৌ নাইদবনা মৈমাং চেনহুনা মতু কাই।"
"কান্নববুদি সংসারসিদিনে কান্নদবনা থোইনা লুবনি, থম্মোয়দা তাবা অপাম-মুংশিগী লৈই অনিদো ফনা হায়দনসু অমদি মুংপা হৌনদ।"
"উপান হৌদনা উরুম তাবা"
"মীনা লৱাইদা গদা হাইথরক্লগা লৈপরেংনা ওকপা য়াবা নত্তে।"
"ইরোইনা লৈয়োল্লগা হাওনাদা তে।"
"স্বর্গদসু লেজসনু মপুরোইবগী পাম্বোম মরুমদা লৈতবা মুপীগী মৱাদবু মীনা ঙাওনবনি, মুপীগী দোষ গুন হায়বা 'হুদি মপুরোইবনি।"

"থম্বাল"

'কান্নবা লৈরক্রবা অহুনা অতোপ্পা অমগী মাঙনবা ওইরকপা হায়বা অসি হৌনবনি।"
"সমাজ অমবু খুহুম চনগে হায়না হোৎনরকপদা সমাজ অহু মগুংদগী পিরেল-হৈগুম্বা অমবু থিরগা মানা খুংলাই ওইহুনা সমাজ অহুমকপু লাকশিনবা ঙমই।"
"অচৌবা পৃথিবী অসিবু মপান নাইদ্রবা লুরবা পাক-চাওরবা সমুদ্র অমনা কুপ্পুনা থম্মী।"
"মিংথোন হায়বা জাৎ অসি মরুপ মপাং নরুবতনা পিবা হায়বসি হৌনবোই।"

"মীগী মুংঙাইবা মতমদা অরাবা ইতৌ উৎলুবহুনা মীগী নিংবা কায়নবনি।"
"অপাম-মুংশি হায়বা অনি অসিতনা হেক লৈজবা রাগ রাগিনী মথৈ, তানগী জাৎ মথৈ ওন্ননা পাল্লি মওং তোপ্পা তোপ্পা শকুনা চৎখি।"
"তাইবং মুপী মুপা খুদিংনা মপোক অমা ওইনা পোক্কুনা মথোন কারকপা হায়বা অদু মতংবু ফংগ্রবদি লায়না অসিনা নাথিদবা রাওবা নত্তে।"
"ঈশ্বরনা শেম্বদা জীবনা অরাবা হায়বা অদু ফংল্লক্রবা মতমদা মহু লাম্বোকপা য়াবা উপায় অমমমদি থম্বিরমই।"
"ইকাই থিবা হায়বা লন অসিনা মুপীগী লমচৎকী মনিগুম্বনি।"
"যোগীশিং অসিনা লাইগী মমিং শোনবদা মশিং খংদরবদা, খোইগী লুখাক ওইরবা থম্বালগী থমজেৎ মরু অকংবনসু তাইবং সতীশিংনা জীবদা পাওতাক পিবগুম্না যোগিশিংদা মশিং তাকই।"

"মহাকবি হিজম অঙাংহল সিংহগী শেরেংশিংদগী"

"ইমা হায়বদি রাহৈনি. ময়েকসু অনিতগীনি, অমৃতনা কৈদৌননি"
"মমাবু মুংশিবা খংদ্রবা মরৈবাকপু নিংদরবা, মচা-মনাও য়েংদরবা কৈদৌনি পৃথিবী লুম্নবা .. পাপকী মপেনা তারকপনি।"
"পুক্কা পুবা ওমদবগী মীগী মীনাই ওইরিবনি ... হৌজিক হৌজিক য়েংলবদি মীনাই কোকপা হোৌনদে।"
"লৈরক খুদিং শৈ মান্নদে ... .. উনা উনা খংদবা ঙাক্লি হোয় হায়না তৌদবা ঙাক্লি।"
"নিংথৌরেলগী মচাসুনি. মুপী ওইনা পোক্লবদি নিপানি হায়রবা য়াদে মাবু পথাপ্লি মশি মপুগী।"
"পাংদবা অতনবগী শরুক লৈত্তে, অপংবগী যুমফম ফংদে।"
"তুরেন্না খোইরুবা ঈশিংনা নত্তে লৈপাক মানা খোইজবনি।"
"থুপ্পা থম্বা নিয়ম্নি মহু খ্বাইবু উহন্দে। .. .. অপং মথৈ ভঙ্গাংলি ভাম্বোকই শীংবা মথৈ।"

অহৈবশিংগী য়াম্না শম্না শক্তাক রারোল

অরিবম কমার শর্ম্মা ঃ (১৯৪৩); এম এ, বি টি. রাষ্ট্রভাষা রত্ন সবকাবগী কলে শিংদা মণিপুরগী হিন্দী শিক্ষাগী তেড ওইবদগী নেসানেল সার্ভিস স্কীমগী ষ্টেট কোঅর্ডিনেশন অফিসর ওইনা ডিপুটেসনদা লৈরি। লাল বাহাদুর শাস্ত্রী নেসানেল একাদেমী ওফ ইন্দিযান এডমিনিস্ত্রেসন, কে. এ. ... কলেজ ইম্ফাল ... বিদ্যালয় অমসুং পোষ্টগ্রেডুয়েট টিচর্স ট্রেনিং কলেজ, ইম্ফাল ... পার্ট টাইমর ওইনা ওবা ওইরমই।

কবি, অনুবাদক অমসুং সমালোচকনি। শৈরেংগী লাইরিক অমা ফোঙখ্রে। হিন্দীগী নাটক মচা কুপমা খাইরোম অনুবাদ তৌদুনা আকাশবাণী ইম্ফালদা শান্নখ্রে। সাহিত্য একাদমীনা ফোঙবা "মনিপুরী রারী মচা"গী সম্পাদক ওইখি।

সাহিত্য সংস্কৃতি অমসুং সমাজ সেবাগী সংস্থান কয়াগা মরী লৈনৈ। দি কলচরেল ফোরমগী জেনরেল সেক্রেটরী ওইরি। লৈফমঃ ব্রাংখে থঙ্গালখোং ইম্ফাল।

আই আর বাবু সিংহ (বাসি): (১৯৪১) এম,এ, পি, এইচ, দি। সমালোচক, অনুবাদক অমসুং নিবন্ধকারনি। মশক নাইরবা ফোঙ্কলোরিস্ত অমসুনি। খোমজিনবা শৈরেংগী অমসুং রারেংগী লাইরিক

কয়াগী সম্পাদক ওইখি। মনিপুরীদা মশাগী অমদি হন্দোকপা লাইরিক কয়া কোংখ্রে। হৌজিক মনিপুর বিশ্ববিদ্যালয়. মনিপুরী বিভাগতা প্রোফেসর ওইরি। মনিপুরী সাহিত্য পরিষদকী জেনরেল সেক্রেটরী অমদি ডি কলচরেল কোরমগী প্রেসিদেন্টসু ওইরম্মী
লৈকম: কাকৈখেল, নিংথেমকোল, ইম্ফাল

এলাংবম দীনমনিঃ (১৯৪০) এম.এ. পিএচ. দি, হিন্দী শিক্ষন পারঙত। সরকারগী হায়র সেকেন্দরী স্কুলশিং অমদি কোলেজশিংদা ওজা ওইরম্মী মনিপুর তাংবল মহৈকোলগী মনিপুরী মশঙ (বিভাগ) দা প্রোফেসর ওইরি। রাহ্মচা, লীলা শৈরেং নৈনবা, রারেংনচিংবদা খুৎ থাই। অনুবাদসু তৌই। ফিলমগী ময়েকসু ই। হৌজিক ফাওবদা লাইরিক কুননীপাল ফোঙলে

সাহিত্য একাদমী (১৯৮১), ষ্টেটকলা একাদমী (১৯৮৫) আকাশবা-নীগী বেষ্ট হ্যমর প্লেরাইট (১৯৯২-৩) সাহিত্য একাদমী অনুবাদ (১৯৯৪) মনাশিং ফংখ্রে।
লৈকম: শীংজমৈ লৈশাংথেম লৈকাই, ইম্ফাল।

১ | এলাংবম নীলকান্ত সিংহঃ (১৯২৮); এম এ, এল এল, বি, ; ডি, এম কলেজ, দর্শন বিভাগতা ওঝা ওইনা হৌই, মথংদা মনিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী সেক্রেটরী ওই। সোসিয়েল রেলফিয়ার, আর্ট এণ্ড কলচরগী ডাইরেক্টর ওইনা থবক্কী পোথাই। কবি, রারেংবা ইবা অমদি সাহিত্য কলা সংস্কৃতিগী সমালোচকনি। রারেংগী লাইরিক অহুম (ইংরাজীগী অমা য়াওনা) অতুগা শৈরেংগী অনী অমসুং অনুবাদ তৌবা লাইরিক অমগা ফোঙখ্রে। মপাল লৈবাকশিং হুজেল্মী, জি, ডি, আর অমসুং ফ্রান্সনচিংবদা চৎলুরে। উপাধি অমদি মনাশিং ফংখ্রে। 'সাহিত্য, 'ঋতু'নচিংবগী সম্পাদক ওইরম্মী।

মনিপুর অমদি ৱাংমগী সংস্থান কয়াগা মথল করাম্না কম পাম্নহনা মরী লৈনরি। লৈকমঃ কৈশামথোং এলাংবম লৈকাই ইম্ফাল।

থাংজম ইবোপিশক সিংহঃ– (১৯৪৮) বি, এ সরকারগী জি.পি. ৱুমেনস কলেজগী মনিপুরী বিভাগতা ওঝা ওইরি। কবি অমসুং সমালোচকনি। শৈরেংগী লাইবিক অহুম ফোঙখ্রে। শৈরেংগী লাইরিক "নোরোক পাতাল পৃথীবী" হায়বসিদা মনিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা সাহিত্যগী এৱার্ড (১৯৯৮) অমসুং মনিপুরী সাহিত্য পরিষদনা যামিনী সুন্দর গুহ গোল্ড মেডল (১৯৮৯) পীখি।

সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী সংস্থান কয়াগা মরী লৈনৈ। "সাহিত্যগী পাউ"গী সম্পাদক ওইরি। লৈকমঃ-ৱাংখৈ থাংজম লৈরক, ইম্ফাল।

থোৌদাম তোম্বী সিংহঃ — (শকাব্দ ১৮৭৬) এম. এ.। য়াইরিপোক কোলেজ, প্রভাবতি কোলেজ, কামখ্যা পেমতোন কোলেজ অমদি ৱাঙ্গোই হায়ার সেকেন্দরী স্কুলদা ওঝা ওইরম্মী। ময়াং ইম্ফাল হায়র সেকেন্দরীদা ইংলিশ মশঙ (ডিপার্টমেণ্ট) দা হেড ওইরি। সাহিত্য, সংস্কৃতি অমদি শান্ন-থোংনবগী লমদা থৱায় য়াওই। ইবা অমদি নৈনবদা খোয়জংনা শরুক য়ারি। লৈকমঃ- ৱাঙ্গাই মখা লৈকাই, মনিপুর।

দেবরাজঃ— (১৯৫৫), এম.এ. পিএইচ. ডি। মনিপুর তাইবঙ মহেকোলগী হিন্দী মশঙ বিভাগ) ওঝা ওইরি হিন্দীগী কবি, অইবা অমদি আলোচকনি। অনৌবা হিন্দী কবিতগী লমদা চাউনা মকম লৈবা কবিনি। মনিপুরী নীংথিনা খঙনবা লাক্লবদা মহে য়াম্লবা অমসু ওইরে। মনিপুরী লোন, সাহিত্য অমদি সংস্কৃতিবু হিন্দীদা মশক তাক্লবা লাক্লরিবা অইবনি। মনিপুর অমদি মরূওইনা মপাম্লমদা লৈবা সংস্থান কয়াগা মরী লৈনৈ। হিন্দী শঙ্গোকপগী লমদসু মাল্লপুন্না

লাক্লরিবা ওঝানি। হিন্দীদা লাইরিক কুমগা নিপাল ফোঙখ্রে। মনিপুরী কবিতা হিন্দীদ হান্দোক্ল। মনিপুরী সাহিত্য অমদি সংস্কৃতিগী মরমদা ইবা লাইরিক য়াওবি। মনিপুর অমদি মনিপুরীর পুনর্চেঙ শেংনা মুংশিজবা সাহিত্যকারনি। লৈফম:- মহারাজ ত্রুকেন্দ্রজিৎ মছুগী বাজার নজিবাবাদ।

নাহাকপম অরুনা দেবী:— (১৯৫৯) বি.এ (অনর্স).এম এ, পি এইচ. ডি। মনিপুর বিশ্ববিদ্যালয়দা মনিপুরী মশঙ বিভাগ)দা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ওইরি। নৈনবা রারেং ইবা অমদি কুমশুবা চটোচাগী 'মনিপুরী উপন্যাস নৈনবা' (১৯৮১) কৌবা লাইরিক ফোঙখ্রে। নৈনবা রারেং কয়া অমসু শকনাংবা চেফোংশিংদা ফোংখ্রে। সেমিনার কয়াদা চে কয়াসু পুথোকখ্রে। সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী সংস্থান কয়াগা মরী লৈনৈ। লৈফম:—কৈশামথোং এলাংবম লৈকাই ইম্ফাল।

নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহ:— (১৯৩৫). এম. এ. মনিপুর কোলেজগী ইকনমিক্সগী মশঙ (বিভাগ) দা ওঝা ওইরম্মী, কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেণ্ডরীগী সেক্রেটরী ওইনা থবক পোথাই ভারতকী রাংমগী লৈবাকশিংদা মঙ্গওইনা জি. দ. আরদা কোযকুরে। রারীমচা, লমন কোয়রারী ইবা অমদি অনুবাদ তৌবা সাহিত্যকারনি। রারীমচাগী লাইরিক মরী লমকোয় রারীগী অমা অমদি অনুবাদকী অমা পুন্না তরাক ফোঙলে। রারীমচাতগীদা ওইবা 'মৈরিক' (১৯৭৪) কৌবা চেফোঙগী সম্পাদকনি। কল্চরেল ফোরম, মনিপুরী সাহিত্য পরিষদ, মনিপুর ষ্টেট কলা একাদমীনচিংবা সংস্থানশিংগা নক্লা মরী লৈনৈ। সাহিত্য একাদমী মনা (১৯৭৪) ফংখ্রে।

লৈফম:—উরিপোক য়াম্বেম লৈকাই ইম্ফাল।

নোংমাইথেম (নাম্ৰী নি ং) – (১৯৪২) এম,এ, পিএচ, ডি। ইম্ফাল কলেজদা [illegible] ওইরমই, মনিপুর বিশ্ববিদ্যালয়গী মনিপুরী বিভাগ [illegible] প্রোফেসার ওইরি। সমালোচক প্রবন্ধকার [illegible] গোল্লাউ খবরগী কলমনিষ্ট ওইরমই; তৌজিকনা [illegible] নোংমাই পণ্ডিতকী মিংদা কলমনিষ্ট ওইরি [illegible] "সাহিত্যগী পাউ"গী সম্পাদকশু ওইরমই। মনিপুরী [illegible] ফোংবা পরিষদকী খঙ্গংলবা ৱারী মচা (১৯ [illegible] খোঙ্গল"গী (১৯৯৩) সম্পাদকশু ওইখি। [illegible] অনা ফোঙখ্রে।

সাহিত্য [illegible] নৈনৈ। মনিপুরী সাহিত্য পরিষদকী জেনারল সেক্রেটরী [illegible]।

লৈফমঃ - সেগা লম্বী, [illegible] ইম্ফাল

পোলেম নবচন্দ সিংহ (১৯৫০) সাইন্স গ্রেজুয়েট, এম এ, পি এচ ডিনি মনিপুর [illegible] মনিপুরী বিভাগত এসোসিয়েট প্রোফেসার ওইরি। [illegible] সমালোচকনি। মনিপুরগী অথৌবা [illegible] সেমিনার কয়াদা নৈনচে যাম্না পথোকখ্রে। সাহিত্য [illegible] সংস্থা কয়াগা মরী লৈনৈ।

লৈফমঃ [illegible] ইম্ফাল

বাচস্পতিময়ুম [illegible] শর্মা: মইচৈ-মশিং য়াম্না ফনা হৌরকই, [illegible] পানবা ওই। মহাকী "সনা লৈবাক মণিপুর" অমদি "[illegible] পোক্রফম ইমা" হায়বা ঈশৈশিং অসি তগং-তগং তেক্না লৈবি [illegible] গুৱাহাটিদা লৈবা অল ইন্দিয়া রেডিও সংগীতসতা [illegible] ট্রাক আর্টিস ওইনা থবক চঙই।

কোহিমা ষ্টেসনগী অসিষ্টেন্ট ষ্টেসন ডাইরেক্টর ওইনা। ১৯৯১ দা। থবক্তগী পোথাই।

এ. আই আরদা থবক পুরিবৈদা মহাক্না সুর পান্দুনা ঈশৈ শৰুম পুখোক্লমই — 'কৌক্রচিং' উমংগী পুন্সি, পুন্সি খোঙচৎ, ভাংবিক্তোল, য়ম্বিপোক থম্বালনু 'সতি খোংনাং' অসিনচিংবশিং অসি রুপ য়াগনা লাম্বোকখি। লৈফম : ব্রহ্মপুর নাহাবম ইম্ফাল।

এম : কীর্ত্তি সিংহ : – (১৯৪৩) এম, এ, এল, এল, বি, পি, এইচ, ডি; পি টি, এস, (ডেণ্টন); জ্যোতিষ রত্ন বাইবল কোর্স ময়ামগী ডিপ্লোমা, বাহাই ফেট, ক্রিয়েটিভ রাইটিং অমসুং হেল্ড কোর্স নচিংবগী সার্টিফিকেট ফংলবা ইংরেজী অমসুং মৈতৈলোন্দা লাইরিক লেংই। রায়ল্ড অমসুং ভারতকী মীতিন কয়াদা মৈতৈ রাথলবু অহানবা ওইনা পেপরগা কোম্লনা লেকচর পীখি। মহাক্না মৈতৈলোন্দা লাইরিক তরেৎ, ইং-রেজীদা অহুম কোংলবা মতুংদা অমুক নৌনা "থুমুংলোন অরিবা মৈতৈগী লাইনিং (১৯৯৬), কোদ্ধ কলচর ওফ মণিপুর" (১৯৯৩) ফিলোসো-ফিকেল ইম্‌পেক্ট ওফ গান্ধিজম" (১৯৯৫) ফোংই। হৌজিক হৌজিক ডি, এম, কলেজ ওফ আর্টসকী প্রিন্সিপাল ওইহুনা লৈরি।
লৈফম :— উচেক্কোন, ইম্ফাল।

মোইরাংথেম দয়ানন্দ :— (১৯৬৫), এম, এ। হায়স্কুলদা ওঝা ওইরি। শৈরেং, রেডিও লীলা ইরে। ঈশৈশু ই। সাহিত্য অমদি সাকুতিবু য়াম্না পামজবা মীওইনি। নৈনবগী লমদা থরায় য়াওই। শায় খোংনবা অমদি ময়ামগী সেবাদসু হৈনজবা লৈ। লৈফম : শামুরৌ

লাইশ্রম সদানন্দ সিংহ :— (১৯৪২) এম, এ। ১৯৬৬ দগী কোলেজগী ওঝা ওইরকই। সাহিত্য নৈনবদা থরায় য়াওই। সেমিনার কয়াদা নৈনচে (রাকিং পেপর) কয়া পুখোকখ্রে। ঈশৈ

অমদি শায়খোৎনবদনু চপ চানা থম্বায় য়াওই। সমাজ সেবা পামজবা ওঝানি। সাহিত্য অমদি সংস্কৃতিগী সংস্থান কয়াগা মরী লৈনৈ। হৌজিক হৌজিক মণিপুর কোলেজগী মনিপুরী মশঙ (বিভাগ) দা হেড, ওইনা থবক তৌরি। লৈফম : শীংজমৈ চোংথাম লৈকাই, ইম্ফাল।

লমাবম গোজেন্দ্র সিংহ : - লমাগো হায়নম্ব খুণ্ডই (১৯৫৩) এম, এ। সরকারগী কোলেজদা মণিপুরী বিভাগতা সিনিয়র লেকচরর ওইরি। রারী মচা, নৈনব রারেং ই. অথুবা চেফোংশিং অমসুং লাইরিকশিং কয়াদা ফোঙদোকখ্রে। মশাগী খোমজিনবা রারী মচাগী লাইরিক "মথোঙ শোমনীদ্রবা লৈ" (১৯৬৯) মডগা ত'ইবংগা' (১৯৯৬) ফোঙখ্রে।

সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী (ড্রামা অমসু ফিল্মগী য়াওনা) সংস্থান কয়াগা মরী লৈনৈ। ড্রামাগী এক্টর অমসুং ডাইরেক্টরসু ওই।

নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতিগী জেনরেল সেক্রেটরী (১৯৮৪-৮৬), "রাখল" চেফোংগী সম্পাদক, "পরিষদকী খঙংলবা রারীমচা" (১৯৯৪) গী সম্পাদক ওইখি। অমসুং ভারতীয় দলিত সাহিত্য একাদমী দিল্লীনা আম্বেদকর ফেলোশিপ এরার্দ (১৯৯৬) পীখি।

লৈফম : কৈশামথোং হোদাম লৈরক, ইম্ফাল।

লৈমপোকপম দামোদর সিংহ :— (১৯৩৪) এম, এ, এল এল বি কলেজগী ওঝা, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী সেক্রেটরী ওইরমই, ইম্ফাল কলেজগী প্রিন্সিপাল ওইনা থবকগী পোথাই। ভারতকী সাহিত্য একাদেমি অমসুং সঙ্গীত নাটক একাদেমী একজিক্যুটিভ বোর্ডকী অমসুং ললিত কলা একাদেমীগী সদস্য ওইরমই; ভারতকী সংস্কৃতি উৎপগা মরী লৈননা মপান লৈবাকশিং, মরু ওইনা য়ু এস এ, জর্মনি, চীন, মঙ্গোলিয়ানচিংবদা চৎলুই। সমালোচক অমসুং অনুবাদকনি।

মণিপুরগী সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী সংস্থান কয়াগা মরী লৈনৈ; থবক পুবা য়াওরকই। লৈফম : য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাই, ইম্ফাল।

সাপম তোম্বা সিংহ: [illegible] ১৯৪৩) এম, এ (অনী-হিন্দি সাহিত্য অমদি লিংগুইস্তিক [illegible]) [illegible]। মণিপুর তাইবঙ মহৈকোলগী হিন্দী মশঙ (বিভাগ) দা [illegible] [illegible], হৌজিক মণিপুরী মশঙদা প্রোফেসর ওইরি। 'লোন' অমদি '[illegible]তু' গী সম্পাদক ওই। লিঙ্গুইস্তিক সোসাইতী, মণিপুর, দা [illegible] [illegible] [illegible], মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, রাইতরস ফোরমনর্সিংগা [illegible] [illegible] মরী লৈনৈ। অহৌবা, সমালোকচক, কবি অমদি [illegible] [illegible]। মণিপুরগী [illegible] মরী অনুবাদ অমা, হিন্দীগী অহুন পূন্না [illegible] [illegible] লৈফম: শাগোলবন্দ, তেরাকৈথেল, ইম্ফাল।

ইন্দেক্স

'অরেপ্পা মরূপ'— ১৫৬
'অভিজ্ঞান শকুন্তলা'— ৭৫
আই, এস, কাঙজম - ১৭২
'ইবেন্মা'—১৫৫, ১৫৬, ১৫৭, ১৬০
১৬১, ১৬৩, ১৬৬ ১৯৭
ইবুংঙোহল, লাইরেনময়ুম—১৫৫
ইরাবত—২৮,
ইলিয়াদ—৩৮, ৩৯, ৪৩
এপিক—৫৫, ১৭৬, ১৮১
এরিষ্টোটল—১৭৫
এরিয়ান থিয়েটর—১৫৫
এলিগোরী—১৪৪, ১৪৫,
'ওথেল্লো'—১৬২
'ওদেশী'—৩৮
'ঔগ্রী'—১৮০
কংলা—১৪
'কান্নবা রা'—২৭
'কামায়নী'—১৭৭
কালিদাস—১, ৫৬, ৭৪, ৮৬ ৯১,
৯৯, ১৩৬ ১৭৯
কাহ্নাই, লোংজম—১৯
কোঙেংবম অঙাংহল—২০
কুঞ্জবিহারী, কৈশাম—৩৬
কুমুদিনী (মহারানী)—১১১
'কৃষ্ণকান্তগী রিল'—১২৪, ১৬৬
কৃষ্ণমোহন শর্ম্মা ১৭২
'খম্ব-থোইবী-শৈরেং' ৩, ৫, ২২,
৩৮, ৩৯, ৪০, ৪১ ৪২, ৪৩, ৪৪,
৪৫, ৫৫, ৫৮, ৬২, ১১৩, ১১৪,
১১৬, ১৫৯, ১৬৮, ১৭২, ১৭৩,
১৭৫, ১৭৬, ১৭৭, ১৭৮, ১৮০
১৮৯, ১৯০, ১৯২, ১৯৩
খোংনাংথাবা লৌরেম্বম—১৮
খ্বাইরাকপম চাউবা—২৭, ২৮, ৩০,
৫৪, ১৩৬
'গলিভর্স ট্রেভেলস'—১৪৫
গান্ধী (মহাত্মা)—৪
গেটে ৩৮
গোস্বামী, মধুসূদন—৪৪
'ঙসি' ৩৬

চন্দ্রকীর্ত্তি (মহারাজ)—৮, ৬২, ৬৩, ৭১, ৯২ ১০৭, ১১১
চিগোং—১৬, ১৭, ১৮
'চিত্রাংগদা নাট্য মন্দিব'—১৫৫
চুরাচান্দ (মহারাজ)—৯
'চৈথাবোল কুম্বাবা'—১০৭
চৌরজিৎ (মহারাজ)—১৭
'ছাত্র মচা' ২৭
'জয়' ৪০
'জহেরা' - ২২, ২৩, ৫৭, ১২২, ১২৭, ১২৮, ১২৯, ১৩৩, ১৫৯, ১৯৪
'জুলিয়স সিজর'— ১৬৫
জোনবনিয়ান—১৪৫
জোনাথান স্বীফট—১৪৭
তখেল শা—১৬
'থম্বাল'—৩, ২৩, ৫৭, ১৪৩, ১৪৪, ১৪৫, ১১৬, ১৪৭, ১৪৯, ১৫০ ১৫১ ১৫২, ১৫৩, ১৫৪, ১৭৬, ১৯৮
থাংজিং—১৪
'থাবল চোংবী'—১৫৫
থায়নগী লৈরাং -২৭, ৫৪
দরেন্দ্র—২৮, ৫৪
ডাঃ কমল—২৭, ২৮, ৩০ ৫৪, ১৩৬, ১৫৩ ১৬৫
'দুর্গেশ নন্দিনী'—১৩২
দ্রাইদেন—১৭৮
নবদ্বীপচন্দ্র ২৮
'নরসিংহ' -১৫৫
'নিমাই সন্যাস'—১৫৫, ১৫৬
নিরালা -১৭৬
নীলকান্ত এলাংবম—২৯, ৩০
'নুমীৎ কাপ্পা'—১৪
'নৈষধীয় চরিত'—৫৬
নোংদা লাইরেন -১৭
নোংমাইথেম তোম্বী—১৭২
পাখংবা—১, ২, ১৩ ১৫, ১৬, ১৭
'পাম্ভোইবী খোঙ্গুল'—৮, ১৫
'পিলগ্রিমস প্রোগ্রেস'—১৪৫
পেনা/-চৈজিং/-শকপা/শৈশক—১, ২, ৩, ৭, ৮, ৯, ১০, ১১, ১৩, ১৪, ৩৯, ৪০, ৪১, ৪২, ৪৪, ৬২, ১৭৪,
পেরেবলস—১৪৫
'পোক্কবী'—১৫৫, ১৫৬, ১৫৭, ১৬০, ১৬১, ১৬৫, ১৯৮
প্লেটো— ১৯
'ফিয়ারী-কিন'—১৪৫
বঙ্কীম—১২৪, ১৩৯, ১৬৬
বাইবল—১৪৫
বাল্মীকি—৪১
বিদূষক—১৯০
বিনোদিনী, এম, কে, ১৬৯